[illegible]

([illegible])

[illegible]

পুনশিগী শক্তম

(লারোল তাঁনী)

অশাংবম শ্রীমীনকেতন সিংহ

খ্রীষ্টাব্দ ১৯৮৫

ফোঙবা—অইবা মশা।
খুৎলম —ইহান হানবা।
কুমজা—খ্রীষ্টাব্দ ১৯৮৩।

1614 Man

নম্বা —মেসার্স আর বি প্রিন্টিং হাউস,
নাগ মপাল, ইম্ফাল,
পিন নং-৭৯৫০০১ (মণিপুর)

কোপি মশীং—৮০০ (চাক্রক)।
মমল— লূপা ৩০ (কুন্থা)
স্বত্ব — অইবা মশাগী।

কংতম
শ্রীমীনকেতন সিংহ
উরিপোক, পঙ্খায়-মনীং,
ইম্ফাল-৭৯৫০০১ (মণিপুর)

ঋণস্বীকৃতিঃ

লাইব্রেরি কোওবদা এডুকেসন ডিপার্টমেন্টনা পব্লিকেসন গ্রান্টতগী দুপা লিশীং অমী পীনবিদুনা কোওবগী লম্বী লেখিখিবগীদমক ওসি গ্রন্থকর্ত্তানা ডিপার্টমেন্টগী কর্ত্তৃপক্ষশিংদা ধন্যবাদগা লোয়ননা ঋণস্বীকার তৌজরি। পুনশিংগী শক্তম অহানবা, অনীশুবা—অনীমক্তা তেংবাঙ পীনদুনা প্রকাশনগী লম্বী সেম্ববগুম ভগবদ্‌কৃপাদগী থোর্কখিনা লোকজনার্দনগী মশক ওইবা ইরৈবাক ইঙ্গাতিগী মকমদা ঙমজবা অনদান খূদিং অকিঞ্চন ওইরে ওইনা চানবিবা ডিংবেংনা য়েংবিগনি, হেন্না ঋণী ওইহনবিগনি হায়না আশা তৌজে। ইতি

মীনকেতন

২৪ ডিসেম্বর ১৯৮৩

(পোয়ন্ত কুন্নি পানবা থাওজ—শকাব্দ ১৯০৫)

নিবেদনম্

লাইরিক্লিদা অহল-ওইরবা মিৎলমদগী নাম্থোকখিবা অশোয়বা কয়া য়াওদবা নত্তে, অছুবু, মতম্না তাঙ্গা ফংদবগা, অঙ্গরোয়দনা, অশোয়বশিংজুনা পথী থীনা কায়বা ওইনা তৌদবা, অপাবনা হেক্নক থঙ্গদবা ওইনা তৌবগা অচুম-অরালগী পরিশিষ্ট হাপচল্লে—পাঠকশিংনা ত্রুটি মার্জ্জনা তৌবিগনি। ইতি

মীনকেতন

২৪ ডিসেম্বর ১৯৮৩

(পোয়রু কুম্নি পানবা থাঙজা—শকাব্দ ১৯০৫)



শ্রীমীনকেতন সিংহ

উৎসর্গম্

পূজ্যপাদা

৺ রাজকুমারী সনাজাউবী দেবীগী

নুংশিবা স্মৃতিদা

কংলি ভসি, পুনশিগী লোইরমদাই,

কল্প অসিমগী শল্পা,

ভক্তিগী অর্ঘ্য

মশা কোকভাংগী "পুনশিগী শকম (লারোল অনী)।

চৎলসম্লু শাংনা মরী,

য়োরসম্লু ভগবদ্ চরণ

তোল্লবগী ভক্তি-লতিকা।

মীনকেতন

২৪ ডিসেম্বর ১৯৮০

(পোয়সু কুম্নিপানবা থাঙজ—শকাব্দ ১৯০৫)

সূচী

বিষয়		পৃষ্ঠা
১।	ঐখোই মতমগী সমাজ	১—২০
২।	সমাজগী মীৎিং অমম্বং থাক	২১—৪৬
৩।	সমাজগী শিক্ষা দীক্ষা	৪৭—৭৭
৪।	ইশাগী শিক্ষা দীক্ষা	৭৮—১০৪
৫।	বৃণাম চৎপা	১০৫—১৪৩
৬।	স্কুলদা অমূক	১৪৪—১৮৫
৭।	পূনশিগী য়াওল অমা	১৮৬—২০৭
৮।	লীকয়াল পরেং	২০৮—২৩২

পুনশিগী শক্তম

নারোম অমী

অহানবা মতাং

ঐখোই মতমগী সমাজ

ঐখোই মতমগী সমাজগা হৌজিক মতমগীগা অনীসি কনা থীনা খেৎলে। বাখল্লা, ফিদমদা, মিংয়েংদা, পান্দমদা, পুনশিগী অর্থ মরোদা লোইনা অদুম তৈনৈ। ঐখোই মতমগীনা হিংবা নত্তে থোইনা হৌজিক হৌজিক্কীদমক, হিংবনি অা ভুংগী; পানবা নত্তে থোইনা হন্দক্কীদমক, পানবনি হয়েংমৃক্কী। হৌজিক মতমগীনা হিংবনি হৌজিক হৌজিক্কীদমক, হিংবা নত্তে থোইনা অা ভুংগী; পানবনি হন্দক্কীদমক, পানবা নত্তে থোইনা হয়েংমৃক্কী। তৈনৈ, অতুল্লা, লোইনা শিক্ষা দীক্ষাগী মওং। ঐখোয় মীওইবগীদি, ঐখোয় ঐখোয়না পোক্লকপা, ঐখোয় ঐখোয়বু কোনবা সমাজনা ঐখোয় ঐখোয়গী পুনশিগী শক্তম লাকপনি, সেথনি। মতম মতম্মা মচু অতুক থাবা, মচু অতুক লোকপদনি। মপাম্মোংদা ওনবশুম অতুক মতৌবা, মনুংদদি শক থিংলুবা ভোদবা ওাক্লি। ঐখোয় মীওইবগী পোকক্ষম শাংকম হায়বসি য়াম্না লুই। অতুনা, ঙসি ঐনা ইশাগী পুনশিগী শক্তম অমত্তং য়েক্লমগে, মপাউ থরদং ভাল্লমগে নীংলুবনা য়েক্লি কাবক হায়না ঐনা পোক্লবা, ঐবু কোল্লকপা সমাজগী শক্তম মতেক অমা লৈয়্রিনা লাকপা, থম্মি পট-ভূমিদা মশাগা কোন্নবা জাতিগী ইতিহাসগী পন্দুপ থম্ম মতম্মা মশাগী লাকোন্দা লাচনখিবা।

খ্রীষ্টগী ভরাগা মঙাশুবা শতাব্দী ভারতকী ধর্ম্মগী ইতিহাসদা বৈষ্ণবযুগ হায়না খঙনৈ। যুগসিদা কুইনা শিথরুরবা বিষ্ণু, বিষ্ণুগী মশক্লি খঙনবা,

বিষ্ণুগী অবতারনি লৌনবা লাইশিং নীংবগী ঈহৌ অমা নোহোনা লাকখি। নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী ঈহৌ কৌনৈ। ঈহৌ অসি ঈচাউগী অচৌবা মশক অমা লৌখি। ঈচাউ অসিনা ভারত লৈকোয় থুংনা ঈবায়খি। ঐখোয়গী চীংগী পল্লোম্নুংদা তুমিন চিপক ডাল্লবী সনাপুঙসিদসু পঙথীন থীনবা তোৎদনা য়োরকখি। য়োরকপা মরোদবু অমম্বা মওং অমদনি। ঈহৌনা অসুম হেক্ত ঈবায়রবসু নত্তে, ঈখে অমা লাকপসু তৌদে, ঈরম অমা কাংলুবসু লৈতে। ঈহৌসিগী বাংমদা, অা তায়া লৈবা, ধর্ম্মসিগী মনম থোইনা চঙদবা মরুপ অমনা ঈহৌসিগী ঈনিল ইতা তাদবা, ধর্ম্মসিগী মনম কৌবা ফংদবা মরুপ অমদা প্রেমগী থৃদোল তম্লকপা পোৎলম অমনা লাই চঙহুনা ইথা থাজদনা ধর্ম্মসি পুরকখিবনি, নত্তে, চৌদোকখিবনি। খঙদে মতম্বা ঐখোই কংলৈ সনাপুং অসিগী নোংচুপ থোঙ লাওনা হাং, নব্যবৈষ্ণব ধর্ম্মগী ঈরম লৌ, জাতিগী নীংথিবা কৃষ্টিগী মচু ফজনা লোক, জগত্তা পুথোক্লগে নীং শীনবরা।

যুগসিদনি মৈদিঙ্গু ক্যাম্বনা কংলৈ সনাপুংদা পামবা। পোং নিংথৌ চৌফা খেখোম্বা মৈদিঙ্গুসিগী নিংথৌপনগী মরুপ্পি। শা লান লোইনা তেংবাঙনৈ। লাইতিম্নরুবরা খঙদে, নিংথৌ অনীসি নিংথৌপন লাম্না মীগী পন য়োনা চায়ৈ, হায়নবা পৃম্বা য়ানৈ, অমনা হায়রগা হেক্ত লোইনৈ। চৌফানা মৈদিঙ্গুদগী চহী কুম্নি হল্লিবা—অমনা নীফুগা তরেৎ, অমনা কুনগা তরেৎ। অতুনা মপাম্বচাদোনা চৎনৈ, পুনৈ, নুংশিনৈ। মিত্র. সুহৃৎ, বন্ধু—মরুপ্ অহুমগী প্রেম পৃনবনি নিংথৌ অনীসিদা। ফজবা, নীংথিবা, অরুবা, অহেনবা পোৎলম অমত্তং লৈবদা তম্বৈ হেক্ত থৃদোল। অমুক্তি, পোং নিংথৌনা সনাগী কাগোক অমগা সনাগী বিষ্ণুমূর্ত্তি মচা য়াম্না পিকপা অমগা তম্লকই। পোৎনগা লৃরে, নুংশিবা মীশক অমনগা পীরক্লে, নিংথৌনা পোৎলম অনী অসি ইথা পাখিদে, অমুক-নুংথিল-নুমিদাং মশাগা ইকোন্দ কোম্নখি।

সনাগী কাগোক অসি হৌজিক্তি লৈত্রে, মাম্মু। মাখিবসি মশা য়াওপ্রবনি। অতুনা, মতাংসিদা খিত্তং পল্লবনা চুন্না থল্লুই। কাগোক অসি লাকপদগী হৌনা পোংনিংথৌ কাগোক হায়না নিংথৌগী সম্পোৎ মশীং চাউনা চনখি। নিংথৌরোন মথং মথং লাকপনা খোংজোম লানগী কাংখোংদা

মাঁঙি। চান্নবা মাখিবমক্তি নংলমদরে, থুপচিন্নবা ওইরম্মে। ঐখোয়না জান কাবক তারকপা মতম অহৌবাইদা সনা ঈচীল অমনা দোকান অচৌবা অমদা বন্ধক থম্মি। মনিল ফুদোরক নিংথৌপম্না মাখি। অদুবু মৎশ্রপনি কিক্লবনরা নত্রে মশা মশা শোক্লদনহৌম থল্লুবনরা, অনৌ মান্নহৌনা মনুংগা লোইশিনখিবনা হান অদুম কান্নখিদ্রে। মাখি অসুম পোং নিংথৌ কাপোক্ত জাতিগী ইতিহাসগী পাম্মুরবা, মমল য়াম্নবা, লেমজনিঙাই ওইরবা পোৎশক অমা। অরাবনি শল্লুবদা।

বিষ্ণুগী মূর্ত্তি অসি লাইনি লাৎম্বু পীরকপসু নত্তে, লাইনি লাৎকে লোক্লবসু নত্তে। পীরকপা মীনসু ফজবা, নীংখিবা, ম্নেংবা নুঙাইবা পোৎশক অমনি মপীরকপা, লোরকপা মীনসু অরূবা, মমল য়াম্বা, মীৎকী কুম্মে মতেক অমা মওইবা পোত্তা অমা ওইবগা নুংশিবা মীগী নুংশিনা থুদোল অমা ওইবগা নুংশিবোই, নুঙাইবোই, পান্ন খোত্তুনা অদুম পঙশান মশান্ন-বনি। অদুবু, থোকখি থুনমক অঙকপা থোওং অমা থাজবদা ৱানা থোকপা। নোংমা, বিষ্ণু মূর্ত্তি অসি পায়হৌনা শান্নরিঙৈ নিংথৌগী সনা হকচাংদা হাক-জবগুম্বা অমা তৌবরা, মূর্ত্তিসিনা তেক তোৎনরুই। অহৌনা লায়পু অমা তনওই ওইপি। সনা হকচাং অপূম্ব পূম্মৌ হৌনা পোমখৎ থাগৎখি। হাকজবা খাঁঙমখিদে, মৈচাক পুঙমখিদে। নিংথৌ মাইবা লৈবাক মাইবা পূম্নমক্লা হিদাক লাংথক, মহৈ মশিং লোইনা পুথোক্লুনা তোৎনবদা মমান্ন থুনরে, থুরে। তিনকোক লাইকোকপদি লায়রহৌনা অনাবা মহুম নোংমা নোংমগীহৌম চাউবা তেন্নে। তৌভম থঙনদরে, মম্নরে। লাইগী মপাউ অমত্তং তাসি হায়নরে। তারে "লাই অরুবনি সনাগী মূর্ত্তিহৌ, লাৎলু, লাৎপসু মরম থঙবা, লংহিং থাংবা মীনা লাৎকদবনি।" নিংথৌ কিবোই লাকপোই, হৱাউবোই নুঙাইবোই, "ফুরা অমা কৎকে" লেপ্পে। "হৌজিক হৌজিকৌ পাঙনবা শঙ অমা থুনা পানথৎলু, লংহিং থাংবা মীশক ফংনবা পরূপ পরূপ থীয়ু" তন্দাউ তাউথরে সনা য়াথং।

মতমসিদা ঐখোয়গী কংলৈ সনাপুংসিদা বামন পঙতাঙ তাঙবা নত্তে। মীয়ৈবাক্তা, ধর্ম্ম তিন্নদবা সমাজদা চঙলকপগী হৌনবা মশাগী জাতি, মশাগী ধর্ম্ম অদুক থুপচিন্দুনা তিনবা য়ানবা অদুম পঙলৈ লৈবগী বাদনি।

বামন খরদি থুপচিনবদগী অদুম থুপখিদুনা, হন্দোকপা হারপ খোকখিবনরা খঙদে মৈতৈ সমাজদা মখোয় মশাগী লোঙ্কং পিত্তুংদং ঙাক্লগা মৈতৈ ওইনা অদুম তিনগ্রবনি। বামন অমদি মমিংনা ভবানীনাথ কোই, ঘোষাল শাগৈদা পোকপনি, গৌড়দেশকী বরাহনগরদগী লাকপনি। মহাক্না লাকপদা খঙদে মাহেন্দ্র যোগগী হওোইনা লিন ঙম্বা ক্ষেণদা খোঙশান্নকপরা! খোঙদাভম, খুদাভম য়ানা থোক্লবা লৈবাক্লিদা থুনমক পজেং ফিয়াল ফংপি, থেংখি। অমরোমদনা, মহাক অসি ইচম চম্বা বামন নত্তে, লাইরিক লাইও য়াম্না হৈবা, ব্রাহ্মণগী লোঙ্কং কায়দনা চংপা নীংথিজবা ইমুংদা পোকপনি। ভাগবতাচার্য্য রঘুনাথনা পোকপনি। পণ্ডিতসিনা ভাগবত পাঠ তৌবদা কজমনখিবদগী প্রেমাবতার শ্রীগৌরাঙ্গদেবনা উপাধিসিনা চানবিখিবনি। কুলদেবতাসু হয়গ্রীবনি, বিষ্ণু উপাসক্নি। অদুমক্না শ্রীবিষ্ণুনা কংলৈ সনাপুংসিদা বিষ্ণুপুজা শন্দোক্লবা, নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী লম্বী সেম্লবা, খঙদে মণ্ডপ লৈবা মপাগী মণ্ডপ লৈবা মচা ভবানীনাথপু থারকখিবরা। ব্রাহ্মণসি সন্ধ্যা কায়দনা চংলি। ব্রহ্মমুহুর্তদা ইন্ফাল তুরেলগী পাউনা ঈরেলদা সন্ধ্যা হেক চেক তৌই। মহাক্না সন্ধ্যা তৌরিঙৈদা নিংথৌ মনাইশিংনা থেংনরুই। নিংথৌনা মহাকপু হরাউনা পুজারী চাপখি। পুখি অসুম ভবানীনাথনা বিষ্ণুগী সেবা। মশানগা বিষ্ণু উপাসক ওইবনা নিংথৌপনগী লাই মতিক্মক চাবা ব্রাহ্মণা হৌনবি মচেং অমত্ত কায়দনা সেবা নীংথিনা চংখি।

অমম্বা সংসারনি। থোকই, অদুনা, অংম্বগী অমম্বা ঙাক। নিংথৌগী লায়নাসু অমম্বনি, লায়না লায়কোঙ্গু অমম্বনি। ভগবানগী শঙ্খজল, চরণতুলসী, নির্ম্মালা পুষ্প, প্রসাদ হেক ফংবদা অনাবা ঈংবগুম তৌরে, ঈংলে, অদুম ফরে। নিংথৌগী সনা পুক্লীংদা হরাউবা, নুঙাইবা, অকিবা, অথুকপা, থাজবা লোইনা পুমতিন তিনখি। সনা পুক্লীংদা অকনবা ঈথৌ অমা হাপখি। কংকে লেপখিবা মন্দির থুনমক পায়খংখি। মতম চানা লোইরে, হোঙলে। সেবা নিংথৌপনগী মতিক চানা চত্থরে, চংলে। সন্নকার ওইবা ভগবানগী নীংথিজবা সাত্ত্বিকী পুজানা মীপুম খুদিংগী থম্মোই হুখি। নুঙাইবা অমা ওইনা মবুকথোক মরম্নাইনা হৈ লৈ খিবা হৌখি; পুজাগী মন্দিরদা কাখি। নিংথৌনা কংখিবা মন্দিরসি ঙসি বিষ্ণুপুরগী চোথে

চীঙদোংগী লমখৈদা, মতমগী ভোরৈ তুথুপ অমদা ঙাঙোম ফুংগানা কোয়না তাশিল্লবদগী ঙাঙোম ফুরা হায়না যুগ কয়াগী চৈনা বানা খাঙ লেপ্লিবসিনি। বিষ্ণুগী সেবাসিনা জাতিগী ইতিহাসদা, জাতিগী পুনশিদা অচৌবা য়াওল অমা পুরকখি। সেবাসিনা ঐখোয় লৈবাক্তা নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী খুভম সেমখি, সমাজদা ব্রাহ্মণগী খুভম কনখি। ভবানীনাথ মচা অহুম পোকই। অহল কংসারিনাথনা মপাগী মহুৎ শিন্নেহৌই, বিষ্ণুগী সেবা পুহৌই। পোকখি মঙোন্দগী অরিবম বিষ্ণুলাংপম ফুংগা। য়াইমা দামোদরনাথনা মখোয় মশাগী কুলদেবতা হয়গ্রীব লাংখি। হয়গ্রীববু শগোল লাই হায়না শঙনৈ। চোংথোকখি, অদুনা, মঙোন্দগী অরিবম শগোল-লাইলাংপম ফুংগা। অতোপ্পা হরিনাথনা তম্পাক লাই (বসুমতী কোয়বা বিষ্ণুগী ভোগমূর্ত্তি) লাংপদগী মহাক্তা ফুংগাবু অরিবম তম্পাকলাইলাংপম হায়না খঙনখি। পোকখি অসুম ব্রাহ্মণ ফুংগা অহুম, তিনখি সমাজদা অনৌবা মীথিৎ অমা, য়াখি লেয়া, মশক্লাইনা মখুভম। পীখি, পীবা ঙমখি কোয়া ফুংগাশিংসিনা হিন্দুগী কৃষ্টিগী নীংখিবা মঙাল, উংখি শান্তিগী লবী, নীংথিবা ভক্তিমার্গ।

নিংথৌগী পন্দা বিষ্ণুগী সেবা চাউনা চৎপা, লৈবাক্তী পন্দা ব্রাহ্মণা খুভম বাংনা য়াবগী পাউসি নুংশিৎনা চীংগী পল্লোল মাপল লান থোওইনা ভারতকী লমখৈদা চেল্লুবরা খঙদে, নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী অতৈ সম্প্রদায় অপুম্বা পরপ পরপ মথং মথং পঙহাদ হাজিল্লরকখি। লাকখি অনন্ত (কোংবলাই), নরসিংহ (মীনোংশা), গণপতি (শামুলাই), গোপাল কৃষ্ণ, রামনীংবন-চিংবা লোইনবা। বেদ, পুরাণগী কৃষ্টি কয়া কয়া পিরা চাউনা ফুজিল্লকখি, তিল্লখি নোহো ঐখোয় জাতিগী কৃষ্টিদা। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম ইপাল ফগৎলক পাকনা চাউনা চেনবা হৌরকখি জাতিগী কৃষ্টি।

মৈতৈ শা লানগী কোন্দা পোকপনি। শা লানগী তমদা চাউবনি। শা লায়া মখোয়গী পুনশিগী খোংভম্নি। মীপুম খুদিং স্পার্টান্নি, লিওনিডস্ ওাক্সি। মখোয়গী লাইনীং লাইসোম্না ঋষিকবি অমগী শৈশক্তা হায়রগা

"জীবনমে সংগ্রাম বন্দে"

নি। শা লাল, শা লালগী মবেম্মা লাইরেম্মদনি মখোয়না থল্লিবা। মখোয়-গীদি চারে লাল, তুম্লে লাল, চংলে লাল, ফম্লে লাল। তংলে, নত্তে, থক্লে

লালগী মহাউ চিহ্না মনীংদা পকপা অরোইবা অথম্বা মরীক ফাও। খণ্ডলে ভশেং লাম্না লাল লঁত্তি ; লৈতে লান্দা শান্তি ; অকিবা, অথুকপা, মিপাইব-নচিংবা লৈতাদবা, ওল্লাং ওনশাউবা ময়ামগা মরুপ্নে, অশান্তিগা তালোয়নৈ। শীনরে. থানরে লোইনা ; পেম্নরে লোইনমক। ধর্ম্মদা য়েংলুই, কদায়। অকন অরিং তানবনি। অকিবা, অবাবা সাধন্না লাইদগী শক্তি মৎপনি। শক্তিহনা হঙ্গত্তুনা ভৎস্মকঙ্কনগী মতম লাইগা শীংনবনি, মীবু পোৎপু লাক খোইবনি। মশাগী পূজাদা জগত্তগী শান্তি তাম্থোকপনি। অহনা, মশাসু অহুম লাংদবনি শান্তিগী মঙাল। লৈতে মখোয়গী পুনশিদা, ঈশ্বরগী প্রেমগী জগৎসিদা, প্রেমভক্তিগী মফম। খণ্ডদে মখোয় শান্তিগী লম্বী। অমরোমদনা, লাক্লিবা ধর্ম্মশিংনা চেল্লি প্রেম অমসুং ভক্তিগী মপাউ, তাকই শান্তিগী মশক, শান্তিগী লম্বী। লানগী খারবা মহাউ থীনা থানা থীনা তং, অমুক্ত শান্তিদা পাল্লবদি থল, থীনা শান্তি ইখৌ সাংলবা মৈতৈগী লালোয় থম্মোই পুনথি, পুনশিনথি নোংমা নোংমগী থর থর অসুমসুম। রাথন্দা, ফিদমদা, মিংয়েংদা, পান্দমদা পুনশিগী অর্থ মরোদা অহোংবা অমা লাকখি। লাক্লিবা অতোংবা তাথি মপাম্বী মরা, তাশিনথি চেৎনা নোংম নোংমগী অসুমসুম। চগীনা চনীম্লাংখৈরোম হায়রকপা. মৈদিঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তগীদি নিংথৌরেলঙ্গ তরাগা নীথোইসুবা তুনী চরাইরোংবা সনা হাক্তক্তদি মশক তশেং চোং-থোকখি। মৈতৈ বৈষ্ণব সম্প্রদায়দা তিনবা, চঙবা হৌখি। জাতিগী মশম্গী ইতিহাসদা হৌখি অনৌবা পন্দুপ অমা অচৌবা। লাকখি জাতিগী পুনশিদা মাওল অমা অচৌবা।

খ্রীষ্টগী তরাগা তরেৎসুবা শতাব্দীনা লোইবা তরাগা নীপালতুবনা হৌবা মতাং অসিদনি তুবী চরাইরোংবনা কংলৈ সনাপুংগী সনা ফম্বাল লাংবা। সনা হাক্তক্লিদা লাকখি ব্রাহ্মণ অমা, উৎকলগীনি, শ্রীধাম ক্ষেত্রদগীনি, মমিংনা বনমালা রায় হায়না খঙনৈ। গোপাল কৃষ্ণ ভক্তনি, নিমাইগীনি। মশাগী কুলদেবতা মদনমোহন কোম্নরকই। মহাক্কী গুম্না তুবী চরাইরোংবা মঙোন্দা গুরু বরণ তৌই, কৃষ্ণমন্ত্র দীক্ষা ফংই। গুরুগী কুলদেবতা মদন-মোহনগী মন্দির কৎলি। নিংথৌ পন্দগী বন্ধান হুন্দুনা সেবা চৎলি। রাজগুরু অসিদগী পোকখিবনি গুরু অরিবম ফুংগা। ঙসি ব্রহ্মপুর নহাবম আচার্য্য-

গুরুকোন্দা যুগ কয়াগী নোংজু নুংশা থাঙ রানা য়ুংলিবা ফুরাসি তুবী চরাইরোংবনা কংখিবা মন্দিরদুনি, সেবা চংলিবা ঠাকুরগী বিগ্রহসিনা রাজ-গুরু বনমালী রায়না লেংথোরকখিবা মশাগী কুলদেবতাদুনি।

নিংথৌনা কৃষ্ণমন্ত্র দীক্ষা লৌত্তনা বৈষ্ণবধর্ম্ম চংলবনিনা লৈবাকী অশাল অপিল, অঙম-অথৌ, য়ায়ভোঙ-খমদোঙ, মচা-মনাই অয়াম্বা বৈষ্ণবধর্ম্ম অদুম লৌনরে। লৈবাকী ফম্বৈশিংনা বৈষ্ণব ওইরবনিনা মৈত্রবাক বৈষ্ণব অদুম মওইরে. বৈষ্ণব জগংকী মনুং অদুম মচল্লে। বৈষ্ণবধর্ম্মনা লৈবাক নিংথৌ পনগী ধর্ম্মমক ওইদুনা পূমওম্মক হেক ওনবদি মথংগী নিংথৌ মৈদিঙু ময়াম্বগী সনা হাক্তক্তনি। সনা হাক্তক্লিগী ধর্ম্মমক্তি বৈষ্ণবধর্ম্মদি ওইরগা রাম উপাসনানি।

তুবী চরাইরোংবা বৈষ্ণবধর্ম্ম লৌবগা লোয়নননা নীলাম্বর মিংথৈনা সনা মিংথৈ ওইখি। সনা লীকথাং তুংলমচংকী মৈদিঙু ময়াম্ববুনা গোপাল থোনখি। মৈতৈগী কৃষ্টিনা নিংথৌবু লাইগী মশক্তি, লাইনি হায়না তাকই। লায়িংথৌ অপান্বনা লোইরেল লোক্তা রাবীরোকী সনা পীবুক্তুংদা শায়োল ভৌ কো সনা পাখংবা ওইনা পোক, গুরুনা শায়োনবা কোজন তুথোকপনা সনা ফম্বাল ওই কংলাগী ইহান হানবা নিংথৌ ওইখি, নিংথৌদি মহাকী শায়োম্নি হায়না খঙনৈ। অদুনা, নিংথৌবু লায়িংথৌ কোলোয়নৈ। হিন্দুগী কৃষ্টিনসু নিংথৌবু বিষ্ণুগী মশক্তি, বিষ্ণুনি তাকই। অদুনা ভগবান বাসুদেবগী শ্ৰীমুখবানী ভগবদ্‌গীতানা লাচল্লি

"নরাণাং নরেন্দ্রোঽস্মি"

মীগী মরক্তা নিংথৌ হায়বদো ঐনি। কৃষ্টি অনীগী মরোল্লা অমত্ত ওইবনা তুবীসিগী সনা হাক্তক্তগী বিষ্ণু নিংথৌগী শাগোম্নবা লাই ওইখি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী খুভম থোইনা হেন্না চেংশিনখি। সনা হাক্তক্লিদগী নিংথৌনা সনা খোঙলেঙবদা, শাদা খঙদে লান্দা খঙদে নক্রে হরাউ তয়াম্বদা খঙদে বিষ্ণু ইকোন্দ কোয়খি।

তুবী চরাইরোংবনা নোংগায়বদা মৈদিঙু ময়াম্বনা নিংথৌ ওই। সনা হাক্তক্লিদা লাকখি রামায়েত্ত অমা। শ্ৰীহট্ট, নরসিংহ টিলাদগীনি। শান্তিদাস কোই। পাখোঙ পুখোঙদি মুন্না খঙনদে। মাগী ধর্ম্মনগা বঙ্গদেশ রাংমগী

ওইবগা মাগী অরেপ্পা মশক খরা চিংনবৈ। কনাগুম্বা পণ্ডিত্তি অসিনোং
মমিংসি ফাওবা শোয়ররমগনি, সন্তদাস ওইরমগনি পুই। অত্তুবু, রাকম খরনা
মহাক্সি ভশেংবা বঙ্গগী মী ওইরমগত্রা খন্দবা ঙমদে। রামান্দী বঙ্গ রাংমগী
ধর্ম্ম ওইরবসু চৈতন্যদেবগী মতমদা গৌড়দা লৈ হায়রবা ভক্ত মুরারিগী
রাফম্বা অত্তুম মভাকই। কৃত্তিবাসগী পোকপা মতম ভশেংনা হায়নবা ঙমত্র-
ধসু তরাগী মঙা সুবা শতাব্দী মতুংদদি নত্তে, লেপ্পরিবা অসিমক্তসু বাম-
মার্গগী জগৎসিংগী মচি খরদদি চৈতন্যদেবগী অ মমাঙদগী ধর্ম্মসি লৈ হায়রবা
অত্তুম মভাকই। অসিসু অসিনি, মক ওইবা অতৈ মরম কয়ামসু লৈ। ঐখোই
লৈবাক্সিদা ইহান হান্না ভাবা রামায়ণ অতৈ অমা নত্তে, কৃত্তিবাসীনি।
মশানা অত্তুম চুমজরবা, প্রমাণ চঙত্রবা রাফম্মি। অহল লম্মন, লাইগুরু-
শিংগী রাফম্না শান্তিদাস সিদ্ধগী শক্তি ফনা লৈবা মীশক্তি হায়রবা ভাকই।
মহাবলী ইরেন্দা মখোয় মরিল পুথোক্ত্না চাম্বা, অচচ্চত্ত লেংপানবা
পুম্নমক্কী লৌনীংবা মশক হেক হেক্তমক লৌবা গুরগী রা অত্তুম ভার।
মহাক্সা লৈবাকনিংথৌগী ধর্ম্মগুরু ওইনা পানবা মতমদা নিংথৌগী মচা-
নুপী লৌবা, শা লাল অয়াম্বদা য়াঙবা, মশামক্সা লান চিংদুনা চংপগী
রাসু অত্তুম মফংঙি। পরিব্রাজক অমা ওইনা ধর্ম্মদা লুপ্পা, ধর্ম্ম সাধন
ধর্ম্ম প্রচারদনা মথৌ ওইবা মীওং ওইনা উদে। ভুক্তিদা খায়পুনৈ হায়রনা
অত্তুম উই। অসি খিবিক্সা মহাক্সি বঙ্গভূমিদা অত্তুম মপুক্সি। অমবু ওইরে
অমবু ওইরে, মহাক্সি ফিরাল মমায় চুয়া লাকপা মীশক্তি। মতম্নানি থঙদে,
মহাক মশাগী শক্তিননি থঙদে, নিমান্দী ধর্ম্মগী শুভম মুন্দুনা মশাগী ধর্ম্ম,
রামান্দী, ঈনশিনবা ঙমখি ভরাই। শক্তিদি শক্তি অমনি। রামায়ণগী
গায়ক-কথকমক অমনি নীংথিবা।

শান্তিদাস মৈথিঙু ময়াবগী সনামাঙদা একতারা, মৈতৈগী মধুযন্ত্র
পারজুন হেক হেক শকই। অনৌবা শৈশব, অনৌবা মনুচাই অমা ওইবনা
সনা পুক্সী রায়া ভানা ভার। ভক্তিগী নীংথিজবা সাধন অমা ওইনা
থোকখি, ভাখি ভক্তিগী মঙাল নিংথৌগী সনা উনপোয়মুং। অমরোমদনা,
রামচন্দ্রনা মপাবু নুংশিবা, মপাবু নীংবা, মপাগী রাজক ঙাক্তবা নিংথৌ
শুভম ভরাই থাদোক্লম, মশাদা করি নাচুংবা লৈরুম বন চংবিবা ভারক-

পদা নীঁঙমথিদে নিংথৌ; লাংথি মুংদা মৈশা, চাকথি মথন্নায় প্রোক প্রোক। "কদায় ঐদি" সোনথি মদোম তুমিন, "ইপা হাংপা, অদুসু ইথুংনা, ইথুংনা ফংনা তমথিনা তোন্না, কোরৌ তেন্না পাল উতুপ তাবগুম তা মৈচাক থীনা থাঙলিঙৈ তমথিদ তমথিরবা তানা, থাঙকমদা থাঙকম, উম্—"; য়েংথি শুন্দা তিংঙক, উরুবরা খঙদে নৌহৌ থোকথিবা তমথিবা থৌদোক, হোনথি সোর ন্নানা শাংনা খোঙ্হোক্লনা নিংথৌ। পুঙয়্দরবরা মথম্মোই, থোকথি তরাই খাকপা লৈত নিংথৌগী চীনগোই—"গোসাঞি, ঐদি ইপা হাংলুরে, করি ওইবা. ইবুকথোক্লদি নংথিদে, মীগী থৌইনশিন্নগীনি, অঙাং ওইবনা পঙবদগী য়াব্রুদনি" লৈথি অদুম শুন্দা য়েং হান্নগী মতম—মিংলুদদি পিরাং। থোকথি গোসাঁইগী মফমদদি ভগবদ্ কৃপা অচৌবনি অমগুম মহাক মশাগী অনীংবা থুংজো তম্নবা। "সোনবিসি মহারাজ রামনাম, মহামন্ত্রনি, ঈঙনি সনা পুক্লীং, কোক্কনি খঙদনা লৈঙুবা মহাপাপ। ভগবানবু তরাই হেক কৌবা নত্তে রাম, চেল্লীবনি হুংদা লুরুপা অর্থ অমা। মহাক্কী নাম্না সংসারগী মৈচাক অদুম কৌক্ক্রি, লেঙদবা হুঙাইবা ফংনৈ কৌরুবনি ভগবানবু রাম। রমন্তি যোগিনোঽস্মিনিতি রম্ ঘঞ—শক্রম্নিবসিনি, ঋষিশিংনা অদুনোং" হঙ্গৎলম অসুম নিংগোলদা শকথি তন্না গোসাঁই একতারা কাপ—

জয় রাম শ্রীরাম জয় জয় রাম শ্রীরাম।

লাকথিবরা খঙদে ভগবদ্ কৃপা নিংথৌগী পুনশিদা অম্লতাপকা মৈদা চঙ মচ় লোক্লনা লোকচবগুম মচু সনানা ফুদা তোং। পোকথিব-গুম তৌথি সনা উনগোরক্লংদা ভগবদ্ প্রেম। সোনথি নিংথৌ মুংশিনা হুংশিবা রামনাম মিংলু অনীদদি প্রেমগী ধারা। উথি, নীংশিংথি রত্নাকরনা যোগাসনদা নৌহৌনা ফরুবা মতম। তৌথি গুরুমন্ত্র রামমন্ত্র দীক্ষা।

মৈদিঙু ময়াম্বা মপাবুংগী মমচা অদুম হৌবকপনি, নিমাম্বীনি। গুরু গোপালদাসদা কৃষ্ণমন্ত্র দীক্ষা লৌবনি। বৈষ্ণবগী রীতিনীতি অদুম মচংপনি। বৈষ্ণবগী লাইশিংগীদ নতুনা অহৈ হৈ লাইশিংগীসু কিয়োংনচিংবা ভুম মকংলি। বৈষ্ণব অমা ওইনম নিংথৌ অমা ওইনসু দৈবাকী ...

লম্বী থোং সেম্মি। ঈকংথাদা ঈশিংরাবা পোক্তনব, লম লমদা পুম্নী অচৌ অচৌবা হেক হেক তৌই। অমুম্না লৈবাক্কী পন্দা খণ্ডদে লাইগী পন্দা খণ্ডদে সেবা ধর্ম্ম অদুম মনীংথিনা চৎলকই। অদুবু রামনামদীক্ষা লৌড়গীনা থোইনা হেঞ্জিনবগুম তৌখি।

পুনশি খোঙভম্না চৎই নীফু চৎলকপা, সনা ফম্বাল লাংলকপনা কুম্নাং কুমশীং তরা অনী হায়রকপা মতম অংরাইদনি মৈদিঙু ময়াম্বনা নিমান্দী ধর্ম্ম থাদোক্লম রামান্দীধর্ম্ম লৌখিবা। ধর্ম্ম হোংবগা লোয়ননা মপাবুং মহারাজনা থোক্লম্বা হাম্নগী সনা মিংথৈ গোপাল থাদোকখি, অনৌবা মিংথোল গরীবনিৱাজনা সনা মিংথৈনখি। ধর্ম হোংবা, মিংথোল ওনবগা লোয়ননা মশকসু ওনবগুম তৌখি। ধর্ম্ম খঙনা ধর্ম্ম চৎপা, ধর্ম্মগী অকনবা সাধন্না ধর্ম্মমক্কী মশক লৌখিবা মশক অমা ওইখি।

পূণ্যনা পূণ্য পোকপগুম পাপনসু পাপ অমম মপোকই। অদুবু পাপ্নসু পূণ্য পোক্তবা নত্তে জগৎসিদা করি করিগুম্বা নোং। মচৌল মনাও চাম্মা, কোন্নবা মচা মশু, শাগৈ নাইত ভুম্না থাং ঈগী ঈচেল ঈৱায়না সিংহাসন কারকপনি অশোকবর্দ্ধন। শক্তিগী সাদক্তি চৎপনি অগনোং দিগ্বিজয়দা কলিঙ্গ। কলিঙ্গ তেঙ্গোন্না মরৈবাক মজাতিগীদমক্ত বীরগতি তান্নরকপা, অক্ষৌহিণী তংখাই অমা তুরকপা, চাদোরকপা ঈনা লৌথোং চাম্মা থোক্লা চেল্লকপা, মীকোক ওন মীশা তাউ মকম মকম থুদিংদা চাংদুম চাংদুম খিল্লকপা ঊবদা থীখি ঈ ঈচুমদ ঈগী ঈচেল ঈৱায়বদ থংলকপা নিংথো। ঈ থীরবা, থারবা থরায়না থিরকখি শান্তিগী লম্বী, চঙ্খি বৌদ্ধধর্ম্মদা। বোধিসত্ত্ব অমা ওইনা শন্দোকখি বৌদ্ধধর্ম্ম পৃথ্বী লৈকোয় থুংনা, তাকখি জগত্তা শান্তিগী লম্বী অহিংসা পরমো ধর্ম্মঃ জীবদা লঙদবনা ধর্ম্মনি অথোইবা, থীখি শান্তি।

গরীবনিৱাজসু অশোকবর্দ্ধনগা অম্মানি। মপাবুং মহারাজগী ঈ তৈনা তৈনা ফম্বাল অদুম মকাবনি। নিংথৌ অম ওইনা দিগ্বিজয়নি। কবো আৱা, তেখাউ, ময়াং, লোইপাল, চীংক্ত পুম্নমক্কা কিনবা নিংথৌনি। অদুবু মহাক্কা তৌরুবা মহাপাপ অসিদনা মহাকপু সেমখিবদোনা তৌবগী রা মথক্ত অদুম মপনঙবনি।

রামমন্ত্র দীক্ষা হেক লৌবগা রামানন্দীধর্ম্ম লৈবাক নিংথৌ পনগী ধর্ম্ম ওইনবা লাউথোকখি। অপাল অপিল পূর্ণমক নোংগ্রং ঈরুপল্লহুনা কোনশিনখি; লৈবাক মীয়াম খিবিস্মক গুরু নিংথৌ অনৌনা লিলোংদা নোংগ্রং ঈরুপহল দীক্ষা পীখি। ইম্ফাল ময়োন্দা নাংথিবা মকম য়েং রাম মন্দিরগী লম য়াৎখি। মূর্ত্তি লিংথত্তুনা মন্দির লিংখি। ইম্ফাল তুরেলগী নাংথিবা তুথুপ অমদা উকোম্নুংদা মহাবলী লিংখত্তুনা মন্দির লিংখি। রামমন্দিরদা ওসি বঙ্গদেশ হায়না খঙনবিবা কীর্ত্তনসি রামগী নিতি থৌগলগীদমক লিংথোপলগী লিংখি। মহাবলী মন্দিরদনা রামায়ণগান হুমিং থৃদিং কংখি। লৈবাক্কী দর্শন লাইরিংনবা লাকপদা হুত্তেইনবা শীংখি। শক্তোকখি অহুম নোংমগীনা দিগ্বিজয়ী ওসিগীনা রাজর্ষি লৈবাক্কী রাম উপাসনা। মপাবুং মহারাজনা হুল্লম্বা পরিংথক্তা লিংখি কাবক মপুংফারবা বৈষ্ণব সমাজ অমা। অদুবু, মহারাজনা ফমগৃম্বগা লোয়ননা ধর্ম্ম অসিস্ত চায়থি তন্না মরায়। মচা ইবুংঙো চিংশাইনা ফমগাবগা লোয়ননা হান্নগী নিমান্দী ধর্ম্ম কাম্বি মরায়, কাখি লৈবাকনিংথৌ পনগী ধর্ম্মগী থুভম। অদুবু কুইউদি তমখিদে, চুপশিনখি থুনমক গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্মনা।

চিংশাই কুইনা পানখিদে। মপাবুং হাৎলুবদগী লৈবাক বাখোক ওইখি, তন্না তাম্থোকখি। মথংগী নিংথৌ ভরতশাইগী রাফমন্ত্র ময়াম্বুংগীগা অন্মা ওইনা অদুম তৌবনি। মপাবুং হাৎউ থুংমারবা মনাও তোলেল তোম্বা শত্রুঘ্নশাই নকশিন্নরুবদগী লৈবাক্কা অদুম তাম্থোকখি। লাকখি অসুম গৌরশ্যামগা জয়সিংহগা মচৌল মনাও অনৌদা মপাবুং থুম্নায়লাকপনা মপাবুং মহারাজগী সনা পুক্লৌং থুংনবা থাদোকখিবা সিংহাসন।

গৌরশ্যাম ধর্ম্ম চৎপা নিংথৌনি। মহাক্কা পানবা চহী তরুক্কুম্বা হায়রকপদা ব্রহ্মচারী অমা মনাইনা হাৎপদগী হুণ্ডাইখিদবনা ফমগৃম্মি. মনাওদা শিন্নে। মনাওসু অহুনি অদুম। মহাক্কা পানবা চহী অহুম্লোম হায়রকপদা চৈরাক চাবা ব্রাহ্মণ অমা মদোম লোইশিন্নখি। নিংথৌ পাউ তাবগা ফমগৃমখি, ময়াম্বুংদা কংশিনখি ফম। ময়াম্বুংনা চহী অমত্তং ফানীং ফাম্মা পাল্লম্নগা থুপখিবনা কাবা তাখি, কাখি জয়সিংহ অমুক হন্না সিংহাসন।

মচীল মনাও অনীনা পানবা মতাং অসি লৈবাক খর, খরদ নত্তে ফনা থীনা মনিল নাই। মবুধোগী লমল মচীল মনাও অনীদা খুমগে মতানি, অরানা তোয়না লান্দারকখি। মতাং অসি অরাগী জাতিগী ইতিহাসগী মচীল তুমখৎলকপা, ফিরাল মমায় চুমখৎলকপা মতম্নি। লান্দা খুদিং লৈবাক কায়নীং কায়মা হেক হেক তোই। লান্দা মরিস্তবদদি লৈবাক্কী মরায়বক থাবনা মোইরাংনিংথৌ খেলেম্বা অরাদা চখি। খুরক্কী ঈনা লাই সাখিবনা জয়সিংহ লেপ্পা ঙমখিদে, লোন্না মতম খর লান থৈবা তাখি, থৈখি। তুংইন কানখি লৈবাক, চৎখি মঙনি।

জয়সিংহ মনেমশিজ মযাংলৈমদা চেনখিদ্রি। মকু ময়াংনিংথৌ রামচন্দ্রনা তেখাউ নিংথৌ রাজেশ্বর স্বৰ্গদেবদা পুখি। তেখাউ কোনুংদা লৈখিবৈ মোইরাংনিংথৌনা অরাগী শক্তি উত্তুনা স্বৰ্গদেবদা জয়সিংহ লাম্বোক্নবা ইরকখি পত্র অকনবা অমা। খন্নে লুনা তেখাউ গুজদরবারদা। তেখাউ নিংথৌ য়াথংনা পুখিবনা লাম্বোকপদি পামখিদে, অদুবু লৈবাক্কীদি কিদবা ঙমখিদে। নিংথৌগী পোইরৈস্মু রেং লৈবাক্কীস্ত খল হৈখি মনিংথৌনা গেণ্ডেলা বরগোহাইন "চৌজিক চৌজিক শামু য়াইশা ভাণ্ডুনা লৈবাক্কা রানরিবসি মহাক্না কোকপা ভন্নবা মাগীদমক লেঙদা লৈবাক কনা রা প্রাণ্ডোই। শিবা থোক্লে কায়দে মশাগীস্মু লৈবাক্কীস্ত। ক্ষত্ৰিগী ধৰ্ম লৈবাক্কী সেবানি. সেবাগীদমক থরায় হকচাং তুনা কৎপনি, বীরগতি তানবনি। ঐখোয় লৈবাক্কীনা মখোয় অখোবশিংগী মপাল তাংজবল মখোয়গী সেবা তৌবনি— তাকপিসি সনায়াথং মৈতৈনিংথৌদা শামু কাক্তিন্নবা। লিনস্মু শিবা চৈশুস্ত তেক্কবগুম্বা অমস্মু থোকপত্তম য়ানবু লৈরিবনি।" স্বৰ্গদেব তৌখি মুন্না বিচার, উখি মঙুং মপাল কাওনা বরগোহাইননা খিৎ খিক্ত ওইনা উংলিবা রাকম, থাখি তুন্না জয়সিংহগী মফমদা থৌগলপাউ।

জয়সিংহ কারে রাজসভা, উনরে স্বৰ্গদেব, খঙলে লোইনা মরোল। নুং অনিগী মরক্তা ভারে হা ফজনা, লৈতে হিংনিংঙাই। য়ারে, মত্যুগী মশক ওইবা শামু থেংনবা, য়াদ্রে, স্বৰ্গদেবগী মথুম্তা অরাবা তাই হায় নত্রে মৃত্যুমক ওইরবা খেলেম্বগী মথুক্তা তাবা। লেপখি জয়সিংহ সনা উনগোয়ঙুং—শিনি চোপ্পা কবিগী, শিনিনা লেম্না। মিকুপ'মগী মঙুংদা

হাইগৎলকই সনা মায়থোং, চীঙ্গোইরকই চীংনা লেম্না, "লাইবক ফবনি মহারাজ নৈবাক্কী সেবা ফংবা, কানি হয়েংমক শায়্।"

পেনখি মথরায় স্বর্গদেব, লাউথোকখি খূদক্তা, "নৈবাক পাউজেল্ল"।

মী মীনি মীমান্নদে। মশা মশাগী তোজরকপা মতুং ইন পোক্লে লোইনা রাখল, ফিদম, মিংয়েং, পান্দম তোঙাল তোঙাল। নৈরক্লো ভক্তি ঈশ্বরদা পোক্লে নৈনা অতুম। জয়সিংহ মশানা ভক্ত ওইনা লাকপনি, মপোক্লা অতুম মত্তাকই। ব্রত অমা কংলকপা, ব্রতসিদ্ধিগী লাকপা মপোকপু যোগভ্রষ্ট কৌই; মাগীদি পীনৈ ভগবান্না পোক্লবদা মশাগী ব্রতগা চানবা মফম।

নৈ ভগবদ্উক্তি—

প্রাপ্য পুণ্যকৃতাং লোকানুষিত্বা শাশ্বতীঃ সমাঃ।
শুচীনাং শ্রীমতাং গেহে যোগভ্রষ্টোঽভিজায়তে॥

(পুণ্যনা পাল্লরবা তুং কুইনা লোকশিংদা চংবাইবা
পোক্লে অমুক যোগভ্রষ্ট পুণ্যগী কোন্দা নীংথিবা)

জয়সিংহ মহারাজ গরীবনিরাজনা পোকপা অহল শ্যামশাই খুরায় লাকপনা পোকপনি। খুরায়রাকপা পুণ্যশরীরনি। মপাবুংগী মবুক্লীং থুংনবা দেবব্রত্তগী মতম গোমতীনা পোক্লগদবা মচাশিংগীদমক সিংহাসনগী হক থাদোকখিবনি তরাই। মহাক্কী অকনবা সাধন, অয়োবি ভক্তিনা পুন ফংথিবনি তুলসীদাসগী মতম মহাবলীগী দর্শন। থোইথোইবা অমনা মহাক্কী, উথিবরা থওদে মপাবুংদা ঋষিশিংগী খুনাম ইন ধর্মগী স্বর্গগী তপস্যাগী মশক তশেংনমক, থাদোকখিদে মপুনশি চুপ্পা পুনশিগী নোংজু চুংশাদা মপাবুংবু কদোঙ্গদা করিঙ্গং। ময়াম্বুং গৌরশ্যামসু অতু মওায়, ধর্ম-প্রাণনি। মপাবুংনা লাম্বোক্লবা মতুং ইন মতিক নৈরে নৈনা খুদোং ফংলে ফংনা মহারাণী অতোনবীগী মচাশিং নৈরিমথৈ লান্নদে থক সিংহাসন। সিংহাসন্না মদোম মবুক থোক্লা লাক কারবদসু কোকথোল মওাম্না থকথিদে থক মমিং। ব্রহ্মচারী অমা মীথুক্লা শিথিবগী ফমগুমথিবনি, মনাওদা ফমশিন্নথিবনি তরাই। পোকপনি অসুম

পূণ্যগী কোন্দা, চাউবনি তুংইন পূণ্যশ্লোকশিংগী মঙান্দা মহারাজ জয়সিংহ তুংলমচৎকী রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র।

ভক্তগীনি ভগবান। চৎলি মাদি ভক্তগী পোইরৈ য়েং, তৌই মাদি ভক্তগী অপান্দ। শকটে অহনোং মশানা

যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্।
মম বর্ত্মানুবর্তন্তে মনুষ্যাঃ পার্থ সর্ব্বশঃ॥
(চঙলকপশিংগী পোইরৈ য়েং চৎলি পার্থ ঐসু অহুম।
মাদা ভাক্তি ঐগী থুনাম মীপুম থৃদিং লোইনা অহুম॥)

জয়সিংহ তাল্লকপনি ভগবদ্ দর্শন। সেম্বিথি অহুনা ভগবান দর্শনগী নহী। পোক্লে পূণ্যগী কোন্দা, য়োক্লে রাম উপাসনাগী তমদা, চাউরে কৃষ্ণ উপাসনাগী মঙান্দা, তিল্লে নরোত্তম পরিবারদা—মশানা পামজবা রাধাকৃষ্ণ উপাসনাগী ক্ষেত্র। জগন্নাথদাস, হরিদাসনচিংবা গোস্বামী কয়া মঙাক্তী মরুপ্ন। সিদ্ধবাবা রামগোপাল বৈরাগীগী থোজান্না প্রেমভক্তি মশক খঙলবনি তশেং। অহা হুঙাই পুনশিগী নোংজু হুংশা মশাগী কর্ম মতুং ইন ভগবান্না পীনবনি খঙ তন্নাই পুরবা থম্মৈ। ইনি—জীবন্মুক্তনি, জগতনা লৈনা স্বর্গদা পাইরবা থরায়নি। খল্লুদে থোইনা, থুক্নুদে পুক্নীং নাকদোরিবা অরানন্দময় মথংগী নোং।

সন্ধ্যা তবুম তবুম্বা মতমনি। খল্লি ভক্ত, "হয়েংদি নোংনা ফুংদ ঙানবদা চঙলনি শামুগী পন্নুং। তন্না ঙমদে শিবা চঙবা, ভগবানগী নোংদম্নি। থোক্লো শিবা, লোইরে অহুম নাম সোনবা হন্দক্লিমগীদি। ঙসি অহিংগী লৈরিবা পূঙ্গোয় থরদং সিদদি নাম সোম্নুনা অহুম মরেল্লগে।" শেংদোকই তন্না সনা হকচাং, হোংঙি ফিশেং, কাপ্ল যোগাসন, তৌথি মন্ত্রযোগ চীক্না শঙ্গায়হুং। জ্ঞানগী মঙান্দা অচেৎপা ভক্তি কং তৎপা লৈত নাম সোন চঙজবা ভক্তনা ফংদবা লৈতে ভগবানগী কৃপা। লৈরিবসিনি ভগবদ্বাণী—

প্রিয়ো হি জ্ঞানিনোঽত্যর্থমহং স চ মম প্রিয়ঃ॥
(হুংশিজৈ ঐসে ভক্তনা হুংশি ঐসু মাবু অহুম)

সোমৈ অহুনা ভক্তগীনি ভগবান, পোল্লি মাদি ভক্তগী মথা। পোল্ন পোল্লি,

তায়—মহাভারতকী লাল মতুংগী রানি, কুরুক্ষেত্রদনি। নোংমা দর্শন ঈথে লাং লেঙলুই যুধিষ্ঠির বাসুদেবগী লানশংদা অহিং। খেংনরুই ভগবান যোগা-সন্দা। ঙকখি তৌজি পেন্না যোগেশ্বরগী দর্শন। য়োরে নোংঙাল্লমদাই, ফাওরক্লে তাইবং যোগনিদ্রাদগী ভগবান। যুধিষ্ঠিরগী মবুক থঙ তাকপিখি হুংশিনা মোমোন "চৎলুই ঐ নবুধোগী নাক, শিল্লুই নবুধোবু, থুরুই ঙহাক শরণষ্যাগী মৈচাক"।

ভগবান প্রেমগী মশক্তি, প্রেমভক্তিনা পূপ্লি।

কৌন্তেয় প্রতিজানীহি ন মে ভক্তঃ প্রণশ্যতি॥

(খঙ্ কুন্তীগী মপারি নৈরোই মাঙবা ঐগী ভক্ত)

মাগী চীঙ্গোই ময়াথংনি। মাংঙলুনি করম ভক্ত জয়সিংহ। ফাওখি ভগবান যোগনিদ্রাদা. পীনখি দর্শন ভক্তদা, তাকপিখি তম্না. "পীনি ঐনা নখূস্না শাম্। পীরনি সিংহাসনদ্ থুনমক। য়েংতৌ মন্না ঐগী ইশক, লিংথংবু কংলৈ সনাপৃংদা. কংগনি কাইনা চীংদা ঐগী অঙ্গগী মিতম উ। হৌরমগে ঐ থৈবোং পাম্বৈগী মশক লৌ।" তাইবং মঙফাওনখি ভক্ত যোগনিদ্রাদগী শ্রীঅঙ্গগী গন্ধনা হারব। মিরুপুগী জগওা।

নোংঙাল্লে। চঙলে পন্নুং ভক্ত—সনাখূত্তদি তুলসী মালা। চঁঙি খোগল, থাম্বা য়াদে, রাংখৈ গোপী অয়েকপা রসমন মনাই অনী। মীকোক অহুম পন্নুংদ উ পাইশিন্নকখি লাংগোই মৃত্যুগী মশক লৌ। উঙ্গে অত্তবু ভক্তগী মশক, ফংঙৈ মাগী মনম তেথি. পংদেনি। ভক্তবু মনমদা থোং চংখি কোয়না পন্নুং। লাউখি জয়ধ্বনি নৈবাকনিংথৌ খোঙ্গেল অমত্ত ওই নোংথক নোংথা পূম্লিল।

চহী মরিরোম লাইশ্বরবা তুং লাকখি মৈদিঙু জয়সিংহ তেথাউ তেংগোল লাল্লোয় মীকোক লিশিং মরিফুগী পূহনা অবাগী মথক্তা লাল। শঙাইথেন্দা খভম ওই। হোংখি শঙাইপোরোদা থুনমক। চহীমুক থীনা লাঙলবা তুং নৈবাক থর নৈতাবা হৌই। নৈনাক্তা থীনা কায়মন্নুবনা চহী নীপালমুক্তি কোনুং মনম লেপ্না পানবা রানা থোকখি। শঙাইথেন্দা শঙাইপোরোদা লম্মাংদোংদা চজিংনা মথং মথং হোলকপনি। লাংগবাল (কাঞ্চিপুর) দা লোইনৈ। নুমং দোংদা নৈমিৈওদনি কাইনদগী থৈবোং

লেঙলু গোবিন্দ নিরূপণ হৌখিবা। অভিষেক তৌরবনা কাঞ্চিপুরদা লেঙদবা কোন্থুং সেম্লবা মতমদনি।

খ্রীষ্টগী কুমজা ১৭৭৯ গী মুখ্যচান্দ্রমাসগী হিয়াঙৈগী একাদশীদনি শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক। পূর্ণিমা ফাওনি মহোৎসব। রাধাভাব কীর্তনগা রাসগা অনীনা মহোৎসবসিগী মপূংনি, পোক্নবা পোকখিবনি মহোৎসব-সিগীদমক।

রাধাভাব কীর্তন ওসিগীনা নটসংকীর্তন, রাস ওসিগীনা মহারাস— অনীমক অসি ভক্ত থোইথোইবা মহারাজ জয়সিংহগী কৃতিনি, অবদাননি। গোবিন্দগী অভিষেকতা কংকে নীং গোস্বামীশিং ব্রাহ্মণ বৃন্দশিং বঙদেশ পালাগী ওজাশিং লৈবাকনিংথৌপনগী অশৈবা অশৈবীশিং লোইনা তান্নবা জাতিগী কৃষ্টি বৈষ্ণবগীনা লোক সেমখিবনি সনাপুক্কীংনা পাম্বা মতুং ইন, মশামক্কী লমজিং মখাদা জাতিগীদ ওইবা মওংগী ললিতকলাগী নীংথিবা শক্তম অনী। মশামক শরুক য়াখি কীর্তনদা. পোনথি পুং, তৌখি থৌগল বঙদেশ পালাগী ওজা প্রেমানন্দ। মতোল ইবুংঙো অনীস্থ য়াখি শরুক— শ্বেতশাইন হনখি ইশৈ, শ্রীধরশাইনা চৎখি ডুহার। রাসদনা য়াখি শরুক মহারাণী হরিমতি মকোককচিংবীগী ভূমিকাদা, মচা ইবেম্মা ভক্তাসনানা কৃমখি রাসেশ্বরী-গী ভূমিকাদা। গোবিন্দগী দর্শন, কীর্তনগী ফজবা, রাসগী মনীংথি—হুখি ভক্ত ভাবুকশিংগী থম্মোই, শরুখি জয় ভক্তগী, সোন্নখি মহাভাগনি রাজর্ষি জয়সিংহ। মিংথৈনখি অতুনোং অনৌবা মিংথোন্ন রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র।

ভক্তগী ভক্তিনা লিংখৎলে শ্রীমূর্তি। ভক্তগী প্রেমনা মূর্তি পাল চোংথোক্লবী মচা ইবেম্মা বিশ্বাতীনা চঙলে প্রেমসেবা। পুংগক্ত মচাউরি, পুরি অঙাক্পী রাখন্না মপুং, থল্লুদে থোইনা দারুব্রহ্মনি গোবিন্দ। লোই অহিংবনি মপাবুংদা দর্শন পীনবগী য়ারীনা পুখিবনা মথম্মোই। চৌই, ভক্তে, শান্নসি নুপীমচা ওইবগী পামজবা মশান্ন মবুক ইতিং তিংনা—

ঐগী বর সারো লাউ হুংশিব গোবিন্দ।
শান্নরুসি লুহোঙবি হুঙাইনা লৈকোম্বা॥
হুকপিগে লৈগী পরেং হুংশিনা নঙক্তা।
থেৎপিগে লৈগী নাচোম ফজনা নাঙ্কদা॥

সেম্বিগে লৈগী ফম্মুং অচিকপা কান্নমলা।
হিপ্রো ভৌবিগে সেবা মুণ্ডাইনা তম্বাক্তা॥

বিম্বৱতীগী অঙাং ওইবা ধম্মোইগী অতিংবা প্রেমদা ওইখি জাগ্রৎ, ফাওখি তশেং ভগবান। শাম্নখি নোহোনা অমুক শ্রীগোবিন্দ মীরাবাঈগী প্রেমলীলা। লাকখি তুংইন প্রেমভক্তিগী ঈহো, পোকখি ঈচাউ, ঈরায়খি সনাপুং, থুংননি, লেংইনা লৈকোয়। পৌখি লৈবাক বৈষ্ণবগী রাখল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরো, ওইখি তশেং বৈষ্ণব জগৎ অমা নীংথিদ নীংথিবা। রাজর্ষিগী শুপনা তাখি অসুম চেৎনা মরা সনাপুংসিদা গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম। হৌখি তম্না বৈষ্ণবধর্মগী সুবর্ণযুগ।

কংলে গোবিন্দগী অভিষেক্তা রাধাভাব কীর্ত্তন মহারাসগা কোপ্পা। ইল্লকখি থুনমক রাসেশ্বরী পালা মচা ইবেম্মা বিম্বৱতীগী সনা পুক্লীংগী অপাম্বা মতুং ইন। চৌখি শকপা হোলী গৌরপূর্ণিমাদা। সেমখিবনি ওসিগী মহাধুমেন রাজর্ষিগী সনাপুক্লীংগী অপাম্বা মতুং ইন। পানখৎপমক্তি মচা ইবুঙো চৌরজিৎ সনা হাক্তুনি. মপুংমক ফাবনা মচা ইবুঙো মারজিৎ সনা হাক্তুনি। সনা হাক্তক অসিগী ধর্মগী থোইথোইবা অবদান অনীনা রাবী নীবগা লাইরিক হায়বা থীবগা হৌদোকপনি। অনী অসিনা পীখি লৈবাক্তা ধর্মগী নীংথিবা শিক্ষাদীক্ষা, য়ানখি পাক্লা চাউনা বৈষ্ণব শিক্ষা-দীক্ষাগী লম্বী।

রাজর্ষি থখি তশেং বৈষ্ণবধর্মগী মঙান্দা মশাগী ধর্মগী মশক, থখি অহুম মশাগী ধর্মগী মঙান্দা বৈষ্ণধর্মগী মশক। উখি লৈনবা মরী, থখি তৈনবা মওং। সেমখি অহুনোং বোগগী পরীংদা রাধাভাব কীর্ত্তন—তুংলম-চংকীনা নটসংকীর্ত্তন, শম্না, নট। পোকখি মহুনোং কীর্ত্তন্না জাতিগী কচি। লৈবাক্লগা নৃত্যগীতকী ক্ষেত্র ওইনা লাকপগা চাউখৎখি থুনমক কীর্ত্তন। কাখি ঈয়োয়মনা বৈষ্ণব শিক্ষাদীক্ষাসু অসুম অসুম নোংমা নোংমগী অরাংবা থাক। ওইখি অসুম সনাপুং বৈষ্ণব জগৎ-ত-জগৎ।

থাঙ-তা তবা, মন্ত্র যন্ত্র সাধন তৌবা, শাগী লানগী মরম কৃপ্পা থিমনচিংবা খোৱমশিংদনা অপাল অপিলশিংগী মখো ওইরম্বনি। অহুমু সনা হাক্তক

অসিদগী অয়াম্বনা পূং ইশৈ লাইরিক লাইগুদস্থ মমুক্লীং চঙবা হৌখি, চঙনখি। নিংথৌ থরগা লীকথাং অমগদি পূং ইশৈগী গুরু প্রণালিকাগী চৈগোক্তা হেল্লী মথং মথং লোইনা অদুম। মাদুনা পূং ইশৈগী জগস্তা মপোয় খুদিংমক্কী ঘরানা তাহৌই, তারি হায়বা অদুম নত্তাকই।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথৌরোন্দদি রাজবিদগী তরাপা তরুক সুবনি, মীরোন্দদি অহুমদনি, মচাইবুঙো মহারাজ গম্ভীরসিংহনা পোকপনি। মীরোল অদুম অসিগী মসুংদা কীর্ত্তনগী চাওথংপা থেংখি, থেংখি চাওখংপা বৈষ্ণব শিক্ষাদীক্ষাগী অমুক্তং। রাফম অনৌদংনা তাকনি অদুম তশেং।

বজ্রশিং নিংথেমহলগী ফুংগানি। চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাক্তক্তা খুরায় লাকপনি, লম সেনাপতিস্থ ওই। লান্দস্থ থৌবা খমদস্থ থোইথোইবা সনা ঈনি। নোংমা কাং মচুংদনি, গারদ কারকপদা সনথোঙদা দোলাইরেং থরনা খিচুড়ি চারম্মি। হংখি সনা য়াথং "করি চারি ইদাইশা" ইকোম কোয়া বৈষ্ণব ওইবা থম্মোই। জগন্নাথগী প্রসাদনি খুৱকখি। তাবদা দোলাই কূমজুনা লৌখি মরু অমা, ভক্তি কং ফংখি খুদক্তা। লাউখি বা বিকুপ্নাদা. য়ৌখি রাফম সনা নাকোং। নিংথৌ মাঙলে মতা লেঙথোরকখি তফিং তফিং অদুবু থোইনা নাচুংবা তৌখিদে ভক্ত মশাদি। নিংথৌনা পথাপ কায়না চংপা য়াদবনা ব্রহ্মসভাদা শিন্নখি। সভানা শাস্ত্রার্থদা ভক্তগী মফমদা ইকাইথাং লাইগী সাক্ষ্য লৌখি। ভক্তগী গুন্না তুলসী পত্রগী পত্র ভাক থেংনখি লুখাকলা মরক। খঙনখি বৈষ্ণবগী মশক, শক্লখি মগুণ।

চবুংবা তোলেল সিফাই (সেপাই) নি। গোবিন্দগী থোঙ পুই। সনা পালানা গৌড়ী কংলকপা হেক তাবদা ভাওবা হোই, ভাওই। নোংমৈ থোক থমজুনা গৌড়ী লোইফাও মফৈদা পূং য়ৈ, চুমদ নত্তে, চেল্লি চোংঙি চোলোম লোইনা তৌই—মানা পালা পুবদৌনা তৌই। হুম্বিং খুদিংগীনি। মসিগী কৈত্তম হেক হেক চায়। মশীং থাওমদে, হনবা লৈতে। নোংমদি, মহারাজনা হুংশিবিক্লরবরা থঙদে, গৌড়ীদা থাজিন্দুনা পূং য়ৈহল্লি। অওকপা ফংনা নীংথিনা য়ৈখি, সনা কোকথোল নমথাং লোইনা ফংখি। সিফাইদগী ককপিহুনা পালা লোয়শঙ কাহনখি। ফাওখি মশাস্থ লৈবাক্তী ওজা অমা ওইনা অদুম থুনমক।

সনাহাক্তক অসিগী মণিপুর খুই শক্লোল অনী ; অমনা নবদ্বীপকীনি, অমনা বৃন্দাবনগীনি। অধ্যয়ন অধ্যাপনাগী মওং. কীর্ত্তনগী পরেং য়েংলুয়গনা নবদ্বীপধাম্নি ; মন্দিরগী পরেং, ভক্তগী সমাবেশ য়েংলুরগনা ব্রজবৃন্দাবন্নি। শ্রীগোবিন্দনা গুপ্ত অমমং প্রকট বৃন্দাবন অনী পুন্না ওানবনি। বৈষ্ণব জগত্তা খোইখোইবনি নীংখিবা।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি খ্রীষ্টগী কুমজ: ১৮৮৬ তা নোংগা.ই। থুপখিবা মতুং চহী মঙারোমদা মহায়রি, মণিপুর মাখ্খি মশাগী নীংদম খোংজোমগী লান্দা, পোনখি বৃটিশগী মখা।

খ্রীষ্টগী কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিলগী তারিখ ২৭. নিংথোকাবা চহিংকী অহুক পুং ৭ ভাবদনি বৃটিশগী ইউনিয়ন জ্যোক্কা কংলা মপুংয়ায়দা পাইখিবা, মণিপুরী জাতিনা মশাগী নীংদম মাঙ মথোয় বৃটিশগী লাংগোল য়ানবা তাখিবা—য়ানখিবা। সীমান্তগী নীতি. সিফাই লাহেল্লোগী মতুং ইনবা মহারাণী-গী পাউজেল য়াথং—অনীনা মরম ওইহুনা নিংথো থুভম মুথংথিদে, ধর্ম্ম অমসুং সমাজ শোকখিদে। অতুনা রাজ অমসুং অর্থগী ক্ষেত্রদা অনৌবা য়াওল অমা চাউনা লাক্লবসু ধর্ম্ম অমসুং সমাজগী ক্ষেত্রদদি চখিদে অহোংবা অমত্ত। লৈখি অনীমক করি থোইনা কায়বা লৈত হান্নগী মতম চহী কুহু। নীফুরোমদি অতুম।

ঐথোয়না পোক্লকপা মতমদা লৈরম্নি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনাহাক্তকী লোল পরেংগী মী অয়াম্বা, লৈরম্মি সমাজগী ফখৈ ফম্বা, ধর্ম্মগী লুচিংবা কয়া কয়াসু অতুম। ব্রাহ্মণগী পরেংদা লৈরি ধামান্থী. পুরোহিত, আচার্য্যন-চিংবা য়ত্ন কয়া ; অপাল অপিলগী পরেংদসু অতু মঙায়, লৈরি নরসিংহ মহারাজনা পোকপা মবুধো মন্ত্রীনচিংবা সনাখ্যাশিং থরফাও। দেবেন্দ্র মহারাজনা পোকপা মবুধো থাংকোকপসু লৈরি অতুম। নিংথো মশূদি কোঙ্গায়মনি, মধুচন্দ্র মহারাজগীদগী হৌনবু লৈরি। মথোয়না পুরি অতুম সমাজ, ফন্নি অতুম ফখৈ। কায়দ্রি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তকী অথেংবা বৈষ্ণব সমাজ, চংলি মপাল ফনা অতুম। মতম্না কুনসুবা শভাব্দীদা থোওদারবসু লৈরি ধর্ম্মগা সমাজগা অনীদি অতুনোং তরাগা মাপলসুবা

শতাব্দীগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগদা অহুম। অহুনা, কুনস্থবা শতাব্দীগী চৈগোন্তা পোক্লবা ঐখোয় লোল থরদি তরাগা মাপলস্নবা শতাব্দীগী বৈষ্ণব সমাজনা কোম্লকই, মাগী শেগাদা অহুম চাউরকপনি। অমরোমদা হায়রগনা, কুনস্নবা শতাব্দীগী চৈগোক্তি তরাগা মাপলস্নবা শতাব্দীগী ধর্ম অমস্নং সমাজনা পুই। অতুনা, ঐখোয়গী মতমগী সমাজদি মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগগীনি, যুগগীমক্নি।

অনীশুবা মতাং

সমাজগী মীথিৎ অমসুং থাক

ধর্মগী মতুং ইন ঐখোয়গী সমাজ হিন্দুগী সমাজ ওইরবনি। অদুবু, পরিংদদি হিন্দুগী চৎনবুদে, মশাগী হান্নগী অদুম চচ্চে। মীথিক্তা বামোন (বামুন) পনেং অমা থোর্মজিল্লক গুরুগী আসন য়ায়বদগী অপাল অপিল চাও অরাম হায়না চৎলম্বা পরিংদা চৈগোক্তা ব্রাহ্মণ তোপশিন্দুনা ব্রাহ্মণ অপাল অপিল চাও অরাম চায়না চৎলকপদনি। মমৈদা, ব্রাহ্মণ ফুংগা অচৌবগা নিংথৌ ফুংগা অশেংবগা রাজনীতিদা ধর্মনীতি পুশিন্দুনা গুরুগী আসন য়াম্মিন্নথিবদগী ব্রাহ্মণ নিংথৌমচা চাও অরাম হায়দুনা অমুক চৎথরক-পদনি। সমাজগী থোঙহৌ পরিং পথাপ তোপ্তোপ তোক্তোপ লাক্লবনা মশাগীদা অদুম লেপচবদনি।

এহেক্লৌ জগৎ থোংগ্রেংগীনি। হানৈ থোগ্রেং মীগা মীগা, ফুংগাগা ফুংগাগা, থুনগংগা থুনগংগা, লৈবাক্তা লৈবাক্তা। হাৎনৈ থিন্নৈ ফানৈ পুন্নৈ নাই—নিপা চুপী। লিংনৈ ফুংগা নাই। লিংডি অদুনোং মপুগা মনাইগনা য়ুম। পাম্লি থুনগা থঙদে লৈবাক তুংইন অদুম। মপুগীনা লৈ নীংদম পানবগী হক্ক, লৈবাকপুবগী হক্ক অনীমক, লৈত্তে নাইগীনা অমত্ত। চম্লি মথোয়দি মপুগী ললশীং। অহিংবা লম্লি শা যণভুম—অদুক চৈগোক থংজবদনি। হাংকে তুপকে মপুগী মনীংনি। ফনগে ম্লোকে মপুগী থৌজাম্লি। কৃল্লো অনাশঙ মপু অমা, ফয়দু নাবা শাগী ঙাগী উশিন্না, তোনীংলো অমাইবনা মীনা উশিন, তৌনি উশিল মপুত্থগী অচানবা মনাই অমা তরাই। শিবা থোক্লো মপুদু, হাপকনি মনাই থর। যুগশিংগী পাউনি মতম্না মশাগী লায়োন্দা চহেক্লোবা। থঙনৈ উনৈ তারি লাদা গ্রীস রোমগী আ থায়নঙৈগী মপাউ। লৈবাক্কী তম্নাবপুংদা হাৎনহল্লি লান্দা ফায়কপা মীশিং, য়েংঙি কুপ্মৈ নীপা চুপী লৈবাক হৌনা। অঙবা অমগী কোন্দা অঙবা অমা লাক নোংমা নীনী থবকীনি হায় কন্নিঙবা অমগীনি হায় পল্লবদা মতীক মগুণস্থ উৎপা ওইনা লাক্লিবগীদু ঙাকশা ওইনা মনাই অমা নোংশা মবুক অরাম্বদা থাজিল্লি হায়, মনাই অনী থাঙ পায়দুনা

হাৎনহল্লি হায় কুম্মৈ ত্তোই। পোমশাৎনরিবী নাইরোল য়েং য়েংহনা অহিং হুংথিল কাংদনা চঙহল্লি থোগল। বৃটৈনগীসু ভাবি লাল্লা অতুম থায়নৈগী মপাউ। লৈবাক নিংথৌ পন্দা লমশান-পথাপ চৎলিনৈগী রানি। নিংথৌ অধ্‌বশিংনা মনাই মনাইশিংবু, হুইগী মতম মঙক কোম্মোং হকই। নাইশীং চল্লবা লাংগোলয়ানবশিংবু মনীং ত্তোনা লাক্লে, মথবায় লৌবফাও ভমথীনা লোই। মৈদা য়োংকী থরায়দা ফোহনা হাৎলি। উপুদা নুং ভংথাই চন্না থারগা চপথায়হনা হাৎলি। অসিনি নাইগী পুনশি থায়নবৈ মপুগা মনাইগনা খুন্নাল লৈপাল্লিবৈ মতমগী।

মৈত্রবাকী এহেলো খোঙফমসু অসিনি অত্তুম। মপুগা মনাইগনা য়ুম-লিংবনি, খুল্লিংবনি, লৈপানবনি। ওন্নুনি লানবা কররা জগৎনা অপুনবা জগৎকী মতম মতমগী লাইনা থাবা পথাপকী রাংমা। থোপল্লোনগী

ইপুইনাই, নপুননাই, মপুমনাই,
ননাই হাওবা, ননাই হাওহুবী,
মণগোল মণ, মণগোল মণ মচা—

অসিনচিংবা রাঙাও পয়েং থরসিনা নাই ফুংগা পাল্লবা, মপুগা মনাইগনা য়ুল্লিং, খুল্লিং লৈপাল্লবগী রা ভাকই অত্তুম তরং তরং। মপুনা মনীং তম্না পান লৈবাক পুবদগী চৎলি অপাল অপিল হায়না, নাইনা ললশীং চন মীরক তিম্মনা পানবদগী চৎলি হাও নাই হায়না অত্তুম।

হাও হাউঁদগী লাকপনি, চেংলৈ লোল্লি। চেংলৈমা মথোয় মশান্নু মী-ত-মী, মীরালবু হাউঁ কৌই। হিন্দুনা মীরালবু ম্লেচ্ছ, মুশলমান্না মীরালবু কাফির হায়বগুম্বনি। ফুংগানাই লান্দা ফারকপা মী, মথোয়গী মচা মশূঙাক নত্তে; শেন্না লৈবা কোঙ্গায়মসু অত্তুম য়াওরিবনি। অতুবু, ঈ মশেন্দি শিন্দাংনবদগী হেন্নদবনা নাই ফুংগা পানবশিংদি ঈরাল ভাক্লি—মীরাম্লি। অদুনোং ফুংগানাইশিংদি হাও, হাওনাই হায়না অত্তুম খঙনথি।

মতমগী মতুং ইন ভারকথি মচা মশূগী পরেং। মথৌনা ফবা মরোশিং লৈবা মমায়বক থম্বাল শাৎলু তম্না মীপুম কয়া কয়ানি চোংথোক্লরকপা। ফিরাম্না মমায় চুহনা শাফম কয়া লানফম কয়াদগী মমায় ফোরা ফোরামুক

পাক্লা হয়রকখি, পজেং ফিরাল কয়া কয়া থেংনখি, ফংনখি তুংইন চুফং তাঙবল লোই কয়া কয়া, চরোৎ লাংনা কয়া কয়া। মশা মশাগী ময়ায়বক থবাল শাং পুনশি মকা লায়া পায়থিবদ নত্তে, মচা মশূ মতমগী পীবুক্‌্ংদা লৈরিবশিংগী ফাও কৈরাক অহুম থায়রবনি মখোয় অখোবশিংসিদি। মচামশূ-শিংনা মখোয়গী থুনাম মথং মথং অসুম লৌনয়ক মশা মশাগী নোংদম্বল নোংথাইনরবা কোক্লায়নি। চোংথোরকখি অসুম লৈবাক্তী মায়রোং ওইবা পরেং অমা। অতৈ লৈহৌবশিংনা মখোয়গী লমজিং মখোয়গী থোদা মখাদা পানবা তাখি. পানখি। মাঙ্গীনা অপাল অপিল অহুম ওইহোরে, তুংগীনা আরাম্‌:(মীচম) অহুম ওইররে। অপাল অপিল হাও—অনী চংলবদগী অপাল অপিল হাও আরাম—চংলরে অহুম।

থাইনঙৈগী ফজবি নাৎ (নীতি) অমা—শামূনা নিংথৌ হেক হেক পিরিঙৈংস্ম্ ফুংগা মশক নাইনা লীকথাং মথং মথং চয়রক্লবা মতমদম্ ফম্বাল নাইদবা লীকথাংশিংদি মুয়াক হেক হেক তাই। নিংথৌ নিংথৌদনা লেপহৌই ফুংগা। পাকথোকই অহনোং শলাইদ অহুম পাকথোক্তে ফুংগাদি থক। অদুনা মৈশিংঙ্‌ পাইথোম্বা সনা হাক্তক ফাওদি ওসি সমাজদা নিংথৌ ফুংগা অরি অনৌ লোইনা পূন পরেং অমা কল্লিবা মতৌসে লৈরমদে।

পরেংসিনা চোংথোকপা হৌথিবসি তুবি চরাইরোংবা সনা হাক্তগী ওইনা তৌই। নিংথৌসিগী থায়ানি চৈংগোক থংলিবা। কৌজে মশানা মশাগী ফুক্কম্‌ চরাইরোংবগী থায়া হায়না অহুম। নিংথৌনা বৈষ্ণবধর্ম লৌরুবা, ব্রাহ্মণশিংনা থাজনবি মতুং ইন নিংথৌ মশাবু বিষ্ণুগী মশক্তি হায়না চংলকপা, সনা ঈচৌনশিংবু রাজপুত্র, রাজকুমারনচিংবা মিংদৌ থাগৌনা লুনা কিনা চংলকপা—পুন্নমক অসিনা মখোয় সনা ঈচৌনশিংদা থোইথোইবা শক্তম অমা হাপ্পগুম তৌবদগী মুমদাক্তবা তৌদনা লেপখিরবা তাই অনৌবা ফুংগা অমা লিং নিংথৌগী সনা মিংথৈ তাং। অমবু ওইরে অমবু ওইরে চরাইরোংবগী ফুংগাসিগী মতুং ইন লাকখি নিংথৌ ফুংগা কয়া, লাউদা ফুংগা কয়া মথং মথং। মখোয় ফুংগাশিং অসিনা পুরূপ পূন সমাজদা পরেং অমা ফনা চাউনা সাখি। বামোন (বামুন) ফুংগা অচৌবশিংনা

নিংথৌ ফুংগা অশেংবশিংগী য়েং রাজনীতিদা ধর্মনীতি পুশিন মথোর নিংথৌ-মচা সনা ঈচৌনশিংগা গুরুগী আসন য়ামিন্নখিবদগী পরেং কাবক চাউনা কনবদ নত্তনা থাকসু মথং অমা অদুম কাখি। মথোয়না অপাল অপিল পুন্নমক শক লেপখিবনা সমাজগী পথিং ব্রাহ্মণ নিংথৌমচা হাও অরাম হায়না চৎখি অমুক অদুম।

ঐখোয়গী সমাজগী খোঙহৌগা খাই অতৈগীগা য়াম্না থেরৈ। খাইগীনা ঈ অমনা মপূং লেপ্পনি. ঐখোয়গীনা ঈ মথল তরেংনা লেপ্পনি। তরেং অসি কংলৈপুং অসিগী মচি মচিদা পুং অমমম লিংজনা নীংদম নীংদম পান্নরম্বনি। অমরোমদনা, এছেলোইডে বৃটেন্দা হেপটার্কি হায়না কেন্টনচিংবা লৈবাক তরেং মচি মচিদা পান্নরম্বগুম্বনি। অদুক খেন্নবা হায়ববু মথোয়গীনা ঈ থোইনা পঙচোই চোইনদবা, ঐখোয়গীনা খিং থর হেন্না চোইনবগী ম্বাদনি। অমুক অমরোমদনা, থায়নডৈ গ্রীসদা চৌং তুরেন্না কোনবা লমতুপ লমতুপ্তা সিটি ষ্টেট (নগর রাজ্য) লিং লিংজনা কুরুপ কুরুপ পান্নরম্বগুম্বনি। মথোয়গীদা স্পার্টা, এথেন্সনচিংবা থরদনা মশক নাইনা পানখিবগুম ঐখোয়গী-দসু এছেলো সমাজগী মীথিং সাখিবা এক শলাই থরসিদনা মশক নাইনা অদুম মপানখিবনি।

ঐখোয়গী লৈবাকসি ঈথাদা লৈরম্বনি। শিবনা ত্রিশূলনা ভসিগী চীংচুংচং অসি হুত্তুনা ঈশিং চিথরগা চরাউবুং সেম্বনি—হায়নরকই পারোল পুরোল মথং মথং। লৈবাক্তা ঈথাদগী কাওগংলকপগী রাসি ভূতত্ত্ববিংশিংনসু অদুম মহায়, য়াই। নুঙাইবা, খোইনা থাজনিঙায় ওইবা বাফম অমত্তুম লৈ—য়াম্লবু নৌরিবনি। ওসি আই, টি, রোড হায়না থঙনরিবা তমেংলোং লম্বীসি সেম্বা পক্কুই কুইদ্রি, চহী কুখ্য মুক্তাদ মহায়রমখিনি। চৌং ককপদা কোসিল অমা থেংনখি। মতম অত্তুগী ভারত সরকারগী আর্কিওলোজি ডিপার্টমেন্টগী হেড মিঃ মেনন্না হায়খি, "কোসিলসি কটুল ফিশগীনি। ওসি সমুদ্রগী ঈথাদা মাইল য়াম্ধৈ লুনা লৈবা পোহালগী চৌংগোল কোইবা, হুমিং মশক কৌবা ইউ উদবা জাংনি। মসিনা তাকপদি লৈবাক্কি ওীষ্টগী মমাঙ চহী নিযুত য়াম্ধৈ হুন্দকু অত্তুরাই মত্তাংদদি সমুদ্রগী ঈপাদা মাইল

য়াথেদগী তাদনা মুনা লৈরম্মি, অসিনি। প্রত্নতত্ত্ববিৎশিংগী মত অসিগা কক্লিবা চাংগী লম অসিগী মপু, মৈতৈনা লাইশাং চনবা কোক্রগী মিংহলগা চূনবা উবদা অমূকা হেক্লঙ্গ মঙাই।

শরৈ অমাইবশিংনা কোক্রগী শিংঅন—

মরাং কৌক্র অঙ্গম্বা।
লোইনাহ খুল্লা অহানবা॥
চারীক মপাল থাবা।
লোংশে মত্ত লিংবা॥

থকোসিদা হায়রিবা চাকৈকা লোংশে গা অনৌসিদি পোল্লকপা ভন্দাগনি। কৌক্র চাংশাংনা পোহাল্লগী চাংলোন হাত্তল ওইবনা পোহ্যল ভন্দা য়াম্না হোঙবদগী অহমস্তবগা মরিস্তুবগা মিংথোল পন্নেং অনৌসি কৌক্র নিংথৌগী মিংহল চল্লুবনি হায়বা অহুম মতাকই।

ঈথাদগী ফাওগৎলকপদা অকোয়বা চাংনা লোনবাল ওইরগা পাকথম্বা ঈপাক অমা ওইনা কুইনা লৈবগী মাম্ব অহুম মফংডি। লোন্দবাল অকোমবদা লাইনা খুন্নাবগী মাম্ব অহুম মতায়।

বাল্মীকি রামায়ণগী কিকিন্ধা কাণ্ডগী সীতা থিবগী মতাংদা লোংপোক চংপা বিনত অমসুং মাগী তেংগোন্দা সুগ্রীবনা লম্বিং তুমিংকা কোন্না মফম মফমগী মীওং মীতৌ ভাক্লকপদা রামায়ণগী যুগদা ঐথোংমী ঠেবাক্কি অকোয়বা চাকী মখেদ মফাওরি, তমগী শরুক্তি উক্লংদা লৈরি হায়বা অহুম তাকই। অকোয়বা লোনথাল লরেংদদি ঐথোয়নদনা লাই, মথোয় মপানগীকনা দেবযোনি হায়না চংপা এক্লো মীওইশি পারি হায়বস্ম অহুম তাকই।

ইরি :

কর্ণপ্রাবরণাশ্চৈব তথা চাপ্যোষ্ঠকর্ণকাঃ।
ঘোরা লোহমুখাশ্চৈব জবনাশ্চৈকপাদকাঃ॥
অক্ষয়া বলবন্তশ্চ তথৈব পুরুষাদকাঃ।
কিরাতাস্তীক্ষ্ণচূড়াশ্চ হেমাভাঃ প্রিয়দর্শনাঃ॥
আমমীনাশনাশ্চাপি কিরাতা দ্বীপবাসিনঃ।
অন্তর্জলচরা ঘোরা নরব্যাঘ্রা ইতি শ্রুতাঃ॥

... ...

... ...

সরশ্চ রাজতৈঃ পদ্মৈর্জিতৈর্হেমকৈশবৈঃ ।
নাম্না সুদর্শনং নাম রাজহংসৈঃ সমাকুলম্ ।
(মনা থীনা লাক লাক লাউবা থাম্নাৎ নাখোং য়েনা য়াৎপা ।
মমাং থোনা মুক্ত মুবা মখোঙ মামত পান থোঙয়াঙবা ।
লিবা নাইদবা পাংগনবা মীশা পান্না মীহিং চাবা ।
মকোক্তি তুমত্রিক মশক্তি মচু সনা মান নীংথিবা ।
শাহিং ঙাহিংদ হৈমেবা কোঙ্গায়নি ঈকক্তা ভাবা ।
ফুম কোইবা কিরাত শাথিবা মী কৈয়োইবনি কিমবা ।)

... ...

... ...

(সনাগী লৈরিক হুক্রবা লুপাগী থবাল শাৎলবা ।
কাংজনা থম্না তারবা লৈ পাৎসু সুদর্শন কৌবা ।

হায়রিবা য়াফম অসি ঐথোয়গী পারোল পুরোম্না মথং মথং শীনয়কপা মীগা লাইগা শম্নরিঙৈ মতমগী য়ারী-য়াতাইমচিংবা কয়ানা অতুম মশোমংলি । মীগা লাইগা শম্নরিঙৈ মতমগীনি হায়জনা ঐথোয়না লাইখুৎশাংবি, লাই খদাংপান্দবি, মী মরাম, কবুইকৈয়োইবমচিংবা লাই ওই তীল ওই তোবা শক্তম কয়াগী য়ারী তারকই । থরদি মথকী পরেং অসিদা চপ চানবু অতুম ময়াওরি । থাম্নাৎ নাখোং য়েনা য়াৎপা হায়রিবা অসিনা লাই থদাং পান্দবি হায়বতুনি । মখোঙ নাম্নত পানে পান্না মখোঙ য়াঙবা হায়রিবা অসি'মনা মী মরাম হায়না খঙনবা অনী কোম কোমছন চেন্নি হায়নবতুনি । মী কৈয়োইবা হায়বসিনা কবুই কৈয়োইবা হায়বতুনি । মথোয় ঈশিংলম কোইবা, ঙা থিবা পরেং অসিগী য়ারু ফংদবা নত্তে, অতুম মফংই । ঙসি লোইপাল পরেংগী চীংজেং অনীগী মিংহন্না অগ্রম মতাকই । শক্রয়কই পারোল পুরোল মথং মথং—

লাইনা ঙারা ফাহনা চায় চীংজেংসিদা ঙারা চীংজেং কোবনি ।
লাইনা ঙাক্রম ফাহনা চায় চীংজেংসিদা ঙাক্রম চীংজেং কোবনি ।

ঐখোয়না পাকোক পুকোকী পক্কেবু ইলা ইপু নাককপা হাকনা পত্তাক্লে। মিংখোল অসিনা মখোয় নাহং নাক্লেং তাবনি, অয়াবনী মনা নাক্লপি হায়বা অদুম মতাকই। অদুনা নায়াকপা পক্কে অসিদা য়াওবনি এক মলাই থবগী পাকোক পুকোক্তি অদুম।

তারক্তী থুম্দা অহানবা পক্কেংগী দেবযোনি কুংগাদা কিন্নর হায়বা চুকপ অমা য়াওরি। মখোয়দি মকোক শগোল মকোক পান্নি হায়—

অশ্বমুখাস্তে কিন্নরা ইতি স্মৃতাঃ

(শগোল মকোক পান্নি কোনবনি কিন্নর)

মিংথোল অসিমক্তি চুকপ চুকপকী মীওই মীত্তো, ফিজেং চাকচা, য়াওাঙ খোনফমচিংবা লোইনা মুন্না য়েংলগা কাওবু অমবু বানর (য়োং), অমবু ঋক্ষ (শওম), অমবুনা নাগ (লিন), অমুক অমবুনা পক্ষী (উচেক) নচিংবা কয়া থোয়রওবনি।

থায়নঙৈ, তাংখুন্না মকে লেমদা মশম চুবা অনী লুখম লোইনা তকথংলগা লুচিঙ্গী লুত্তুং ফাও শগোল মশোং অত্তেনবগুম থিত্তং থাক্লগা শিথানা শমথৈ। মনানা নাহং নাক্লেং লাওনা তম লাক লাক য়াহৈ। অদুনোং, অময়োমদনা, মমায় শগোল মমায়দোনা উই, অমুক অময়োমদনা, মকোক তুম্না তাই। হৌজিক্কম্ব লোমনা সিংফোনচিংবগীদি অদুম মত্তৌরিবনি। অদুনা, মকোক তুম্বা কুচু সনা মচু মীওই ফজবা হায়রিবসি ঐখোয়গীদা তাংখুন্নি। তাংখুনমক্তি শমঙ তাংখুম্নি, লাইয়োম্না অদুম সাকীনি। চৌংচুং-সনা লোক্তা তারবা তাংখুল থুম্দা অহানবা সমংনি। শক্লে অদুনোং নোংপোকনিংথৌগীদা—

শেল্লোই তগুপ পোইবৈ চীং
শেরীং চৌংচুংপোক
থমুম নোংপোক অরিবা।

ঐখোয়গী পাকোক পুকোক থমদি অকোমবা চীং লোনবান পক্কেংদা থুম্দারিবশিংসিদা অদুম ময়াওরবনি। অদুমু মশক মপা মচামক তানা থত্তবদি মতমগী মত্তুং ইন ঊপিংনা মশানা থম কং চৌংচুংবং অমা কাও অমুম তংপা লৈত চিংথি লৈমায় উমক থুম্না মমং মমং লাক্লবনি।

সনাজগী মীথিং পরেং, মীওই মীতৌ, মচু মথেল থয়দং থওব। মানবা মতমগী লান্নোল থমদং হাইগত্ত্না য়েংলো হান্নবা মতাং'মা লাক্লে হৌজিক্তি।

লৈমায়, থুরায় লমদম্মা ইহান হান্না ফাওই হায়। লমথৈসিগী মিংথৈরোল লাঙ্গরোম্মা শক্লন্দবদি নত্তে, অহুবু লাইরোল্দ লাইরোল ওইনা চৎপদোনা তৌই, লৌবা বায়। গুরুনা থূক-থূদক মথ সানা মুড়ুং কাথোক কাশিনমু তৌরসনু, লম য়েংথোক য়েংশিনমু তৌরসনু, মহুদগী লমথৈগী মিংথোল পোক্ল্বসি ঐথোয়না, জ্ঞান বাৎপননি থওদে ভক্তি শ্রদ্ধা লৈতবননি থওদে লৌশিনবা ওমদে। অমরোমদনা, থাগ্নাদগীবু ওইরিগত্রা থারায়দগীবু ওইরমগদ্রা থল্লুদবসু ওমদে, হেক্ত মথল্লুই। থাবা থুন্দা অহানবা পরেংগী থোইথোইবা ফ্রুপ অমগী মরোম্নি, থেংও হায়বনি মথোয়না থুনগ্ৰা মতমদা লমথৈ অসি ঈশিংনা অহুম ইকোয় কোয়রি, থেংও মনম মানা ইতোং তোং ইরাং রাং অহুম থিম্ন। উরি হায়বা ওসিগী কংলাগী লমথৈরোম্না অহুম মতাকই। অহুনোং থাবা কোয়বা য়াই, থৈথরক্ত্না থুরায় তাবরুবা য়াই থল্লুবসু ময়াবনি অহুম। অহুগুম অমুক থারায়দগী ওইরবা য়াই থল্লবসু অহুম ময়াবনি। থারায় থুম্বোরকপা থোইথোইবা ফ্রুপ অমগী মরোম্নি—থোওস্থ ওম্মি, থোঙ্গালসু ওম্মি—চৎলি অহুম অর্থ অনীমক। ঈশিংনা মশানা মুংশিং মুংশা চা অহুম অহুম থর থর কংশিল্লকপগা চীংমুংহুৎনা অতৎ-অথম লৈত অহুম অহুম চিংথরকপগা লৈমায়না নোংমা নোংমগী ফাওগৎলক থুন্দা য়ারকপা মতুং ইন ফ্রুপ কম্না কয়ানা মথং মথং থুন্দা লাকপদা ফাওফম, ফাওদোকফম ওইনা থোক্ল্বদগী থারায় থোনথিরবা য়াই, মতম্না থৈথরক্ত্না থুরায় তাথিরবা য়াই থল্লুবসু কায়দবনি অহুম। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, থুরায় এহেলো থুনফম্মি, ভমগী থুন্দা হৌফম্মি।

শক্লে—

খুরায় থুনফমলেল চেংলৈ বাইনৌভা লালোই অহোওগে।

… … …

চেংথাই, বা, লিউ (শিনিউ), চাই, লোমো, হাউ কিয়োথাজিবা ফ্রুপ কম্না কয়ানি থুরায়না ঈকাওরবদা থুনগ্ল্লকপা। মথায় পুরুপ

হেক লোইনা খুনগুম্ফিরকপদি নত্তে. মতমগী মতুং ইন মুখং মঙা মঙং অতুম পঙলাক অতুম মরাক্কবনি। অতুদা, ইহান হেক হানকপা চেংলৈ (চেংঙাই) মি হায় ঐখোয়গী পুম্বা অনীনা ; চেংলৈরোগি মতমা, অমনা শগোক লারেল। মখোয়সি পুরাণনা খেত্ত কিরাত্ত, ইতিহাসনা মঙোল ঙুংগা কৌই। চেংলৈনা খুনগুম্বা মতুংদা খুম্ফোয়কথি পুরাণনা কুক কিরাত্ত কৌবা পরেং অমা। চেংলৈনা কাংবা, কাত্তখল, অনীগী মূচিং মতাংদা খুনগুম্ফকপশুম মগোয় অসিম্ন কন্না ভোনগোনবা. উকম খোজোনবী, অনীগী মূচিং মথাদ: খুম্ফোয়কপনি। নেগ্রিটো ঙুংগানি। মকোক নীপা মগী অনীগী মিংথোল জতী অঙিনা মখোয় পিগ,মিনি হায়বা অতুম তাক্কই। মঈতেই পুরাণূমশিংদি পুকোকশিংগী মতঙদে নিংথৌশিংগী মতঙদে মিংথল তৌরে ভৌরাই। পুকোকশিংগীনা হৌভম শাংফম, মচু মমেম য়েং ভগি মিংথল, নিংথৌশিংগীনা শাহল, চুংহল, মত্তিক, মঙল, মতাল য়েং হল্লি চানা গনা মিংখল। লাকথি মখংদা পরেং অমা অমুক। লৈমায় ফনা মীংথিনা কাওরবা মতম ওইনা লৌই। পুরাণনা কৌই মখোয়গী নাগরাজ (লিনগী শাগৈ), ইতিহাসনা, আষ্ট্রিক। আষ্ট্রিক গ্রীক্তি. থা লমগী মী হায়বনি। মখোয়গী লাম্না গ্রীশগী থা পরেংদা তাক্কবনা থোনথিবনি গ্রীক্লা মখোয়গী অতুম।

ভূমধ্যসাগর মচানি মখোয়। ইউরোপকী অহমম্বা উপগী ইচাউগী মতাংদা অস্তোবা, অমুবা, মাপু জী অহম তিম্নুনা লোকথিবনি। মখোয়না তোঙোম্নবা ফুকপ অমা ওইনা লেপ খুনথাল লৈপাক হৌখসি গ্রীশগী মমাঙ চহী লিশীং মীপালগী অঙ্গাইদনি। মখোয়গা ক্রীটকী মিহু শাগেপা জী য়ায়া নত্রে। মিয়ুশিংগী কৃষ্টিদি ইতিহাসনা ক্রোশকী কৃষ্টি হায়না লাউরি। ক্রোশনা ফিন্দম ওই গ্রীসনা কাথিবনি মীগী থাক অতাংবা শক্রে ইতিহাস শূবা পণ্ডিতশিংনা। কৃষ্টিসিগা মখোয় আষ্ট্রিকশিংগীগী মরক্তানি।

মখোয়না মরম থাদোক্কম ভারত খুম্ফোয়কপসি গ্রীশগী মমাঙ চহী লিশীং তরকী অঙ্গাইদনি। হিমালয় চীখোঙ য়ৈনা য়ৈনা মথং মথং নোংপোক লম অতুন অতুম কানশিনকপনা চহী লিশীং অমমুকী অঙ্গাইদ্রি থাজাদ পায়রে। আসামদগী ভাই মণিপুর, মণিপুরদগী তখেল (ত্রিপুরা)। ত্রিপুরাদগী অমুক অতুম অতম চঙ্খীবনা থালম্ম উপদ্বীপ থম পিগাপুরদগী মযুব ইবাংনা

অস্ট্রেলিয়া তাখি। অস্ট্রেলিয়াদগীসু হাগৎলকখি এশিয়াদা অমুক মতম কুইনগী তুং।

মাসিনা ইতিহাসগী মপাউনি। পুরাণশীংগসু অমত্তনি। নাগ কশ্যপকী মচানি, কদ্রুনা পোকপনি। কশ্যপ ব্রহ্মাগী মচা মরীচিগী ঈনি, শকই অঙ্গলা অঙৌবা ঈ। কদ্রু অতিয়া মচুগা নাপু মচুগা অনী ভিনবনি, শকই অঙ্গনা অঙ্গবগা নাপুগা ঈ অনী। ভাকই অসিনা অঙম পৃথি নাগদা ঈ অহম। মখোয় নাগশিংসিনা মলয়াচলদা কুইনা পারব। তুং নোংপোক লম অসুম অসুম মতমগী মতুং ইন তানখিবগী রাসু নাগ পুরাণদা অঙুম মহায়বনি। মুঙাইবা অমনা, মখোয় নাগবংশসিনা মণিপুরদা তারবা, মণিপুর-দগী ঈশিংগী লমদা চংখিবগী রাকম মিহুলৈমা লোল কৌবা ঐখোয়গী পিরবা পুয়া মচা অমনা লাচত্রস্নিবসিনি। মতাংচানা পুয়াসিগী মরমদা রাহে মঙা অমা তরা অমা ইরবসু য়ানা নৈ। হৌজিকৌদি, মতাংনা ত্রীটগী মমাঙ চহী লিশীং মরিগী মতুং অঙ্গরাই দাকথি ঐখোয়গী লৈবাক্কিদা পুরাণদা নাগবংশ হায়না খঙনবা আর্য্যিক জাতি, মাহুগী সাক্ষীনা মানি ঐখোয়গী মিহুলৈমা লোল, অসিনা অহুম লোইশিনবা তাই অঙম। নাগবংশনা খুম্বোয়কপদা খেংনরবা মীসি মপুংদা পরেং অহুম্নি; তেনশূবা পরেং অমা; খাঙশূবা পরেং অমা; তাশূবা পরেং অমা। মখোয় মশাগদি মরিনি লেপ্পিবা মপুং। খোংগ্রেংগী যুগনি, অঙম অঙম চানবা মতম্নি। মতমগী মতুং ইন তাশূবনা লেপহৌরে খুতম, অতৈনা কায়নরে অহুম। তেনশূবা পাংথরে থক, খাঙশূবা তমথ্রে খা। মখোয় মশানা তারে লাইজ ঈপুংরায় ঈমু মপুংরায়। খোঙচংনি অসিনা মতম অহুগী। নোংগূবা, খুনগূবা, খুম্বোকপা, খুনগাবা, খুম্বিবা, খুম্লোংবা, খুজিবা, খুনবানবা মতুং ইনবা শা, লাল—পুয়াঙনি পুয়াঙ। যুগ কয়ানি, চংলি অহুম।

লোইরে বেদগী যুগ, হোরে পুরাণগী যুগ। প্যোক্রে বৃহত্তর ভারত, চত্রে সুবর্ণভূমিগী পরেংদা মণিপুর—লোয়ে মিংখোল কংলৈ সনাপুং। তাররে সনাপুংদা হিন্দুগী ঈ—শয়য়রবনি বৃহত্তর ভারতনা মখীদ অরকঙৈ। রাকম অমনা লেপচগনি অহুম ভশেং।

দশজিৎ নরে ধ্বজরাজজিৎ হিসু মিংখোনি, গৌতম বুদ্ধগী লোনথাম্নি।

বুদ্ধনা মগধদা ধৰ্ম শন্দোক্লিংঙৈ নিংথি খোঙবান্দা পানবনি। বৃহত্তৰ ভাৰতকী খুঙ্গী লোংপোক চিঙাই লমদা চাউনা পানবা লৈবাক্নি। মহাক্না লৈবাক্কী ফুলগমাখোইস্তৰা নিংথৌনি, লিকথাঙ কায়দনা লাকপনি। অদুনা পাননৰবনি লৈবাক্নি গৌতম বুদ্ধগী মবাক্কী মীয়োল ফুন। মীয়োল্দা চহী ফুলগাবদা য়েনা পায়ো, চাঘণ্ডানি। গৌতম বুদ্ধনা পোকপদা খ্ৰীষ্টগী মমাঙ চহী চ্ৰেমতাপা হুক্নদনি। অদুনা হিন্দু লৈবাক্কিনা নিংথি খোঙবান্দা পানবা হৌবসি খ্ৰীষ্টগী মমাঙ চহী লিশীং অমগ্ৰা হুক্নদা ভাবে। হন্দোক্লো অথোইবা হুক্নৰ, চহী লিশীং অমদি অদুম লৈয়ে। হৌজিক অয়াবা পণ্ডিতনা লোনখিবা মহাভাৰতকী লানগী যুগদা অদুম ভাবে। ভাৰবা নিংথি খোঙথাদা হিন্দুনা লৈবাক অমা লেম পান্নৰ। হায়বসি লোংবদা হেক হৌবা নত্তে, যুগ কয়া শম্বক শনম ইনম খঙনৰক খোকপনি হায়না অদুম মখণ্ডলে। অদুনা হিন্দুনা ঐখোয় লোংপোকলম ভাৰকপদি মহাভাৰত লানগী অা মবাঙ্গলীনি। ৰামায়ণগী মতাং অমা অা মৰককাৰ্ট ওইনা পনখিবা অদুনস্ অদুম মতাকই।

ঐখোয়গী কংলৈ সনাপুংসিদা ভাৰবা হিন্দুদি মঙাং ফুংগানি। ফুংগাদি হিন্দু ফুংগানি হায়বা শাগৈসিগী মায়ৰোং মঙাং শুক পুৰ্নাশিবগী থক্কী পুৰোল-শিংগী মিংথৰোয়া অদুম মতাকই। পুকোক পুৰোল অহমদি খাগারাজ, অমুৰাজ, চেকৰাজ কোই। মিংকমশিং অদি সংস্কৃতকী খগৰাজ, চমুৰাজ, একৰাজদগী খোৰ্জে শুবগী দোমননি খঙদে কৰিগুবা মৰম অমননি খঙবে, খিং খিত্ত থৈবনি হায়বা অদুম মখণ্ডলৈ। মৰিস্তৰা পুদি শাকাবা নত্ত্রে, শাকবা কোৰে। মঙোন্দগীদি মৈতৈ মিং চংশা অদুম হোৰে। অমনা শাকাবা নত্ত্রে শাকবসি থাগী নিংথৌ হায়বা মিংথোয়া নিংথৌনি হায়বা তাকই। মশাদনা নিংথৌ ওইজবা নত্তনা মহাক্না পোক্নখিবা ফুংগাসিংমকসু মখকী পুৰোল অহমগী মিংগাসিংগা কৰিগা নিংথৌ ফুংগা'বা ওইৰবসু অদুম অয়াবনি। মৰমসু অদুম লৌংখিনা লৈ। ঐখোয়গী লোংপোকী লমদিংসি চংনবা লম্বী অহম্মি ইতিহাসনা তাক্লিবা। অমাংদা তাখো লম্বী, খাদা আয়াকান লম্বী, মৰক্কীনা ঐখোয় লৈবাক্কি কাওবা। থাৱনঙৈ নিংথৌ মচা কমানা মৰায়বক থিবা ঐখোয় লৈবাক কাওহনা চংদগী ৰা ভাৰবা নত্তে, ভায় অদুম। খ্ৰীষ্টগী অা মদাওদা কোশলগী নিংথৌ মচানা কাওহ্লা চংশা,

অশোককী সাম্রাজ্যনা কায়বা হৌরকপদা মহাকী মচানা চংশনচিংবগী বা তায় অদুম। ঐখোয়গীসিদা পল্লরোই, অমুক হন্নক্ক্নস্ন লৈরল্লোই হায়বা ৱায় লৈবা নত্তে। অদুগা অমনা ঐখোয় নোংপোক লমগী চীংলমীশিং অসি তরাই কাবা য়াম্দবনা এহ্লো লমগোয়বশিংনা অজপথ (হায়েং সান' কায় হায় কুপ্নি হায় তৌবা তাবা লমী) শ্যোনপথ (মুহুহুং সানা পাইথং পাইথ তৌরা তারা লমী) অসিনচিংবা মমিং খোল্লমগী বা অদুম তায়। রাক্ষ অক্নিগী মতুং ইন শ্যেনপথনচিংবা লাল মশাগী খুত্তম অমা সেম পাল্লরদা খগম্মাল্ল, হায়বা গরুড়গী মিংথৈনা মিংহুলবু তখয়া থন্দবা ওমদে, হেক্ত মথক্কি। মিংখোল অমসিদগী ওইরবদি থনবু থল্লমদবা য়াই। মচাগী মিংথৈ অস্নিরা চমুরাজ হায়বা রাহেনা সেনাপতি, মশূগী তস্নিবা একরাজনা নিংখোরেল শকনবনা নিংখোই ফুংগা ওইরখা য়াই, নত্তে, ওইরমগনি হেক্ত লোই। অমবু ওইবে অমবু ওইরে, মঙাং হিন্দুনি, মঙাং শুক পুনশিবগী মবুখো পুরেল হাকক্কগী মান জাতিগী অঙ (নিংখো) ওইরে। অ্ননোং মানগী আঙনি মঙাং হায়না অদুম চংলে।

হিন্দুগা ঐখোয়গা শন্নরকপসি পুরাণগী যুগ হৌবদগীনি হায়বা অদুম মথঙনরবনি। অদুদা ব্রহ্মদেশগী অরাং লমাইথদা, নিংথি অমসুং ইরাবতী খোঙরান্দা য়ামা ওয়া হিন্দুগী থূন্দা লৈবদোনা ঐখোয়গী অসিদদি লৈরম্গা রা তাদে। অদুবু, শ্রীষ্টগী মমাঙ চহী চা থরগী অদুরাইদদি লৈরে হায়বা মঙাংগী যুমদাবনা অদুম তাকই।

মঙাংশুক মঙাংগী পুরোল্দা তরাগা নীথোইসুবনি। মশানা মৈতৈনিংখো পাখংবগী লোনগা, মশামক্কা কৈদিংঙ্না মখাল কাবদা ঈশিং হৈথিবা সুরাংশুকগী মথক্কি। অদুনা, মঙাংনা কংলৈপুং তারবসি পাখংবগী মমাঙ মীরোল তরানীথোই সুবগী মতমদনি। মীরোল্দা চহী কুনগামথা পারবদি চহী চহুম লৈ। পাখংববু পুরৈরোম্বনা কোশক্তনা লাকপা, কুংইন লৈবাক্কিগী মখাল কারবনা শ্রীষ্টগী কুমজা কুম্ছাগা হুমদোইদনি। অদুনদি শ্রীষ্টগী মমাঙ চহী চনীগীনা মমাঙ চহুমগীনা মতুংদা মঙাং লৈকোয়বুংসিদা খুনবাল লৈপাল্লরে। মরোল অমরোমদা হায়রগা, হিন্দুনা ফুকপ মশক নাইনা লৈরাক্কিদা তারবসি শ্রীষ্টগী মমাঙ চহী চনীগী অা মমাঙরাইদবি।

মতাং অসিবাইসিদি চৌং তম অনীমক চম্নদ্রে মীনা চৌংলু চায়রু। চৌংদমা—তাংখুল, মরিং ফিঙাং ফিমু, আনাল, তম্রাউ, পুরুম, শগাং. থারম, চোথে, চিরু, কোম, খোংজাইনচিংবা কয়া কয়া ; তমদনা—মঙাং, লুরাং, চেংলৈ, খাবা. ঙানবা, অঙোম, চকপা, ফকয়েং, কেগে, মোইরাং, খুমন, কবো, পোং, থাঙ্গা, কম্বোং, উরোক উশাই কয়া কয়া ; অমগা অমগা খোগ্রেং—নোংমা লান, নোংমা লোই, নোংমা ঙাই। যুগনি খোগ্রেংগী এহ্লো মণিপুর।

চেংলৈ তমগী খুন্দা অহানবা পরেংগী মকোক্নি, খুরায়দা পানবনি। লমজীন্দা পাল্লবনা অমরোমদনা, গুর্জ্জর প্রতিহারগী মতম, অমুক অমরোমদনা, রাজপুতকী মতম থোঙশঙবা জাতি ওইনা থোকখি। অথোবা থাঙনা ময়া তাগনবগুম তক্তে মখোয় অরাবা ভাবা। অতুসু অয়ায়বনি। মতম্না ফরিঙৈ ঙন্নখি মথোয় ফুগৎপা অরাবা খোঙতম, ফংলক্রুবদদি তাবা তাখি লৈখা, তাখি অতুম ঙন্নমু তম্বা মতা ময়ায় অমুক কাঙবা। মখোয় মশাগী লৈবাক্কী ওইবা অরাবা পঙাউ অনীমা অহুমমগী রাফম্না অতুম মতাকনি।

ইতিহাসগী ইন্নুংমা ঙাগ্রিরৈগী রানি, গ্রীষ্টগী অা মমাঙ্গী থোংোক্লি। লৈবাক্লিদা লাকখি তাংখুলগী ঈংহোনি অমা অচোবা। ঙসি পোইরো, লিশমলোক্লচিংবদা তাহৌরিবা ফুরুপশিংসিনি। কৌনৈ মথোয়বু তাংখুল ফুংগা অরিবা। মখোয় মরক্তা শমং তাংখুম্না থোইথোইবা ওইনা তৌই। মথোয়না পাল্লবনা চৌংঙ্গং সনা লোক্তনি। হৌজিক চৌংঙ্গং হায়না খঙন-রিবা নোংমাইজিংগী চৌংথৈ লমসিনি। মখোয়গী নিংথৌনা নোংপোক নিংথৌনি। শমংনা মথোয়দগী নিংথৌগী লৈমসু মুনখিবা, মথোয়না লোইসু হাবনা রাখোঙ ওই পোকখিবনি মহাকাব্য অমা—পান্থোইবী খোঙ্গুল, বাণভট্টগী কাদম্বরী মতম নাংখিবা।

মহাকাব্যদগী মতুং ইন শরুরিবসিনি লাই হরাউবদা ঙসিফাও—

চেক্লা পাইথরবনা
পোম্বী হক্লিক্লকপদা
চেক্লাগী লৈফম থঙদবনা
পোম্বী কংঙা ঙনরেদা।
শাবী ইনেম্মচা সুংশিবা

চীংহুংগী সনা লোক্তগী
পাইবিরক্লোদা।

অসিগুম্বা অরাবা ইকাইবা ন'ঙি থৌনা হেক হেক অনৌবা খুন্দা লাকপগুম্বা, লান্দা লাকপগুম্বা অয়াম্বদা। মা মসমথংদমু নংলৈ অমা অসিগুম্বা, নাউখঙবা মৈতৈ ফুংগাগী তরেৎসুবা নিংথৌনি। মহাক্না থোংজি হুংলাইবগী লৈমা মুন্দুনা লৌ পীখি থোইনা ইকাইবা নুঙাইতবা ফুংগাসিদা হান্না শেগা থা মমায় খুৎবা। চীংজেং নারল পাংগনবনা মহাকথক্তা মপাগী লম্মন খুমগে হৌরুববু খুভম পৃমুং মুংনবা ওইনা থোকখি। মরম থাদোক্লুনা মীরমদা চেনবা তাখি, চেনখি ময়ংদা।

হুংশিবা অমা—লোইথি মপুর্নাশ চীংজেং নারল পাংগনবা খোরাং খোরাং মরৈবাক মরমদম মপা মপুশিংগী খুনাম্মা শেংনা থোক্লবা মহাক মশাগী মফমদা। শিন্নখি মচা মশুশিংদা পুনশিগী অরোইবা পুংফমদা, "য়োংলু ইপাগী চরৈ ফিমন্দদি কংলৈ সনাপুং, ঙন্নমদরে হনবা হিংলিঙৈদদি লাইবক্না ওয়ওইনখিবনা"। অরোইবা সোর মিংকী পিগা ঈরোয়ননা তিনখি অতিঙাদা।

লাকখি চেংলৈগী মথংদা মতমগী চৈথা মঙাং ফুংগাদা। চীংবাংলক্তী পুরৈরোম্বনা তকথোরকখি মথোয় ইম্ফাল তুরেল রাংমদা, চুপশিনখি লুরাংনা মতমগী মতুং ইন। মুক্তে য়ুমদারোল্দি, লৈ অঃম লুরাঙৌদা কায়দনা মথং মথং।

চেংলৈগা মঙাঙনা মরায় চায়য়বদা পানখি মপুং অঙোমগা খাবা, ঙানব, মচৌন মনাও ফুরুপ অনীগা তুরেল রাংম রাংম। পান্দি পান্নিরৈ, অহুবু অঙোম্মা কল্লি খুং খাবঙানবনা শোল্লি মতু। হাংখি মোংমা অহিংদা তুরেল লুখাইগী রাথোক অমদগী পুরৈরোম্বনা ঙানবা থমজিংগোল। মনাও খাবা লৈরোলখিনা চেনশিনখি অ লৈম্ফং থোঙারেন্দা ময়াঙ্গী লম্মল খুম্নবা। থারকখি মনাও অতোম্বা ইউরা চাক্সোঙ পোইরৈতোন।

ইতিহাসগী ইহুং ঙাহুমদাইগী রাথোক মতাং অসিনা রাখোঙ ওই পোকখি কাব্য অমা কোলোয়নবা পোইরৈতোন খুম্নেক—শ্রব্যকাব্যনি নীংখিবা, রূপক্তী নীংথিবা খেল। নীনৈ অহুনোং পেল্লোল মথং মথংনা

ফুংগা খামরেন্দা চাকওাইবা অতাং, শিন্নাইভম কাবী লৈশাবী মচাশিংদা "য়েনবারাবগী তোকপা লান্দা" হায়না রারী পরেং অমা সেমদোক্লগা "কে ক্রে কেক তোকপা লান্নাগে" হায়না য়েনখোং তম্না রারী হৌ। ইন্নকথি কাব্য অমসু নীংথিবা, কৌই "সুংবাল পোম্বী নুরাউবা"। এহ্লো যুগগী ঐতিহাসিক উপন্যাসনি নীংথিদ নীংথিবা।

খাবগী মীচঙ্গা পোইইরভোন খুম্হোয়রক্লে ভাবদা থেংথি মিপাইবা পুইরেরোম্বা। য়েংথি. থিথি মীচঙ কৌথরুই তন্না অন্নাংলমদগী নোংদা লাইরেল পাখংবা। মতম্না পাখংবগী মীচঙ লেপথিবরা থঙদে অরাকপসু লৈরম্বসু চম্মি মতোন্দা লোইনা, তাথি মখুত্তা কংলৈ সনাপুঁওয়োল। চম্মি মথং মথং ফুংগাসিগী শেকপিল মথাদা থুমন, মোইরাং, খাগী, খাম্রং, কবো, ময়াং, চকপা, চাংমী মতমগী মতুং ইন—পোকথি অপুনবা লৈবাক্কী অপুনবা সমাজ। লেংনি য়েক শলাই তরেংনা মপুং চিংশিন লোইনা মথোই মখোই পোকপা মশা মশাগী ফুংগাদা নোংপোক নোংচুপ হারম খিবিক হাজিন্নরকপা মতমগী মতুং ইন।

নোংদা লাইরেল পাখংবদগী চোংখোরকপা পিবা, নাউদা ফুংগাশিংবু নিংথোজা হায়না খঙৈন। পুকোকমক্তি শেন্দ্রেং পাখংবনা ওইবগুম তৌই। শেন্দ্রংনা নিংথেম (নিংথৌ ময়ুম) ওই হায় পুয়ানা। অমবু ওইরে অমবু ওইরে মশক য়ান্না নাইবনা চৈগোক ফম ফুংগা লিংবা ঙাক্কি। পাখংবগী ফুংগা পরেং অসিগী অশেংবা মশক মচুন্দি পাখংবদা লৈরে হায়বা অতুম মখঙৈন। মৈতৈগী পুয়া শরশিংনা মীশক মীওং য়েং য়েংতুনা তুংগী মীরোন্না খঙনজগোসন্ মতৌ লৈম নিংথৌ, মাখোই মীহেল. পুকোক পুরেন্নচিংবগী মিংচল ভবদা খোইজগী বুংলোল হেক হেক হাম্নি। হপ্লম্মি অতুনোং পাখংবগীদসু।

তম্মি মিংছন—

অরাং ফাংলৌ লাইমকোল
মীরা নমুপোং থোক্লম
হঙীং চৌংমৈ ইন্না খুন্দারকপা
নোংগা লাইরেল পাখংবা।

মিংছল অসিগী অর্থ ব্যাকরণগী থোঙদসু, লাইরোলগী ৱাৱী ৱাতাইনচিংবা কয়াগীদসু অমা অনীদ নত্তনা হেন্নত্তুম পুবা য়াই।

অদুবু—

পাখংবা "ঐথোয়দি ভুমিংকী ঈনি লাইনি" চংপা কাণ্ডবু'মগী মকোক্কি; কাণ্ডবুসিগী হৌভম নম, মু, পোংনচিংবগী পোকফম অৱাংলমদনি; খুঙোক খুম্মারকপসু লম অমত্তদনি; হান (গোবি) মরুভূমিগী চৌংলম তুংইন লাকপনি হায়বা অসিমদি লেঙফদবা, লেঙলৱোইদোবা ৱাফম্নি।

অদুনদি মথোয়সি ইতিহাসগী ইন্নুংনা ভাম্রিডৈ উত্তরা কুরুপ্রদেশ (সাইবেরিয়া) গী চৌখোং কাঞ্জুমদগী থাদা হংথরকপা শানগী ফুরুপ অমনি হায়বা মশানা অদুম তাই।

শলাইসিবু মৈতৈসু কৌনৈ। মৈতৈ কৌরুবগী ওইবা য়াবা মরম অমদগী হেন্না লৈ। মথোই ফুরুপ্তা মৈগা চাইগা পূনবদগী মৈতৈ কৌরবসু য়াই; হিন্দু খুন্দা অহানবনা মথোয়বু ভুমিং নীংভি হায়রনা মৈত্রেয় কৌবদগী মৈতৈদা ভারক্লবসু য়াই। অদুদা, মৈতৈ মিংখৈদা থেংলি মিংথোল'মা—পোইরৈ (পোইরকপা)। তাকই অদুনা মৈতৈ হান্নগী মাশিংগা মান্নদে, মীতোপ্পি—ওইরম্বা য়াই অদুনদি মথোয় হিন্দু অমুকক মৈত্রেয়, অদুনোং মথোয়গী মিংখৈ। নিংথেম (নিংথৌ ময়ুম) গা নিংথৌজাগা অনী পুনশিন্নবদা অহানবসিনা মৈতৈ ওইরম অপূনবদা মৈতৈ হায়বা মিংথোল অসিসু অদুম চংনরবা য়াই। পূনবি, পুনশিনবি হায়বসিদি য়েক শলাই খুদিংগীনি, খুদিংদনি। ঈদা খণ্ডদে হৌভমদা খণ্ডদে থেংনা তাম্নবা মীরাল ফুরুপ কয়া দগ্না য়েক শলাইশিংদা পূনবা ভাক্কি কোঙ্গায় কোঙ্গায়। নিংথৌজাগী মতুংদা ময়াং নিংথৌজা মৈতৈ নিংথৌজা অনী চংপগুম লুৱাংদসু শাং (তিব্বতী) গা লোনচিংবগা অনী অদুম মচংলি। অদুৱাক্কি অতৈ অতৈ য়েক শলাইশিংদসু। অদুগা, অসিমসু লৈ, ইচম চম্না মৈদগী (ভুমিক্তগী) তৈরকপনি মৈতৈ হায়না চংনরবসু য়াই।

বিভক্তি, চঙলবা শব্দবু পদ কৌই। পদগী গুণনা শক্তি চেনবনি। হায়নৈ অদুনা শক্তিমন্তং পদত্বম্। হায়রিবসিমক ফাওই মৈতৈ হায়বা মিংখৈসিদা তশেং তশেং তৱং তৱং। জগৎপোকপগী মশক, মিংনা উবা

লাই হুমিংকী মচু তরেং অময়ম শক নিংথৌজাদা অঙাঙবা, অঙোমদা অঙৌবা, লুরাংদা হিগোক খুমন্দা অমুবা, মোইরাংদা নাপু, খাবঙানবদা অশংবা, চেংলৈদা অরাউবা থুং য়েক (মচু) তয়েং পান, মশা মশাগী মশক মচু অমত্ত মাঙহন্দনা মৈদা পুদিল সেম মৈগী চাদাশিংগী ৈলবাক মৈত্রবাক, মৈতৈ সমাজ হায়না পাল্লক্লিবসিনি সিগা তুগা কোবা খোইনা থল্লুবা লৈত ফুরুপ'মত্তনা ঙসিফাও।

পুৈরোম্বরু চাংরাংলক্কী হায়না মিংথোন্নৈ। কংলৈপুংদা মঙাংনা পাম্লিৈ নোংপোক চাংগী রাংমদা পানবদগী খোম্লুবনি। মাগী ফুংগাবু অঙোম (আঙ ময়ুম) কৌই। পুংকোকমক্তি কুপক্রেংনা ওইবগুম উংলি। অদুবু, অমুকসু রাঙম (রাং ময়ুম=নিংথো ময়ুম=নিংথেম) পোকপা শেনক্রেংগা মহাকা মচৌম্লনাওনি মথোম্লদি লাইরুপ অমানি কম্লোকই। অদুমা শেনক্রেংগী ফুংগাগা পাথংবগীগা অনী পুনশিন্নদুনা ঙসিগী নিংথোজা ওইবগুম, কুপ-ক্রেংগী ফুংগাগা পুরৈরোম্বগীগা অনীনা পুন্শুনা ঙসিগী অঙোম ওইবনি হায়বা অদুম মত্তাকই। মতাং অসিদা নোংসিংহোনিডাই অমা—কোংবা হিয়াঙদা মৈতৈ নিংথৌনা অঙোম নিংথৌদগী মৎলি হায়না খঙনবা নিংথৌগী সম্পোং মচু চহী চহীগী হোংবদা য়াওদবা ইঙোদ ঙোনা লৈবা চোঙ অসিনা কুপক্রেং শেনক্রেং মচৌনমনাও লাই ময়োল অমা ওইনা চৎপগা অনীসিনা ফুংগা অনীসিদা হিন্দুগী ঈ থর চঙবরা খন্দবা ঙমদে।

ইউরা চাখোঙ পোইরৈতোন ইউএ ফুংগাদা পোকপনি, নিংথৌ মচানি। অদুনোং মৈতৈ পুয়া শূবশিংনা ইউরা চাখোঙ হায়না মিংহল তন্নবনি। ফুঙাসি চৌগী মঙাসুবনি। চান লৈবাকী নোংপোক সমুদ্র মপাল তাবা চেকিয়াং লমখৈদা পাল্লখনি। নিংথৌরেল শরাংচৈগী দিগ্বিজয়গী অকনবা চৈথাদা মরৈবাক মথুভম কায়দুনা চেম্লুরকপনি খাদা, পাল্লবনি এরাদা থুভম অমা সেম। মফমসিদগীনি পোইরৈতোন্না থুম্লোক্লক্লিবসি। মঙোন্দগী থুমন লুরাং চোংথোকই হায়। অদুবু, এক শলাই অতৈদা অরি অনৌ, অরি অনৌ চপচাবিমক নত্রবম্ম মঙং মত্তা অমদা হেক হেক পুনশিন্নবগুবনি। নিংথৌজাদা শেক্রেংগী ফুংগাগা পাথংবগীগা, অঙোবদা কুপক্রেংগী ফুংগাগা পুরৈরোম্বগীগা পুনশিন্নখিবগুম হান্না লৈরম্বা শাং ফুংগাগা পোইরৈতোনগী

খোঙলোয় লোশিংগা পুনশিন্নরখিবনি। অদুগুম, হান্না তান্নবা খুমন ফুংগাগা মহাক্কা লোয়নরকশিংগসু অদুম পুনশিন্নরখিবগী ৱাদনি। মোইরাংগীসু অসি মঙায়, মরন্নাই অমা চংপা নত্তে। থাংজৌংগী ফুংগাগা কৌব্রুগীগা পুন অদুম মরেপ্পবনি।

ইতিহাসগী ইন্নুংনা ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপা, পোইরৈতোন্না খুম্ব্রোরকপা, পাখংবনা খুনগুম্নকপা মতাংসিদা অঙোম, খাবঙানবা, চেংলৈ, লুৱাং, খুমন, মোইরাং ফুংগা তরুক্লিনা লেপ্লি ভমগী পুংমায়। য়াররে শরুক লিংনা চাউনা মৈতৈসু—পাখংবগী ফুংগা। কারে মশীং তরুক্তা অমা, লেপ্লে তরেৎ। তমখিবরা খঙদে নোংদম মাগী নোংদমখোল, পান্নু পাখংবগী ঈনা কংলৈ সনাপুং। মুংগি অতে খুভম লোইনবা মথং মথং অসুম অসুম মতমগী মতুং ইন। চায়থবা হৌবদি অহানবা অঙোমগা লুৱাংগা অনৌনি। খাবঙানবগা চেংলৈগা অনৌদি হান্ননা চায়বগী চায়বা, হামুগী হামু তারবনি অদুম। পুরৈরোম্বা কনগে মখুভম, পানগে চাউনা মতিক মঙাল লেক্নুবনি পাখংববু লাল। তাখি মশাদা কনৌজগী মপু জয়চন্দ্রগী দশা। অদুক খেন্নরুবা হান্নববু জয়চন্দ্রনা মাঁঙি মখুভম, চেন্নখি মথরায়; পুরৈরোম্বনা কায় মখুভম, চেন্নখিদে মথরায়মক্তি। পানবদি তাখি নিংথৌ অথুবা শক পাখংবগী শেকপিল মরুম তাং। তুংগী চারোন্না হৌদবদি নত্তে, কন্না হৌই, থংঙি মায়খুবদ ওঈওইনখিবনা লালগী লাইরেম্মনা লানফম খুদিং। মুংখি পুম্মৎ তুংইন খুভম, লৈহৌখি ফমশক্তদি মগুণ থরদং ঙাকপা ওইনা অহূক।

লুৱাংপুং শাং (তিব্বতী) গী লম্নি। লাইমা থাবা, মতম মতমগী ফাওরকপা গুরুনা লুৱাং (ঋষি) মিংথোল লৌদ্লা কোইব লমথৈনি। মতাংসিদা কোইরিবনা লুৱাং গুরু পুনশিবনি। গুরু ধৰ্ম্ম কপা, লাইপোক্লি, শূরোল তরুক পুনশি, নাউথিংথোং ফমগারমদাইমক্তা থুপখিবনি। পাখংবনা ফম্বাল কাবদা হৈ ঈশিং, চংলি মাগী লমজিং মথাদা অমাই, অশৈ লোইনবা। নাউথিংখোংমকসু চহী অমা গুরুগীদা ৱায়েল পথাপনচিংবা লোইনা তম্বনি। মসিমক্তা লুৱাংগা মৈতৈগা অমত্ত ওইবদোনা অদুন লাকই। খুভমদি মুত্তে। অতবু মমৈদ মমৈদদি অঙোমগী মতম হোৎনা হোৎননা মুংখি খুভম। পুঙ্গী মগুণ ঙাকপা ওইনা থমখি মৈতৈ নিংথৌনা অঙোমগীগুম ফমশক্তং।

থাবা মশাগী মথুভমসু কনগে, ময়াম্বা ঙানবগী লমঙ্গ্ খুমগে পুরকপনি পোইরেত্তোন। খূরে মমায় পোইরেত্তোন, ওকপা তারে—ওক্লে পাথংবগী কম্বাল মৈ। থাবা মাঙলে লোইনা যোংনমল, তোংবা তারে—তাংলে থাবঙনবা ফ্ংগা অনীমক মৈতৈগী শেগা। চেংলৈগীসু অগনি অতুম। হান্নুনা মরায় চায়হনা লৈরবনি হান্নুগী হামু অতুম মওইরে। অমুক্তংদি হৌখি—অা মতুংদনি অহুসু। মৈদিঙু নাউথঙবনা মূনখি খোংজি নূংলাইবগী লৈমা, পাখি অসুম শাখিনা ইকাইবা চেংলৈ ফুংগাদা। চীংজেং নারল পাংগনবা মপা নূংলাইবগী লম্মল খূমা শক্না খুরায় থুনফমলেন অমুক্তং হক্লিনবা ঙম্। য়েংগে মৈতৈ নিংথৌগী মথক্তা হৌখি লাল। মৈ মুৎলমদাইগী খংঙান্নুম শক মুংখি পূম্মৎ তম্না মথুভম চেংলৈ, কংলৈপুংগী খুম্না অহানবা। কদৌনি! খূৎ কনবগীনি লম। শক্লে অদুনোং

জোর যার মুলুক তার

অমরোমদদি, মৈতৈনা খুৎ কনবননি খঙদে, ময়ামবক লৈবননি খঙদে লাল কয়া লাম্লো কয়াগী মতুংদা অতৈ ফুংগা মখিবু মশেগা থাখিবসি অপুনবা মৈতৈ জাতি অমা, তুংইন অপুনবা মৈতৈ সমাজ অমা পোকচু তখদৌনা থোকখি। অঙোম, লুরাং, থাবঙানবা চেংলৈ—পুং মরিনা মথং মথং মথুভম মুৎ মৈতৈ পুংদা তিন তমখি নীংথিনা অপুনবা জাতিগী অপুনবা সমাজগী মমী। খূমনগ মোইরাংগা অনীসিদ মঙায়খি তাহোবা তোঙাল। লাল কয়া থাঙ, লাম্লো কয়া তম লৈনা লাক্লা থাখি ফনতুম কুইনা অনীমক। অহুবু মমৈদ মমৈথংদদি অপুমবা শক্তিনা অসুম অসুম লাকশিন্নক তিনখি মৈতৈপুংদা অনীমক মথং মথং। মথুভম মুংলে মুৎনা হিংখি ফমশক্তি অঙোম, লুবাং অনীগী মতম।

পোকখি অসুম মৈতৈ জাতি, লিংখি অসুম মৈতৈ সমাজ। কৌনৈ পূম্না মৈতৈ, লেপ্লে কায়দনা মশা মশাগী য়েক শলাই, চংনৈ অতুম মশা মশাগী পরিং পথাপ, ঙাক্লে অতুম মশা মশাগী লোক্লং শাক্লং লাইনিং লাইসোল। য়েক সলাই তরেৎকী সম্মিলন অমনি নীংথিবা য়েক শলাইদদি তরেত্তুমক হায়রবসু, ঈ মরমদি, মথক্তা মতাং অমদা অতুম মপনথরে, চাম্মনি তিন্নিবা। নোংপোক নোংচুপ মায়গৈ অনীদগী লাকপা মীপুম কয়া,

মীরুপ করা য়েক শলাইশিংশিনা মখোই মখোই থোকপা অদুম চিংশিন চুপশিন্নরবনি।

ঙসিদি সমাজগী মীথিৎ পরেং অচৌবা অমা ব্রাহ্মণ ফুংগানি। মখোয়না লৈবাক্কিদা তারকপনা নব্যবৈষ্ণবধর্ম লাক্ত্রিঙৈ আ মমাঙদনি, মশমক নাইনা সমাজদা তিনবসিনা মৈদিঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তা বিষ্ণু সেবা চৎপা হৌরবদনি হায়বা মথক্তা মতাং অমদা অদুম মপনথরে। লৈবাক্তা বিষ্ণু পূজা চৎলকপা, নোংমা নোংমগী বৈষ্ণব ধর্মদা ওনশিল্লক বৈষ্ণব জগৎ অমা ওইরকপদগী অরাপ অনক ব্রাহ্মণ ফুংগা কয়ানা বেদ পুরাণগী কুষ্টি মথল মথল পুরক তিল্লরে। মুঙাইবা অমা—মৈতৈগী কুষ্টিগা বামোনগীগা অনীসি তুরেল অনীনা ঈহৌনরক তাম্না তাম্না লমথৈ অনীদগী ঈতিন্নরবগুম মতা চাক্ন অমদা, অমুক মওং অমদগী ঈথাই চেন্নবগুম মাগী মাগী থোকপা, মাতুমক নহিল্লক্লে, ঈশিং মচু অনী লুখায় চেন্নবা মতম চৎলিবা মতাসিনি।

মৈতৈ সমাজ বৈষ্ণবধর্ম লৌরুবা মতুং ইন চনখি হিন্দুগী পরিকরদা; তমখি য়েক শলাইশিংদা গোত্র অমমম। থুংখি নিংথৌজাদা শাণ্ডিল্য গোত্র, অঙোমদা কৌশিক, লুয়াংদা কাশ্যপ, খুমনগী মৌদ্গল্য, মোইরাংদা আত্রেয়, খাবঙানবদা ভারদ্বাজ, চেংলৈ (শরাং-লৈশাংথেম, হাওরোক কোম্থৌজমগী) দা বাৎস্য। চৎলি অদুবু গোত্রস্ত যেকসু অনীমক অদুম— পুনৈ মদোম মদোম্নসু থবক পরিং অমমম, পুমিন্নৈ পূন্নস্ত পরিং অমা অদুম। পুই গোত্রনা শ্রাদ্ধগুম্বা থবক পরিং, য়েক্না অপোক অশাৎনচিংবা খুরুম্বগুম্বা পরিং, পূন্না অমুক অনীনা লুহোংবগুম্বা পরিং। লৈ অদুবু অনীসিদা থেন্নবমদি। গোত্রনা চৎলি কোম্নপ, য়েক্না চেংনা। গোত্রদি হোংডি, থাই পুরোহিতকী মতুং ইন. হোংদে য়েক্তি থক।

লৈবাক অমা পান্নবদা বর্ণ মরিগী থৌগাই পরিংদি মশানা অদুম লৈজরবনি। খুল অমা, লৈকাই অমা পান্নবদস্ত অদু মঙায়। লৈবাক পানবদা থঙদে, লৈকাই পানবদা থম্বদে নত্রে খুল অমা লিংবদা থঙদে, চেন্নরিবা থৌগাই পরিং মরিসিমক মীনা পোকপদা অদুম চেন্নরক্রবনি। শক্তম মরি থোনবা তুংইন থৌগাই মরি পুবা মীনি। লাইনা থাবা মশাগী চেতনাগী মঙান্না বুদ্ধি লৈবা, জ্ঞান চেনবা মহাক্কি, মানি অথুনোং মহাক

ব্রাহ্মণ ; পুনশি লানফম্নি, শিদ্রিমথৈ লোইবা কৌবা লৈত্রবা লানগী মফম্নি, পুনশিগী অম্নোইবা মিকুপকাও লেপ্পা লৈত লাঙ্গুবা লাম্থেংনবা লাম্লোয়নি মহাক, মানি অতুনোং মহাক ক্ষত্রীয় ; পুক্নম্নোহি অর্থল্য দাসঃ—লনগী মনাইনি মী, তান্দবা য়াদে লল হিংননবা, তাম্নি লল লেপ্পে মহাক, মানি অতুনোং মহাক বৈশ্য ; সেবা পুনশিগী ধর্মনি, মশাগী থওদে ইমুংগী থওদে নত্রে থওদে অচোবা পরিকরগী, লৈবাক্কী, মজাতিগী তোবা তাই—তোই মহাক সেবা, মানি অতুনোং মহাক শূদ্র। যুগ অমদা, আ থায়নৈওগী রানি. মীদা লৈবা গুণ মরি অসি ফুগৎপা ফুদোকপনা ওইরম্মি শিক্ষা দীক্ষাগী পান্দম ; পুরম্মি রাখল "মী লাকই মদোম হল্লি মদোম, য়েংবা তাই হিংনবা লম্বী সিগীসু অাগীসু অনীমক্কী মদোম অতুম"! য়েংলম্মি লম্বী মদোম লেপ্পা ডয়বা সিদগু আদসু অনীমক্কা অতুম ; চৎলম্মি সেবাগীনি পুনশি—পোক্লবনি জগৎকী মাইক থোগাই মতেম্মা পুনবা, নত্তে লাকপা জগৎকী অমাওবা থোক্লবা, পুনরম্মি অতুনোং গুণ মরিনা ফুগায়না শাৎলবা পুনশিনা ফিদম্মি মীওইপোক্কী নাংথিদ নাংথিবা। অহুননি শিক্ষাগী পরিংদা তম্বিরম্বা ছাত্রশিংদা জ্ঞান. কর্ম. যোগ, ভক্তিগী পরেং চতুর্বর্গ কোম্না ফংনবা। শিক্ষা দীক্ষা অসিগী মতুং ইন পুনবা ফিদম মাওদা থম জনক কুরুনচিংবা রাজর্ষিশিংনা ব্রাহ্মণ ওইনা ঋষি ওই, ক্ষত্রীয় ওইনা নিংথৌ ওই, বৈশ্য ওইনা পায়থিবতুনি পোৎপু লাঙ্গল। অহুসু বর্ণভেদনা থেংনা চংলবা পুরাণগী মুংদনি। ফিদমসিমক চৎলম্মি ঐথোয়গী লৈবাকসিদসু—লৈরম্মি ফনা থেঙনবু তুবি চরাইরোংবা সনা হংগুকফাও। লৈমা নিংথৌ পনগী লৈমরোল নিংথৌরোল কাও শূনর্ম্মি লোশীং লোইনা মীপুম অমা ওইবা মীশাচল। নিংথৌগী মমোম, নিংথৌগী লৈমা পাম্থোইবীনা পাম য়ানবগী বা অতুম মতানৈ। চীংমুং সনালোক্কী মপু নোংপোক নিংথৌগীসু অতুম মথওনৈ। নিংথৌ পৃথিবগী মমোম শোবোম লাইরেম্মা চম্নু মচীন মনাও অনীনা লো য়ানবগী, কোরৌ অভানববু নাইশীং চনবগী বাম্বী অতুম মরীনৈ। মৈতৈ খুদিং অমাইনি, লাম্লোয়নি. থাবীনি। অমম্নোমদনা, য়েক শলাইগী হোৎজোক্লিমবা ফুংগা খুদিং নিংথৌ ফুংগা ওাক্লি ; পিবা, নাওদা ফুংগা থায়না চচ্চবদনি শুভম মুংলফাও কমশক্তি অতুম মরৈ, মুক্ত। চম্মিক্রে

চপ চানা অদুনোং বৈষ্ণব সমাজ অমা ওইনা পান্নবদা হিন্দুগী বর্ণভেদ। ব্রাহ্মণদি মশাগী ফুংগা মশক নাইরবনিনা মশানা অদুম চৎলে। ক্ষেত্রী হায়বা অসিমগা করি করিগুম্বদা ব্রাহ্মণ শক্তগী রাপাং নত্রে রাপা ওইননি হায় নত্রে চীয়োক থাদোক অমা অদুক ওইননি হায় মশীজিন্নে। মাদুস্ত ব্রাহ্মণ ক্ষেত্রী, ক্ষেত্রীমচানচিংবা খরসিদং অদুক তাঙনা শীজিন্নবনি। বৈশ্য শূদ্রগা হায়বা রাইংসিদি ইভাবু তাদবদোনা অদুম মচৎপনি। নোংমা কাদোক বারী লাইরিক্তা তাবদা অদুক মথেংনকুবা অদুদনি।

মণিপুর চীঙ্গী পল্লোন্নুংদা পীরুা চিপক ঙাল্লবা লৈখাক্লি। পীরুে পীরুা, চিপক ভারে তানা, মশাগী ভাভম্না লমখাই অচোবা অমা ওইরুবা, তুংইন মশানা লমদাইবুং অমা ওইনা খোরুংবনা, মালেম্না এল্লোইঙৈ, ইতিহাসগী ইন্নুংনদি ঙান্রিঙৈ আ মমাঙদা, থক্তগী হাথরকপা নোংচুপ্তগী হাজিল্লকপা, তুইন অমুক, নোংপোক্তগী হাদোরকপা থাদগী হাগৎলকপা মীগী ঈহৌশিংগী মনীংদি মাগী লৈকোয়দুংসিদা খরদবু ওইরবসু য়ামবু ওইরবসু অদুম হেক্ত মতাহৌরবনি। ইতিহাসগী ইনুংনা ঙানবদগী হৌজিক হৌজিক্কক কাওসু লাক্লিবনি ঈথৈ, শাওরিবনি ঈফুং লমথৈন্নুংসিদা, লুপশিল্লিবিনি কোঙ্গায় কোঙ্গায়না ঐখোয়গী সমাজসিদা অদুম। মালেমগী মীগী ঈহৌ পূম্নমক্কী ঈথৈ লাক্নুনা তিল্লখিবা অচোবা লমথৈ অমা ওইবনা ভারত ভূমিবু বিশ্ব কবিনা মহামানবসাগর কৌরম্বগুম কৌবা য়াই ঐখোয়গী কংলৈসনা পুংসিবুসু মানবোপসাগর অমা ওইনা মীগী ইরেনবুং। ভারতকী মহামানবসাগর খোঙবান্দা বিশ্বকবিনা থনখিবগুম ভারতমাতাদা "ভারততীর্থ" থঙনীংলুই থরায়না কংলৈ সনাপুংগী মীগী ইরেনবুং খোঙবানসিদা খোগল-পন্নেং'মতং ইমাদা—

লাউ থম্মোই তৌরো লাউ পূণ্যভূমিগী দরশন।
থম্মোই নঙ্গী ওংনভম কংলৈ সনা পূঙয়োন
হেল্লিবা ভুংশিনা মাগী ইরেনবুং খোঙবান্দা
কৌবনি মণিপুর ঙাল্লু চীঙ্গী পন্নুংদা।
ভুংশিদরা য়েংলো লাউ লোইবি চীংনা পল্লোন কোম
শেল্লিবসে চীংনা লেম শোয়নি মতা কিনা কোই।

হুংশিবনি তাম্রো লাউ লিরিজবা ঈথোন্না
শৈরাংলিবা ইমাদা থেক্না খোয়না তুরেন্না।
কচ্চো ভক্তি ইমাদা তীরথনি থোইথোইবী
শেংজবদা গঙ্গানি গঙ্গামক্তা ত্রিবেণী।
কৌখক্কনা অদুনোং তৌরিবনি মাবু ধ্যান
জগৎপোকপীহুমক্কি মানি মাদি জ্ঞান বিজ্ঞান।
লাউ থম্মোই খুরুমজরো লাউ চিদ্‌শকপী ইমাদা
কাউহু খুরুমজো নোংমই'মুক তীর্থথোঙবাম্নিদা।

লাকথি মীগী ঈহৌ নৌহৌ নৌহৌ পরেং পরেং
তারৈ তিনৈ ইরেনবুংসিদা পরেংনি পরেং।
তাংখুল মরিং চোথে পুরুম আনাল নানফৌ তরাউ
লাকথি খোংজাই খারম চিরু কোম অকোনবঙুম লাউ।
লাকথি তারৈ তিঙথি নাম মো পোং ব্রা লোলো টাই
চকপা ফয়েং লৈত্রাম অত্রো খুরখুল চাইরেল শেংমাই।
কবো ময়াং তথেল তেখাউ লাকথি মথং মথং
তিল্লখি বামোন পাঙল অতৈ কয়া খাই মতম।
লাকথিবনি পরেংনি পরেং তা খিংবনা খিং
থাঙ লেংথোংনবনা থাঙ থোং লৈ কৈদা লাম্বা চীং
তেনশূবনা তেন চীং থঙ্গুম হান লমদাইবুংসি তম
পাল্লুরনি মজা মাইকনা লোক্নু তক্না লম।
তিল্লাখি অসুম চাম্মা চাম্মা সিন্ধু লোহিত
কংলৈ মনাপুংসিগী মীগী ইরেনবুংসিদা।

ঈঙাং ফুংগা চাম্মনা থূজিংনি ঈহৌরবা
ঈমু ফুংগা থাঙমদে চৈন্নীং ঈথিল্লবা,
ঈঙৌ ফুংগা লাকঙমদে, মশীং ঈকারবা
তিনথিবনি লোইনা ঈ ঈরীমদা লূরবা।

পুনশিগী

তিনথি মচুহুম—গঙ্গা যমুনা সরস্বতী,
নোংদম মাগী নোংদমথোল, কংলৈপুংদা—ত্রিবেণী।
গঙ্গা লোহিত মেঘনাদ পুনথি অহুম্মা
সেমখি মশাই ঈফম গঙ্গাসাগর তম্মা।
মুৎখি লাল্লাউ সানথি ঙাই কাউনথি ঈরাম্নি
হুংশিনথি চৎনথি “ঐখোয় ঈহৌনি ঈহৌ”।
পোকখি অসুম খোঙবাম্সিমক্তা ঐখোয়গী জাতি,
ঈ চাম্মই অপুনবা শক্তম মণিপুরী জাতি।
চেল্লি ঈদো শেংলবা হকচাং থুংনা ইশাদা
কংলি প্রেম মখোয়গী ঈমল ঙসি তীর্থসিদা।

লাউ চৌংবু তম্বু হিংলিবা ইমাই খোম্নাং মপাল
হোঙসি মুক্ত নোহো ইমাই ফাংখোং তোংসন্থ মপাল।
লাউ নখোয়সু চেক্লাগুম চাক্তাররিবা লম্লাল
তুংওইনরম নপাম লম তাংলরে ইমাই মপাল।
থক্লি ঈশিং চারি হুংশিং সেম্লি নশাই নকোল
পাম্লরি নপারি নমোম নতালোয় লোইনা কোল।
ওইদৌরি নখোয় কয়া কুই কংলৈপুংদা মীরাল
কংলৈপুংনা কয়া কুই অমুক নখোয়দা লম্লাল!
লাউ তিল্লরো হোঙলসি ঙসি ইমাগী ফাংখোং
খোমজিল্লরো নরোয় ননাও ঙসিগী য়াইফ নোং।
থুংলুদ মনীং কদৌনি মাখিবা চাংমান্দা
কেনথিনি পাম্মই কেলন্দু কেল্লিদো অরেম্বদা।
মশানদি নো মঙম্বদি হক পুঙম্নুদ
কঙাওনগল্লি ঙল্লেবশিং পুনশি ইচুংদা।

ফৈক্কুরে ঙহাক ত্রিবেণী থোঙবাম্বা, নত্তে, সাগরসঙ্গম মপান্দা। চহুক্কুর
ঙহাক ইমাগী শৈরাং থোগল। তারসি হৌজিক্তি তুথুল। হাজিন্নরকপা।

ফুংগাশিং মহিক মঙল মতৌং মঙাল মতুং ইন লম পীক্লা চাউনা কন লৈকোয় সেম পুং লিং পান্নখি। খোংগ্রেংগী যুগনি। নোংমা লাল, নোংমা লোই, নোংমা ঙাই চৎনৈ অহুম—যুগ কয়া কয়ানি। চায় ঙা অচৌবনা ঙা মচা, হংনদে খক করিগী, চানৈ অতুম অঙম অহুম। চাখি, য়োংখি মৈতৈ ফুংগা অতৈ ফুংগা লোইনবা। নোংদম মাগী নোংদমখোল খঙলুগনি কনানা! পোকখি মৈতৈ সমাজ। লেপখি পরেং অনৌ—মপু, মনাই। মপু তারকখি মচা অনৌ—অপাল অপিল, অরাম। চৎখি সমাজদা পরেং অহুম। খোমজিন্নকখি বামোনগী পরেং, চৎখি তুংইন পরেং, মরি—বামোন, নিংথেমচা (অপাল অপিল), হাও (নাই), অরাম। বৃটিশগী আমলদদি মুৎখি পুম্মুং হাওগী পরেং। লেপখি অহনোং পরেং অহুমদমক।

বৃটিশ মখোয়গী শাসন নীতি মতুং ইন শোকখিদে ঐখোয়গী ধর্ম্ম অমসুং সমাজ। অর্থ অমসুং রাজগী পন্দা লাকপা অহোংবনদি শোক্তবা তৌখিদে, শোকখি ফনবু থীননি। শাসনসিনা পুরকখিগুম তৌখি অপাল অপিলশিংদা বিধাতাগী শাপ অমা শাখিবা, হাও অরামশিংদনা বর অমা নাংখিবা। মুৎখি লোইনা লৈবাক নিংথৌ পনগী লোয়শঙ, মাখি অপাল অপিলশিং লোইনা মখোয়গী হক অমসুং খুঙম। চাইরে কাং খোং তুংইন অতুম যুম্বাল কৈবাল। লিংনদ্রে নাই ফুংগা। মশা মশামক রানরে হিংবা। থাদোক্লরে নাই লোইনা অতুম। মনৌং থরদি তাহৌই। সরকারগী আইন্না য়াদবনা মচীন থুপ্না তাবনি। সরকারনা পাল্লকপা চহী কুহু্মুক্তা হায়রকপা অত্তরাইদদি রাজ দরবারগী প্রেসিডেন্ট মি, ক্রফোর্ডনা লোইনা তক্তা মুখৎখি। নাইগীদ নত্তে শাকখিবা, অরামগীসুনি। মুৎখি লৈকাই শঙসারোয় কাবনচিংবা অরাঙম লোইনশা। লৈবাকনিংথৌ পনগী থবক্তী চৈথা পুম্নমক লোইনা মুৎশিবনা জাতিগী পুনশিদা থবক ইকোম কোমগুম্বা অমা থোকপদগী বৃটিশগী আমলবু তিংথৌ ফোয়দুনা পানবা যুগ হায়না খঙনৈ।

নাইনা নাইফম মুৎ নাইফম কোক পানা থোকচরো মতা থোরক অরাম পরেংদা লুপশিনখিবনা মুৎশ্রে অহুম মখোই পরেং, লেপলকখি অহুম পরেং অহুম চহী য়াথেমুক্তি। আমলসিদা অরামগী মশাগী অতাবা পরেংমক্তি কায়রপা মর্য্যদাগী থাক্তদি থাকফম ফম্না হাইগৎখি। অা

পূনশিগী

নিংখোরোল কয়াদগী চৎনরক্লবা অরামগী তয়কপা কা অনীসেম্বি, অহূমসেম্বি লায়োজবি অসি লৈবাকনিংথৌ পনমক্লদি নত্রবস্যু লৈবাকপন্না অহূম মুখৎখি। চৎখি লোইনমক্কা অহূম সেম্বি ৱাক। নাই লৈরক্লবা, পানা মচা ৱাক্ত ওইনা তৌরকপা, নিংথৌ শাগৈগা শিজবামগগী মথক্তা, অমরোমদনা, নিংথৌ ফুংগা নাউদা ফুংগাগী লৈমশিজ মচা মশূনা নোংমা নোংমগী য়ামখৎলকপা, অমুক অমরোমদনা বিদ্যাগী পন্নচিংবদা মশক নাইবা কোঙ্গায় কোঙ্গায় চোংখোক্লকপনচিংবা অসি পূমমক্কগীনি।

ওসিদি মৃৎলে নিংথৌ খুভম, পাল্লে প্রজানা অদুম। প্রজা তংবু নাপ্র গণতন্ত্রনি চংলিবা পথাপ। লাক্লি তুইন সগাজদা অহোংবা অমা। অহোংবসিগী মরুমদা চংলি লাল পরেং অমা থাক্কীনি, হক্কীনি। খওজদ লোইরনি কবি করম। লৈলা নঙ্গী লীলানি।

গচ্ছতু ত্বদিচ্ছা পরিপূর্ণতাম্।

অহুমশুবা মতাং

সমাজগী শিক্ষা দীক্ষা।

বৈষ্ণব সমাজদা বৈষ্ণব শিক্ষাদীক্ষা মশামা অহুম তাজবনি। চংলি অহুনা ঐখোয়গী সমাজ অহুদসু বৈষ্ণবগী অহুম। অহুমসু মতম্রদি নত্তে। বৃটিশ রাজনা পূরকপা মতমগী শিক্ষা দীক্ষাসু হোই চংপা অহুম। অহুনা মতমতুগী শিক্ষা দীক্ষাদি চংলি অনী। অনীমক অয়োবদি নত্তে অমত্ত। অহানবগীনা তম্মি ধর্ম্মগা মোক্ষগা অনীদা মপুং, অকোনবগীনা অর্থগা কামগা অনীদা। মী ঐখোয়দি অর্থগা কামগা অনীদা য়োনা পোকপনি। পাম্মদই অদ্বনোং অকোনবগীসিনা হেন্না হেন্না অহুম, ওনশিন্নরকই তুংইন অহুদা অহুম। অহুমু, মতম্মা যুগান্তর চংথংলকপা মতাং ওইবনা মপুংদি লেপ্পি অনীদা অহানবগীনা অহুম। ঐখোয় লোন থমদি খোঙহৌরকপনি অহানবগীদা। অহুনা ঐখোয়গী রাথল, ফিদম, মিংয়েং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরো চংলি নম্মা অহানবগী মঙান্দা। য়েক্লি অহুনোং হান্নবা অহানবগী শক্তম মতেঙ্গা লৈয়িনা লাকপা।

মণিপুর চুম্মগী বৈষ্ণব জগৎ অমা নত্তে, ভারত লৈকোয়পুংগী অপুনবা বৈষ্ণব জগৎকী অসুপ্পা শক্তম্ম পিক্তকপা। বিষ্ণুমক নীংবদ নত্তনা লৈবনি অহুম লৈবাক্নিদা হয়গ্রীব (শগোল লাই) অনন্ত (কোংবা লাই), নৃসিংহ (মীনোংশা), গণপতি (শামুলাই), রাম, গোপালকৃষ্ণ নীংবনচিংবা বৈষ্ণবধর্ম্মগী মপুং ওইবা লোইনব।। কেন্দ্রনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্মগী ওইখিবনা ধর্ম্মসিগী শিক্ষা দীক্ষানা মপুং অহুক চংপদনি। অতৈ ধর্ম্মখিবিকশিং অসিসু মাগী মাগী থোকপা অহুম পীক্লা চাউনা নীংথি নীংখিনা থাংলিবনি মশরুক মশরুক। অহুনা লৈবাক্নিগী তশেংবা মশাক্রক্তি অপুনবা বৈষ্ণব-ধর্ম্মগী অপুনবা শিক্ষা দীক্ষানি। মতাং চানা চানা অহুম মউমরক্তনি। হৌজিক্কীমক্তি মপুং লেপ্লিবা গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্মগীদ অহুক মপাম্রথংসি, মপায়সি।

গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্ম শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা পীনরবনি। ধর্ম্মসি মরম্মাই তম্ব অমা চংলি। শ্রী, ব্রহ্ম, রুদ্র, চতুঃসন হায়না খণ্ডনবা ভারতগী অতৈ

সম্প্রদায় পূম্নমক্কী মপুং ওইবা সম্প্রদায় মরিনা চৎনরিবা তত্ত্বশিংদগী তোপ্তোপ্পবা অমনি থোইথোইবা। শাস্ত্র পূম্নমক চনবা, সাত্ত্বিক পুরাণ অথোইবা শ্রীমদ্ ভাগবততা ভূমি ওইবা দর্শনগী অসোবা নীংথিবা তত্ত্ব অমা ওইবনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবমত হায়না খঙনৈ। দর্শনদি অচিন্ত্যভেদাভেদবাদ হায়না লাচল্লি। মসমাই তত্ত্ব অসি চৎপনা সম্প্রদায়না গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়, ধর্ম্মনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্ম কৌনৈ। গৌড়দেশগীনি হায়দুনা গৌড়ীয় হায়বনি। গৌড় হৌজিক্কী পশ্চিম বঙ্গগী থায়নপৈগী মিংথৈ 'মনি। অসিননি ঐখোয়গী লাইগুরুশিংনা ধর্ম্মসিবু গৌড়ীয়া, ধর্ম্মসি চৎপবু গৌড়ীয়া চৎপা, ধর্ম্মসিগী নীতি নিয়ম ওাক্লা চৎপবুনা গৌড়ীয়া তৌবা হায়নরিবা।

খ্রীষ্টগী কুমজা ১৪৮৬ তনি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা মালেম খোঙদাবা। মহাক্না খোঙদারবা মওং অঙকপনি। গর্ভদা থা তরাগা হুমদোইনি লৈবা। সিংহরাশি সিংহলগ্নদা পোকই। ষড়বর্গ অষ্টবর্গ অনী তুনা কৈ। গ্রহ পূম্নমক উচ্চনি। মশক ওক্লা হুংশিনা ফজে। মশা লৈতেংতি চিহ্ন কয়ানা মহামঙ্গলগীনি খঙনবা। লমদাগী থানিল হুমিত্তনি মহাক্না গর্ভদগী চোং-থোকপা। গ্রহণ থোকই। গঙ্গাদা স্পর্শস্নান তৌদুনা বৈষ্ণবশিংনা হরিধ্বনি তৌরকপা, মুস্লিমশিংনা হুহাইবোই করিবোই মতৌ তমদুনা হরিবোল লাউ-রকপা, গঙ্গাগী খোঙচৎ তোর্বাল নবদ্বীপ জগৎ হরিধ্বনিনা পূনিল নিল্লকপা. তাক্লা অহুমক্তা খোঙদাই লৈদা চৈতন্যদেব। মপা জগন্নাথ পুরন্দর, মমা পোকপা মপু নীলাম্বর চক্রবর্ত্তী ঈশ্বর থাজবা পণ্ডিত ওাক্লি; পুনৈ মবুক্তা নত্তে লাক্লিবা অঙাংসে অচম্বা। পোক্লি মমিং নামকরণদা বিশ্বম্ভর—ভগবানগী অচকপা নাম। নাম নির্থক্লি, কান্নদবা অরেম্বনি হায়নৈ। চুমদবা নত্তে অহুম, চুম্নি অহুম। অহুবু নিরর্থক ওাক ওইবদি নত্তে, সার্থক্ল অহুম মওই। চৎলি অহুম অর্থ, পাক্লি অহুম মিংকম। ধর্ম্মশাস্ত্রগী রাকমদি থাজবনা থাজবা, থাজদবনা থাজদবা, অহুবু থমখিসি। ইতিহাসরোমদা চঙসি, ওরাং নহাক্কী কোঙ ফোঙ শারিবা মিংকম অমনীদংদবু য়েংসি। বিশ্বকবি কবিতানা মঙাল ওই ওানখি বিশ্বজগৎ, ওইখি রবিদ ববি (তুমিৎ, তুমিৎ); ঋষি অরবিন্দ দিব্যজীবনগী তত্ত্বনা হুংশিবা মনম ওই, ওইখি অরবিন্দ অরবিন্দ (থবান্দ থবল); সাধক মুকুন্দ পীখি ভারত্তা

মুক্তিগী মন্ত্র, য়ানথি মুক্তিগী লম্বী, ওইথি মুকুন্দদ মুকুন্দ (মুক্তি পীন-হৈবদ পীনহৈবা)। বাপুজী পীনখি ভারততা স্বতন্ত্রতা মপাগী নিষ্কাম কর্ম্মনা, ওইথি কর্মচাঁদদ করমচাঁদ (নিষ্কাম কর্ম্মীদ কর্ম্মী)। লোইবা নৈরোই থারুবগী, লৈরিবনি কয়া কয়া, চাম্মা চাম্মা, লিশীং লিশীং। মিংফম্না সার্থক ওইরবা থেংডি হেক্ক পল। পানখি মিংথোল বিশ্বম্ভরগীসু। পীথকথি জগৎ প্রেমগী অমৃত, ঈংথি মবুক প্রেম নংলবা জগৎ। তুনথি জগৎ মথোঙদা, লাৎনথি লাইনি মাগী প্রেমগী শকুম। ওইথি বিশ্বম্ভর বিশ্বম্ভরদ বিশ্বম্ভর (জগৎ য়োকপা মপু)।

চৈতন্যদেব ভক্ত ওকপা অঙাং ওইথি নবদ্বীপ পূম্বদা। পুর্ণিমাগী থানা মশেক্লা মঙালগা লৈদা কুম্নকপগুম, লৈমায়দা চৎলবগুম থোকখি নীংথিবদা। মিংফম থূদিং হুখি, গুমথি থম্মোই খূদিং। অদ্বৈত আচার্য্যগী আচার্য্যানী সীতাদেবী শচীদেবীবু লুনা তৌই। অঙাংনা কুমারমক্লুম ফজমনথিবা উবদা তিমু লাইমুগী থুকখি মবুক্তা, থোনখি মমিং, মথোয়না শোক্তনবনি, নিমাই— নিম্বুক থাবা অঙাং। শচীদেবী মমা অমা ওইনা জগৎকীদা মরায়বক থীগ্রবীনি। মচাহুপী নীপাল পোক্ল শির পোক্ল শির নংলবীনি। মাপলহুবদা লাকপা মচানিপা বিশ্বরূপ হুংলম্বদগী মথা থাজদনা অমত্তং তারকপনি। মচা শিমলুনা শিল্লোরোইদ কিরবী তনিক তনিক হিংলবী থম্মোইনি। আচার্য্যানীগী প্রেমগী মিংথোলসি থোকখি মঙোন্দা অমৃত মতম। কৌজখি শচীদেবী মচাবু নিমাই মপুনশি চুপ্পা। মপানা থোঙবা বিশ্বম্ভর, মমানা কৌজবা নিমাই— মিংফম অনীমক হাপ্লখিদে নাপ্পদা কনা নিপা হুপী অমত্ত নবদ্বীপকী। কৌনখি মমিং মানা মানা থোকপা— কনানা গৌর, কনানা গৌরাঙ্গ, কনানা গৌরচন্দ্র, কনানা গৌরহরি। অদুনোং ভক্ত পরমপরা শরূরকপনা শরূরি ওসি ভক্তশিংনা মাগী মঙ্গিবরা—

গৌরাঙ্গ সুন্দর
নব নটবর
তপত কাঞ্চন
নদীয়ার ইন্দু
... ...
(কজবা গৌরাঙ্গ

নৌজবা জগোইবা

সনাগুম হেঞ্জবা

নদীয়াগীনা থা)

নংখিদে চৈতন্যদেব মমা শচীদেবী, মপা জগন্নাথ পুরন্দর, ময়াম্বা বিশ্বরূপ-কীদ, নিপা মুপী থ্ৱায় পূম্নমক্কানি নবদ্বীপ অপূম্বগী। তাকথি সার্থক ওইরগদৌরি মপানা থোনখিবা মাগী নাংথিবা মিংফম বিশ্বম্ভর।

মশাগী অহকপা মগুন পুঙমদবননি থঙদে তনৌ তনৌবা অঙাং ওইবা মহকচাংনা নত্রে ইমুংদা ঈথরুবা মঙান্না মমিৎনা মশক থুনা উংলনি তাকপগুম জগত্তা তৌবননি থঙদে থীনা ভাওনা হৌই নিমাই। কুম্মি গঙ্গাদা পুংগক চাউরক্লৰা মতম। গঙ্গা পূজাগী হন্নকপা লৈশাবীশিং, অচৌবা থঙদে মচা, থংলি— হায়, "করিগী গঙ্গা পূজা ঐ লৈরিঙৈদা! মশাম্ক ইনাইনি, মাগী নিপা শিবম্ক ইনাইনি, তৌ ঐঙোন্দা পূজা।" য়াদে, নোকই লোইনা লৈশাবী ময়াম, থৈত্নুনা চংকে তৌনৈ। তৌজ কদৌনি! মুনবি লৈ চন্দন, নমজে মথন মমায়দা চন্দন, শিজিঞ্জৈ মঙক্তা লৈ পরেং, মুল্লি চায় নৈবেদ্য। "নিপা ফজবা ফংজৌ, নিপানা পাম্বা ওইজৌ, নচা অফবা তরেং তরেং পোকচৌ, লক্ষ্মীনা ভাণ্ডারী ওইজৌ, পীরবনি ঐগী পূজাগী বর" হায় নোক্না নোক্না মীপুম থুদিং কোয়রৈ লৈনা লৈনা য়েং। পূজা থুগাই শাউজিন্নৈ. মবুক্তদি পেন্নজে মাগী ইমুংদ মুংশিবা শাউগে কৌবা ঙমদবা মশক্তা। খুম্নৈ অয়াম্বনা "হোয় পেনবিরো ইবুঙো, পেনবিহৌরো মঙাইবিহৌরো, চচ্চরে।" লৈথোকফাক্তে, নোকই লোন্না, চংনৈ অত্নুম পূজা কায়বগী নাচুংলুবা তৌদ করিমত। চংনা চংনত্নুম হুত্নুনা য়েংনৈ মঙোন্দা নোকফেং নোকফেং পেন্নজরুবরা থঙদে মাগা থেংনক্রদো নুজা ওইবী মথম্মোঞনা চন্দ্ৰাশিংদুগী। চেনথিবা য়াওরো কনা'মা নাম্মোক্তুনা, লাউই শুক্তোক্তুনা, "নিপা হন্বা বায়থু-নাংবরা, তুরোল তুথা থানাংবরা!" কি, থুকই মবুক, হঞ্জিহকই শাউজিন শাউজিন্ননা "সে ফম্মুসে" তৌই পূজা। নম্মি চন্দন, কংলি লৈ, কায় নৈবেদ্য— থুরুম্মি। ফংঙি বর, হায়জিন্নৈ মচান্দদি "পেনবিরবরা ইবুঙো", পেম্মু মবুক্তদি, নোকচৈ লোন্না হৌগং হৌগংনা য়েংজে থর চং তুংহল লোন্না থৌরাংলু তুংশিবা মমায়থোং। অঙকপনি গৌরাঙ্গগী গঙ্গা খোঙমুংগী লীলা। খোঙমুং মাগী রাজ্যনি। মানা ঙমদবা লৈতে কনামত,

লোইনা ইগুমদ ঙম্মি। থোকখি লীলা পরেংসিদা নোংমদি ঙক্ত ঙকপা অমা, কুন্নকখি গঙ্গাদা পূজাগী পুংগক চাউরবী মুপীমচা'মা। চন্ত্রী কৌই। বল্লভ কৌবা আচার্য্য অমনা পোকপনি। চহীদা নিমাইনা খিংকাদা লৈবা হেক থংম নাউমমক্লি। "নং অপাম্বা নিপা ফংনীংবরা, ঐ মহাদেবনি, পীগে, ঐঙোন্দা পূজা তৌজো" হায়রুই নিমাই মঙোন্দা মোমোন মোমোন কুংশিনা য়েং। লক্ষ্মী নমখি তুমিন নিমাইদা চন্দন, হুকখি মঙক্তা মল্লিকা পরেং, কংখি মখোঙদা লৈ, কাখি নৈবেদ্য, খুরমখি মখোঙমক শোক্লা মকোক। থকখি মিকূপ'মক্তং মমিং থ্ম্না নিমাইগী কুংশিনা ফজবা মায়থোং— মিৎলুদদি পিরাং। পিনা নঁঙি পি। উরু লক্ষ্মীগী মিৎলুদা প্রেমগী পিরাং পিরাংনখি নিমাইগী মিৎস্না থম্বাল। নীংসিংলকই মতাংসিদা চণ্ডীদাসকী

> দুহুঁ কোরে দুহুঁ কাঁদে
> বিচ্ছেদ ভরিয়া
> (কপ্পরি তম্বাক তম্বাক কোল
> লাংলু কায়ন-মৈশা)

মিলন্দা বিচ্ছেদগী চৈনা ফংবা বিচ্ছেদদা মিলনগী রস চুপ্পা খোঙফম্নি প্রেমগী অতাবি। পিরাংনখি অদুনোং হৌনত্নুনা মিৎস্না থম্বাল মরি।

খোঙনুংদা নৈশাবী লারুবদনা লোইত্রি নিমাইগী লীলা। ঈশিং মনুংগী লীলাস্ব লৈরি কয়া। অদুবু লীররোই, শাংগ্রনি। মাগী লীলা পরেংসিদি মতমতুগী সমাজদদি পূমকায়নি, থীনা কায়গ্রবা ঙাক্লি। মখোই রাখল, ফিদম,: মিংয়েং, পান্দম্নচিংবা পূম্নমক্তা থীনা শোকগ্রবা ঙাক্লি। অদুবু, নিপা থঙদে মুপী কনামতনা করিমত হায়দে। লীলাদা অফবা ফত্তবা, তৌহৈবা তৌহৈদবা পূম্নমক লীলানি হায়দুনা মুঙাইনা পঙয়েংদা য়েংনবগুম য়েংনবনি মানা হেক তৌরিমথৈ পঙনুংদ মুঙাইনা পঙনোক্ত নোক্তুনা অদুম। অঙকপনি নিমাইগী গুণ, নিমাইগী লীলা।

ঙাওরে ঙাওনা বুদ্ধিদদি বৃহস্পতিনি। লাইরিক গঙ্গাদাস চক্রবর্ত্তীদা তম্মি। তাকপগা থঙবগা, থঙবগা হৈবগা হৈবনা হাল্লি। অঙকপা মওংনি নিমাইগী। নীংসিংলকই মতাংসিদা হৈমবতীগী শিক্ষাগী মতাংদা কালিদাসনা হায়খিবা রাকম

তাং হংসমালা শরদীব গঙ্গাং
মহৌষধিং নক্তমিবাত্মভাসঃ
স্থিরোপদেশামুপদেশকালে
প্রপেদিরে প্রাক্তনজন্মবিদ্যাঃ।
(তারৈ গঙ্গা কাংঙা মপৈ শরত্তা,
ফাওই মঙাল অহিং মহৌষধিদা।
ফুদোরকখি অদুম হৈরকপা মহৈ
লাক্লবদা মতম তান্নবা মহৈ।)

চহী থরদংদগী মনুংদা লোইখি তক্লা ব্যাকরণ, কোষ, কাব্য, অলঙ্কার। ফাওখি হৈবা থঙবদা নিমাই। ঙক্লখি নবদ্বীপ লোইনবা।

অমত্ত ভায়বা ময়াম্বা বিশ্বরূপ পাথং পুংগক ফারকপা মতমদা থাদোকথরে লোন্না মন্নুম। মপুনশি তেহকপননি থঙদে, মচা বিশ্বরূপকী থোঙ্গল পুম্মুং মুৎপগুম তৌথিবগী মৈশা লাংবননি থঙদে লৈখিদরে ঙস্তানা মপা জগন্নাথ পুরন্দর। ইমুং মপু পান্দবগুম তৌরে। নিমাই টোল অমা হাং মন্নুম লেপ মমাগী মতেং পাংনবা য়েংলগে নাংলে। মশাগী চহীনা তরাগা তক্লক হায়রকপদ মঙায়রিভৈনি, লিংখি টোল অমা মুকুন্দ সঞ্জয় কৌবা লৈকাইগী মী অমগী চণ্ডী-মণ্ডপ্তা। তম্বিখি কলাপ ব্যাকরণ। চন্নখিদে ছাত্রনা চিংলু চায়রা, ফাওখি ঙমিং থা থরদগী মনুংদা নিমাই মপা লৈতবা, তাঙ্গ থাঙবা ওজানি হায়না ঙমিথাগুম মশেক মঙাল চাউরবা পণ্ডিত চাম্বা চান্মনা খুজিং ওই পৈরবা নবদ্বীপ্তা। অদুবু, অহাঙবদা চৎলি অদুম মাগী শিক্ষাগুরুগীদা মশাগী অধ্যয়ন মপুং ফানবা।

টোলনা নাংথিনা চথনা পাংলে নিমাই মমাগী মতেং শেন থুম্মচিংবগী মরম অয়াম্বা মপুং ওইবা অপুম্ব। রাংলি অমা উয়ে, মমাগী অয়ারনি, পোথাবা কৌবা ফজদবা ইমুংগী থবক্তা। মমাগী মশা থরদং কোমজনবা লেপখি থোঙদাবগে গার্হস্থ্য আশ্রমদা।

লক্ষ্মী নিমাইনা অঙাং অঙাওবা অমা ওইনা ইঙাও ঙাওনা থোয়দাখি উরদা গঙ্গা পূজা লাকপদা, উংখি মঙোন্দা নুংশিবা মতো। কৎখি লক্ষ্মীনু হুমিত্ত নিমাইদা ইঙাও ঙাওনা মথবায়, হকথি নুংশিনা মল্লিকাগী পরেং লাইগীনি

তম্মকপা পুষ্পচন্দন খোয়দানা হুংশিনা কৎলবা তুং ; কংখি মথম্মোই পেন্না নৈবেদ্য ; কাখি লৈ, তুখি মথোঙ শোক্না মকোক ; উৎখিবগুম তৌখি, উংখি, "ঐনা খোয়দাজবা বরদি নংনি, নংমক্কি, নংদনি" নিমাইদা। "হুক্কবনিকো নং ঐঙোন্দা বরমাল্য" হায়খি মোমোন নোক নিমাই। নোকখি লক্ষ্মী ইকাইনা মোমোন ; তাখি মিমাইগী শক্তম মথম্মোই লাম্নমদা শরৎকী গঙ্গাদা পূর্ণিমা থাজ মতম। লক্ষ্মীগী হুপীজা ওইবী থম্মোইগী অশেংবা নিমাইগী প্রেম উবদা হুংশিবিক্রয়বয়া থঙদে প্রজাপতি, লাকখি শচীদেবীদা বনমালী ঘটক। নাংসিংখি নিমাই অঙাং ওইরিঙৈগী হুংশিখিবা থোদোক্কা ঈরোয়ননা নোংমা ইকুই কুইদ্রিঙৈ লক্ষ্মীনা গঙ্গাগী থোঙচুংদা থোরাংনা য়েংজনা লৈহৌবা মশা পুমকাউ কাউ মহাক্না অহাঙবদা লাইংিক শম্নুবা হন্নকপদা। লুহোঙখি অনী। চহী তরাগা তরুক্তা থোঙদাখি অস্তম গার্হস্থ্য আশ্রমদা নিমাই।

ওজা ওইরে, গৃহস্থ ওইরে, পণ্ডিত শীংদস্থ চল্লে অচৌবা, অদুবু, ঙাওবদি হন্দে নিমাই। অয়ুক স্নান মতমদনা শান্নে ঈশিংদা ছাত্রশিংগা, হুমিদাংবাই মতমদনা লাঙমিন্নে অমুক মথোয় মথোয় ময়ামগা থোঙবান্দা। লাকখি নোংমা হুমিদাংবাই কাশ্মীরগী দিগ্বিজয়ী পণ্ডিত অমা, সরস্বতীনি। মায়থীখি দিগ্বিজয়ী নিমাই পণ্ডিতকী মফমদা বাফম অমা অনীদংদদা, লৌখি নিমাইবু শব্দব্রহ্মগী মশক্নক্কি, চঙজখি মথোঙথাদা, কংখি ভক্তি হৌনবিদ নত্তনা মথম্মোইমক য়াঙনা তশেং। ঙক্লখি নবদ্বীপ, শক্লখি মগুন— য়াইফজে নবদ্বীপ, য়াইফজবামক্কি পোকচক্লবা নিমাই পণ্ডিত। অদুবু, মশাদি হৈপাম্বাগী হৈ তেকথনা পানবা হৈপান্নি, কাঙদে, হাইগত্তে, লুকই মশা থিবিক অপিক অচৌ লোইনবা— গুণীদ গুণীগী তশেংবা মতৌ।

নিমাই উনীংখি শ্রীহট্ট ঢাকাদক্ষিণ, মপা মপুশিংগী খুনাম্না মঙোন্দা শেংলবা লম। শন্দোকনাংই বিদ্যাস্থ। চৎলি বঙ্গ, শন্দোকই বিদ্যা। থেংনৈ ঈশ্বর থাজবা পণ্ডিত অমা। তপন মিশ্র কৌই। নিমাইনা মশাগী চহী মঙাগা হায়-রকপা অদুবাইদনি, শচীদেবীনা মাবু অদ্বৈত আচার্য্যগীদা ময়াম্বা বিশ্বরূপ কৌবা থায়। মহাক্না কয়িমত হংগোইবা লৈতনা আচার্য্যগী সভাহুদা তবিৎ তবিৎ হুংশিনা চঙলকপা উবদা আচার্য্যনা মুম্না য়েংলগা "লাক্লেদনা ঐনা কৌথবা" হুঙাইজখিবদো মিশ্রদদি তশেং অদুম ফাওখি মশাগী মঙফম অমনা, কংখি

লোইনা মথব্রায়, হৌগৎখি ময়ুম ফুক্না ইল্লগে নিমাইগী মতুং। অদুবু, থগদে, মশাগী তুংগী লম্বী সেমগে মতা থাখি বারাণসী। বিদ্যা কন্না শন্দোক্লিঙৈ য়ুমগী অৱাবা কয়াগী ফংখি খুদম। লাকখি তন্না য়ুম। লৈরমদ্রে লক্ষ্মী লিন্না চিক্তনা। ফায় মবুক তুনা মমাগী।

জাতস্য হি ধ্রুবো মৃত্যু ধ্রুবং জন্ম মৃতস্য চ।
তস্মদপরিহার্য্যেৰ্থে ন ত্বং শোচিতুমর্হসি॥
(পোক্লবদা শোয়দে শিবা শিরবদা শোয়রোই পোকপা।
শোয়দনা থোক্লবসিদা ৱানাঁ ঙাই করি লৈরিবা॥)

লাকপা নত্তে মাদি মঙাল লোকপা, লাকপনি য়েনগে মঙাল। চথখি ঈংনা অধ্যয়ন অধ্যাপনা অনীমক্তা হান্নগী মতম ঈংনা অদুম।

নোংমা চৎখি নোংমা লাক চয়োল অমা হৌ থাবুম অমা লান চহী অমা কা কুমওন অমা লাক, হৌৱে সুমিৎ থা চহী থর মথং মথং। শচীদেবী, য়ুম লেপ্পবনি, হৌই য়েংবা মচাগী মমৌ। ৱাৎলুনি করম নিমাই পণ্ডিতকী! নদীয়াগী থানি। কৎকেগী কৎকে ঙাক্লি। নদীয়াগী মীপুম খুদিং, নীপা থগদে সুপী, লুপ্পা ঙাক্লি মঙোন্দা, ঙাওবা ঙাক্লি মাগী সুংশিবা মনমদা। লুহোঙলে নিমাই মমাগী য়াথং মতুং ইন, রাজপণ্ডিত সনাতনগী মচাসুপী নীংথিবী বিষ্ণুপ্রিয়াগা অমুক। অদুবু, লক্ষ্মীনা লৈখিদবগা নিমাইগী পুনশিগী ত্যাগলীলাগা করি মরী লৈনবা থগদে, শকই লোচনদাস মাগী 'চৈতন্যমঙ্গল'দা, শক্লে অতৈ বৈষ্ণব কবি অপুন্বা গৌরপ্রেমগী মশক্লি লক্ষ্মী, কায়নমৈনা লিনগী মশক ওইনা চোং-থোক্তনা চিকখি প্রেমগী মশক ওইবী নীংথিবী। নিমাইসু লক্ষ্মীনা মাবু সুংশিজবগুম লক্ষ্মীবু চপচানা সুংশিবনি হায়বা তাকই অনীগী পুনশিলীলাগী সুংশিবা মতাং থরনা অদুম। গৃহদা হৈনীংদবা অমা পোক থম্মোইদা ত্যাগগী ৱাথল মমি অমা তাথিবরা থগদে লক্ষ্মী লৈতবদা! তাবগুম তৌথি পুনশি লীলা তাংকক'মগী অগোইবা ফিজঙ। নোংবাম্থাদা তত্তনা হেক হেক ঈহৌ ঈঙাংগন্বা তুরেল্লা শরত্তা লিরি থোইরি চেল্লবগুম নিমাইগী কঁঙাওনবা পুনশিদা লক্ষ্মী লৈতবগা লোয়ননা লোইখিবগুম তৌখি, ফাওখিবগুম তৌখি মথম্মোইদা ধর্ম্মগী ৱাথলগী মঙাল অমা। লাক্লবরা থগদে মশক ফোঙবা মতম।

কুইদ্রি বিষ্ণুপ্রিয়া লুহোঙবা। পিতৃকৃত্য লোইনাংলক্লে। চৎলি গয়া ফুক হোগত্তুনা ছাত্র থরগা অরোইবা পিতৃকৃত্যগী। থেংনৈ মাগী প্রেমা পুল গোবিন্দনা যঙ্গোম হুনখিবা, মহাকথংগী ক্ষীর লোৎলু ক্ষীরচোর মিংথোল পুখিবা মাধবেন্দ্র পুরীগী শিষ্য ভক্ত ঈশ্বরপুরী। লোই দীক্ষা গোপাল দশাক্ষর মন্ত্র। লাকই যুম মশক পুম্মোং হোং। তম্বি ছাত্রশিংদা নাম কীর্ত্তন। শকই ছাত্রশিংগা থূবাক থা থাত্নুনা—

হরি হরয়ে নমঃ
কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ
গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধুসূদন।

নিল্লি মুকুন্দ সঞ্জয়গী মণ্ডপ পূম্লিল।

থাদোক্লে অধ্যাপন', লুপ্লে কীর্ত্তন্দা

হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম্।
কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা॥

ঈশ্বরগী নামদনি লেঙদবা।
লৈতে কলিদা অতৈ লম্বীমা॥
ত্তো জীবদা দয়া
ঈশ্বরদা ভক্তি।
থঙু ভক্তিগী সাধন
মানি নাম সঙ্কীর্ত্তন॥

তাকই, ত্তে, চোংঙি, শকই, ভাওই—

হরি হরয়ে নমঃ
কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ
গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধুসূদন।

ফাওখি মশাদা মতাং মতাংদা অঙকপা শক্তম, অঙকপা মঙাল ঈশ্বরগীদ ওইবা। থঙনখি ঈশ্বরনি, জগৎকল্যাণগী লাকপনি। ঈশ্বর থাজবা পণ্ডিত শ্রীবাস আচার্য্য, ভক্ত ওইনা লাক্লবা যবন হরিদাস, শুক্লাম্বর ব্রহ্মচারী চঙজখি

নিমাইদা, য়াথি শরুক কীর্ত্তনদা। লাকখি অদ্বৈত আচার্য্য, ফাওরকখি অবধূত নিত্যানন্দ। তিল্লখি গদাধর পণ্ডিত। পুখি কীর্ত্তন সুকণ্ঠ গায়ক মুকুন্দ, শ্রীরাম, শ্রীপতি, শ্রীনিধি। শকখি কীর্ত্তন অহিং অহিং ইমুংদা— শ্রীবাসগীদা মপুং, মশাগীদগা মাগী মামা চন্দ্রশেখর আচার্য্যগীদগা মরক মরক। চৎলি, চৈখ, তুম্লে কীর্ত্তন। চিংখি নবদ্বীপ তংখাইমা।

উরে লাক্লে মতম, য়ারনি নাম প্রচার। পীনরে ভক্তশিংদা বাণী—

তৃণাদপি সুনীচেন তরোরিব সহিষ্ণুণা
অমানিনা মানদেন কীর্ত্তনীয়ঃ সদা হরিঃ।
নাপীদগী থোইনা তুনা উপান্দগী থোইনা ঈংনা
লুনা মীবু নোম্না নশা সোনগনি তত্তুনা হরি

নেৎলে নাপী তুথৈ অতুম,
নেৎলিমথৈ থাঙি অতুম।
য়াল্লে উ পুই চৈনা তুমিন
থনবি অতুম হুংশা মনিল।
থঙু নাপীনি বৈষ্ণবতি
চৎকনি শাজৎ নাপীগী।
কাউন্ উপান্নি বৈষ্ণবতি
চৎকনি লৌচৎ উপালগী।
লৈতে ঈশ্বরদা বর্ণবিচার
চঙদে ঈশ্বরদা জাতিবিচার।
লৈনৈ লোইনা নায়দা অধিকার
তৌ মীপুম খুদিংদা নামপ্রচার।

চৎলে নগর কীর্ত্তন। পুরে কীর্ত্তন নিত্যানন্দ, হরিদাস। থেংনকরে নোংমা জগাই মাধাই—নগর কাটোয়াল মচীল মনাও। থীনা তৌরে মচীমনাওনা নিত্যানন্দ। ফুরে, চৈরে, তাহৎলে। ফুজো, তাজো নবুক পেম্না, শোল্লু নামহৃদি অমুক্তং। ওনখি মবুক অনীমক, সোনখি হরিনাম, য়াথি শরুক সঙ্কীর্ত্তনদা, ওইখি বৈষ্ণব।

নবাব হুসেন শাহ্ মশানা যবন ওইবনা পামথিদে চৎলিবা ধর্ম্মগী ঈরাংদু। ঈশ্বর থাজদবা পণ্ডিত থরগী মরোদা হয়াউনা তোং থিংথি তন্না নগর কীর্ত্তন। চোংথোক্লে হৌজিক্কি নিমাই মশামক। চিংলে য়াচঙবদা নগর কীর্ত্তন; তন্নে, য়ৌরে নবাবকী সনথোভ। মাম্মা, থিংভি করিগী ঐগী কীর্ত্তন! নিংথৌনি মাম্মদি, নিংথৌগীদি ধর্ম্ম কনবা, ধর্ম্ম য়োকপা ধর্ম্মনি পঙ্গাউ। ভাঙনথি তত্ত্ব কয়া। মুনথি নবাব গৌরগী গুণদা, গৌরগী জ্ঞান্দা। লৌথোকথি তন্না হুন্ন। চথথি কীর্ত্তন। শক্লথি গৌরাঙ্গগী জয় হিন্দু মুস্লিম পুন্নমক। সোন্নথি লাইনি, প্রেমগী অবতারনি গৌরাঙ্গ।

জগৎকল্যাণগী লাকপনি গৌরাঙ্গ। শচীগী বাৎসল্যপ্রেম, বিষ্ণুপ্রিয়াগী মধুরপ্রেম—কত্রং লংলা অনৌনা নামিবা ঙন্নগনি পুনবা মাবু কয়া কুই! নোংমা ঈরাই হুমিৎ অমা, ফাইরেন্না পানথৎলকপা, মশাগী চহীনা কুনগা মরি ফানাং, কামা তৌরকপা কাল, লৌথি সন্ন্যাসধর্ম্ম কাটোয়াদা, মাধবেন্দ্র পুরীগী শিষ্য, ঈশ্বর পুরীগীনা গুরুভাই কেশব ভারতীগী মফমদা লৌকিক্কী গুরু নাইবা হায়-বদুদং থোক্লবা। সন্ন্যাসী ওইরবা তুং ফাওথি নৌহৌনা প্রেমাবতার গৌরাঙ্গ নীংথিবা ত্যাগগী মিংফম্না শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য। কপথি শচী বিষ্ণুপ্রিয়া—বাৎসল্য মধুরপ্রেমগী শক্তম অনী; কপথি গৌড় বৈষ্ণবশিং— সখ্যদাস্য প্রেমগী শীংনাইত্রবা শক্তমময়াম। প্রেম মরিনা ঈহৌরক ঈচাউ অমা পোক ঈরাকথি গৌড়, ঈরায়থি বঙ্গ, ঈয়ৌথি নোংচুপ্তা বৃন্দাবন, থাদা নীলাচল। ওইথি পূণ্য ভূমি মরি প্রেমগী উর্ব্বরা ভূমি। য়েনথি জগত্তা প্রেম, থম্মি জগৎ প্রেমগী মহাউ।

শ্রীকৃষ্ণ জগৎকী মূলতত্ত্বনি। অবতার নত্তে, অবতারীনি। পূর্ণ ভগবান্নি। ভগবানগী অকিবা হুংশিবা— রূপ অনীদা হুংশিবা রূপ্তুনি শ্রীকৃষ্ণদি। অমকপা লৈতনা ফজবা, অৱাংপা লৈত্না নীংথিবা, ভগবান মদোমগীদ ওইবা মফজ, মহুংশিগী মশক্তি। হুংশিবা ফজবগী মশক কাম্না মিহৌবা শকফম্নি মহাক্কীদি। কৌনৈ অদুনা মাবু মদনমোহন— কাম্না লুপ্না শকফম। তিনবনি মঙোন্দা ঐশ্বর্য্য, বীর্য্য, যশ, শ্রী, জ্ঞান, বৈরাগ্য— ভগ তরুক্সক।

ভগবান আনন্দগী মশক্তি। অদুনা পরমরসনি। চুপচগে মশাগী রস, শান্নগে লীলা সেম্বনি জগৎ। বিশ্ব-জগৎ রঙ্গভূমিনি— লীলাপুংনি লীলাগী মশক

ওইবা ভগবানগী। ভগবানগী লীলা চংলি অনী—অথুংবা অমা, অফোংবা অমা। ভগবানগী সৃষ্টিদা অয়োবনি মী। ফাওই মওোন্দদা মপুং ফানা প্রাণ। কৃষ্ণি অত্তনা ময়ক মরক মীগী জগত্তা, শান্নে লীলা ফোংনা হেক হেক মীগী শক্তমদা। শাম্নবদ নত্তে চুম্নব, তাকপনি মশক, উৎপনি মাগী লম্বী। ব্রজভূমগী লীলা থোইথোইবনি ভগবানগী অ.ফাংবা লীলাদা। উৎলম্বনি অথুপ্পা কায়দবা লীলা, তাক্লম্বনি লেঙদবা হুণ্ডাইবগী লম্বা, "থিরকউ ঐবু জগৎ, তম্নকউ ঐগী লম্বী, ফংগনি হুণ্ডাইবা থোই-থোইবা—সামীপ্য, সাযুজ্য, সারূপ্যনা তানবা ফংদবা সালোক্য—লীলাগী শরুক য়াবগী অধিকার।

গোপালকৃষ্ণ প্রেমগী মশক্কি। কৃম্নকপনি ব্রজভূম চুপকে মশাগী প্রেমরস। শান্নথি প্রেমগী লীলা, চুপথি পেন্না প্রেমরস মরি— নন্দ যশোদা অমস্থং মথোয়গী পরেংদা বাৎসল্য রস। দ্বাদশ গোপালনচিংবা গোপ পরেংদা সখ্যদাস্যরস, রাধিকানচিংবী ব্রজগোপীশিংদা মধুর রস। উংথি ভক্তশিংদা সাধনগী লম্বী— সম্বন্ধনা ঈশ্বর, অভিধেয়না ভক্তি, প্রয়োজননা প্রেমনি। তাকথি ভক্তিদা শুদ্ধাভক্তিনা থোইথোইবনি শুদ্ধাভক্তিগী অয়োবা শক্তম্ কৌই রাগানুগা ভক্তি। পুল্লি ভগবান প্রেম্না—প্রেমদনা, পোল্লি মাদি ভক্তগী মথা।

জ্ঞান, কর্ম্ম, যোগ, ভক্তি— ঈশ্বরগী লম্বী চাক্লি। থোইথোইবদি ভক্তিনি। ফংডি ভক্তিদি অতৈথিবিক্কী ফল, ওমদে ফংবা অতৈ থিবিক্কীদি ভক্তিগী ফল।

ভক্তি চংলি অহুম— জ্ঞানমিশ্রা ভক্তি, কর্ম্মমিশ্রা ভক্তি, শুদ্ধাভক্তি। জ্ঞানমিশ্রা ভক্তিনা ফংডি মোক্ষ— অয়ানবা থুডম, কর্ম্মমিশ্রা ভক্তিনা সুখ— য়াইফবা মপোক, শুদ্ধাভক্তিনা ঈশ্বর— ঐশ্বর্য্য মশক।

শুদ্ধাভক্তিগী মশক চংলি অনী। কৌই অমনা বৈধী ভক্তি, অমনা রাগা-নুগা। বৈধী ভক্তিনা ফংডি ভগবান, রাগানুগা ভক্তিনা শ্রীকৃষ্ণ— পূর্ণ ভগবান।

ভক্তিগী অঙ্গ হুম্ফু মরিনি। শ্রবণ, কীর্ত্তন, স্মরণ, সেবন, অর্চ্চন, বন্দন, দাস্য, সখ্য, আত্মনিবেদন— মাপল্লিনা মপুংনি। থোইথোইবনি কীর্ত্তন্না মাপল্লিদা।

ঈশ্বরদি নামগী মশক্কি, নামক্কি। সার্থক্কি মাগী নাম থিবিক, নত্তে অমত্ত নিরর্থক। তৌ নাম কীর্ত্তন, পোক্কনি প্রেম। কাউহু সম্বন্ধ শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র, অভিধেয়

ভক্তি, প্রয়োজন প্রেম। শ্রীকৃষ্ণ প্রেমগী মশক্তি, প্রেমশক্তি; ফংগনি প্রেম্না, প্রেমতনা। প্রেম ফংগনি নামকীর্ত্তন্না, তৌ তৎপা লৈত্র কীর্ত্তন।

প্রেমগী মশক মরিনি— দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, মধুরপ্রেম। মধুরপ্রেম্না থোইগোইবনি মরিদা। দাস্যনা মনাই ওইবনা চঙজবা মওংদা ভগবান্দা চঙজবা থঙনৈ। অদুগুম, সখ্যনা মরুপ ওইবনা চচ্চবা মওংদা চঙজবা, বাৎসল্যনা মমা মপা ওইবনা মচাবু ঙংশিজবা মওংদা চঙজবা, মধুরপ্রেম্না ঙংশিনবী চান্নবী অমনা চচ্চবা মওংদা চঙজবা থঙনৈ অদুম।

মধুরপ্রেমগী মশক চৎলি অনী— বৈধী প্রেম। অবৈধী প্রেম। বৈধী প্রেম পুই স্বকীয়া ভাবনা, পরকীয়া ভাবনা অবৈধী। বৈধী প্রেমদা স্বদে প্রেমগী শক্লোন, স্বই অবৈধীদদি। পূর্ব্বরাগ, রাগ, অনুরাগ, অভিসার, উৎকণ্ঠা, বিপ্রলব্ধা, খণ্ডিতা, মান, মিলন লোইনা চৎলি। চৎলি তুংইন স্বনা ভাব। কায় মপূং প্রেমলীলা। ফংই চুপ্পা স্বনা প্রেমরস। চুপথি অদুনা ভগবান্না ব্রজগী প্রেমলীলা—পরকীয়া রস। লুপ্মি অদুনা স্বকীয়াদগী পরকীয়ানা মধুরপ্রেমগী ক্ষেত্রদদি। চঙ্গদবনি অদুনা পরকীয়া ভাবতা ভগবানগী প্রেমসেবা।

লীলাগী মশক ওইবা ভগবানগী অফোংবা প্রেমলীলাগী যোগমায়ানা সেম্বা অফোংবা বৃন্দাবন্নি বৃন্দাবন। পুখোকপনি পূণ্যভূমিসিদা লীলাগী ভগবানগী সাঙ্গ পাঙ্গ লোইনবা। সেম্বনি বাৎসল্যনা খোঙদাক্কম দাস্যসখ্যনা খোঙলোয়। আনন্দগী মশক ওইবা ভগবানগী হ্লাদিনী শক্তিনা রাসেশ্বরীগী শক্তম লৌ মশাগী শক্তিনা গোপী ময়াম সেম পুরবনি পরকীয়া ভাবতা প্রেমলীলা। ভগবানগীদমক্ত অশেংবা রজঃ— লৈরীক চাইদুনা সেম্নবা, মাগী রজঃ খুদিংমক ভগবানগী চরণ সেবা ফংলবা পূণ্যভূমি বৃন্দাবন। বৃন্দাবনগী দর্শন, মাগী রজঃ থক্তা গড়াগরি অমুত্তং কনবা মহাপূণ্যনি। জন্ম কোটিগী পাপ কোক্লবনি অদুম।

প্রেমগী সেবা চৎনি মওং অনী। অমনা মোদন্নি, অমনা মাদন্নি। মোদন্না ইশাগী চৎপা সেবানি— কাম্নি, কামগী সেবানি। মাদন্না নত্তে ইশাগী পেন্নবা চৎপা সেবা, প্রেমগীদমক্ত পেনবিনবা চংলুবা সেবানি প্রেম্নি, প্রেমগী সেবানি, নত্তে কামগী সেবা। ব্রজগোপীশিংগী কৃষ্ণপ্রেম মোদন নত্তে মাদন্নি

আত্মলুপ্তনি মখোয়গী কৃষ্ণপ্রেম। কৃষ্ণগীনি মখোয়গী মথৱায়, মহকচাং, মবুক্লীং। চঙদে মখোয়দা জাতিগী লাজ, কুল, মান, ধর্ম্ম। মখোয়গীদি কৃষ্ণদনা পেনবিরগা লোইরে। মখোয়গী কৃষ্ণপ্রেম প্রেম্নি, নত্তে কাম। পুনবনি অতুনা প্রেমগী মশক ওইবা পূর্ণভগবান শ্রীকৃষ্ণ গোপীশিংনা তৱাই। গোপীভাবতা চঙু ভগবানগী প্রেমসেবা, ফংগনি শোয়রোই প্রেম মাগী প্রেম।

মী মীনি মীমান্নবা নত্তে, থেন্নে মপোক। কনানা পোকই ঈশ্বর নীংনা, কনানা পোকই নীংদনা। নীংনা পোকপা কাঙবুদা চঙদে মায়া পঙ্কম্নক কন্না, নীংদনা পোকপা কাঙবুদনা থোই মায়া, চঙি থীন। অসুম অসুম পুনশিল্লি নোংমনোং, চল্লি মখুৎ পূমজল, শান্নে শান্ননাংবা মওংদা মনীং তম। লৈতে নাম্মোকপা কৌবা মায়াগী থূবাংদগী চেৎলবা। মশানা হৈজৱবা অমা নত্রে করিগুম্বা থুদোং অমা মতাম্মা চারু ফংলুরবা মনাম্মোক্তবসু নত্তে, অতুম মনাম্মোকই। হৈবা হায়বনা নাম সোনবনি, থুদোং হায়বনা নাম তাবনি, কীর্ত্তন্দা শরুক য়াবনি।

লীলাগী মশক ওইবা ভগবান্না সেম্বনি মী লীলাগী। হৈতদুনা মঙোন্দগী তাম্বদনি। মায়াদা লুপ্তুনা য়াবদনি। হৈরবদি মীপূম খুদিংমক শরুক অতুম ময়াই লোইবা নাইদবা কালগী প্রেমগী লীলাদা ফজবা হুংশিবা মহাক্না লেঙদবা।

নামকীর্ত্তন্না শেংদোকই পুক্লীং, পীনৈ থম্মোইদা ঈশ্বরগী প্রেম। লাকই তুংইন সেবাগী পুকচেল। থৌজালগী মশক্তি ভগবান, পীনৈ মহাক্না হ্লাদিণীগী মঙাল। চিংশিনবি অসুম অসুম নোংমনোং, শুদ্ধ সত্ত্বসিদা থম্মোই। কাউরকই মশা, পুরকই মবুক্তা মহাক মশামক্তনি ভগবান। পোক্লকই দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, মধুরপ্রেম মথং মথং অধিকারগী মতুংইন। তিল্লুই ভগবানগী অথুপ্পা লীলাদা, পুরুই সেবা য়াকুই শরুক অনন্ত কালগী অনন্ত লীলাদা লীলাগী মশক ওইবা ভগবানগী। পুই, চঙি সেবা অসুম সেবাগী সেম্বা জীবশক্তি, তাউজে আনন্দদা ব্রহ্মানন্দদগী থোইরবা।

লৈতে ঈশ্বরদা নিপা হুপী। থায়দে মঙোন্দদি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রীয়, বৈশ্য, শুদ্র। নাইদে জাতি, বিজাতি। ঈশ্বরগী চিদাংশনি জীব। হুংশিন্নু জীবনি, হুংশিবা তম্মু। কল্লু মখোয়বু মায়াদা লম্মুক্লরিবা।

পাউ শ্রীমদ্ ভাগবত সাত্বিক পুরাণ অথোইবা। থঙনি মশক ঈশ্বর, জীব, জগৎ। শ্রীকৃষ্ণগী মশক্মক্তি। কৎলু ভক্তি, থঙনি শ্রীকৃষ্ণ, মহাক্কী অঙকপা লীলাগী পরেং।

জীব ভগবানগী অংশনি, মাঙদে। মায়াগী ৱাংমদা ভগবানগী নিত্যলীলাদা শরুক য়াবা ফংনবা হোৎনবনা ধর্ম্মনি জীব মশাগী অথোইবা।

তাকপীখি অহুম ভক্তশিংদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব।

থাখি রূপ সনাতন ভক্ত মচৌম্মনাও অনী বৃন্দাবন্দা, শিন্নখি গৌড়দেশ অবধূত নিত্যানন্দদা। পুথি মশানা দাক্ষিণাত্য। শন্দোকখি কৃষ্ণ উপাসনা, রাগানুগা ভক্তি নীলাচলদগী কুমারিকা লৈচোল থেং। তেমশীংনখি হরিধ্বনিনা সমুদ্র ঈরাউখোল। লেপখিদে, কোয়খি থুংনা অমুক মশানা গৌড়দেশ, তৌখি দর্শন বৃন্দাবন, কাশীধাম। হরিধ্বনিনা নিনখি পৃম্মিল মকম থৃদিং দর্শন ফংবদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবগী অমকপা লৈতনা ফজবা, অৱাৎপা লৈতনা নাংখিবা, সুংশিনা ফজবা মশক্তম।

কোয়খি অহুম চহী তরুক, তৌখি প্রচার রাগানুগা ভক্তি। লৌখি মথংগী চহী তরুক অমনা গুরুগী আসন হকথেংনবা ভক্ত কয়াগী। নীলাচলদনি। হাজিন্নরকখি ভক্তশিং— ঈচাউ লাকপনি। তাকপীখি, তম্বীখি ধর্ম্মগী অথুপ্পা তত্বশিং মাগী মাগী অধিকারগী মতুং ইন। অরোইবা চহী তরাগা নীথোইনা হরিদাস, রামানন্দ, সার্ব্বভৌম, প্রতাপরুদ্র, বৃন্দাবনদাস, রঘুনাথদাস, রঘুনাথ ভটনচিংবা ভক্ত থোইথোইবশিংগা লেনখি সাত্বিক আনন্দদা পৃম্নপ লুপ। উংখি ভক্তশিংদা, জগৎ পৃম্বদা, রাগানুগা ভক্তিগী থোইথোইবা মধুরপ্রেম পরকীয়া ভাবকী ব্রহ্মানন্দনা ফংঙমদ্রবা প্রেমানন্দ।

তম্বারম্মি ধর্ম্মদা ব্রত অহুম-— জীবদা দয়া, ঈশ্বরদা ভক্তি, ভক্তিগী সাধন নামকীর্ত্তন। পীনরম্মি উপাসনাদা রাগানুগা ভক্তি, দর্শন্দা গৌড়ীয় বৈষ্ণবমত — অচিন্ত্যভেদাভেদবাদ, কাব্যদা— রসকাব্য, সঙ্গীতা কীর্ত্তন, নৃত্যদা উদ্দণ্ড নাচ, লীলাদা রাস।

বৃন্দাবনদাসগী চৈতন্য ভাগবত, স্বরূপ দামোদরগী চৈতন্য কড়চা, রঘুনাথ-দাসগী চৈতন্যাষ্টক, কৃষ্ণদাসগী চৈতন্যচরিতামৃত, লোচনদাসগী চৈতন্যমঙ্গলনচিংবা ভক্ত কয়া কয়াগী লাইরিক্না মশীং থাঙমদনা লাচল্লি প্রেমাবতার গৌরাঙ্গদেবগী

অঙকপা মপোক, অঙকপা মপুনশি. অঙকপা লীলা, অঙকপা কৃতি, অঙকপা অবদান। উৎলি মহাক মশাগী অঙকপা মপোক্না

কৃষ্ণি ভগবান হেক হেক জগত্তা
মায়া মানুষগী শক্তমদা
জগৎকী মঙ্গলগী দমক্ত।

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব লাকপনি প্রেম য়েনবা জ্ঞান, কর্ম্ম, যোগনা হারবা প্রেম নংলবা জগত্তা। লুপথি মাগী প্রেমদা গৌড়, বঙ্গনচিংবা লৈবাক কোঙ্গায়। পোকথি প্রেমভক্তিগী মশক্কক ওইবা গোস্বামী কয়া কয়া। য়েনথি মথোয়না অমুক নৌহৌনা প্রেমভক্তি অনক অরাপ লৈবাক কয়াদা। য়োরকথি ত্রৈখোই লৈবাক্সিন্দম্ব। য়োরকথিবমক্তি মহারাজ গরীবনিবাজ সনাহাক্তুনি, লৈবাক-নিংথৌ পনগী লেঙদবা ধর্ম্মমক হেক ওইরবনা শাই মচীন্নমনাও অনীগী মতুংদগীনি। ইবস্থ অদুম ইঙ্গ্রবনি মথক্তা নব্য বৈষ্ণব ধর্ম্মনা লৈবাক্সিদা লাকপগী মতাংদা। ধর্ম্মসিনা লৈবাকনিংথৌ পনগী ধর্ম্ম ওইরবা, তুংইন গোবিন্দ নিরুপণ তৌদুনা নিংথৌপন্দা সেবা চৎলরুবা মতমদদি চৎলে অদুম চংকম থোক্লবনিনা সম্প্রদায়গী ওইবা গ্রন্থশিংগী অধ্যয়ন অধ্যাপনা। হৌথি কীর্ত্তনগী শিক্ষাদীক্ষা তুংইন চর্চ্চা অমসুং অভ্যাস। শা লানগী খুংগু খুংলাই তম্বা, মন্ত্র যন্ত্র সাধন তৌবদ থংলম্বা লৈবাক ওইথি তন্ত্রা অধ্যাত্মবিদ্যাগী কেন্দ্র, কীর্ত্তনগী ক্ষেত্র। মিথিলাগী নব্যন্যায়না গৌড়দা অনৌবা নাংথিবা শক্তম অমা লৌথিবগুম লৌরথি গৌড়গী বৈষ্ণবধর্ম্ম, বৈষ্ণবকীর্ত্তন মণিপুর সনালৈবাক্সিদা অনৌবা শক্তম, অনৌবা মনীংথি।

গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়না অতৈ বৈষ্ণব সম্প্রদায় মপূং মশাখিক্তগী হেনবা অমা লৈ। পোকথি সম্প্রদায়সিদা ভক্ত ভাবুক ভক্তকবি কয়া থোই-থোইবা ভাক মথং মথং মরোল মরোল। মশীং থাঙমদে। মথোয়না শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যদেবগী বাণী পরেং চুম্না লাচনবদ নক্তনা বাণীশিং অদুদা থুপ্নিবা দর্শনগী ধর্ম্মগী লুরবা তত্ত্বশিং কুপ্পবা, লুরবা ভাষ্যদা মচা তানা তানা পান্দুনা সাধারণ জ্ঞান্না তরাই লাম্বা, খূনবা ওয়বা নীংথি নীংথিজবা, যুগ পূম্বগী ওইবা লাইরিক কয়া কয়া পুথোক্লম্মি; পাম্মোক্লম্মি রসকাব্য কয়া কয়াদা ভাবুক ওইবা থম্মোই খূদিং শুম্নবা তরাই। অঙকপনি ভাবুক ভক্তশিং অসিগী কৃতি: পুথোক্লম্মি অঙাংগী ব্যাকরণফাও নাম কীর্ত্তনগা মরী লৈননা থোইথোইনবা। সূত্রবৃত্তি

পূম্নমক ঈশ্বরগী বিষ্ণু, কৃষ্ণ, নারায়ণ, হরি, কেশব, গোপাল, মধুসূদনচিংবা নাম পাম্দুনা ইরম্মি নীংথিবা হরিনামামৃত ব্যাকরণ। তন্নম্মি অসুম সম্প্রদায়দা, ভারত পূম্বদা খোইথোইবা খূদোল মশাং নাইদবা, মমল লৈতবা লাইরিক্কী পরেং। কল্লিবনি ভারতকী সাহিত্যমন্দিরদা কাহুপ পরেং অমা চাউরবা। পাক্নি কনানা লোইনা লাইরিকশিং! পূনশিনা অহুম মরোইথিবা লাইরিক্লা অহুম মরৈহৌবা তারবনি মশানা অহুম।

বৈষ্ণবগ্রন্থগী অধ্যয়ন অধ্যাপনাদা লৈবাক্লিনা থুনা হায়শিনথিবা, অধ্যাত্ম-বিদ্যাগী নাংথিবা অনৌবা কেন্দ্র অমা ওইনা চোংথোকথিবগী মরম লৈজবনি অহুম চাউনা। গোবিন্দনিরূপণগী মমাঙ চহী চহুম্রোমদগীনি লৈবাক্লিনা বৈষ্ণবধর্ম্মগা শকথঙনরকপা। হংস, ব্রহ্ম, রুদ্র, চতুঃসন সম্প্রদায়গী শাখা প্রশাখা কয়া মথং মথং হাজিন্নরকপন. মথোয়গী দর্শন, ধর্ম্ম, রীতি, নীতি, ভজন, পূজন লোইনা চুরক্লবনি থর থর অহুম। অসিসু অসিনি, লৈরি অতৈসু-কয়ানি। মশক নাইবা সাত্বিক পুরাণ থরসু লাক্লবনি হায়নবু অহুম। মৈদিঙু থাগেম্বা সনা হাক্তক্তা লাক্লে তখেল (ত্রিপুরা) দগী সাত্বিক পুরাণ অথোইবা শ্রীমদ্-ভাগবত। মহারাজ গরীবনিবাজ সনা হাক্তক্তা থোমজিহক্লে অনূক তেখাউ (আসাম) দগী পুরাণসিগী দশমস্কন্ধ। সনা হাক্তক্লিমক্তা লাক্লে ব্যাসগী বাল্মীকিগীমক নত্রবসু রামায়ণ, মহাভারত। কৃত্তিবাসাগা গঙ্গা-দাসীগনি। লাক্লবনি চৈতন্য সম্প্রাদায়মক্সু। রামানন্দীগী যুগ ওইবনা অহুক থুপচিনবগুম তৌবদনি। চোংথোক্লবনি অহুবু রামগোপাল বৈরাগীগুম্বা সিদ্ধবাবা।

জাতিসি দেবযোনি ফুংগানি। চৎলি সাংখ্য যোগ দর্শন অনী। নীঁঙি পুরুষ প্রকৃতি— জগৎকী মপা মপা অনী, কৌই মথোয়না জগৎ পোকপবু গুরু, জগৎ পোকপীবুনা লৈমরেল। অতিয়াবু গুরুগী শক্তম্নি পুই, পুই মালেম্বুনা লৈমরেলগীনি। হুমিৎ মিৎনা উবা লাইনি, গুরুগী মশক্তি, গুরুমক্তি লোই। মথোয়গী মার্গনা যোগনি। দীক্ষা গুরুগী লমজিং মথাদা ছায়াব্রহ্ম সাধন তৌবা, ছায়াব্রহ্মগী শক্তিনা কুণ্ডলিনী হৌদোকপা, কুণ্ডলিনীগা শক্তিনা চক্র লোইনা ভেদ তৌবা, পুরুষ প্রকৃতিগী মিলন, মিলন আনন্দগী শরুক য়াবা অসিনি মথোয়গী সাধনগী পান্দম। গোড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী শরণি গুরু, সখী, মঞ্জরীগী

চং লিবত্নগা পরেং অমত্তনি। অনীসিগী অমবু নীংথিনা থওলবদা অনীমক থওন্দি মশানা অত্নুম তারবনি। লাইশক লাইমিংগদা অত্নুক মথেন্নবদনি থরদং।

মশাগী নীংথিবা কৃষ্টি লৈজবা জাতিয়া ওইবগা উপাসনাগী সাধন মার্গনগা অক্না ওইনা তৌবগা লৌশিনবদা কোম্বা, অধ্যয়ন অধ্যাপনাদসু ব্রায়শিনবদা থোইনা লুদবা ওইনা অত্নুম মতাথিবনি। লুপথি অত্নুনোং সাত্বিক আনন্দদা পূমতাউ তাউ ব্রাহ্মণশিং অপাল অপিল কোঙ্গায় অধ্যয়ন অধ্যাপনাদা। চোংথোকখি ব্রাহ্মণ থওদে অপাল অপিল থওদে পণ্ডিত কয়া। লৈবাকনিংথৌ পন্না টোলমক লিংবা তৌরবসু পণ্ডিতশিং অত্নুগী য়ুমথোঙ খুদিং ওইথি অত্নুম নীংথিবা টোল অমমম। য়েনখি বিদ্যা অয়ুক হুংথিল য়ুমগী টোলশিংহুনা ব্রাহ্মণ, অপাল অপিল মচামশূশিংদা অয়াম্বা।

বর্ণ মশক হেক থওবদা তম্মি ব্যাকরণ। তম্মি সাহিত্যনা হিতোপদেশ পঞ্চতন্ত্র। শোয়বা য়াদবা লাইরিক অমনা নিত্যাচারনি। ব্রাহ্মণমচাশিংদি নিত্যাচারগা কোন্ননা পূজা পদ্ধতিসু তম্মি। মতাং অসিদগীদি ব্রাহ্মণ মচাশিংগা থৃায় অতৈগা লম্বী থায়নরপ অত্নুম মচৎনরে। ব্রাহ্মণমচাশিংদি ভাগবত তম্মি —তমদবা, হৈতবা য়াদে। একাদশী, থাশি, থানিন্দসু মেরা থাবুম চুঃদসু অপাল অপিলশিংনা ভাগবত শ্রবণ তৌনৈ। দশাহ মতুংদসু পেন্গীনা মুক্তিগী লৈহৌরিবশিংগীনা পূর্ন্নাংগী শান্তিগীদমক শ্রবণ তৌনৈ। অঙম্বসিংনা শ্রাদ্ধদনি হায় সাম্বৎসরিক শ্রাদ্ধনি হায় নত্রে অনীমক্তনি হায় মশা মশাগী সামর্থ্য মতুং ইন সম্পূর্ণ পাঠগা লোয়ননা ভাগবত পূজা তৌই। সপ্তাহ কৎপসু য়াংপা নত্তে। পৌরহিত্য, পঠন পাঠন্নচিংবা পূন্নমক্তি মথোয় ব্রাহ্মণগী মথৌনিনা য়াম্না নীংথিনমক নত্রবসু থবক পুবা য়াবা, ঙম্বগী থাক মথৈ ফাওদি হৈতবা য়াত্রবনি মথোয়দি। তম্মি অত্নুনোং ভাগবত, ভাগবতনা মপুং। থৃায় অতৈনা তয়ে গোস্বামীশিংগী লাইরিক্কা, বৈষ্ণবকবিশিংগীনা মপুং। রূপগোস্বামীগী ভক্তিরসামৃতসিন্ধু, উজ্জলনীলমণি, সনাতন গোস্বামীগী বৃহদ্ভাগবতামৃত, বৈষ্ণবতোষণী, হরিভক্তিবিলাস, বৃন্দাবনদাসগী চৈতন্যভাগবত, রঘুনাথদাসগী চৈতন্যাষ্টক, শ্রীজীবগোস্বামীগী ষটসন্দর্ভ, কৃষ্ণদাসগী চৈতন্যচরিতামৃত, গোবিন্দলীলামৃতনচিংবা কয়া কয়ানি তম্নরিবা। রসকাব্যদা ললিতমাধব, বিদগ্ধমাধবনচিংবা কয়ানি। রামায়ন মহাভারত, ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণ, উৎকলখণ্ড

গর্গসংহিতানচিংবা কোঙায়মস্থনি তম্নরিবা। কনানা থাবা শুম্লুনি, লাইরিক্কস্থ লৌইবা লৈভবা, মীগী রুচিনস্থ পথেল অতুম মথেম্নবা। ৱাৎলিবনি থারিবসিদা অমুকস্থ পরেং অমা অচৌবা— বৈষ্ণব পদাবলীনি। অহিং চুংথিল অনাগী লীলা পরেংগী— নিত্য অমস্থং নৈমিত্তিক, চৌষষ্টি রসগীস্থ অতুম তম্নরিবনি কোঙায়মা ইশৈ তৌবা কাওবুনা থঙনীং হৈনীংবা।

অধ্যয়ন অধ্যাপনা অসিদগী পোকথি পাঠকী পরেং কথকী পরেং। পাঠকশিংনা ভাগবত নীংথিনা নৈনৈ। অপাল অপিলশিংগীদা একাদশী পূর্ণিমা অমাবস্যাদস্থ মেরা থাবুম চুপ্পস্থ শ্রবণ তৌনৈ। পাঠকশিংন' পাঠগা লোয়ননা ভাগবত্তা থুপ্লিবা তত্বশিং গোস্বামীশিংগী অতে বৈষ্ণব আচার্যাশিংগী মত মতুং ইন শ্রোতাশিংদা নীংথিজনা ব্যাখ্যান তৌই; ভাগবতকী গুণ অমস্থং মাহাত্ম্য শকই, ভাগবতকী শিক্ষাদীক্ষা প্রচার তৌই। লৈকাই লৈকাইগী অপূনবা ওইনা মেরা থাদদি থাবুম চুপ্পা মন্দিরশিংদস্থ ভাগবত শ্রবণ তৌই। অসি নত্তবা চুম্নগী মূল পাঠদ তৌবা পরেং অমস্থ শ্রাদ্ধ, সপ্তাহনচিংবদা অতুম চৎলি। শ্রোতাশিংদা ভক্তিভাব অতুম মপোক্লে। ভাগবত নত্তবা চৈতন্যভাগবত, চৈতন্যচরিতামৃতনচিংবগী পাঠদি পাঠক অমা কথক অমা অনী চঙি। লাইরিক থীবা লাইরিক হায়বা কৌই। লাইরিক থীবনা মূল ছন্দ পান্দুনা শকই, লাইরিক হায়বনা গোস্বামীশিংগী অতে বৈষ্ণব আচার্য্যশিংগী মত পান পান্দুনা অর্থ হায়, ধর্মগী গূঢ় তত্ত্ব ব্যাখ্যান তৌই, অতুনা ভাষ্য তৌবা হায়না থঙনৈ। মথোয়সি নত্তবা কথক পরেংমা লৈরি, ৱারী লীবা কৌই। মথোয়দি রামায়ণ, মহাভারত লী। চুম্না লীবা নত্তে, রস তরাগা হুমদোইগী মূর্ত্তি পুথোক্লুনা শীবনি, ভাবুক পূম্নমকী, থুপী নিপা অভাং অহল লোইনমকী মথম্মোই অতুম হেক্ত শুম্বনি। লাইরিক থীবা হায়বা, ৱারী লীবা মথোয়শিং অসিদি ব্রাহ্মণশিংদগীবু হেন্না সমাজদা ধর্মগী শিক্ষা দীক্ষা পীবা ধর্ম প্রচার তৌবা ঙাক্লি। লাইরিক থীবশিংনা রস রসগী মতুং ইন ধীর, দ্রুত, বিলম্বিতদা অনেম অৱাংনচিংবা থোম্বাং শুনা থীরকপা তুংইন লাইরিক হায়বশিংনা চপচানা চৎলকপা— অতুমক্তনা থম্মোই থূদিং অতুম শুম্নবনি, মথোয়গী বাণী অমৃত ওইনা অতুম থোক্লবনি। ৱারী লীবশিংগী ৱাস্থ অসিগা অমত্তনি। মথোয়না মিৎনা নানা থূংনা শানা থোহ্লায় থোলাউ থোম্বাংনা অৱা হুণ্ডাই হুংশি হুঙোলনচিংবা রসশিং পান্দুনা লীরকপদা লৈক্লনি

কনা মুন্দবা ! অঙকপা গুণনি মখোয়গী, হাল্লবনি অতুম লোইনা মখোয়গী বাঙাং খোনফম খুদিং পুক্কা। শম্না, মখোয়সিমক্তি লোককল্যাণগী শিক্ষাদীক্ষা পীগে মতা ধর্মনা মুত্তি পান্দুনা চোংথোকপগুম্বনি।

লৈরি অসিদা অমস্তু পঙ্গাউনি। পূং ইশৈগী পরেংনি। লাইরিক লাইশুগী পরেংদি লম পঙ্কনবু কন্দে, ইম্ফাল ময়েল থরদংদনি। মীশকস্তু অথন্নবা মতানি। ব্রাহ্মণ অচৌবশিংগী মচামশ্, অপাল অপিলশিংগী মচা মশ্, লৈবাক্কী ওজাগুরুশিংগী মচামশূনচিংবা পরেং থরদনি। অকোনবগী পরেংসিদি খ্য়াম লৈবাক্কী ওইনা তৌই। লৈবাক্কা অচৌ অপিক, অনেম অৱাং অয়াম্বা থরদবু ওইরবস্তু কাবক মপূং অমা ফানবু ওইরবস্তু পূং ইশৈ তৌবা ঙাক্নি হায়বদা লৈবাক্কী ফিদমগী রাকম অমনা লান্দে হায়বা অতুম তাকই। নীপা ওইবা অমনা নাম সংকীর্তন মতেক অমা পুরক মতেক অমা পুবা ঙমদ্রবদা মী ওইনা পাল্লুবগী করি কান্নরিবা হায়বসি চাস্থাং অতুম মচৎনবনি। ঙসিগী সমাজদা লাইরিক ময়েক খিত্তুংদং ওইরবস্তু চৎপা পান্নবা, চংনবা-হোৎননবগুম্বনি।

কার্তন নব্যবৈষ্ণবধর্মনা পীনবনি। ঙসিদি চহী চা মঙামুক হায়রক্লে লৈবাক্নিদা নব্যবৈষ্ণবধর্মগী ঈথৈ অমা লাকখিবা। মৈদিঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তুনি। সনা হাক্কিনমক্তুনি ঙসি নিংথৌ পন্দা নিংথৌরোল মথং মথং সেবা চৎলক্লিবা বিষ্ণুগী স্বর্ণবিগ্রহ মচা অপিথক অসিনা লেঙলকখিবা। ভগবদ্ ইচ্ছা অমদগীনি খঙদে সেবা চৎখি নাংথিবা ব্রাহ্মণ অমনা। ভবানানাথ কৌই + শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা গৌড় ভ্রমণগী মতাংদা ভাগবত পাঠ ঙজবদগী ভাগবতাচার্য্য হায়বা উপাধিনা চানবিখিবা বরাহনগরগী রঘুনাথনা পোকপনি। হয়গ্রীব উপাসক্নি। মশামক্সু নাতি নিয়ম কায়দনা চৎপা সদ্ব্রাহ্মণনি। মহাক্কা নিত্তি সেবাদা হৌদোকখি কীর্তন। য়োক্তেক অমা য়াল য়োক্তেক অমনা য়ৈ শকখি জয়দেবগী দশাবতার হৌদোকখি অস্তুম কীর্তন। জমিখি কীর্তন, হেনখি অস্তুম নোংমনোং। কৎলকখি নিংথৌপন্দগী পূং অমা। পূজারীগী মরাস্তু লৌহ্লনা লৈবাক্কী পূং অমা তম সাবনি। ঙসিগী অরিবা পালাগী পুংসিনি। লাকখি অতৈ বৈষ্ণব সম্প্রদায় কয়া। তন্নখি কার্তন্দা মখোই মখোইগী থোক-থোকপা শরুক অতুম। পূং শেন কোম্নবা কীর্তন, সংকীর্তন্না হেক পোকখিবমক্তি তুম্বী চরাইরোংবা সনা হাক্তুনি। সনা হাক্তুন্নিদনি লৈবাক্কা বৈষ্ণব সম্প্রদায়

তশেংনা ত্তিনবা হৌবা। সনা হাকচক্লিদা লাকখি ব্রাহ্মণ অমা, উৎকলদগীনি, নিমান্দীনি। বনমালী রায় কৌই, মশাগী ইষ্টদেবতা মদনমোহন কোন্নকই। মাগী মগুণনা নিংথৌনা মহেন্দ্রা গুরুহরণ তৌই, তৌই কৃষ্ণমন্ত্রদীক্ষা। বিষ্ণু-মন্দিরগী থৌগল পালা অমা লিংঙি, ঝাল পালানি, লৈবাক্কী সংকীর্তন অহানবনি। মন্দিরগী মোইরুং থৌগল্স তৌই সনা হাকচক্লিদা ঝাল হৌদোকপগী ঈরোয়ননা অতুম। মথংগী নিংথৌ মৈদিঙু ময়াম্বা সনা হাকচক্লিদা রামানন্দী ধর্মনা লৈবাকনিংথৌপনগী ধর্ম ওই। শান্তিদাস রামায়েতনি, শ্রীহট্ট নরসিংহ টিলাদগী লাকপনি। মহাক্না সনামাঙদা রামায়ণ হেক হেক শকই। রামা মপাগী ব্রাশক ঙাক্লবা চহী তরামরিগী বনগী অরাবা খোঙভমদা করি নাচুংবা তৌরুদ, সিংহা-সনগী হুঙাইবা অপূম্বদা করি মিহৌ মিতাবা লৈরুদ, উকু শেং জটা পু তরাই বনগী খোঙশানবা তারকপ, মহাক মশানদি সিংহাসনগী নোংথাঙ চারবা মপাবু তরাই তামা লোইশিল্লবা— লাংখি মথমোই অনুতাপকী পুঙমদবা মৈশা অকনবা। চিংখি হৈন শান্তিদাসনা নিংথৌগী সনা পূক্লীং। "ভগবান্দি নাম্নি, জগংকী ত্রিতাপ মাগী নাম্না কোইক্লে হায়তুনা ভগবানবু রাম কৌখ্রবনি ঋষি-শিংনা। রমন্তি যোগিনোইশিংনিদি রস ঘঞ। সোনবিসি মহারাজ রামনাম— কোক্কনি পাপ, ঈঙনি থরোই।" নিংথৌ লৌখি রামমন্ত্রদীক্ষা, নিংথংখি শ্রীমূর্ত্তি, লিংখি থৌগল পালা। পালা কার্ত্তন ঙঙগী পালা কার্ত্তনগী চঙদা কান্না রূপা, কীতনা রাধা, ঠাকুর শ্যামা, প্রেমানন্দ, খেলেম্বা, তেনশূবা, ভীম্মোনচিংবা ওজাশিংনা পানথৎপনি। চঙগী মতুং ইন থোনখি বঙ্গদেশ। অতুবু লৈবাক্কী মফম মতম মতাংগীম্ব ওইনা মওং থরদি পূংদা শেন্দা শৈশক শৈদানচিংবদা চঙ্খিদবা নত্তে, চৈগোক্তগীবু অতুম মচঙলবনি। হৌজিক্তি, মহারাজ গম্ভীরসিংহ সনা হাকচক্তগীনি, লৈবাকচাবা, সেবক হায়না অনা চৎলে। লৈবাক্লিগী অহানবা পালাকীর্ত্তন ওইবনা পালা অনৌসি অরিবা পালা হায়না নম্না অতুম মচংলি। লাকখি মথংদা রাধাভাব কীর্ত্তন, ঙসিগীনা নটসঙ্কীর্ত্তন। মহারাজ জয়সিংহ সনা হাকচক্তনি, শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক্তা রাসগা কোন্ননা কৎখিবনি। চৌং-থোকখি তন্না থুরায়, ব্রাংথৈ, খুরাই, য়াইস্কুল পালা মরি; কাখি সনাকোঙ্গংগীগা থানা চৈশীং মঙা। সনা হাকচক্লিমক্তনি মহাধুমেনগী মরূ তাখিবা। রাজর্ষিগী সনা পূক্লীং মতুং ইন, ঠাকুর শ্যামাগী লমজিং মথাদা সেম্বা হৌখিবনি ওজাশিংনা

মহাধুমেনগী পূং পরেং। পোকথি চুপীগী পালা অমস্থ— য়াসেশ্বরী, নীপাগী পালা মথল অমস্থ— য়াউশংগী হোলী। কীর্ত্তনগী চর্চ্চা, কীর্ত্তনগী অভ্যাস চংশি, চথথি কন্না অহিং-চুংথিল। নিংথেমতোন (চৌরজিৎ) সনা হাক্তক্তা পানখংথি মহাধুমেন, কংথি মবাইবুঙো নোংমাইথেম্বা পুম্নমগী শ্রাদ্ধদা। পূংয়েবা মশাংমক্তি চুকাংথিদে, মথংগী নিংথৌ ময়াংতাবা (মারজিৎ) সনা হাক্তকদি সুখি অদুবু তন্না অদুম। নিংথেমতোনগী সনা হাক্তক্তা লাকথি চপকীর্ত্তন। গোস্বামী কিশোরদাসনা হৌদোক্লবনি। পোকথি কীর্ত্তনিদগী চপ পালাগা চৈতন্য-সম্প্রদায়গা শম্নগা অদুম। পোকথি সনা হাক্তক্লিংগ ভক্ত থোইথোইবা দীন রসানন্দ। গাথক্লি, গায়ক্লি, মহাকথক্লি চংথিবা কীর্ত্তনগী শৈশক্লা দেশীদ দেশী।

দীন রসানন্দ—

অথাম শাগৈদা পোকপনি। কায়নৈ নৌনা, চহী মঙাদা, মমা মপা অনীমক। বিধাতাগী তমথিবা শাপ অমা কোম্নদুনা লাকপগুম উই মশাদা। অদুবু, শাপ নত্তে শাপ ঙাক, বর ওইনা থোকপস্থ য়াওই কোন্নায়। অষ্টাবক্রগী শাপ তাথি ভগীরথদা নাংথিবা বর, তাথি অদুম অর্জ্জুনদা উর্ব্বশীগীস্থ। অসি-থিবিস্থ, অসিথিবিক ওইরে, বিধাতাগীস্থ অসিমঙায়। মার্কণ্ডেয় লাকপনি চহী তরাতরুক্তগী পুনশি পুত্নুনা— বিধাতাগী তমথিবা নোংদম। কংথি মপুনশি ভগবদ্ নামকীর্ত্তনদা, তৌথি কাল ভগবানবু জয়, কাওথি মিংথোম্না মুনি-পুনশিবা। নংসিংনরি মাবু, সোম্নরি মাগী নাম জগংনা ঙসি জম্মতিথি পুজাদা মশা মশাগী পুনশিগী। য়ানা নংনা হিংউ তোম্না তানা পাম্নু তম্নকপগুম লাকপা কোন্নায়নি জগংসিদা। দীন রসানন্দস্থ মথোম্নগী অমনি মশানা অদুম তাম্নবা, অমুক হায়রুনিঙায় নৈত্রবা। অদুবু বিধাতাগী শাপ অসে থোকথি মঙোন্দগী বরগুম। অবা অনং অতোন অতাশিংগী নৈ মীনা তরাই ফংঙমদবা গুণ অমা। মপুনশিগী অবাবা থোঙভমদা কনা উবক্তুবা চিদ চিম্নবা মতাংদা চঙৈজ হেক হেক মথোম্নদি ঈশ্বরগী থুম্নাথা, কচেচ তশেং মপুনশি মিংকী পিনা চাম, কংজৈ ভগবদ্ কৃপা।

> চতুর্বিধা ভজন্তে মাং জনাঃ সুকৃতিনোঽর্জ্জুন।
> আর্ত্তো জিজ্ঞাসুরর্থার্থী জ্ঞানী চ ভরতর্ষভ॥

অঙ্ক য়েংবা মীওং মরি নীংভি ঐবু য়োয়হে অর্জুন।
অতোনবমা খঙনীংবমা লন পাম্বমা জান লৈবমা।

লৈরিবসিনি ভগবদ্ বাণী। চঙজখি ঈশ্বরদা অঙাং ওইবা রসানন্দ, কৎখি মথল্লায় মহকচাং তুনা মথম্মোই, ফংখি তুংইন ভগবদ্ দর্শন।

রসানন্দ ইশৈ পাম্না হোই। অঙাং ইওই ওইনা ইশৈ তাবা চৎলি। অফংবা অনকপা ওজাশিং মনাক্তা ফম্মি। অত্তুল্লবস্ মথোয়না শকপা সোনবা তায়। শ্রুতবোধনি, হেক্ত ফায়। মাগী মতৌনা ওজাশিংনা ছুংশিবি, অতুবু নোংদম খীনা পোক্লকপনা মনীং খুংনা তম্বা ফংখিদে। মানা চঙজরুবা, মাবু চানবিবা ওজাশিং অমনীদি অত্তম খুরেমখৈ লৈখিদে। মথোয়দগী খরদং ফজ.হৌবা অত্তদনা মহাক্তী মপুনশিগী চেঙজেল ওইত্তুনা হিংবা তাখি—নীংবা খীনা কায়খি। চঙজখি ঈশ্বরদা তোল্লবা মপোক। নীংসিংলকই মতাংসিদা বিশ্বকবিগী ইশৈ অমা।

আমার মাঝে তোমার লীলা হবে,
তাই তো আমি এসেছি এই ভবে।

শাম্লনবা নংনা লীলা ঐঙোক্লিদা,
লাকপনিদো ঐ লাকপনি জগৎসিদা।
শংলনি পোরোল কাঙলনি থোঙ্গী নাতৈ,
কোল্লনি লোইনা কোল্লগনি ঐগী ঐ।
তাহৌররোই ঐগী কোবা মচেৎমত্ত।
হে তম্লাম সিদা নঙ্গী জগৎ অসিদা।

হিংলনিদো ঐ শিক্লগা অতুদি,
শাম্লরনি নংনা লীলা ঐ'সিদদি।
থল্লনি লোইনা ঐগী অপাম্বা পূল্বা,
তিল্লনি প্রেমদা নঙ্গী অমত্ত চৎপা।
অরাম্বডাই মচু শঙলবা পুনশিদা
নংদনি লেপ্তোরিবা নংদনি নংদ।

কোনখি রসানন্দ গৌরাঙ্গবু মথম্মোইদা চেংনা, কাখি লোইনা অরা অনং, কংখি লোইনা মিংকী পি অখাকপা লৈতনা গৌরাঙ্গগী চরন্দা। হুম্বিং খুদিং লম্বা

য়াচঙবদা তুলসীবোংদা ভমজবা হৈ লৈ থরদংনা গৌরাঙ্গগী পূজা কংলি, মহাক্না হৈজবা ইশৈ খরদংসু লোইনা হেক হেক শক্ক্না মিংকী পিগা লোয়ননা সেবা চঙি। গৌরাঙ্গগী ময়াথং

ভক্তির সাধন সঙ্কীর্তন

হায়বদু চপচানা থোকখি মতোম্দা। যংথিবগুম তৌখি চৈতন্যদেবগী থৌজাল। থম্বিবগুম তৌখি মথম্মোইনা সাধনগী তত্ত্ব— ঈশ্বরনা সম্বন্ধ, ভক্তিনা অভিধেয়, প্রেমনা প্রয়োজন। চথখি পূজা অসুম কায়রা লৈত কনৌন্নংদা করিসুং। প্রেমগী মশক্তি ভগবান, পীনখি কৃপা ভক্তদা।

নোংম্য সন্ধ্যা তশুম তবুরা মতমদনি। রসানন্দ ধূপ থাউমৈ হৈ লৈনা কীর্তনগী মবুঙো গৌরাঙ্গদেবগী পূজা কং চঙলি ইশৈগী থৌগল ভাব জগন্ত্তা— মিংলু অনাদদি প্রেমগী ধারা। য়ৈরুম্বরা থহদে ভক্তগী ইশৈ প্রেমগী মশক ওইবা ভগবানগী প্রেম, মীওয় মশা খঙদে ভক্তগী শৈশক জগংকী তেংথাথোক্লদা তুংশিবা, ফাওংকখি তন্না ভগবান ভক্তগী মিংমাংদা পাথং অনীগী মশক লৌ। য়ুমগী মপু অমা ওইনা অরাকপা মীপুম থুদংমকপ্ ভগবানগী মশক্তি, মথোয় থাইগী সেবাবু ভগবদ্ সেবানি খন্না চংগা ভক্তনি রসানন্দ, ওকখি অরাকপা অনীতুবু তরাম। লংফেনি, য়ুমথুং থিরুকপনি হাম্বা ত্যাবদগী গৃহিণীদা পীখি তন্না পাউ; মশানা অতিথি অনীগী য়্যাথং লোরগা চথখি অতুম ইশৈ! সুনবনি মগীং, কায়বা য়াদে মাগীদি— কায়দে, থরু, শিঙ্গাংনি। ফমধে অনতুস্থ অতুম, তায় ইশৈ অনীমক তুংশিনা য়োয়োন। লোইরে থোগল। হৌরকই ব্রারী অরাকপা অনীতুনা তন্না অতুম—

অমা— ওজাগী ইশৈ তুংশিগ্রে, লৈরিব্রা অতৈ!

রসানন্দ—লৈজদ্রে লোইরে।

অনীস্বরা— এথোয়না ইশৈ তৌবনি, শক্কে তাসি।

হৌখি ইশৈ, শকখি অনীমক্না থোঙ্গেল অমত্ত ওই। শক্তি ইশৈনা ইশৈ, তৌরি আলাপ রাগনা রাগগী, পুরি তালনা তাল, চংলি লয়না লয়। শিকথরি, শিঙ্গরি, চুথরি, হৈথরি রস। চুপ্রি রস রসানন্দ, মন্যাকোং থ রা, রক্ষে অনাকোং য়াস্নিং

অনীমক থ্মা— মনাকোংনা ইশৈদা, মমিথ্না মশক্তা। থঙজদে মশানা মঙলি মশা মঙ, মঙদা মঙলোন। থঙকমস্ থোক্কে তাইবং মঙফাওনদ্রিবৈঙে।

মতম থর নৈশিল্লপ তৌরে। গৃহিণী করিনো ঙকই, মপাল থোরক্কুনা য়েংঙি— অঙকপা মজলিসনি, অতিথি অনাগী সুংশিবা মশক, সুংশিবা ইশৈ, মপুরোইবগী সাত্বিক বিকার— মৃল্লি মথম্মোই, থৎপা ঙমদে মরে। উইথৈ থঙদনা উইথরু থবেক চিং মঙফাওনরক্রুম নীংসিংলকখি ইমুং, চম্খি থবকী চৈথানা কনবনা মথোঙ থাঙেম থাঙমদনা অড়ম। থনবদি থনখি করিনো মওংমনি। লোইবা য়াবা থবকমথৈ লোইনা পরপ পরপ লোইশিন থঙ্গী নাতৈ থিত্তুং কাঙ য়েংখি কৃষ্ণে, তাখি ইশৈ সিদ্ধশিংদনা তাবা ফংনবা।

হৌথরে লোইনা অহিংগী পৃঙ্গোয়, লাক্লে নিশান্ত, হায়রকই অতিথি অনা "নিশান্ত লাক্লে, চংলগে ঐথোয়, মা উনবা য়াদে, তাঙোথো অমতুংগা", শক থ শ্যাম করা। লোইবগা "থোঙ্গান্দা মা নৈরে, কৌশিল্লু" হায়। রসানন্দ মঙ ওই হা ওই থোঙ্গাল্লোম থোঙভম থর থাং লাউরকই "কনা লৈ থোঙ্গান্দা, লাউ সিদা।" ওইরম্লে গৃহিণী—লুম্ন্বনি অনাঙ্গী লক্ষ্মী।

মাঙ্খে তাল্লক্মিদা অতিথি অনা, লৈহৌরে অঙ্গগন্ধদি—পুষ্পচন্দনগী সুংশিবা মনম। তাকখি তুমিন সুংদগী মথম্মোইনা "লেঙলরুম্বনি গৌরনিতাই।" ফাওখি তন্না রসানন্দদা সাত্বিক বিকার— স্তম্ভ (তুমিন চুংবা), স্বেদ (হমাং কাবা), রোমাঞ্চ (কুজুংবা), স্বরভঙ্গ (থোন কাইবা), বেপথু (হকচাং নাকপা), বৈবর্ণ্য (কুচু তাইবা), অশ্রু (পি তাবা), প্রলয় বা মূর্চ্ছা (রাম্থবা)—তাখি কুইনা লৈমায়থক।

রসানন্দ ফংখি অসুম ভগবদ্রূপা। হৌদোকখি তন্না লৈবাক্তা কীর্তনগী শৈশক পরেং অমা। লৈবাকী অশৈবশিংনা আ এহেল্লোইভেদগী পেনাদা পান্নুনা শক্ররকপা শৈহৌ অতেনবা তক্কক, অশাংবা তক্কক কোন্নবা নাহেরোল হুই-কপলোল, শিকপলোল, জাতি, লম্বিন, হিরী পাবোৎ, হিরী থাংয়ে কোবা লৈশক তরেত্তা মপূং ওইনা তোং সেমখিবনি। গোস্বামী কিশোরদাসনা থীনা য়েংখি। লৈবাকনিংথৌ পন্দা গোবিন্দগী অগ্রদা পীনবা মাখি পরীক্ষা মখোয় কীর্তনে অনী। শকখি রসানন্দনা হান্না। মহাকী রাগদা পাইশিল্লকখি কাকয়েল অমা ইথঙ থঙহৌদনা, তোংলৈ মরেংবান্দা, তারৈ ইশৈ রসানন্দগী মমাম্ন চেপ্লা

য়েং। ওক্রথি লৈবাকনিংথৌ, তৌথি জয়ধ্বনি শ্রীগোবিন্দগী। থিখিদে রসানন্দ মশাদি। কংথি অহুম পরাজয় কিশোরদাস ! চৎথি অসিনোং ময়য়াই শৈশক পরেংমা ঐথোয়গী নট সংকীর্তন। মুৎথি মার্গ চৎথি দেশী।

পরম্নী ভায় অমত্তংদগা লৈরি অসিদা দীন রসনান্দগী। চুম্লদ হৈবা নত্তে মাদি ইশৈ, রাগসিন্ধনি। মহারাজ লক্ষ্মণ সেনগী রাজসভাদা, তায় ঐথোয়না, বৃচ্ণমিশ্রনা পঠমঞ্জরী রাগ শকপদা মনাক্তা হোৌবা সনা থোংনাংমা কেল্লি লোইনা তক্লা মনা, ভক্ত জয়দেবগী ভালোয় পদ্মাবতীনা গান্ধার শকপদা ইশৈনা য়োবা গঙ্গাগী থোঙক্সুংদা ভাবা হি মথৈ অমত্ত চিথবা লৈতনা লাকই রাজঘাটতা লোইনা, ভক্ত মশানা বসন্ত শকপদনা মনা কেল্লবা থোংনাংড়ুদা চোংখি য়েন্নীং, ফায় তন্না নারেপ। তায় অমুকন্ত ঐথোয়না বাদশাহ আকবরগী দরবারদা তানসেন্না দীপক শকতৈ হোৌই মৈ। দীন রসানন্দগীস্ত অতুম মহায়নৈ।

কুম অমা ঈশিং থীনা তাঙ শিনৈ লৈবাক তোরা ভুনা। ব্রাহ্মণশিংনা ঘণবী চাম্বনীপালগী মথোয়া শ্রীগোবিন্দগী পূজা কৎলি— কায়দে। নীংসংবৈ ভক্ত রসানন্দবু লৈবাকনিংথৌ পঙ্গা। শকথি ভক্ত মেঘমল্লার। হিতগাংদনি, হিয়াঙ হিরেল মক্সুংদনি। তাথি, চুথি, হৈথথি নোং--কোকথি লৈবাক্তী অরাবা।

ময়াং তাগা (মহারাজ মারজিৎ) পঙ্কই কুইনা পানথিদে। অরা লান-গায়বনা হানথি। অত্তবু তৌরম্মি কীর্তনগী ক্ষেত্রদদি অবদান অচৌবা অমা। ভাংবা ইরাবত্ত, অথা রঘু সনা হাক্তক অসিগী অকাওবা কীর্তনেনি। মহারাজগী সনা পুক্লীং মত্তুং ইন ওজা অনীসিনা পুথোকথিবনি নিতাই ধুমেন।

মহারাজ গম্ভীরসিংহ সনা হাক্তক্তা লাকথি বঙ্গদেশগী রাজ্জ অচৌবা অমা। লৈবাক্লা এটদা লুপথিবনা পালাসি থর তুকথরপ চৎলুরে। অত্তবু সনা হাক্তক অসিদা সেবক, লৈপাকচাবা হায়না অনী থোক্তুনা নৌহোৌনা সেম-গৎথি। মপাবুং মহারাজগী সনা পুক্লীংনা পামথিবা মত্তুং ইন সাত সম্প্রদায়গী অপূনবা শক্তম চাউরাক শক্লা ইশৈ হনবা, চুহার তরেৎ তরেৎ থম্লগা মথোর ইশৈহনবা তরেৎপুনা শ্রীরাগ, গান্ধারী, স্বভগা, গৌরী, কৌমারী. বেলব্রারী, বৈরাগী রাগ তরেৎসি মথং মনাও কায়দনা মথং মথং শকহনবনচিংবা সেমজুনা বঙ্গদেশ ধুমেন পানথৎথি। লৌথি অহুম মহাধুমেন থোইথোইবা শক্লোম্নি অমা লীংথিবা।

লাকখি মথংদা মফম্গী পূজারী, ধর্মগী মশক ওইবা মহারাজ নরসিংহ। ধর্মনীতি, রাজনীতি— অ. মস্ত সনা সিংয়েং থম, লৈবাক্নিংথৌ পনগী চংনবি ফিজোল্ কায়দনা লৈনা সেম, হৌদোক্লম্মি ঙসিগী কীর্তনগী ফিজোল। পুথোক্লম্মি নীংথিবা ধুমেন গৌরধুমেন। ঙজা যত্নাথনা সেম্বনি সনা পুঙ্গীং মতুং ইন। পোকখি জলকেলিসু— অপাল অপিল চন্দ্ররাশিংগী অনাসবা পালা।

মহারাজ চন্দ্রকীর্তি লৈতিং কনা পাম্বা নিংথৌনি। পানদম্ম ঈংনা কুইনা পাল্লি। সনা হাক্তম্মি জাতিগী মরম পূম্নমক চাওথংলু মশং মতাং অমনি। লাইরিক লাইঙু, পুং ইশৈ, জগোইনা শিংথু লেম্না চংশঙ্গন লৌই। লাইরিক লাইঙুগী থওদে, পুং ইশৈ, জগোইগী থওদে, ঙজা রাজে— মশং কায়, মশংনা কয়ানি মপানগীনা কোঙ্গায়নি। চোংথোককই তুংইন শীথোককনা কয়া, মগুন লৈবা কয়া।

মশক নাইবা ঙজাশিং কোনাশিনা য়াবমথৈ কোনশিন্নবা সন পালা অনী থোকখি। গুরু নিত্যানন্দগী পালানা পালাইন, কটবাল থাম্মোকপগীনা পালা নহা হায়না চংখি। লম্ লুম্ফ মথি কাংলখি, মেল লুম্ফ মখি লৈখি। মে ইশৈ মেলশিংসু পালশিংসু কাংলে। পোকখিদনি দেবা ধুমেন্দ্র সন হাক্তম্মিদা। ঙজা যত্নাথনা মহাপ্রভু সংকল্প ঠাকুরা সেমখিবনি। পুথোকখি ঙজা শঙ্খম রাজমেল চোলোম। সনা পুঙ্গীং মতুং ইন্ননি। ইহকখি নবাক ঙজা চন্দ্রপ্রোক-চান্দী রাজমেল চোলোম অহৈবি। লাকখি তুংইন ঙজা খোংজাইনচিংবগী জুহাবগী চোলোম মথন মথন ফজনা নাংথিবা ঙাক। কাখি অতুম মপা মইর নটগী চোলোম, শৈশি শাদ নাটা নটসংকীর্তন।

সনা হাক্তম্মি মণিপুর চংলি শক্লোন অনী। শক্লোন অসন বিদ্যাগী কেন্দ্রনি। তম্মি ব্যাকরণ, কোষ, কাব্য, অলংকার। চথে মথং অপাম অপাম্বা বিষয়— ধর্মগ্রন্থনা মপং। অমূক অমনা গীত, বাদ্য, নৃত্যগী কেন্দ্রনি। তম্মি গীত, বাদ্য, নৃত্য— চংলি পুংদবা ইশৈদবা অপাম্বা। ইশৈদা ঝাল কোয়বা, করতাল অচৌবরা মচারা কোয়বা, রামতাল কোয়বা, মন্দিরা কোয়বা কয়ানি। চোলোমদম্ম অতুম কয়ানি। পুংদম্ম অতুমডায়। পুং অরিবা, অনৌবা, খোল, ঢোলক, ডম্ফ, খঞ্জনি কয়ানি। লোয়ননা ঝাল করতালনচিংবগী মথং শাখেক্রচিংবা কয়ানি। অসিনম্ম লোইবা নত্রি লৈরি তপ-তু-তপকী ইশৈ,

তুম্বকু, পাথোয়াক্ত, তবলানচিংবা যহগী শিক্ষা, তালিম, পুংদগা কোম্ববা কীর্ত্তন মথল কয়াগীসু শিক্ষা, তালিম।

মথক্তা মতাং অমদা সনা হাক্তক অসিগী রাফম অমদা মতাংনা পনবু পনগ্রবনি। অধ্যায়ন অধ্যাপনাগী পরেং, কীর্ত্তনগী পরেং য়েংলুরগনা মণিপুর শ্রীধাম নবদ্বীপনি; মন্দিরগী পরেং, ভক্তগী সমাবেশ য়েংলুরগনা শ্রীধাম বৃন্দাবননি। শ্রীগোবিন্দনা গুপ্ত অমসুং প্রকট বৃন্দাবন তুনা ভানবনি। অওইবনি, অওইবমক্তি, মতমতুগী মণিপুর পূণ্যক্ষেত্রনি অথোইবা, ধর্মক্ষেত্রনি থোইথোইবা। ধর্মগী শিক্ষা দীক্ষা, পটনপাটন, শ্রবণ কীর্ত্তন, দর্শন পরশন পুম্নমক্তা জাতিগী পুনশিদা অধ্যাত্মজ্ঞানদনা মপূং ওইনা চংখিবনি।

জগৎকী মূলতত্ত্ব ওইরিবা ব্রহ্মদি অক্ষরগী মশক্তি। লৈ অতুনা ভগবানগী বাণী—

"অক্ষরং ব্রহ্ম পরমং ··· ···"

"ওমিত্যেকাক্ষরং ব্রহ্ম ··· ···"

কৌনৈ অতুনা ব্রহ্মবু শব্দব্রহ্ম, মাগী শক্তিবু স্বরাত্মিকা (স্বরগী মশক ওই), ত্রিধা মাত্রাত্মিকা (মাত্রা অহুমগী মশক ওইবী), অর্দ্ধ মাত্রাত্মিকা (মাত্রা তংখাইগী মশক ওইবী)। ইশৈ ব্রহ্মশক্তিগী মশক্তি, মশক্ষক্তি। চিৎকা মশক ওইবা ভগবানগী অংশ, সৃষ্টিদা প্রাণনা নাংথৈনা, থোইথোইনা মপূং কারবা মীওইবগী আত্ম—থম্মোইবু হুই অতুনা তরাই। ধর্মপ্রাণ ওইরবা বৈষ্ণবকবিশিংগী শেংলবা, লুরবা থম্মোইগী প্রেমভক্তিগী মপাউ, কীর্ত্তনগী নীংথিবা ইশৈশিংনা, পেনাথোম্না শামু, তৌড়িথোম্না শজি, তুম্বথোম্না লিনগুম্বা মতম শুম্মি তরাই হেক্ত মীওং খুদিংগী থম্মোই। চিংই মথোয়গী অতকপা শক্তিনা থম্মোই খুদিং ঈশ্বরগী মায়গেদা। মথোয়গী শরণ বন্দন, আত্মনিবেদনগী ইশৈন পান্দ্রবা থম্মোই নত্রবনি মাগীদি। অধ্যয়ন অধ্যাপনাগা ঈরোয়ননা পোক্ষিন্নরবা কার্ত্তনশিং অসিগা প্রেমগী মশক ওইরবা ইশৈশিং অসিগী মন্ত্রশক্তিনা মথবায় হাপ চৎথিবগুম তৌথি লৈবাক্নিদা রাগাত্মগা ভক্তি শংশংনা মুক্তি পাশ।

নোংভাক্লমদাই তু উরকপা মতমদা হৌরবগুম তৌই হুমিং খুদিং মীপূম খুদিংদা গোবিন্দগী মঙ্গলারতিগী ঈংলবা শরিক মথোম্না—

"এস জীব আমার সাথে
কৃষ্ণ দিব হাতে হাতে"

নীংসিংলবগুম তৌই অমুক থালারভিগীনা। থম্মোই নোংময় নম্রে নোংমদি ইল্লি অদুম।

উনরকই সংসার অসুম অসুম অৱাবদ অৱাবগী মশকুমনা, পুনরকই চুম্বোইনা মহর্ষিগী বাক্য--

সংসারো দুঃখমেব
(সংসার অৱাবগী মশক্মক্তি)।

ফাওরকপগুম তৌরকই হুংগী মিক্তা আনন্দগী মশক ওইবা ভগবানগী অনন্ত কালগী অথুপ্পা অনন্তলীলা হুচাইবা ; থোরাংনরকই চিরন্তন আনন্দ, নীংসিং-নরকই ভক্তশিংগী বাণী

নূনং বৃন্দাবনে রমো শৃগালেতং মন্যে।
(ঈশ্বরনা বৃন্দাবনদা লোকচগে লমহুই ওই)।

হিংখি—হিংনখি তুংইন তুংগী—আ তুংগীদমক ; হিংখিদে—হিংনখিদে হৌজিক হৌজিক্কী। পানখিদে—পান্নখিদে হৌজিক হৌজিক্কীদমক ; পানখি, পান্নখি তুংগী--আ তুংগী। ধর্মগ্রন্থগী অধ্যয়ন অধ্যাপনা, কীর্ত্তনগী পূং ইশৈ তৌবনা ওইখি লৈবাক্কী শিক্ষা দীক্ষা। নিপা ওইবা অমনা য়ামদ্রবদা লাইরিক ময়েক থিক্তুং চৎপা, পুং ইশৈ মতেক অমা শকপা য়ৈবা ঙম্বা, অদুগুম, নুপী ওইবা অমনা ইশৈ মতেক অমা শকপা শোনবা ঙম্বা অসিনা ওইখি সমাজগী শিক্ষাগী মিংয়েং, দীক্ষাগী পান্দম।

থোকপসু অদুম থোকখি তরাই। লৈকাই খুদিং, নিপা নুপী নহা অহল অয়াম্বা, চৎনৈ দর্শন মথোয় মথোয়গী মন্দিরদা সন্ধ্যা গৌড়া মতমদা, য়াই শরুক গৌড়ী থোগল। ওই অদুনা মন্দির খুদিং অঙাংশিংগী পুং ইশৈ তম্ফম অহানবা। লৈকাই লৈকাইদা ধর্মপ্রাণ ওইবা মীওইশিংনা য়াস, গোষ্ঠ, গৌর-লীলা হেক হেক কৎনৈ। পর্ব্বদিন লাক-লাকপা মতমদসু পুং ইশৈগী মীওই

কয়া কয়ানস্থ নিপা হুপী অঙাং অহল্লগী পালা, খুবাইশৈ কয়া কয়া লিংখৎনৈ। অতুদা মখোয় কয়া কয়া শুক্তা নাইনা তম্বা হৌই—হপ্পি। পীথোরকপা অঙাং-শিংনা চৎথ অতুদগী অতুম ওজাগুরুশিংদা মশক নাইরি। নিংথৌ ফুংগা থরগী চন্দ্রাশিংগীদি বাধাবু বাধানি ইশৈ হগোই। মরবা তাই মখোয়দি য়াই শরুক চহীগী পর্ব্বশিং, পর্ব্বশিংগী রাসযাত্রাশিংদা—কুঞ্জরাস, মহারাস, বসন্তরাস; জলকেলি, গোষ্ঠ রাসশংদনস্থ।

খোকখি অতুনোং পুং ইশৈ হগোইগী লৈবাক মণিপুর। ওইনস্থ ওইরি অতুম। হল্লি ভারতকী ললিতকলাগী জগত্তা পুং ইশৈ হগোইগী নংথিবা থোইখোইবা মথল মহেল কয়া তোপ্তোপ্পবা, মতম তামনতমনবা।

মতমগী শিক্ষা দীক্ষা

মতমগী শিক্ষা দীক্ষানা মমা লমথিবা মহারাজ গম্ভীরসিংহ মনা হাক্তুনি। অরা লালগী মণিপুর লেভি হভম হক্লিহবদস্থ অতুম লৈথখি। মখোয়গী মচা মশুশিংগী স্কুলগা লিংখি। লৈবাক্কীমক নত্রবস্থ স্কুলদদি মসিনা ইহান হানবনি।

লাকখি মথংদা লৈবাক্কী স্কুলমা। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি মনা হাত্তুনি। লৈবাকশিংগী পন্না লিংবদি নত্তে। কর্ণেল জোনষ্টোননা হংপনি। মিডল ইংলিশ স্কুলনি। লৈবাক্কা থোওইবিদবনা চাউদম থীবা হৈ লৈগুম কুইনা য়ৈশিন্দুনা চাউদম থীনা শিংনা হিংখি।

লাক্লে বৃটিশ আগল, সেন্নে অনৌবা রাজ সরকার, খ্রীষ্টগী কুমজা ১৮৯৩ দনি সরকারনা শিক্ষাগী থবক পায়খৎপা। অতুবু, চৎলিবা শতাব্দীগী অহানবা শরুক লোইনিং লোইমা তৌবকাও হায় স্কুল অমত্ত লৈত্রি। মরাং অসিদা অতুক লৈরিবা হায়ববু লাওয়ার প্রাইমারী স্কুল থর, অহার প্রাইমারী স্কুল অহুম, জোনষ্টোন মিডল ইংলিস স্কুল অসিদনি। আমেরিকান ব্যেপটিষ্ট মিসনগী কাংপোকপিদা স্কুলমা লৈজবত্নদি লৈজবা হায়বত্নি— মরম্মাইনি।

শ্রীইগী কুমজা ১৯২৬ তদনি হায়স্কুল অমত্তং চি লাউনা ফাওবা। একজামিনেশন সেন্টরদি কন তৃইনা ফংদে। চহীসিদা মেট্রিক পরীক্ষা থাবা ঐখোয় তরা তরক্নি। সিলেট গবর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা তাংজুনা খাই। অসিমক্তা মহাকগী শিক্ষা দীক্ষা মপাংগল পীনা লোইরি, মপাল শুককং ফত্রি হায়বা অদুম তাকই। অমত্রোমদনা', বৈষ্ণব শিক্ষা দীক্ষানা স্বতন্ত্রমক নত্রবস্থ সমাজদা মপুং চংলি হায়বা অদুম উংলি। অসিনোংগনি ঐখোয় কুনস্থবা শতাব্দীগী চৈকোল্লী মারোল থানা মাঙগুইংগ্রবা মুগগী ধর্মগী মপুং ওইনা চংলিবা।

মরিসুবা মতাং

ইশাগী শিক্ষা দীক্ষা

শিক্ষা গর্ভদা হৌই, মংদা লোই। অভিমন্যু গর্ভদা লৈরিঙৈ হৈরকই ব্যূহভেদ, খুগাইরে কুরুক্ষেত্রগী লান্দা দ্রোণগী চক্রব্যূহ। সংসার অৱাবগী মশক্নরি হায়বা ঋষিগী বাক্য, পুনশি দুঃখাস্ত লীলানি হায়বা কবিগী মপাউ খঙি তশেং মীওইবা মংদা, অমং য়াখোঙ কুম্বদা— চৎনৈ অদুনোং মীপূম খুদিং মিৎকী পিনা ৱাথৈরম ৱানা হেক হেক।

জগৎ শিক্ষাগী ক্ষেত্রনি, লৈমাক্লা কেন্দ্রনি, য়ুম্না কেন্দ্রগী কেন্দ্রনি। ফংনৈ য়ুমদা ধর্মগী জ্ঞান অমসুং চরিত্রগী পাংগল। অদুনোং চাউই, থোইথোইবনি মীওইবগী পুনশিদা য়ুমগী অবদান। ঐখোই ইমুংদা ঐদনি অঙাং। ইমুংগী মীপূম খুদিং ঐগীদি শিক্ষা দীক্ষাগী গুরু ওক্নি। অদুবু, ইধৌনা থোইখোইবনি। ইধৌগী ধর্মগী জ্ঞান, থম্মোইগী গুণ, চরিত্রগী বলগী মঙান্দনি ঐগী ধর্মগী ভাব, থম্মোইগী গুণ, চরিত্রগী বলনা মমী তমখিবা।

ইধৌদি লাইরিক্না হৈ, ইশৈসু তৌই। চুম্নদ হৈবা তৌবা ওইনা তৌদে, অনীমক্তা ওজাগী থাক্তা লৈবদৌনা তৌই। ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিং লাইরিক তৌবা ওজাশিং য়াম্না লাকই ঐখোই য়ুমদা, তৎপা লৈতে নোংমক্ত। মখোয় মখোয়না শূরু শূরুবা লাইরিক্কী অরু অরুবা মতাংগী ৱা পুথোক্নুনা ইধৌগী ব্যাখ্যান হেক হেক তানবগুম তৌই, লৌনবগুম তৌই— লৌনৈ। মসিনা মশা মশাগী মরম্লাই মরম্লাইগী ৱানি। লৈবাকনিংথৌ পনগী ধর্মগী অরুবা মতাং লাকপদফাও ইধৌগী ৱা তানৈ। নীংসিংলি ব্রহ্মসভাগী ৱাথোক অমা। ইশানা অঙাং য়াম্না ওইরিঙৈ ওইবগা, মতম্নগা কুইমনখিবগা ৱাথোক্কী তাংদাংবা মরমদু-মক্তি তশেংনা হায়বা ঙমদ্রে— কাউরে। মৈতৈনা শালচক্র সেবা চংপগী ৱারা, ঙসি পঙ্কোং (পক্ষ) হায়না খঙনরিবা পরেং অসিগীরা, দিবারাসগীরা অমদি ওইরমগনি। ব্রহ্মসভা অনী তানৈ। অমগীনা বিন্দুমাধব পণ্ডিতনা লেপ্পি, অমগীনা লৈহাউথাবা চক্রবর্ত্তীনা লেপ্পি। শিম্নে ৱাথোক্কী বিচার শ্রীযুৎনা চৈরাপ্পা। চৈরাপনা মধ্যস্থ ওইরগা পক্ষ অনী শাস্ত্রার্থ তৌনবা তারে। লেপ্নে

হুমিৎ। পঙ্ক অনীমক্কা ইধোদা লাক্লখি মতুংদা। ইধোগী বিদ্যাবত্তাগী মশেক্লা য়েথিবগুম তৌথি ঐগী অঙাং ওইবা থম্মোইদা, পোকথিবগুম তৌথি আশা অমা "ওইগে ঐস্ম নোংমা ইধোগুম লাইরিক হৈবা মীশক অমা"। লাইরিকী লাইরিক হৈবশিংনা লাক্লবগুম লাক্লে ইশৈগী ইশৈ তৌবশিংস্ম অদুম। ইশৈ পরেংগী, শৈশক শৈদাগী, করতাল মরো মথাগী, মরোলগী, খোঙথাং খূথাং, শাথেক শানোম্নচিংবা কয়া কয়াগী য়ানি হংলরিবা থিরিবা। লাইরিকীদা কোম্না কোম্না হুম্বগুম খুম্মি, তাকই ইশৈগী, চোলোমগী, করতালগী, তাল-মেল্ল-চিংবগীদস্ম অদুম। লোইনা ইকোম ইকোম কোম্ননি। ইধো মশাগীদি থঙদে ঐ ইশাগীদি তম্বাক্তা ফন্না ফন্না হুঙাইবনা কায় লুতোল, মঁভি থঙ-হৈবগী পুনশিমা ইধোগীগুম্বা ইশাগী পুনশিদা।

ঐখোই মতমদদি হৌই চহী মঙাদা লাইরিক তম্বা। মাসি

লালয়েৎ পঞ্চবর্ষাণি দশবর্ষাণি তাড়য়েৎ।
প্রাপ্তে তু ষড়োশে বর্ষে পুত্রে মিত্রবদাচরেৎ॥
(কোম্নি লুনা চহী মঙা লাক্লি চেৎনা তরা।
স্থরে চহী তরা তরুক মরুপ মতম লৌনি মচা॥)

হায়বা নীতি চংলুবদগীনি। নীতি অসিমক্তি আ থায়না মমাঁঙৈগীনি। অস্থম চশ্বরকপদগী অদুম চৎনরকপা, চংনক্লবদনি।

অঙাংনা লাইরিক তম্বা তারবদা লৈতে মমা মপাগী মনাক্তা, চংলি গুরুগী ময়ুম। গুরুগী ময়ুম হেক য়োবদা অঙাং ওইবা য়াদ্রে অঙাং। ওইবা তারে, ওইরে অদুম মশা কাবক ইংপা ঙম্বা মীশক অমা। অয়ুক হুমিদাংগী খোঙহাম খূহ্লাম, ঈক্ল মায়থক্তনেচিংবা থবক থৌরম পূম্নমক মশানা থঙনা য়েংনা অদুম তৌজবা তাই। হান্না লৈরম্বা ছাত্রশিংগী মতুং ইন পাংগলগী থবক কয়াদা অঙম্বা শরুক য়াবা তাই। ষক্কেন ষণ্ডাক চংলি, লৌ শীং ইংখোল শূবা য়াওই, শীং য়েন চনবা চংলি, ভিক্ষা চংলি।

অসিস্থ অসিনি, লৈরি অমুক্ক অরাফম পরেং অমা শাথিনা থোকপা, নত্তে, শাথিদ শাথিবা। ব্রহ্মচর্য্যসাধন্নি। চাবথকপা, তুম্বহিপ্পা, শেংপচাবনচিংবা

পুন্নমক নীতি নিয়ম অমগী মতুং ইন্না চংলি— মনীং কৌবা তম্বা ফংজদে, পীদে য়াদে করিমত। মপাম্থোংদদি তাড়ন্দ তাড়ন্নি, লাক্লবগী অথেংবিনি। মঙ্গুংদনা পককুম্ভন্যায়গী মতুংইন দেহ লিংনবা শীনবনি, লোয়ননা হকচাংগী পুক্নীংগী থম্মোইগী মতীং মঙল মঙাল ফৃদোক্লবা সেম্বনি, মীদ মী ওইনবা য়েংবনি।

শিক্ষা দীক্ষাগী পান্দম যুগতুগীদি অরাম্নঙাই অনীগী য়াংমদা লেঙদনা লৈবা আত্মাগী দর্শননি, মাগী মখুভম তানবনি। জ্ঞান, বিজ্ঞান, প্রজ্ঞান তানবদা পুবা ওবা হকচাং চঁভি। অতুনা ব্রহ্মচর্য্য সাধন অমসুং পালন শিক্ষাগী অচৌবা অঙ্গ অমা ওইনা চৎপনি— চংলি। পীনৈ দীক্ষা অতুনোং গুরুনা শিক্ষদা—

> সত্যং শিবং সুন্দরম্
>
> নায়মাত্মা বলহীনেন লভ্যঃ।
>
> (আত্মা সত্যগী মশক্নি,
>
> মঙ্গলগী মশক্নি,
>
> ফজবগীসু মশক্নি,
>
> ফংদে মপাংগনা লৈতবনদি থক।)

পুন্নমক্নি লৈবনা করুম্বনি ঋষিশিংনা বিদ্যারম্ভগী মতাং চহী মঙাদা। অতুবু, মসিমক্তি পথাপ অমা নাইনা নীতি নিয়ম অমগী মথা পোন্না শিক্ষা দীক্ষাগী থবক চৎপা হোৎবগী য়াদনি, শিক্ষা দীক্ষাদি গর্ভদগী অতুম হৌরবনিনা মশাগী পরেং অমা অতুম মচঙবনি।

পীক্লিডৈ

(বিদ্যারম্ভগী মমাঙ)

ঐনা জ্ঞান থর থর তারকপা মতমদা ঐখোই য়ুমসি অমুক্তনা টৌল. ফুংথিল হুমিদাংবা য়াইরমদনা ইশৈগী আথড়া ওইনা অতুম লৈরম্লে।

অয়ুকীদা সারস্বত ব্যাকরণনচিংবা লাইরিকশিং তম্বা পরেং অমা, ভাগবত-নচিংবা বৈষ্ণবগ্রন্থশিং তম্বা পরেং অমা— পরেং অনী চংলি। বিদ্যার্থীসু পরেং অনীসিদা মঙা মঙা তরা তরা অতুম মরৈ। ধূপ আরতিগী মতম অংবা য়াইদগী ভুক আরতিগী অতুবাই ফাওবা হেক হেক চৎখি। ফুংথিন্দনা খাঁল আরতিগী

মমাংদ্রুইরম্বা মী লাকপা ওই। কনাগুম্বা ইথৈ তুন্নি, কনানা পাকপা তন্নি, কনা'মনা জগোই তম্মি। মত্যা মায়থিগী থুত্রম অহুবাই কাওবা চত্মে। কন্নি কন্নিগুম্বা লোং, খারকপা মবা মতমদা ইথৌনা মত্যাগী মাল্যাকদা লোইবা থাইরপা মত্যা মথুং কাওবা চথবা য়াওই। মপানগী কমায় অসি চৎলপা, এহোউজংপা পোখাইরপা তথেদগী মমাংদগী লেবকশিং অমনী লৈবা মফমদি, লুমিবাংগী ইথৌনা দুক হান্নিকাও মখোয়গী অদুক চথে। মসি মদাইগীনি। চুটি লৈতে। ইথৌনা ইশৈদা খোনবা লেঙবা, কনা কনাগুম্বা লেরকশিংনা গোষ্ঠ, গৌরলীলা, রাসনচিংবা তম্বিকরপা পানথৎলমদাইদা লেঙবা নত্রে হকচাংপা অদুক গুমদ খোঙবা খোরুবদা মরেম্নি। ঢোলসিদা থঙদে আখড়াসিদা থঙদে ভাবুক্তি ঐনি, ইথৌগী তমদনি হায় নত্রে নাক্তনি হায় ঐহাক লেঙবা ভাবুক পুরেম্নি।

লাইরিক তম্নরিবশিংসিদা অঙাংদি খোইনা য়াওদে, পাথংগুবদগী মীয়াম চৎবগুম্বা ঙাক্নি। লৈদুনা গুবম্ব নত্রে দাক্কুনা তম্মনি। অদুনা, ছাত্রমক্তি হায়বা য়াদে। য়াত্রবম্ব বিদ্যা তাম্নিবনিন' বিদ্যার্থীদি বিদ্যার্থীনি। মশানা সেবক কৌজে। অদুগুম লুংথিলগী ইশৈগীদা লান্নিবশিং অসিম্ব অঙাং য়াওদে। অঙাং ওইনা ইশৈ তৌরকপদগী পামজদুনা চথরগে থম্নবা নহাদা নহাদি নত্রবগুম্বা পরেং, মশক মমিং কাবক কাবক নাইগে তৌরগুম্বা, অদুনা নাইবা য়ারবদি নাইরগে তালকপা পরেং, কাবক কাবক নাইগুম লাকুম তৌরদুনা তশেং নাইবা হায়বদু ওইরগে তালক-পরেং— অসিগুম্বা ঙাক্তনি। মখোয়সিম্ব মশানা সেবক অদুম কৌজে। মখোয় সেবকশিংসি সেবক্তা সেবপ্নি— সেবকী ধর্ম অদুম চৎলি, থক কায়দে। মখোয় মখোয়গী মমুম মমুমদা পানবা হৈ-রা, মহৈ-মরোং, মনা মশীংদা নীংথি নীংথিজবা য়েংদুনা ইথৌদা অদুম কৎলৈ, মখোয়না খোকচফবা ফংজকবা ফি-য়োল শেন থুমচিংবগীদম্ব ইথৌগী শকক অদুম্ মতম্নকই। অদুগী মথক্তা নহা ওইরপ তৌবা কাওবুশিংগী কাউঙমদবা সেবা অমনা মখোয় অমনী অমনী চুংশিনদুনা মতম মতমগী এদাং নাপী থাই, শম্বল ফুংদল সেমজিন্নি, লেম্মি, কন্নি কন্নিগুম্বা মতমদা কৌ চেঙ খোমনচিংবফাও তৌই। ইমুং অনা অম্নেক য়াওমক্লবম্ব মখোয় মখোয়না তৌবা য়াবা পূম্নমক তৌই। অসিগুম্বা মথুং মপালগী পজাউশিংত্রিদ নত্তনা

অঙসেবা লাকপ'মনা ভমাঙ শিত্তোকই, শীং য়েম্নচিংবা লোইনা য়েংশিল্লি। কদায়দা করি ব্রাৎকদগে হায়বসি কন্না য়েংই।

থায়নঁওগী মতমগুম্না লৈগাক্লা নিংথৌনা শিষ্য থবা গুরুশিংদা লৌ শীং, বণ, সনা রুপা ধর্মগী মিংদা দান তৌদুনা শিক্ষা দীক্ষাগী চাওথৎনবা লমী লেপ্তুনমক্ লৈত্রবস্থ সেবকশিং অসিগী ভক্তি শ্রদ্ধা প্রেমগী অর্ঘ্য পূরমক অসিনা ইথৌদা থগী সুখ শান্তি পীবগুম তৌই, লম্মীনা লেঙদনা শেনবিগুম অদুম মথোকই। চহী মঙাদা নত্রে তরেত্তা গুরুগৃহদা লাকপা করি থঙত্রিবা অঙাংনা হায়না লৈরবা শিষ্যশিংগী মতুং পঙইন্দ ইনবগুম্ ইশাগী হৈনিংবা মতম থোকপদা সেবকশিং অসিগী প্রেমগী সেবাশিং অসিগী শরুক হেক হেক য়াই।

শিক্ষা গুরুদি অপোকপা ইপাগী শরুক তয়ানি থঙনা চৎলিবা সেবকশিংচু নীংসিংস্নুবদা মতমগী চোয়রবা সমাজগীদমক পোয়েট ব্রার্ডস্‌ব্রার্থনা চোয়রবা মজাতিগীদমক মাগী "লণ্ডন ১৮০২" দা মিল্টনদা লাউগথিবগুম লাউনীংলকই ঐস্থ

লাকখো নখোয় সেবক লৈরে নখৌ
হৌজিক কংলৈসিদা !

মীচি মমামপা লৌবনি— নিপানা মপা, হুপীনা মমা, হায়নৈ। অচুম্বনি, অচুম্বমক্লি। য়ুম্না মীগী শিক্ষাগী হৌদোক্লিনবা কেত্রনি— অথোইবনি। নিপানা মপাগা নক্লে—নক্লিনৈ। মপাগী লীচং শাজং, ব্রাঙাঙ খোনফম, ফিজেৎ চাকচা, লাইনীং লাইসোল লোইনা তম্মি—লৌই। হুপীস্থ অদুমঙায়। মমাগা নক্লে—নক্লিনৈ, মমাগী লোইনা তম্মি—লোই। অনীমক্তা অপূন্বা ইমুংগী মঙাল নত্রগা মমি অমূক তাই। মঙান্না মচু লোকই, মমিনা মচু শঙই। পূন্নমক্লি মী মীতুগী মপুন্‌শিদা কদৌ লেঙম্রবনি, মাঙম্রবনি, মূত্রবনি। তাক্কবা সমাজনা, তিজুবা মীওংনা, পাম্নুবা মতম্না তায়োমরকাও নুংনা উনা ননুবা তিংথৌনা শিবা তৌদনা মচু ওন্দুনা থাঙম্নুরগা তাজা হেক্ মংবদা থিন্‌গৎলকপগুম তনৌ তনৌ ইশং ইশং তাজা লাকপদা অদুম হেন্নক্ ফুংদাকই। উন্ মমাঙদা চীংমায়দা তাথিবা গেঁহনা উন লোইথিদুনা থিনগৎলকপদা নাপী শীংনাস্থ অদুম মমাওরক-পগুম অকবস্থ কণ্ডবস্থ অনীমক কোয়না অদুম হেন্নক ফাওরকপা ঙাক্লি। অদুনা য়ুম অসি মীগী পুনশিদা য়ায়া লুই।

ইথোনা অমুক লেঙখৎপদা নৈদা খোঙ থাব্রিঙৈ থুং লোয়রদুনা পৃথ্বীতোত্র থী, য়েৎন্না নৈমায় লাইবক কৎলি। লোর য়েংলগা যাজ্ঞীগী নাম লোন্দুনা খোঙ থাই। মপাল দাবিদা অমুক থুং লোয়রদুনা দর্ষ্যতোত্র থী— থুক থুবক থুরক্লি। থূদোং থ্রুবক অমা কাল্লগা চীন্ কুপ্লি, মচং লেঙশিল্লি। মচুং লেঙশিনবদা থুবাক হেক হেক থুই, তুমিন তপ্পপ কাঙ্গুম্বা থর থী। লেঙখোয়কপগা পুত্রীদা হকচাং তংথাইদি হায়রগা ফনা নীংথিনা কোকলু ঈশিং চাইথক্তুনা চাইথে। বৃন্দা চবুত্রদগী তিলক থর নম্মি। ফি অকংবা হোংদোক্লগা সেবকশিং থেংনৈ।

ঐগীদি হিপফমসি অহুম্মি। ইথোগরা, ঐজ্ঞাগরা ইমাগরা নোংমগী ঐনা হিপ্পীংলুবা মফমদা অতুম হেক্ত মহিল্লি—ইনীংনি। অমগবু তুম্নবস্থ অমগবু তুম্নবস্থ হোৌদোকপদি ইথোগীনি। ঐবু হিপকল্লি তুমগল্লি হায়দুনা চোথে থুনবান্দবা কৌই। ইথোনা হেক লেঙথৎপগা "চোথে থুনবান্দবা হোগৎলো, হ্মিৎনা নম্মনি" হায়দুনা হেক পুথোকই। নৈবাক কৎপি, হ্মিৎ থুকখি, "অঙাং মমায় মমিৎ ভাবিয়ু" হায়দুনা ইমুংদা থাভিক্লি। ঐজ্ঞাগা ইবেনগা অনীগী অমুকী অহানবা থবক্তি ঐগী মায় মিৎ তাবিবা, চৌত্রি থোংদুনা পীজবনি। ঈশিং লুথু লুথু শাবনা নত্রে অঙ্গংবনা মতম মতম চানা মায় মিৎ তাথোকপি, চীন য়া শেংদোকপি। তম্বাক্তা পম্না পম্না চৌত্রি থোংদুনা পীজৈ। চৌত্রি চাবা লোইবগা ইথোগী নাক্তা চৎজি, তম্বাক্তা ফগদুনা লাইরিকী ভাবুক ওই। মথোয় বিষ্ণা-থীশিংনা হায়বা থীবশিং অতুদগী ফাহৌবা লাকহৌবা থর ইতোমদ তুমিন তুমিন হায়দুনা থীদুনা শাৈ। লাইরিক লোইরদুনা ইথোনা চাইথবদা হেক হেক য়াওই। নিংথমথাদদি ঈশিং অশাবনা লুবিয়গা অঙ্গংবনা অমুক থর থর চাইদুনা শেংদোকপি। লাইথুরক্তমদা ফি মচা অমা থাবিদুনা ফম্মহি, চন্দন থিনবিয়গা মন্ত্র লোনবা, পাঠগা লোইবফাও অতুম থম্মি। গিরিরাজগী নির্মাল্য বৃন্দাদা কৎপদা পুই, গোবর্ধন পরিক্রমাদস্ত য়াওহল্লি। ইথোগী নাত্তা পুথম মচা অমদা চাক হেক হেক পীজৈ, চাক তাংন্দনবা, চারিবা পুথম তেংগোৎ মোৎহৃন্দনবা কম্না য়েংশিল্লি। চাক থিক্তং তাথিবা, পুথম তেংগোৎ থিক্তং তৈবা উবদা "ঐগী চাক তাবরা, নঙী কারি তানি, ঐগী তৈবরা নঙী করি তৈনি" হেক হেক হায়কই।

ইতৌদি মশানা অহুম মাঙখবনি। নোংমত্তু কৌক চুমদবা লৈতে। নোংমত্তু মঙা কেন্দবা লৈতে—থোংগ্রা মতোন্দা মচুগী মাচেং অমা লেমহুনা অহুম্ থম্মবনি। চায় নাম্নি, শেংলি নাম্নি, লাইথিক ইবন্দা কাও চে থুনাং চাইন্দে, মুক অমত্তু হাবা উন্দে— থুংই চাং কায়দে, ময়েক লুই। মশা নাকবগা শিনকমগা ইংথোনগনা তপোবনগুম তৌবগা মুনি ঋষিগী আশ্রমদা লৈবা গুরুকুলগা অমা ওইনা অহুম মথোক্লবা ইদুনি।

মতাংসিদা পুনশিগী কাউওমদবা থবক মশং কয়াম নীংসিংই। ঐ ইশাসি নিঙাই লৈতবা অঙাংনি। পোংকী চৈগী অঙাং'মা ওইবগী নিঙাই তৌখিবা ঐ ইশানা নীংসংবদা পঙথোক থোকখিদে। মসিগী অয়াম্বা শরুক্তি ইথোগী চামোক ফজবননি, ইথোনা অঙাংগী মনস্তত্ব হৈবননি হায়বা তাই। করিমত্তু বাংহন্দে। মথুক থোক্লা য়েংথোগী শগোল সাবি—তোংহল্লি; কালোক কোনবি—ওজল্লি, গাড়ী চনবি—তোংহল্লি, ঊহল্লি, তেলংগা সাবি—পাইহল্লি; কাওজৈ থাওবি, কাঙ্জেম সাবি— শামহল্লি, থুং সাবি, মরী তাবি— উংবা তথি, উংহল্লি। মতম মতমগী মশাম লোইনা শামহল্লি। ঐনা হুঙাইজবা অমনা য়েংথো মপাল সাবা মতম্দা য়েংথো মপাল থোংবা, য়েংথো মপালগী তৌদ্রি থোংবনি— ইথোনা তত্তনা থগল্লা অহুম হল্লি। অসিদম্ নত্রি। মেয়া নাক্নে দুর্গা পূজাগী দোল চনবি, চে হুং ফজনা নম্নি, থাকল য়াত্তুনা লাংফম নীংথিনা সেম্বি, ঘট লিংহুনা ইথোনা পূজা নীংথিনা কংপি, পঞ্চমী নাক্নে অহুমঙায়। অহুনা পুনশিদা অবাংপা মশক থখিদে, অবাংপগী বাথল অমত্তু পোকখিদে।

রাজ্যাসিদনি অঙাং ওইদুঙৈ পিক্কিডৈ ঐনা পাল্লকপা। অঙকপনি থহুবদা! ইপাগী মশাইগোন্দা মতম্বাক্তা চাউ তমদ্রবা, "মহী ময়াই কনবা অঙাংনি, মহাক চঙলকপদা ইমুং মাঙ তাকপা অঙাংনি" হায়দুনা ফত্তবা অঙাং, ফত্তবা মচা শীংদা চনবা ঐহাক্লা পাল্লকপা, চাউরকপা স্বর্গদো ঋষিগী আশ্রমসিদনি। ঙবা ঙবদে কনানম্ থঙবা লৈতে কনাদম্ মীওইবগী পুনশিথোঙকম্। শঙ্খিবসিনি, অহুনা ভগবান শ্রীবাসুদেবনা

মিপা ওইমই নাইথক,
চপী ওইবই শাজং,
মণি কৌ'হুই মমল
থঙদে কুম ঐকাও।

বিভারতগী মতাং

চহী মখা চঙলকপদা লাইরিক ভবা হৌই। ইবৌনা এগী ইহান হানবা শিন্দাকনি। অমবা হুম্বিং খখা নেং হৌনবি পূজাগা তৌ; মৈত্রেদা মহা সরস্বতীগী বীজ "ঐঁ" ইদুনা হৌই লোংমা লাইরিক ভবা। ইবৌদি খুং মায়া কজে, লেমা কান্দ্রুনা মশী চাউনা ইদুনা তখি। লোংমা নীমিদা মতুংদা বাঙলাগী বর্ণ পরিচয় অমা লৈহল্লুই। মৈতৈরোলগী মশী লাইরিক লৈতবনা নত্তে, অমাদি মরৈরবনি। মণিপুরগী শিক্ষা বিভাগগী ডেপুটি ইনস্পেক্টরদা ইহান হানবা তোম্বাবুগী মতমদা সব্ ইনস্পেক্টরশিংনা ইন্স্পোক্টং পন্ডিতশিং ওইরবা মকরসিংহ কোবা নিপা অমনা ইরমনি। পাঠশালাদা পাঠ্য ওইরবা পুস্তক লৈরবদুদ অহুম মতমরবনি। অতুবু, লাইরিক হৈবা লাইরিক শূবা অপাল অপিলশিংগী মখমদি পঙচন্ চৎত্রি। চৎত্রিবসিগী মরম অহুম চাউনা মরৈবনি।

রাম্নতৈ মণিপুরদা লাইরিক লাইত পঙতম তারবা তৌদে, অপাল অপিল, অকল অখৌশিংগী মচা মশূপিংনা থাও তা, শা লালগী বিভাগ, শাধারণ প্রজানা লোউ শীঙও, লিংখৌ পলগী লাম্বুগা অহুম মখো ইনবনি। লাইরিক লাইত হৈতবা মাদে মতা অহুক কারদনা ভবা হারবদবু মপা মপুগী খুতম কংহৌসবা, শিংহৌনবা পণ্ডিত লোয়নও কাবা পণ্ডিতশিংগী মচা মশূ, অমাই লোয়নও কাবা লৈবাক-লিংখৌগী অমাইবশিংনাগা থমদনি। জাতিগী মরেক জাতিগী লাইরিক লাইত লৈজরবদু অখও অহে মখোম থরদনা শূবনি—পারবনি। খাই খুনাইদুহ অপাল আপিল অকল অখৌশিংনসু পঙচও চওবুনা পঙশোক শোয়্নবা ন.ত। অহুক পায়্নবা খরদংনা ইখা পাখা লেকাওজংগা মতৌরগা অহুম মতৌকপনি। তৌবদে, তৌরক্তে অহনোং লৈরাকনিংখৌ পরম অখও অহৈশিংনসু অজাং লাইরিক ভখিনরগী থৌম্নাংনি অমত। লিংদে, লিংলক্তে শঙ— অজাংগী ভবদ; লৈতে, লৈরক্তে লাইরিক— অজাংগী ভাবা।

অরম্বোমমদা, লৈরবথমনা পুরকখি শিক্ষাগী ঊহৈ অচৌবনি অমা। লৈবাক্লিংখৌ পমা লোলমচিংবা লিং খোম্নুনা ঊখন লেখমচিংবা তৌবিজবদু ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংগী খুমখোও খুদিং লৌনবি চোনগী মখক। লোলশিংলিমা তৌথি কমা অহুক হুংখিল শিক্ষাগী প্রচার। জাতিগী রাখল, বিজয়, লিংথৌ, পাণ্ডব,

পুনশিগী ধর্ম মরো ওহৈকপা মতুংইন অপাল অপিল কোজামমছু য়াথি প্রচারগী শক্ক। তাযকপনা ধর্মশিংনা চেংকপা লোনশিংনা, মপুংমক ওইনদি সংস্কৃত, বাঙলানা জাতিগী নৈতিক নৈমিত্তিক ক্রিয়াকাণ্ডগী মরোল্ল ওইনা চৎনবদগী অপাল অপিল ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংগী নোংম নোংবগী পুনশি থোক্নমদা অতুম থম থম অহমহুম তোংশিনবগুম তৌথি। মথোয়গী বাঙাও সংস্কৃত, বাঙলা, ব্রজবুলিগী শবশিংনা পুথি, পয়েং শানা অদুম চৎথি। মৈতৈয়োল শিথরো তদা মতা থোকথি, শিথথি অদুম নোংমনোং; মৈতৈ ময়েক, মৈতৈ লাইরিক তাথি থীনা কাম্বথাঙ।

লোইবা নত্রি অসিনা, লৈরি অতৈগ্নু কয়াম্বা। সংস্কৃতি লাইরিকী লোল ওইজবগী ওইজবা লৈজরে অতুম। বাঙলাদি ধর্মগী কায়দোং ওইবদ নত্তনা চঙ চঙ লাউনা হিংলিবা চৎলিবা লোয়িনা লৈবাক্লিংথো পানবগী থোরমদম্ব শক্ক তন্না য়ায়কথি। ঐথোই লৈবাক্কা কম্পানী বাহাদুরগা শয়বা হৌবসি মহারাজ গৌরশ্যামগা মহারাজ জয়সিংহগা নিংথৌ মচীন মনাও অনীগী সনা হাক্তনি। কলিকাতানা মথোয় কোম্পানীগী কোম্ফং ওইবগা, শাসননীতিনা বৃটিশ কর্মচারী পুম্নমক বাঙলানচিংবা ভারতকী লোল মপুংশিং হেক হেক তম্বীবগা বাঙলা লোয়া ঐথোয়গী অর্থ অমসুং রাজনীতিগী মেত্রদা মতাং অসিমক্তদগী মকম চাউনা কনবা হৌথি। জগন্নাথদাসগা হরিদাসগা গোস্বামী অনীনা মথং মথং লৈবাক্লিংথো পনগী এহেক্ট ওইথি। মতুংদা লাকপা নিংথৌশিংগী সনা হাত্তক-শিংক্ষু বাঙালী নত্রে বাঙলা হৈবা তথেল ময়াংদা পোক্ল বা মৈতৈ, নহি ক্ত্রে মৈতৈগুবা মীওইশিংগী মতেং হেক হেক লৌথিবগুম—লোইগুম, তোবদগী লোল অসি লৈবাকনিংথৌ পানবগী হিংনবয় অমা ওইনা থোকথি। শয়া, লৈবাক অসিগী ধর্ম, সমাজ, অর্থ, রাজনীতিগী থানক্দবা লোল অমা ওইনা লৌথি। হৌজিক ইংরাজী হৈবা মীবু অথঙ অহৈ শীংদা চম্বগুম বাঙলা হৈবা মীবুসু অতুম চয়থি।

পজাউ অমনা হৌথিবা শতাব্দীগী লোইরমদাই, বৃটিশনা ঐথোয়গী লৈবাক অসি লৌহুনা পানবা হৌরকপদা বাঙালী কর্মচারীশিংনা অচৌ অচৌবা থবক লোইনা পায়। মক্কাহনা শিক্ষাগী চৰী য়েংকপা মতমদা মথোয়না লৈবাক অসিগী ওইরিবা মওং অমিদা পুক্লোং লৌহুনা বাঙলাগী মাধ্যমদা শিক্ষা পীনবা পীরবি পীথি।

মচুম থিবিক অসিদগীনি ইযোনা মকমশিংহনী'মশী লাইরিক লৈনা লৈনা, পাঠশালাদা খুজক লৈমক্তা অমমে থঙনা থঙনা বর্ণ পরিচয় ওইনা লৈকখিবা।

মরেক মশক থম থঙলবদা ব্রাচেংকী কনম্না মৈতৈ চেদা ইবা নিত্যাচাব অমা পুথোক্‌না তম্লি। অহুম অহুম চথরক্‌পদা হেক হেক থেনমকপা পুষ্পী-স্তোত্রশুবা পুমুক চান্দা লোইনা পুহনি। মকম মতম চানা শীথিমবমু তমি। অহুক হোগংপদা থুং লোমহনা স্তোত্র অসি থীমগা লৈবাক কোক কত্তনা খোঙ থাবা কাম্বা মাদে। থা কনা মাম্না চথমক্‌না লাইরিকসি লোইনিং লোইমা তোমক্লবা অহুবাইদা চান্দা ব্যাকরণগী অ আমু থম থম অহুম তথিবা হোই। মজা চাকবদা তম্লিবা লাইরিকসিমক্তদমু পান্দুনা অহুম্ মতাকপি। ঐমু থম থম অহুম ব্রামশিনবগুম্ ব্রামশিনবগুম তোই। ইযোনা মাম্না হমাউই। মমক মমক্তা সেবকশিংদা "ঐগী ইশূসিদি মী মওইজগদোরি, তাকপসি হেক্ত মর্থছি, কাউবমু থোইনা লৈতে, মসি সংস্কার কনা নাংথিনা লৈ" নোক্লা নোক্লা হেক হেক তম্মি।

মতম অসি নাম সঙ্কীর্ত্তন মতেক'অমা শকপা ভমদবা, পূং মতেক অমা মৈবা ভমদবা হাম্বসি নিপা অমা ওইবগী অচৌবা অহোবা অমা ওইনা লৌনৈ। অয়াম্বনমক নত্রবমু কোঙ্গায় অমদি অহুম মঙ্গবা ওইনমু তোই। মঙ্গম্রিবসিগী মমম অচৌবা অনীনি। অমনা, মতম অসিগী মুপী অঙাং নহারোলশিং অসি সাধারণ অমা ওইনা লাই মাম্না থাজে, লাইগী থবক্তা মথবায় মাম্না মাওই। লৈকাই লৈকাইগী মন্দিরদা সন্ধ্যাগী আরতি মতমদা লাই খুবা মাম্না চৎনৈ। মহুবু গোৌড়ী মাওবা, চৎপা, খুবা হাম্নৈ। নহারোলশিংদা পূং ইশৈগা শক-থঙনবগী খুদোং অমা হেক হেক পী। মশাদা সংস্কার থম লৈবশিংদি কনা নাংথিনা ব্রামশিনথিবমু মাওই। গোৌড়ী পুবা নত্রে দর্শন লাকপা অহনমনশিংমগীমু মতেং মংদবা নত্তে। অমুক অমনা, লৈকাই পালা থুনগং পালা হাম্বা অমা কম্না চৎনৈ। পূংমৈবা ইশৈহনবা হাপ্তুনা থমৈ। কবি কমিগুবা লৈকাই, থুনগংদদি মতিক চাবা লৈমবদি হুহায থোনবাংতোন কাওবা থিদোক্নে। পালা অসিনা লৈকাইগী অশি অনা, নুহোঙ কৈহোঙনচিংবা পমনক পুই। অহনা অয়াম্বনা পূং ইশৈ থম থম অহুম মঙৈ।

অদুনোং, ইথৌনা ঐবুদু পুং ইশ শিৎং শুরুকইংবকুম তৌরকনা, পুং মচা অমা তিংগৈ, হৎখিল খুম খুম ত্রুখি। ঐগী তনবি হায়বদু থম লেংই। ডুমুরিসিদী মহম অকিবা অমদগীনি। ঐ য়ায়া পঙনা হোই। পালাদা পুংমৈবা অনী তুং মাত্তথ তুম মাতথ চেহোক চেল্‌শিন্‌ তৌবা, পুং পামহনা লৈবা হনবা, থোংখোং সাহনা করা তুৰুসি উবদা খংনরিবোই ফুলগদৌরিবোই থমুনা ইপা পাখংতি, কিহনা অমাবা অতৈমা মিং উইশিন উইশিন হেক হেক থাডি। অহনা ইথৌ কিবদগী থোংপদি মথোংতি, থরায়দি চত্তদে, ময়েক চত্তে। "থিবোৎলোয়সিদি, মী ওইশোইলোবি" হেক হেক চৈ—লোইশিলি। ঐজাংদু পুং থয় থয় হৈ। "ইবেম্মা, নম্‌জিপাদি থয় থয় তবিউ, ময়েক খিত্তদি চৎহল্লদি" ঐজাদা হেক হেক শিরে। "হে শিদা পুরকউ, ঐ ওখিগে, হোয়েল নথৌনা চৈথিনি" হেক হেক কৌই, ঐনা মাথিদে— ঐজাবুদি ঐনা ওখি। "নং চিনি চঙ্ চাত্রেদনা, লৈবাক হরাই থোংমাং মদা চানীংত্রেদনা" হেক হেক খেথি। পোৎলম্ অনী অসি ঐথোয় অতাংমা য়ায়া পাত্রে। হৌজিক্তি কৈথেলদা থোক্তে—লৈত্রে। অহানবগীনা, মবুক্তা তাং অনীগামুক্তং, মহেৎতুম অতুগামুক্তংগী থা থা লাউবা মখুন থেম্না খিত্ত মতুংপা চঙ্দা চিনি হৈবনি। চাবনা পতুম মতেক অমনা খিং খিত্ত কোং, কোংত্তু না চাবনি— পাই অমগী অনী অহমগা অতুম তৌবনি। অকোনবগীনা, মনা থোংনাং নত্রে নারেংবি মনাদা লৈবাক হরাই মক চিনি তোংলগা কোয়না ফজনা হৈবনি, মক ফক্ত না চাবনি, লৈবাক হরাই চিনি তোংপক্লা থোংনাং মুনাগী হৎশিবা মনম অমসু য়াওবনা য়ায়া হাওই— মত্তেকী অনীঙ্গা তৌই। "হায়া পীউ অত্তুদি, চাখিগে!" পী। চাথোকই, ভময়ে। মথোয় কনামত্ত ঐথ ফুদে, ফুবা ওমদে; খুদোল হত্তে, হৎশিনা চৈবদনি। "থীয়, য়ানরম্মিদে" লোইয়ে তোক্রে।

অমুয়া নোংমা লেন, নীনি রু, হুয়ি চৎ, মঙানি কা, চয়োল লোই, পা ফাবক, পা লোই অতুম চৎলে—পুংদি ময়েক চত্রে। কয়িরগী চৎলুনি! তদুনা তোকখিবদু লাই থয়রিবনি। নোংমদি "ইবেম্মা পাকু, নম্‌জিপাসি পুং ওইঙংহুসি, মথুয়ায়না মকপাম পাময়দে, কায়দুরোই, লাইখিক ময়ত্রিক্লসি" হায়রক্তে ঐজানা অমুবরা থুগদে ঐগী ইতৌদা। "তোয়নে, ঐম অত্তুম থমবত্রি, মসিগী মতৌসি পুংগী সংকায় মাওমক্ত বরা থমবনি" খুমদোয়ক্তে ইথৌমু। ঐ হিংলে—তোক্রে

অঙ্গুম্। মাতমবনি হায়গদবা থক্তে অদুগি, অতোমবা অমম্যাদি হিংলে অদুম। পূংগী পূংকমদা ব্যাকরণ চংলরে। শব্দরূপ, ধাতুরূপ, সন্ধিনচিংবা থয় থয় অম্বুব অম্বুম মথং মথং তমথবা হোৌরে—তমখরে। ঐগী লাইরিক্তা থর‍্যাম রাওবা উবদা ইযৌদম্ব কম্বি মুত্তাইভবা অমত্ত উথিদ্রে অদুম।

স্কুল থঙনীংলকপা

চহী অনীয়োম হায়জিল্লরে মুমদা অম্মুম তম্বা। ঐবু স্কুল থাবগী রাথল ইযৌনা থোইনা তৌক্ববা উদে। মসি ইযৌ মশানা সংস্কৃত, ধর্মগ্রন্থশিংদা শুপ্পা থর‍্যাম অমা ওইক্ববনা ঐবুম্ব ক্ষেত্র অমিদা অম্মুম মরৈরসম্ব হায়বা রাথল ওাকী নত্তবয়া, কয়িগুম্বা অকিবা অমদগী তৌরবরা থনবগুম তৌই। মতম অসিদা য়াইস্কুল পনপাক্কিগী তম্ফম অসি শীংজমৈ থোকচোম লৈকাইদা লৈবা পেট্টিগ্রু স্কুল হায়না থঙনবা পাঠশালাসিনি। হৌজিক্তি কয়ি ওইরবা থঙদে, থিজিন্নুবম্ব লৈত্তবনিনা হায়বা থোইনা ঙমদে। মসি মমিংসিমক্কা শাহেব অমনা, নত্রে সাহেব অমগী মমিংদা জিংবনি হায়বা অদুম মতাকচে। জিংবমকম্ব আমেরিকান ব্যেপটিষ্ট মিসনগী পেট্টিগ্রু কৌবা পাদ্রি অমগী লমজিং মথাদনি হায়। ঐখোয় ইশাগী পায়োন পরেংদা লাইরিক লাইস্ব চে কলয়চিংবা লেয়া লেয়া য়েন্দুনা ছাত্র থিত্নুনা থোমত্নুনা হৌথিবনি তায়। অম্মুয়া মিসয়া চীং মান্দা স্কুল জিং জিংত্নুনা চীংগী অঙাংশিংবু দীক্ষা হেক হেক পীত্নুনা খ্রীষ্টধর্ম শন্দোকপা উক্কবদগী পাঠশালা অসিমকস্ব খ্রীষ্টধর্ম শন্দোকফম অমা ওইনা উনবগুম্বা অমা লৈ। মসিদগী অমুকম্ব ফকয়েংলোমগী পরমসিং কৌবা নিপা অমনা খ্রীষ্টধর্মদা দীক্ষা লৌত্নুনা বাইবলগী নিউ টেষ্টামেন্টগী মতাং থয় থয় মৈতৈয়োন্দা ফোংবা লাইরিক মচা কয়া কয়া লেয়া লেয়া য়েন ধর্মসিগী প্রচারগী চেহোক চেনশিন তৌবা উক্কবগা স্কুলগী ময়মদা চিংনক্কবছু চুমদ চুমায়ে থনথিবগুম্বা অকনবা অমা উথিবগুম তৌই। "জাং তানবা লাইরিক তম্ফম থোকপ্রা" হায়বা থ্াইগী রাথল অমনা স্কুল কাবা থাবসি কখা পাউথোক্কথিবয়া থজি। অপাল অপিল অয়াষনা মচা মশূ পঙবা থানরে—থাদে। অদুনা স্কুল কাবা ফংনি হায়বা থোইনা উথিদে, কাগে হাঁয়বছ কিথি।

কাবদি কানীংই—প্রোক প্রোক চাকই। থঙনীংই স্কুল হায়বসি কমদোই, কৈদোই—করি তম্মি। "আশাদি মৈনি থোইথোইবা" হায়বা ব্যাসদেবগী চীনগোই মপাউ অসি ঐগী অঙাং ওইরিবা থম্মোই অচৌদা চপচানা পানথিবরা থল্লি। চাকই—খিত্ত নত্তে, প্রোক প্রোক্লি। "নীংবু নীংলবদি থুংই" হায়বগুম স্কুল চৎনবগী লম্বী অমা লাকখি।

লোম্মা মানোম্বা

নোংমা হুংখিল অমগী বানি। ইথো নৈত্তে—ইশৈ থোনবা লেখি। ঐজানা "হুংশা শাই" হায়দুনা ফম্মুংদা নমশিনবদগী ওহাক তুম্মুরে। ইতোমদ মঙায়রে, লোয়নমক ইমুংদা পোখানরি। কোয়থোক্লীংলক্লে। ইমুং চঙদুনা "ঐজা ঐ তামোহোই শান্নরুগে" তাক্লম অতুম থোক্লে। ঐজানা "হৈ ঈশিং কুম্বা য়াদে" লাউহোই, ঐস্থ "কুম্লোই" খুম্নমই। খুম্না খুম্না অতুম প্রপ্ প্রপ্ চৎলে।

তামোসি ইমাইবেম্মশিংনা পোকপনি, ঐঙোন্দগী চহী মরি মঙামুক হল্লি, ঐবু কোয়া পোবা ওম্মি, য়াম্না চাল্লি। লাইরিক ওয়াইয়ম্নি, ঐ মনাক্তা তুম্মিন ফম্মুই। অঙাং ওইরবস্থ ঐদি খুৎশা কয়া লেঙদবনা ঐ ফম্মুবদা মঙোন্দা থোইনা কায়বা থোক্কে। অতুবু হুংশিবনিনা বা ঙাঙনীংলুবরা থঙদে "ঐ হয়েংগী হস্তলিপি লোইথোকখিগে, কৈনো অমা পীজগে, ফম্মু" হায়। হায়না হায়না লাইরিক ফাক্তোক্তুনা খাতা খুৎনা থুপ্না অমদা হস্তলিপি ই। লোইবগা লাইরিক প্রপ প্রপ লোইশিন ইমুংদা থমজিনবা অতুম চত্থরে। থোয়কপদা লৈবাক হবাই থোংনাং মনা অমা পুথোয়কই— "নং লাকপা ঙাইরম্বনি" হায়, ইচীল ইনাও অতুম চামিন্নরে।

তামো !

হুঁ।

ঐ নহোই স্কুলদা অমুক্ত চৎকেনা, পুবিগেরা ?

পুঁবুদি পুবিগে, চৈরোইদরা ?

ঐজাদা লোম্মা হায়রগা লোইরে।

অতুদি হুরেং অহুক ওম্না লাকউ।

চাবা হেক হ্বানবগা চেক্কে, শোয়দনা ভাইবিরম্ব্।
খেঙবদি পণ্ডখেঙ খেঙবা য়াদে, কাল লেপ্পা ভম্নি।
খেঙলোই।

হ্বা লোইনরে, হয়েং অমুক্নি হায়বত্না চৎপা য়ানরে। মতুংদি তামোনা মাগী লাইরিক্কী বেগী হায়বরা কয়িনো, কাউবু কাউয়ে, মঙ্গেম্বহা অমা ওইদবা ভাঙবদগী কৈনা চাবগী হ্বারীগা য়ায়া লীবিরে। ইমাইবেম্মম্ব ইচেম্বতোম্বীগা লেঙখোক্ল্বদগী "ইচা লৈরমেদনা" হায়দুনা কবোক্লা হৈয়া, কাউরে, হরাউ হরাউ তরাম তরাম পীজরে। পীজ পীজনা তামোদা "হৈ, ইমো নংনা ননাওগী থাকপা খোংনাং মনাদুদি" হংলরে। "চামিম্বরে" খুম্মে, হ্বারী অমুক মথা লৌথরে। হুমিৎ তারক্লবদা তামোনা থিনবিরে।

লোম্বা চেনবা

অহিংদু ঐক্তাগা তুম্মি। খংদুম তুম্বা য়াদে, পুক্লীং ইরাঙ লাঁঙি, ফং ফাং ফং ফাং থর ওক্লি, থর ওয়িঙাই ওরগা তুমথখিবা খঙহৌদ্রে—অদুম তুম্রে। অমুক মিকপ খোক্লকপদা চাক লোইরম্বে। চৌত্রি নত্তে, ইমাইবেম য়াইমনা শেংনা চাকখুমদা খোংবনি। খিক্ষং ওক্লপ তৌই, ভাব অদুম্ তারে। ওরাংদু ঐনা শদ্যা ওইরপ হক্লকপদা লা শীং থর মাংগোলদগী ইবেন খোইদিংজাবীনা পুখোকরপা, ফক হুং থর পুশিনগদবগী কোনশিল্লগা হু হুত্নুনা লৈবা উথি, পালা তিম্বখিবনি হায়বা খঙলে।

মতম অসিগী ফজবি, চৎনবি অমা—কনাগুম্বা অমগী শোয়াৎ ইশৈ শকপা তাম্বদা, হয়েং শোয়াৎনি হায়বত্না ইশৈ শকপগী মমুমদা হুংখিল যগগারকপা মতম অদুবাইদা পালা লোইনা তিক্লি—ইশৈ তিম্ববা হায়দুনা তিম্বৈ—লোইনমক হোলোক্লে, থর থর লুনা খোজদবা মতাংনা নীংসিংনৈ, শক্কিম্বৈ। হুম্বুনা শেংগাদা, হোম্বাইদা পালা বার্জন হায়দুনা পানা ফা খেনগত্নুনা পুম্বৈ—খুরম্বৈ। খারিবমথৈ অকাল কায়দনা শক্লে—সোম্বৈ। গুরুজন, চাকখোং পরেংদগীগা হোৌবা শৈকমদম্নি পালা খুজিংমক ওম্বা ওম্বা মতম থঙনা চৎনৈ—থক শোম্বনদে। মতমগী মতাং চুনদনা ইশৈ শকপসি অপরাধ অচৌবা অমা লঙবনি খোনবগুম

তৌবা তাই। অতুনা চাকখোং অহ্ উবদা পুক্নীং নুমখি—লাইহু য়ারনি, কোয়া তামোগী মতুং ইনবা য়ারগনি থল্ হয়াউ-হয়াউ হোৌগৎখি।

হৈনবিশ্ব ওইরবা তৌদবন্থ য়াদবা, লৈমায় লাইবক কৎলে, ছব্নিং খুয়ে, হুকচাং শেংদোক্ত্ মিং মায় তাখোক্লে, চৌন খা তেংখোক্লে। "মাবেম, ঐগী চাক পীয়ো" হায়দুনা লৌরগা তঙ্গা চাখোক্লে। খুদে অয়াংবা ঐগীদমক সাবা মচা অমা শেংলগা মোজা ফুরিং, অখাবা অঙ্গাংবা ফজবনি, অমা লিংলগা "থাকা, ঐ তামোহোইদনি", হায়রয়গা অদুম চেন্নে। ঐজাদি ইখোগী হোৎনবদা তাবিদ্রা তাবিরোইদরা খঙদে, ঐদি পাউখুম ঙাইদনা অদুম চৎলে।

মিং নমদুনা চনবিবা

য়োরে স্কুল। পেট্টিগ্রু স্কুলদনি। স্কুলগী কোয়োং থয় হেক লানশিনবদা তামোগী মমায়বশিং অমা অনীনা "কনানোসিদে, ননাওয়া, কৈদোবা লাক্লিবনো" হংনৈ। তামোয় "উম, ইনাওনি, স্কুল য়েংনা তি হায়এ, পুরিয়ক্লিবা" খুদি অদুম হেক হেক। ঐদি মখোয়গী বা খোইনবু তাকদে। স্কুলগী ইংখোল মচান হেক য়োরকপদগী চিয়া কুপ্পা স্কুল শঙনা খা বাং, ফুট চাপদি ওইনি, চাউদম শাংদম ইশাং শাংনা খিলিবা, ইংখোল মায়গে মরিদা লৈপয়া শাংদম বাংদম থাম্নিবা, লৈপন ময়া থুংনা লহূ পরেং থাম্নিবা, স্কুল মমাঙ থুংনা পঙক ফজত্রবয় লৈকোল সেম্লিবা—পূময়ক্লিদা ঙাওরি। ঙাওরিবৈ অমম তারকথি তামোনা কৌরকপা "হৈ ইমো, চঙলসি লাউ"। খোঙদি তামোয়োমদা থাংঙি, •মিত্তি স্কুলগী মায়োক খোক্লা নক্লা ভয়ক হুংবা অগ্তাফুল পাবীমদা থম্নি। লৈশাঙ্গিদা ঐনা অদুক মুয়া য়েংউরিবসি মশক খঙদবগী নত্তে, থঙি, অমোহোকগী খোকালগী লৈকোল্দা হোই, মানা তেংথাবঙবমা তাবদগীনি। মথোন্নুদি থিদে মতম অদুমক্তদি, অঙাং ওইবদুনা ওইবা তাই। হৌজিক জান তারক্লবসিদগী থক্লি ওইরবা য়াই মাগী তেংথা মরোলদো "পেট্টিগ্রু সাহেবনা হফোক্লয় য়েংবি-নিঙাই কনা লৈজদ পিয়োম্না হিং শিবা ঙাই বানা হুংলবী ঐনি।" মদিনমক্তি পেট্টিগ্রু সাহেবকী মতুংদা য়াজসরকারগী শিক্ষাবিভাগ পুহোমা তেপুটি ইনস্পেক্টরশিংগী কনা ইকাইনিঙাইনি।

চঙলে স্কুল। প্রথম শ্রেণীগী কাদনি, রুমি তুমিন—তামোগী কনাকা লথ্না। ওহাকী মঙ্গদা চঙলক্কে ওজা। মরাম লোইনবা হৌগৎলৈ, ঊৎনা লেম্বা নত্তে, থুবিং থুবাইনি, কাল গ্রোংগ্রোংনি। ঐ থৎপ্রেক থৎখি, ইচাও চাওনা হুক হৌগৎলি। মচানগা ওইবগা ইনেমগা নেমবগা ওজানা হেক উই, হংজি তনহং কনানো মিদে।

তামো—ঐগী ইনাওনি ওজা, স্কুল হেনিংঙি লাকপনি।

ওজা—লাইরিক্তি তম্লিংলরা নংদে?

ঐ—মুমদা পাবুংদা তম্মি।

ওজা খিত্তং গুরুপ তৌই, তামোদা হংঙি।

তামো—ইথৌবুনি মানা হায়রিবনে।

ওজা (ভাব ভাবে) হংঙি—ইয়োদদি করি তম্মি?

ঐ—য়াম্মি, নিত্যাচারম্ ব্যাকরণ মখিম্ তম্মি।

ওজা—অক্কদি তম্ব্রা?

ঐ—তমদে, হৈত্তে ঐদি অক্কদি।

ওজা—মণি, অঙাং পুরকউ লাউ।

তামোগা ঐগা ওজাগী তুংইন্দুনা চৎলি। পঞ্চম শ্রেণীগী কা য়োরে।

ওজা (ওজাতোন্দা) ওজা, সি থঙবিবরা?

ওজাতোন (তামোদা হংদুনা) মণি, নঙোইবেমগী মচা নত্রা?

তামো—মানি ওজা।

ওজাহল—অঙাংসি ইকুইবুঙোনা সনাবৈ চাবা লাইরিক্তা মাঙহনগদৌরে। ময়াম্বগী মতুং ইন্নরিঙৈসিদা হংদুনা মমিং থর চনশিনবিহৌ, দশলকারগাদি হৈরবনি, অক্কদি সনায়েনা চাখিদুনা পূম্নো, চনবম্ নুদৌরিবনি—থম্মুনা তৌবিরো।

ওজা অনৌমক ঐখোয়গা মরী ইথোক থোক্লমরে। তাইবংমীগী মরীদি লীঃরোয়ৈ হায়বগুম অনৌমক ইথোগম্ ঐজাগম্ মরী অচুম ইথোক থোক্লবনি। অচুম্ অচুনি, মতম অসিগী মীওইশিংগী থম্মোইগী ওপগী বিকাশ অসি খিৎম মপুং কাবদৌনা তৌই। শাগৈ নাইত্তে, মরী মতা, মরূপ মপাং, শকথঙ মায়থঙ-নবদ্দীদ নত্তনা, থ্রায় অন্তৈনীয়ম্-প্রেম অমা ইথম থায়কগুম তৌই। অতম অতনা,

অমা অমাবা মতেং অহুম পীনে। অৱাবগী য়াবিবা হুতাইবগী হুতাইবিবা, মরৈ-লৈত্ত শেংলন-থাইন চানিবা, অশি-অনাগী অৱাতম শরুক য়ানিগনচিংবা লোকং অমা ইচং চৎনে। নামতাকা অমা তাবদা "মী লৈত্তবা য়াওবোইদো" হায়বা অৱাবগী খোদোক অমা অমদগী নক্রে অমদগী তানে হেক অহুম। তানে অত্তুঙম কনাওবা অমগী য়াইফবা উবদা অৱা-অনংদগী থওয়ে হুতাই-য়াইফদগী থওদে "য়াইফসহ, কর্ম ফরকপগীনি" হায়বা হুংশিবগী খোদোক অমা। লবোই তুবোই থওদে অবা অনং থওদে নহিনক্তে অতাও অথৈ থওদে ভিকা অমা লাকপদা ইমুং খুদিং খুমন মণি মমা ডাক্রি—"হাপথো হাপথো অরৈবা থম, ঐথোয়গী থোকপা লাকনি" অসিদনি। ইংথোলদা হৌবা মনা মশিং, পানবা মহৈ মরোং লোইনা লাইগী ডরৈ, কৈরোম লৈকাইগী শরুক থুংনে। মীশি মীনা লোইনা মশাগী ওইনা চৎনে। শম্মা, মানবধর্ম হায়না থজনবা মীওইবা ঐথোয়গী ফজবা লোকৎ কায়দনা চৎলি।

অৱাঘদা পীজনৈ চাক,
খোৱাংবদা পীথক্লে ঈশিং।
অনাবদা চঙনৈ সেবা,
অৱাবদা পীনৈ তেংবাং।
হুংশিবা ৱাহৈনা
হুংশিবা মতৌনা
কোক্লে কোঙ্গায় অরাম খোৱাং
মুৎনে মৈচাক অৱা অনা।
প্রেমগী জগৎনি
চৎনৈ লোইনা থওনা অহুম,
সেবাগী লাকপনি
পুনৈ লোইনা চৎনৈ অহুম।

অমিনি মতমতুগী লৈবাকী লোকং। মংলোই কমিনোং ঐহাক অতাং অমনা ওজা ওইবশিংগী মতেং। চনবিরে মিং শরুম শ্রেণীগী ক শাখাদা। মচল অমনি, খা অহনগীনি। হস্তলিপিগা অমগা অনীগী খোঙচৎ মেলগা ঐগী তাংদাংবা

থাকথম, লেপকদৌরিবনি। ওজাতোম্না হৃদিত্‌মক শ্লেট, কাদ্‌, থাবাপাত, মপী লাইব্রিক লৈনবা তাবোদা শিন্নয়ে। ঐ হুম চংপা মাবনি অদুদু তাবো ভাইবা তাবনিনা করে অদুম। ভাইবগী অবাবদি ঐজোন্দা চত্তে, হুটৈ লেকল ওবনি। হুটৈমন্‌ অনৌবা হূজাইবা ওইনা থোকপনি ঐজোন্দদি অদুম!

পেট্টিগ্রূ স্কুল (খ্রীষ্টাব্দ ১৮৯৩)

বৃটিশ আমলগী ইহান হানবা স্কুলনি। আমেরিকান ব্যেপটিষ্ট মিশনগী মিসনারী রেভরেণ্ড পেট্টিগ্রূগী থৌশিল মথাদা লিংবনি। রেভরেণ্ড মশানা অনাহারী (honourary) ইনস্পেক্টর ওইনা মওং তানবা শীনখিবনি। অদুনোং ষ্টেট সরকারনা সম্মান উৎপা ওইনা রেভরেণ্ডগী মমিং পানখিবনি।

লাওয়ার প্রাইমারী স্কুলনি। ক্লাস মঙাথক লৈ। প্রথম, দ্বিতীয়, তৃতীয়, চতুর্থ, পঞ্চম শ্রেণী হায়না চংলি। পঞ্চম শ্রেণীগী শাখা অনীনি—ক শাখা, খ শাখা হায়না থঙনৈ। মৈতৈরোন্দদি থীনা তৈনা চংলি—মমৈ মকোক পূমওল ওরে। পঞ্চম শ্রেণীনা অহানবা, চতুর্থনা অনীস্বুবা, তৃতীয়না অহুমস্বুবা (মসিমদি মতাং চাক্লবনা কায়দনবু থোক্লই), দ্বিতীয়না মরিস্বুবা, প্রথমনা মঙাস্বুবা হায়না চংলি।

স্কুল অসি ওজা অহুমদনা পুই। ওজাহল্লা প্রথম শ্রেণী কোয়, ওজায়াইমনা দ্বিতীয়গা তৃতীয়গা অনী, ওজাতোম্না চতুর্থগা পঞ্চমগা অনীমা কোয়। ওজা মশীং ব্রাংলিবসিগী মরু ওইবা মরমদি ওইবিনবা লৈতবনি। স্কুল অসিগী হেডমাষ্টরবা ওজাগী মমিং পূর্ণ কোই, ময়াংলম্বম্‌, মশা মপানগীনি। মাগী মতুংদা লাকপা ওজাশিংসু মপানগী ওাক্লি। ঐথোই মতমকী ওজা মকোক খ্বাইরাকপম নবকিশোরমক মপানগীনি। অদুগুম, মতম অসিদা ইম্ফালগী ময়োল অমম্বং মতাইদা লৈবা নিম্ন অমম্বং উচ্চ প্রাইমারী অনী পূন্না স্কুল তরেৎ নীপান্দুদসু মকোক্তি অয়াম্বা মপানগী ওাক্লি। হায়দি লোইনবা মপানগী ওাক্লা ওইমবনি। স্কুলনা চহী তরামরি মঙা হায়জিনকপা, মশীং থর কায়কপা মতুং ইন নিম্ন প্রাইমারী, উচ্চ প্রাইমারী পাশ তৌবা থর থর থোয়কপা, মাই-নয়গা পাশ তৌবসু থর থয়দং ময়াওয়কপনা থর থর অহুম মতুংগীনা শিজিনবা, শিজকপগী হাদনি।

স্কুল অসিগী থোইথোইবা মওং অমদি কস্মোপোলিটান ওইনা চৎপনি। মৈতে, চঙ্গদে মলিদা জাতি ধর্মগী না। তম্মি মসিদদি, মলিদদনি; মৈতৈ মচা চাং মচা পাঙল মচা পুম্না লোইনবা। হাংলগদোয়ে পম্বোং মতম্না থুনমক, থিংবা মায়রোই, মচাম ননাও শকখঙনদ্রৌ—শকখঙনৌ, মতানি লোংদম মাগী নোংদম খোল। ঐখোয় পণ্ডিতন্দ তিন্নৈ, পণ্ডাচান্দ চায়ে, পণ্ডচুন্দ হুংশিনৈ। অদোং ইওই ওইনা, ইপণ্ড পণনা মানবধর্মগী শিক্ষা ফংনবগুম তৌথি ঐখোয় লোইনবা। হিমালয়গী চিংমায়দা উম্নাংদা তাথিবা গেঁহনা উনলোইদা ময়োন চোং মহে মালবগুম অদোং ওইনা ফংথিবা মানবধর্মগী বিকাশ ফাওরে পুনশিদা লৈবাক্কী মীথিং অমা, নত্তে, মীকোক অমা ওইনা লেপ্পরবা মতম। অপুনবা ভারতকী মীথিং মীকোক মশীং চন লেপ্পরবা মতমদন্থু থোক্নে ইকোম কোয়া, চুশিন্নে অতুম।

স্কুলবিদা তম্বা ঐখোয় ছাত্র চনীদগীদি কম্লমগনি। কা অমত্ত থাদে, লোইনা উনৈ।- ওজানগা স্থনমে, লাংবনা থেংডি, কৈথেম্নি, কৈথেম্নমু চাক-রায়রকপগী মক লাউরকপা মতমহুমক্লি। ওজানা ফনা লাউজৈ, চৈনা টেবলদা ফনা ফুহুনা থিংজৈ কৈদৌনি, য়োং তেংগোম্নি, কনানা কৈদোকনি। নীত্তিনা আড়ন চৎপা ওজা ওাক্লি, মশা মশাম্থু লাড্ডুগোপাল সায়রকপা, চৈদ চাহুনা লাকপা ওাক্লি, লৌই শিবগী রৌদ্র মূর্ত্তি, সাই প্রলয়গী তাণ্ডব, হূই তক্কনা ছাত্রশিং—ফুবনি যশ ইরোই। অত্থবু, ওংাক্তনি চিকপা, লাঁতি তম্না অমুক তম্নাং, মায়গী তম্না অহুম ওজা। য়োংয়াম শেনবগী অবাবা ওহাক পোথানবা, নাকন্দা য়েম্না শোর অমুক্তং হোন্দোক্নবা পুংথায়মুক ছাত্রশিং মপান্দা শায়বা থাদোকই। হাও ছুটি হায়না থণ্ডনৈ, হাফ ছুটিদগী থৈথরকপনি, মত্তেক ওহাক লেপ্পনি হায়হুনা হাক মোক শিজিন্নরবগুবা তৌবা তাই। হাক ছুটিগী মতুংদা অমুক লাওনা লাওনা ওহাক তম্নগা ছুটি থায়।

ওজাহলগী শিংদি মথক্তা মতাং অমদা পনমে। ওজামাইনগীদি অতোবা কৌই, মোইরাংথেম্নি; ওজাতোনবীনা অতাংজাও কৌই, টৈরাংখোংজম্নি। ওজাহনি নবৌন পাশ ওইরবা মাই, মাইমগা অতোবগদি নিরপ্রাই উচপ্রাই অহুবাই থাওগী পক্তা কাময়োই। মীদি মী ওাক্লি। মশা মশাগী অমান

ভাল্লা চৎলি, মথৌ খঙনা খঙনা চৎনৈ। নিংথম কালেন, নোংঙু ফুংগা স্কুল নোংমত্ত থেঙদে, নোংমত্ত থবক কোমথোক্তে, মীকোক য়ৈনা অঙাং য়েংশিল্লি, কনাগী কবিদা হোই লোইনা থঁডি। মথোয়গী বাখল, কিদম, মিৎয়েং. পান্দম, পুনশিগী অর্থ ময়ৌ অঙাংনিনা থোইনা খঙলুবা নত্তে, অদুবু, নীংথিবা তাই, নীংথিবা ফজবগী মশক ওইবা আত্মা পেন্নখি লোইনবা, কৎলখি মথোয়দা থম্মোইগী অৱাংবা ভক্তি, অচেৎপা শ্রদ্ধা।

শিক্ষা বিভাগ অসি মণিপুর ষ্টেট দরবারগী অর্দিনারী মেম্বর অমগী মিৎয়েং মথাদনি। থবক্লক পুবদি ডেপুটী ইনস্পেক্টর অব্ স্কুলস্‌না পুই, ইনস্পেক্টিং পণ্ডিত অনীনা মতেং পাংঙি।

ঐথোয়গী স্কুল অসিনা বৃটিশ আমলগী ইহান হানবা স্কুলনি, রেভরেণ্ড পেট্রিগ্রুনা অনাহারী ইনস্পেক্টর ওইনা থবক পুদুনা লিংথৎথিবনি হায়বা মথক্তা হায়খ্রে। নীপালফম্বি হেক লিংবদগী মেম্বর অমনা শিক্ষা বিভাগ পুথি। লোয়ননা ডেপুটি ইনস্পেক্টরগী ফম অমা সেম্মি। সিলেট মাছিমপুরগী তোম্বু ডেপুটি ইনস্পেক্টর থিন্দোকই। মহাক্না আসাম সিভিল সার্বিসতা চঙখ্রবদা কাছাড়গী থেন্দ্রে স্ববেদারগী মমাক চান্দম গোলাপসিংহ হাপ্পি। ঐথোয়না স্কুল তম্বা মতমদদি মহাক্না ইনস্পেক্টরেট্ পুরম্লে। ক্ষেত্রীময়ুম মুনালগা চিঙাখম্বা জাতীশ্বরগা অনীনা ইনস্পেক্টিং পণ্ডিতকী শরুকমদা মাগী মতেং পাংলম্মি। মথোয়সি ইনস্পেক্টরদ ইনস্পেক্টরনি। আসাম এডুকেশন মেন্যায়েলগী পথাপ মতুং ইন চহীগী শরুক তংথাইমরমদি ইনস্পেক্সনগী থবক তৌই। অনক অৱাপ স্কুলশিং পূম্নমক্তা লৈনা লৈনা শগোম্না পরিদর্শন চৎলি। অয়াম্বা থোঙ-ভমদা মেম্বর মশামক য়াওই। পরিদর্শন নীংথিনা তৌই, য়েংশিনফম থোকপা পূম্নমক য়েংশিল্লি, ওজাশিংগী বাকৎ পূম্নমক লোইনা মুম্না তায়, অঙাংশিংগী থাকী মতুং ইন চাং য়েংঙি, ওজা অমম্তং ছাত্রদা তাকফম থোকপা কয়া তাকই।

লোইবা নত্রি অসিনা মতমদুগী ইনস্পেক্টরেট্‌কী মথৌ, লৈরি পঙ্গাউনি অমা। লৌই মথোয়না অনেম অৱাং ক্লাস পূম্নমক্কী বার্ষিক পরীক্ষা, কোয়রা এলাহো পরীক্ষা লৈয়রম অদুম। এলাহো অলাউ (allow) দগী লাকপনি, মতমদুনা টেষ্ট একজামিনেসনবু কৌনৈ অদুম। তৌবদবু, প্রথম শ্রেণীগী

পরীক্ষানা নিয় প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষা হায়না লৈবাক্কী ওইনা পূন্না তৌই, অতৈগীদা স্কুল পরীক্ষাদা মথোয় ইনস্পেক্টরেট্‌না লোবদনি। হৌজিক্কা হোম একজামিনেসনবু মতমদুদা স্কুল পরীক্ষা হায়না থগৈ। স্কুল পরীক্ষাশিংদি নোংমা নোংমদা লোই। শ্লেট পরীক্ষানি; সাহিত্য, অঙ্ক, শ্রুতলিপি মথং মথং পুং মরিমুক্কী মতংদা অদুম হোইশিল্লি। হায়দোকপসু থুনা অদুম হায়-দোকই। বিষয় অমত্ত তেকপা য়াদে, অতেকপদু অমুক থাবা তাই।

ইনস্পেক্টরেট্‌না চেকশিনগা ওজাশিংনা মথৌ থওনা মশাগী সন্মান ডাক্লা চৎপগা অডাং অয়াম্বা মপুজেং অদুম কাবক নাংথিনা পুবা ওম্মি। ক্লাস মশীংগা ওজা মশীংগকাও কোয়দে কদৌনি, ওজাদ ওজা ওইনা চৎপা ওজা ডাক্লিনা অহোবা শকক অদু মেয়বগী অরাভম পুনে তরাই। হোম টাস্ক নোংমগী শোয়-ফদনা পুই, তুংথিল ময়ুম গয়ুম থোও লাওনা হাংডি, অশোনবা অডাং থোওইনা কৌদুনা তম্মি, থাংজ খুদিং পরীক্ষা তৌই প্রোগ্রেস চাং য়েংডি। ওচাংনা পরীক্ষা মতম থা অহুয়োমদি পুই হেক হেক অরাভম—পঙাউৎ পঙাউর্মনি। মহাক্কী শকক প্রথম শ্রেণীগী ছাত্র হুমিগাং লেকনা তম্মি। লেয়নি।

বিদ্যাদান মহাদান

দান্দা বিদ্যাদান্না অথোইবনি হায়বা ধর্মগী নীতি চৎপা ওজা ডাক্লিনা স্কুল চঙলুমন মনীং ময়াম অসি পুজবা ফংবনি হায়না মবুক্লাং মকা লাম্না চৎনবা ডাক্লি। তৌরিবা দাস্যুমন্ত্রু ভগবদ্‌ ইচ্ছাদগীনি পুনবনা

"ত্বয়া হৃষীকেশ হৃদিস্থিতেন
যথা নিযুক্তোহস্মি তথা করোমি"
(হে জ্ঞানগী মবুঙো হৃংদা ডাক্লিবা,
চচ্চবদনি ঐ নঙা পোইবৈ য়েং)

হায়না কথোকচবনি ভগবান্দা হরাউ হরাউ মশা মশাগী কর্ম।

ওসি মতম্না চোয়রবা কংলৈ সনাপুংগী ওজাশিংগী মতৌ উরুবদা কবি বার্ডস্‌বার্থনা চাওথৎ-ঊপলবা ময়মদমগী মতং মাগী লণ্ডন ১৮০২ দা মিল্টন কৌথরুবগুম কৌথরুনীংলুই থম্মোইনা মথোয় থায়নগৈগী ওজাশিংদুবু—

লাকথো নোংগুন্নকথো নথোয় ওজাশিং অমুকং,
লৈয়ে নথো কংলৈপুংদা নথোয়গী থয়দং।

চঙ্গ্রে ওজানা ওসিদি ওজাগী থরম,
মাঙলে লোইরে সনা লৈবাক থঙব্রে মশক কর্ম।

তেংথানাইংলুই অমুক্ক কবি দ্বিজেন্দ্রলাল রায়না লৈখা তারবা মরৈবাক মজাতিগী মতং তেংথাখিবগুম মহাকী আর্য্যগাথাদা—

কৈদা চৎপ্রে ওজাগী বাখল ওজাগী ফিদম—
মাঙখরেদো ওজাগী মিৎয়েং ওজাগী পান্দম।
কমন্ত্র.বাইদো ওজাগী থম্মোই কলি হুংশিং লাং,
পাম্মুই মর্ত্যগী লাইনা থাবা স্বর্গগী লৈরাং!

স্কুল কাবা

অচবা ফিজোন্দনি। থৌঙ্গ্ৰপ খোঙ্গ্রাউ শকখঙনদ্রি। খুদৈ অমা, মোজা ফুরিৎ অমা, ফুরিৎ থাউপানবি অমা—অসিনা ফিজোল অমুবিনি। নিংথম থাদা ফি অমতং হাপকৎলি, লোইরে অতুনা অতুম।

ফিজোল অসি লৈবাকী অমুক ফিনি। স্কুলনগা অমুকী ওইবগা ঐথোয় মতমতুগী অঙাংনগা প্রকৃতিগী মশাইগোন থোইনা নম্না কোইবগা হুংথিল ফিগা ঐথোয়গা চুনদে। কবিগী লোন্দা হায়রগা অকে অমৌ খোংগুল তাবশিংনদি তাথী থীনা উফুল, উবা য়াদে, কছোকই, নাম্বোকই, মথোঙ্ভম ফাও বাই কৈনাঁঙ্গি, অতুবু, অঙাংদি লাইনা থাবা জ্ঞান্না পুবনা মশা উফুন্দগী হোরকপনি হায়বা কাউদে—খঙ্গি, তৌই অতুনোং লুনা উফুল। সেম্নংলে মকে সেম্মি উফুন্না মশা পুম্বা লোইনা তৈ, হরাউরে ওল্লি উফুম্বক থরো মারো, হুডাইরে চাই উফুল খুবাম খুবাম। কবিগী বাকম অসিদি মতেক অমত্তগীনি। ঐথোয়গীদি ইনাইংতম্না শাম্নবা, ইনাইংতম্না কোয়বনি—তৌনাইংবত তৌবনি। ঐথোয়গী লাইগুরুগী পরেং পুম্নমক ঐথোয় মচামশুশিংবু অঙাং ওইরিঙৈ হুডাই-জহৌসমু মতা অতুম য়াবমথৈ মথাদোকপনি।

ঐথোয়না লাইরিক থর তম্নরুদা খেংনরুই নোংমা কবিবর নবীনচন্দ্র সেনগী

হাস হাস হাস শিশু নহে দিন দুর
... ...
(নোকহো নোকহো নোকচহো কুইন্দ্রবনিকো নাবা)

হায়বা শৈরেং, খম্বি মখোয় লাইগুরশিংনা ঐখোয় মচামশুশিংবু করাদ হুংশিন্নবা, করিহুং ঐখোয়বু কোয়া থাদোক্লবা। মখোয়না ঐখোয়বু হুংশিবিমল, ঐখোয়গী তুংগী শোয়কদবা অরাবা খোঙভমগী কাও রাবিরম্মল কংলি ঙসি থম্মোইনা, ইশাগীমু ওইনা খ্বাইগীমু শক্না, মখোয়গী মখোঙ খুয়াথাদা ভক্তি অমস্মুং প্রেম।

লৈরক কোনশাং, খোংবান লোক্লাং, তোরৈ তোর্বাল, চাংজৌ খোংহুং, উম্মং রাম্মং, লমজাউ লম্মাং, তু খোং পুম্নমক ঐখোই য়াখোকফম্নি, কৈথেল্লা য়াখোকপুংনি। লোইনমক ঐখোই হক্তা লৈবনি। নোংমগী তানিংবা মফমদা তাই। চেল্লি চোংঙি ফল্লি, লাউই খোংঙি নিল্লি—শায়ে শান্নরিংবমথৈ মখল মখল। শান্নমথৈ শান্নরগা লুপ্পি তুরেন্দা। লুপথৈ লুপ্নগা হকচাংদগী তিনফানাংগা থাদোকই। মায় মিৎ হকচাং শেংদোক্লবা তুং অরোইবা ওইনা:—

অক্লবা
অশেংবা
ননাই পূজারী কাপ্পরগে,
চুপ—

হায়তুনা পুম্নুপ অমুক্তং লুপ্নগা কায়। তোর্বাহক্তা ফি রোল ভমদোক্তুনা তৈথোক খোক্তোকই। অচোৎপা ফিদু হুংশিৎ হুংশাদা

হুংশা ও খোয়ক্লো,
উকমলৈমা চম্মরো,
করো লৈতে ফিরেন্তে—
কোনারাবা তীং তীং।

হায়তুনা মী অনী অনীনা হম হমতুনা মতু মমান থর কংহল্লগা শেচ্চিন ইনশিন্নুনা মুম চৎনৈ। ঐখোয়গীদি শিক্ষাবিভাগনা অধ্যয়ন অধ্যাপনাগীদ মশীনবি। অতুনোং ঐখোয় ইশানা শীগবা পরেংসিনা নিম্ন প্রাইমারী স্কুল ছাত্র ঐখোয়গীদি একষ্ট্রা-ম্যুরেল কো-করিকুলর এক্টিভিটিজ হায়বতু অতুম মৎইরে। ইক্ট্রা-ম্যুরেলসু অতুম মরে। হুম্নিৎ থুদিং পুং তরাগা তারকপা অতুরাইদা ওজাশিং ভহাক পোথাজনবা পুংথায়মুক ঐখোয় শান্নবা থাদোকই। শিক্ষাবিভাগকী খৌশিল মতুং ইমনি। হেক থাদোকপগা ঐখোয় লোইনবা স্কুল পম্লাও

থোকই, লমী লম্মাং লোইনা মথল তৌই। অচৎ অথোক কিবরা থওদে, থৈ থৈহুনা চৎনৈ। য়োংলক কাওবযু কয়িগীম্ব কিয়োই! অহল থওদে, অঙাং থওদে, লোইনা কিনবা ওারি। থর থর চাউবশিংনা শায়ে মথল মথেল। মচীন মনাও, কৈয়েল, অথাবি, পী পা, মকমকোনবি, চেঙোং, মাঙজোং, থোংয়াই, থুবৈ, থোঙবী কয়ানি। থর থর পিকপশিংনা ভাবুকনি। শাগী থওদে লালগী থওদে, হয়াউ তয়ামগীম্ব থওদে, লাইনা ভাবুক ওইবদি লৈ চাইথে, লৈনা নোং চুই হায়। অঙাংনা ওইবদি উফুল চাই, উফুলগী লৈচিল থায়। থোইয়ে থোইবগীম্ব পোয়ে পোবগীম্ব উফুল খুবাম খুবাম খুজোক খুজোক চাই, উফুলগী লৈচিন্না মখি অতিয়া পুম্বম। চঙংব অসিনোং ঐথোয়দা ফুংথিল ফি, অয়ুক ফিনা ফিজোন্নি ঐথোয়গী চপ চানবা। কাবনি অহুনোং অয়ুক ফিনা স্কুল।

স্কুল কালেন্দনা পুং তরুক্তা নিংথমদনা তরেত্তা হোই। ওজা খুদিং মতম চায়। থিন্তং থেম্বিবদা ফান্দা লেপ্পা শোয়দে। অহুনা ঐথোয় অয়াম্বা মতম চায়। নোংমত্ত হস্তলিপি শ্রুতলিপি লেপ্পে। হস্তলিপিনা য়ুমগী থৌদাংনি, শ্রুতলিপিনা স্কুলগী থৌগাই পয়েংগীনি।

হস্তলিপি

ঐথোই মতমদা ঐথোয় অঙাংদা চে কলম পীদে। লোইনা স্লেট কাঙ্গু শুই। স্কুলগী ওইনা হায়রগা পঞ্চমগা চতুর্থগা শ্রেণী অনীগী অঙাংদি চে কলম শোক্তে। ইবা থোংপা পুম্বমক স্লেট কাঙ্গুনা তৌই। ইয়িবা পোৎনা অনৌ অনৌবা পড়াগী শরুল্লি। লাইয়িক্তা অক্ষগা মমায় নাম্ব নাম্ব থন্না থন্না ইবনি। পঙই ইবা য়াদে, নীতি নিয়ম অমগী মথা পোন্ননি। লাইয়িক্তীনা পঙক্তি থক খা থক খা পথাপ থাহুনা পুম্বমক লনবা লাওবা মান্ননা চিংঙি ইয়িবা ময়েক খুদিং হুংনা মওং তানা থক খা থক খা শোকদোবনি। অক্ষগীনা হুংনা চিংবা, কৈনা চিংবা অনী চৎলি। মশীং মথং মনাও নত্রে যোগ বিয়োগকী ওপ্রাক ইবা মতমদনা হুংনা হুংনা পূরণগীদনা কৈনা কৈনা চিংই। ময়েক থওদে মশীং থওদে চাং য়ান্নগদবনি। ওজানা লোইনা মুম্না য়েংঙি অশোয়বা নীংথিনা তাকই।

হস্তলিপি

হস্তলিপি য়েংবা লোইরবদা পড়াগী লৈহৌবা শকক লৈরগ! লৈরে লৈরবস্থ ওজানা মওং অমা য়েংহুনা পড়াহুগী মতেক অমনি হায়, অখনবা ৱাহৈ মতা তরানি হায় হেক হেক হায়হুনা অমুক ইহল্লি। অয়ানবা য়াওরবা, অয়ানবদু চুমখোকহল্লি, মতারক মতায়ক ইহল্লি।

পড়া লৌবা অমসুং পীবা

পড়া কাদবশিংবু কান্দা লেপ্পুনা চুম্না ওয়াইহল্লি হায় নত্রে অফাবশিংবু মনাস্থ লৈহল্লি হায় হেক হেক তৌই। য়াম্না ইকাইনৈ, মায় থীনা থীনা ভাংনৈ। খুমত্রিমথৈস্থ ফজন্দে।

লাইরিকী পরেং লোইরবদা অঙ্ক তৌই। একক, দশক, শতক ··· কোটি ফাওগী মফম শূন্য নাপান্দা পান্নুনা তাকই। শ্রেট্টা শূন্য নাপানু ইহল্লগা অঙ্ক মশীং ইবগী নিয়ম তথি, যোগ মচা মচানচিংবা চৌনগা কোয়না তম্মি।

হাক চুটি পুংথায়মা থায়, স্কুল পম্নাওদা শায়ে। কৌশিলবা মতুংদা ঐখোয় মরক্তা থর হৈবা ইচঙস্থ থোবা অমনা হল্লগা মতম মতমগী মতুং ইন্না মশীং থঙদে ওপ্রাক্ থঙদে হেক হেক থী। থীবা লোইবগা চুটি থায়।

নোংমা চৎথি নোংমা লাক চয়োল অমা কারে। চয়োল অমা অনী অসুম মথং মথং হায়রক থা কারে। থাস্থ মপুংদা অনী মচেত্তা অহম হায়রে। ঐ ইশাস্থ ওজাগী মমিৎ থুপ্না থবক চথে। হস্তলিপি খুৎলোয়রে, অঙ্ক মশীং চৌনগা খুৎকা থোঙমায়না হৈরে, এককতগী কোটিকাওবগী মশীং হায়বগা ইবা লোইনা ভগ্নে। যোগ বিয়োগকী ওপ্রাক কাবন নত্তনা অঙ্কস্থ মচা মচা তৌবা ভগ্নে। ওজাতোয়া বা হৌদোক্লবয়া থঙদে ওজাহল্লা বাহৈ মতা তরাদং চৌন্না হায়হুনা ইহল্লি। খুৎইস্থ থোইনা থীদে, বানানস্থ লোইনা চুম্মি। অঙ্কগী কক্ষমস্থ অরায়বা যোগ বিয়োগ অমা অনীস্থ মৌখিক ওই করি ওই হংজি। চুম্মি। "ইচাদি য়াম্না হৈরেনা সিদে, চৎলো খদা কম্নুরো" কজরে। "ভসিদগী অমুক থা অহমদা পূরণ ভাগনচিংবা নীংথিনা তৌবা ওবা চতুর্থ শ্রেণী কাহনগনি, কন্না হোৎনৌ" ভাই মতোল। অঙাং ওইবা থম্মোইদা থবক পাঙবগী মঙাইবা মহাউ অমা কাওথিবগুম তৌথি।

তন্নে থ শাখাদা থা অমা অনী। হস্তলিপি থুৎলোয়রে, মওং তারে। অঙ্কস্ যোগ বিযোগ পূরণ ভাগ নীংথিনা হৈরে। অতাং অসি চতুর্থ শ্রেণীগী বার্ষিক পরীক্ষা ফমজনবা ওয়েপ থাগৎপিবনা ফল্লোইদবা হায়বা ওজাগী মপাউ-খোল মতুংইন ওজাহন্না ঐগী পরীক্ষা লৌরে। হন্দক্তি থব চেকশিল্লপ ভৌই। লাইগী লোংদম কাজয়ো হায়বত্তম ভৌবয়া ওজানা যোগাতা লৈরে লৌথি। মতম ফনা য়ায়া যাঙজোননা কাথি ঐ চতুর্থ শ্রেণী।

বার্ষিক পরীক্ষা থা মখিয়োমদ ভায়রবা মতমদনি ঐনা চতুর্থ শ্রেণী কাবা। পঞ্চম শ্রেণীগী অঙ্কদি অশেংবা মশীংগী যোগ বিযোগ পূরণ ভাগনি। চতুর্থ শ্রেণীগীনা অয়ানবা মশীংগীস্নি। শিংগৎকদোবা য়ামগ্রবনি। অদুবু, ওজাগী অহেবা লমজিং অমস্থং তাযোগী স্থুশিবা তেংবাং অনীনা লেঙ্গবা পাযে ওই অহোবা পূম্নক জোইনা যেন বার্ষিক পরীক্ষা ফমথি।

স্কুল পরীক্ষা

পঞ্চম শ্রেণীদগী দ্বিতীয় শ্রেণী ফাওগী পরীক্ষানা চুমগী প্রমোসন একজা-মিনেসন্নি, প্রথম শ্রেণীগীনা লাওয়ার প্রাইমারী স্কোলার্শিপ একজামিনেসন্নি। অদুনা মমাঙ্গী ক্লাস মরিগীনা হোম, মতুংগীসিনা পব্লিক একজামিনেসন্নি। অদুবু পব্লিক একজামিনেসন অসিদ নত্তনা চতুর্থদগী দ্বিতীয় ফাও শ্রেণী অহমগী ·হোম একজামিনেসনশিংস্ ইন্‌স্পেক্টরেট্‌না লৌই। অদুনোং হোম থওদে পব্লিক থওদে চহীগী পরীক্ষাবু পরীক্ষা অচৌবা হায়না থওনে।

পরীক্ষাগী হুমিং মতম থব লৈনা হায়। হায়রকপগা ওজাহন্না ঐখোয় ছাত্রশিংদা অদুম হায়দোকই। অমূক পরীক্ষা হল্লেংনি হায়বত্ত্রদম লাউথোকই, হায়, "নখোয় চাক চাদুনা নফি নয়োল লূনা কায়কউ, স্লেট কজনা ক্যেঙদোয়কউ, কাম অমোনবা য়েংদুনা পায়রকউ, পরীক্ষা পূং তরাদা হোগনি, ১৷৹ দা স্কুল য়ৌয়কউ, থবক লৈ, শোয়বা য়াদে"।

পরীক্ষা হুমিংনি। তত্তো ইরুযে, চন্দন চুমা থিল্লে। মচি পানবা ডা, মোরোক শাবা এনশাং চাহৈদে হায়দুনা অমেঙবা পীজদুনা চারে। পরীক্ষানি অচৌ অশাং তিনগদৌযিবনি হায়দুনা হুংখিল ফি শেৎহজি, শেংলি। লাম্বিংবো লৈময়েল থুমল্লে, ইযোহোয় ঐজাহোয় লোইনা মথং মথং থুকল্লে। শোয় য়েংহজি,

লেরে। অকেংবা স্লেট অমোনবা কান্দ্রু মশাংব পাম্বনা জাকপা মতুং ইন পোম্বী তুংইন থোক্পারে।

য়োহে স্কুল। ঐখোই ওজাশিংহ্ ইনস্পেক্টর পণ্ডিত অনীহ্ হায়া লৈরে। স্কুল চৌকিদারগা ইনস্পেক্টরগী চাপরাসীগা মখোয় মীকোক অনীনা ঐখোয়দগী স্লেট খোমজিনগা ক্রেমদা ক্রমিক নম্বর অমম্তং মিং ইবা লেবেল অমমম থেৎলে। মিং কৌদুনা স্লেট পীবগা লোয়ননা কন্দমহ্ পীদুনা অদুম কন্দরে।

লাইরিক্কী চাংয়েংনা হায়া তৌই। খরগী কায় ওন্দা মশক তোপ্তোয়বা য্ দা উ কায় গুম্বা, য গী ফলা তন্দা মশক ওনবা ক দা যফলা গুম্বা, ময়েক অনী তিয়বদা মশক হোংবা জ গা এঃ গা গুম্বা থিবিক্কী মশক, মখোয় চঙবা য়াহৈ অমমম, য়াহৈদু য়াওবা বাক্য মচা অমমম সেমদুনা পীবনচিংবা তৌহল্লি। ওহাক্কী মঙংদা "লোইরবরা, স্লেট থম্লো" লাউই। খোমজিন্দুনা য়েংথোকই। মথংদা পাঠগী তৌই। পাঠগী লোইবগা শ্রুতলিপিগী তাই। অদুদগী ঐখোয় মপান্দা ওহাক পোথাই। ঐখোয়না পোথারিঙৈসিদা মখোয় মীকোক মঙা চঙদুনা শ্রুতলিপি য়েংথোকই। লোইশিল্লি অদুম থবক্কী পরেং অমা তম্না অদুম।

কৌশিল্লে। অঙ্কগী পরীক্ষা হোৎরে। অহানবদা অশেংবা মশীংগী পুম্নিবা য়েম্বনচিংবগী পরেং চৎলি। অয়ানবা মশীংগী শাগৎ-শাথনচিংবা পরেং অমনা ইল্লি মতুং। পরেং পরেংদু য়েংথোক্তুনা হেক হেক লোইশিল্লি।

স্লেটকী থবক লোইরবদা মৌখিক তাই। মীকোক য়ৈনা অমমম হংঙি, অশোয়বদদি অমুম্বু হংঙি। অর্জগী মতুং চনবা পাই কয়ানা লুপানো গুম্বা ডাক্লি। মৌখিক লোইবদা "পরীক্ষা কোম্না হায়দোকনি, চৎলো" লাউথোকই।

লোইরে অহুম পুনশিগী পরীক্ষা অহানবা, হল্লে য়ুমদা হরাউ হরাউ ফংলনি শাম্বা কোম্না। তৃতীয়, দ্বিতীয় শ্রেণী অনীগী বার্ষিক পরীক্ষাস্থ প্রথম শ্রেণীগী এলাউ একজামিনেসন্দু অদুম মথং মথং চথখিনি, লোংমা নীনিত নত্তে মঙানি তক্লিনি ঐখোয়না কোমগদোবা থম্নুবদা অমুক হেম্না হরাউখি লাইগী ডমথং ওইবা অঙাংগী থম্মোই।

মঙাশুবা মতাং

বৃন্দাম চংপা

মৈতৈনা বৃন্দাবনবু বৃন্দাদেবীগী লৈফমনা খুতরি বৃন্দাম কৌই। বৃন্দাবনগী লাকই বৃন্দাম। অদুনা বৃন্দাবন চংপবু বৃন্দাম চংপা হায়রে।

বৃন্দাদেবী জলন্ধরগী মপু অসুর নিংথৌ শঙ্খচূড়গী লৈমনি—সতীনি, মপু-রোইবগী মমক হিংবীনি। মাগী ধর্মগী ভগনা স্বর্গ, মর্ত্য, পাতাল—লোক অহুমগী কনাগুম্বা করে হায়রবা শক্তি অমত্তনা মপুরোইববু পোকপা ঙমখিদে। পানখি অহুনোং চঙনা শঙ্খাসুর, কাথি তুংইন মথোই অহুমক্তম নোংমনোং। থুরুখি দেবলোক তম্নকদরা নোংমা ইন্দ্রগী থুডম। তমস্থ তম্নকখি মথোয়না চিংনবগুম অত্তুমক। দেবলোকী অরাবা খোঙাউ তাবদা কুম্নকখি ত্রম্ন: বিষ্ণু—থুগাইখি সতীগী ধর্ম, লোইশিনখি শঙ্খচূড়গী মপুনশি।

হিংগ্রে অসুর দেবলোক্তি, শিহৌরে থীনা সতীদা বিষ্ণু মশাদি। "নুংনি নংদি, নংলমগ্রে প্রেমগী মপক" হায়রবা সতীগী মখশোই কায়রবা রাগৌখোল তাবমক্তা ওইখি বিষ্ণু নুঙী মূর্ত্তি—প্রতীক্তা ভসিগী শালগ্রাম। বৃন্দাগী প্রতীক তুলসীগী পত্রনা ওইরাখি ভগবদ্ পূজাগী পত্র, শঙ্খাসুরগী প্রতীক শঙ্খগী ভজনা, জল। মৈখি বিষ্ণু বৃন্দাগী মথা পূম্পোন পোন, লেখিদে বৃন্দাবনগী খোঙকম অমকাওন, শায়খি কেতদনা মাগী অপ্রকট—অথুম্বা, লীলা। মাপূরদদি শায়খি পুণ্যধামশিদা প্রকট—অফোংবা লীলা কাণ্ড।

মাপুর যুগদনি, তাইমেদনি, রজঃ গুণনা কাবা থেংডি, থেংবক নক্তে ভনবনি থাক—মনবনি কা। তুংইন, শায়খি থীনা সত্ত্ব গুণ। তমঃ গুণদি কখি অহুম মশাল রজঃ গুণগী মকম থুপ। হোংখি থীনা হায়দগী মশী রাখল, কিমর, থিং-থেং, "শায়দন অমস্থং পুনশিগী অর্থ মরৌ। মশাদগী য়েংবা, মশাদমু লাংপা শাদিক্তা কংডং অমনা ওইখি যুগধর্ম। ' অমম, অঙ'দ থায়না থায়না থায়থিদে অমম-অঙাল'; পাপ, পুণ্য থঙনা থঙনা থঁখিদে পাপ-পুণ্য।" পুনশিদা অমমঙবা পাক্দনা কন্দ্রগুবা দৈত্য, দানব, রাক্ষসনচিংবা মথৈং লৌকগুমদবা শক্তিশিংগী

ভগৱানবা শাজং, ভগৱানা কংথেবগী শক্তি কংবা নিংথৌ কনা কয়াগী হিংচা য়াওবগী শাজং—পুরম্মা পাড্ডা নৈমকপা পুক্নীনা থাজবা এককুলা মখ অসুরশিংগী মথক লৌ কৌখি ভগৱানবু অবা-থোক্লোয় মায়গৈ কাবা থুংঙে চেল। পৃথ্বীগী অৱা তেংথাখোল পানখি ভগৱানগী থোকপগী নাকোং।

পৃথ্বীতার কোকে
সাধুসন্ত কনগে
থোকখি মাতেম তঙ্গা ভগবান।

পাপী তাপী লোইগে
ধর্মই ঈরম য়ানগে
লাকখিবনি মশামক ভগবান।

যুগশিংগী লক্ষন
কোক্লগে লোইনা খল
কুমখি মীগী শকমদা ভগবান।

ভগবানগী অহানবা থোক্লাতম মথুরানি—কংসগী কারাগারদা থোক-পাবনি। লোংয়ায় দণ্ড দণ্ড হেক মৈবা মতমকনি। থুপ্তা গোকুলদা থৈ। লৈখি নন্দালয়দা মায়ানা মশক মচু লোইনা লোং চহী তাগা নীথোই। খন্দনখি নন্দ, যশোদা মশা মশানম থ্বাই অপুংনম মথোয় অনীগী মচামচা অহুম। শারখি দিব্য লীলা কয়া, নত্তে, পরেং পরেং। চুপখি শান্ত, দাস্য, বাৎসল্য, মধুর প্রেম খিবিকী রস। উৎখি জগত্তা অকোংবা লীলাগী পরেংশিংদা আনন্দগী মথক ওইবা ভগবান মহাক্কী আনন্দগী লীলাদা শকক য়ানবগী লম্বী।

গোকুল ব্রজম্ম কৌই, ব্রজমণ্ডলগী মচুং চুম্মবা লমি। ব্রজমণ্ডল মথুরা মহানগরীগী অকোয়বদা কোশ মরিফুগা মরিনা কোনবা লমথৈগী মিংনি, মথাক্কী পরেং হায়বনি। গোপশিংগী লমথৈ ওইবনা কৌরবনি অসুম। গোপগী গুহদা গোপ মচা ওইনা লোকখিবনা বালকৃষ্ণবু গোপালকৃষ্ণ কৌনৈ। গোপালকৃষ্ণ মীংবা বৈষ্ণব সম্প্রদায়শিংগী মকথা ব্রজমণ্ডল ভগবানগী বাল্যলীলাগী মফম ওইরবা তীর্থ অথোইবনি—পুণ্যধামনি।

বৃন্দাবনগী গোকুলগী মহুৎনি। অমুনা ব্রজবৃন্দাবন হায়নমু খঙনৈ। অমুনোং বৃন্দাবন চৎপমু ব্রজ চৎপম হায়নৈ। মকম অমি কুইনা য়াম্ লে। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য-সেবনা নোংহৌনা পুখোল্লমনি। সেবালয় অমাখা চৈতন্য সম্প্রদায়গী গোস্বামীশিংগী চাক্লি। অমুনা, গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংগী মকমদদি ভগবানগী লীলাক্ষেত্র ওইবগী পুণ্যধাম ওইবং নত্তনা গুরুবর্গগী খুনাইনা মখাগী শেংজবগী মথক্তা খোইনচুম শেংলবা মকম অমা অমুম ওইরবনি। ঠাকুর মহাশয়গী প্রার্থনাশিংনমু মখোয়দা পুণ্যভূম অমিগী অকনবা ঈথৌ অমমু অমুম মহায়রবনি। বৃন্দাবন দর্শন চৎপনা মখোয় খুদিংদা থর্দগী কায়কদবা শোয়কদবা খোগাই অমা ওইনা খোল্লবমি। চহী খুদিং "পর্বদিন অমত্তং নংজদুনা উৎসবতা শরুক অমুত্তং য়াজবা ফংলবদি" হায়বা আশাদা, খোঙনা চৎলিঙৈদগী হৌনা, বৈষ্ণব লক্ষ লক্ষনা দর্শন চৎনরক্লবা পুণ্যধাম বৃন্দাবন্নি।

ওদিগি মৈতৈনা গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়দা তিল্লকপা চহী চনীদগী ফনা নীংথিনা কল্লে। গোবিন্দ নিরূপণমক্রমু থয়গী মথৈ অমুম মকলবনি। গোপাল-কৃষ্ণ উপাসনামক্তা হৌবদি চৈতন্য সম্প্রদায়না য়োয়ক্লিঙৈ মহারাজ নীলাম্বর সনা হাক্তকনিনা চহী চহম হায়নীং হায়মাবু তৌরক্লবনি। অমুমু রাজ, অর্থ, সমাজগী ওইবা অপনবা কয়াগী হং থাংবনা অঙনবা যুগশিংদদি অয়াম্বনা বৃন্দাবন দরশন পরশন চৎনীংলে চৎনীংনা চৎপা হেক পঙম ঙম্মিদে। তয়ামাপলম্বা শতাব্দীগী তাঙীনরাইদগীদি হং থাংলে থাংনা ফনা চৎনরকখি। ভুংইন, নিংথৌ পাক্লিঙৈগী নিংথৌ যুবরাজ অমা অনীনা ভগবদ্ সেবাগী লমদা তীর্থ যাত্রিকশিংগীমু কায়দোং মতেক অমা অমুক ওইজনবা মথ্য বৃন্দাবন্দমু শ্রীকুঞ্জদমু মন্দিব কৎলম্মি। শ্রীকুঞ্জদা মহারাজ চৌরজিৎকী পুরাণী কুঞ্জ, মহারাজ গম্ভীরসিংহগী বড়কুঞ্জ, মহারাজ নরসিংহগী যুবরাজ ওইঙৈ কৎপনা যুবরাজ কুঞ্জ হায়না খঙনবা নাওল গোবিন্দ মন্দির, মথ্য বৃন্দাবন্দা মহারাজ সুরচন্দ্রনা যুবরাজ ওইরিঙৈ কৎপনা নাওল গোবিন্দগীগুম যুবরাজ কুঞ্জ হায়না খঙনবা—মন্দির মরি অসিনা থায়নঙৈ নিংথৌ পাক্লিঙৈগীদি মপুং ওইনা তৌই। হৌজিক্ লৈরি মন্দির-শিংসি অমুম। মপু অপায়দবগী মওংদি খীনা চঙদবা নত্তে—অয়াবনি সেংবদা।

ঐখোয়না জান থর থর তাবকপা মতমদা নাওল গোবিন্দগী সেবা অবোইবেম্মা মাইস্কুল লাকপীনা পুই। সনাইবেম্মা যুবশংখীমু লৈ। থাকাসি

নরসিংহ মহারাজনা পোকপনি, রাইস্কুল লাকপগী হেক লোইরিবদি। মখোয়গী মচা মপাউদি রাম, তার, মপক্কি থনু—থর্তী দি। অমুমা অমা ঐনি নুপা হৌবা কাথী আই, এ, এল ফোয়গী ইথোয় [illegible]—টনাংই অমুকং। চহী অমগুমা কাং চহী অমা ইথোয়গা ঐখোয় হেক হেক কেঁড়ি. ঐ অমুকং মাওংগে নোংলকপা কুইরে। নীংথৌ নোংলবদি থুঙি চায়রক হৌরে। ঐগী চতুর্থ শ্রেণীগী পরীক্ষা লোইখিবা নোংমা নীনি মতুংদা ইবেন লোইচিং-জাবীগা ঐজাগা মমামচা অনী পোং চৈ. কি রোজ পুরা য়ুর য়ুর মোংংন থোক্কিনবগুম অমা হৌই। অনৌবা নডুবদিনা বৃন্দাবন থোক্কনবানি হায়রা ঐ ভাব ভারে। "পুবিনি পুবিনি হায়রগা থক পুরিদবদো হক্কি য়ার-য়াই-দবনি, ঐ পোয়দনঃ চৎকনি, হেক্ক চেনকনি" হায়রা লোইকত্রিদৌনা "মখোনা, আদা পুবকউ হায়রকই. পুবিনি হায়বনি। নবেনগা হোৱেন্ রাইস্কুল লাকপখোয়া থৌওপ শীঁঙচো।" থমৈকপা ভাবদা থেংথি হুমাইরগী অমুকং।

চৎলে রাইস্কুল লাকপমদা ইবেনগা হুংখিল। রাইস্কুল লাকপগী হায়রিবসি মনোহর শাহিদা চুম মমিং চৎপদ নত্তনা ওজাগী থাক্তা লৈরবা রাজকুমার মনা-মচাখোয়গী ইমুংনি। মখোয় দাউজীগী থারানি। দাউজী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পোকপদা খায়গী অহম্রি—মনা লীকথাং তুইকম থোকপনি। মখানা ভগবান্ ভক্ত ওইনা পোকপনা মপাগী হক ভগবান্দা কথোকখিবনি। ঈশ্বরনা রাইস্কুল লাকপা ওইবদগী রাইস্কুললাকপম হায়না থজনখিবনি। ইমুংগী মনামচাহোয়গী মবোকশ্রিজদি খুময়েল পুষ্পা, খুরাইকাবিনচিংমা তুমা য়ারা হৈ, লৈমনিংথৌগী থুনেং থুদোক্রচিংবা অমাবা ইমাশিজমিনা তুমা চাক্লি।

ইমাশিজমিনা ঐগা খুরাইকাবিগী শাপ লোংহৌরে। ইবেনগী মরা মচুং ইন চৎপম নংনবা, চোংগী নুঙ্গায়রম্ থাজনবা খুমা থারপ হৌনা থাজবা কিন্নী খুরাইকাবি অঙাংবা অমা কজনা তুহনা নীনি হুমিগী মহুৎ অহম পুরক্লে। মসিনা ঐগী পূর্ণিগী ইহান হানবা থৌঙ্রি। বৃন্দাবন চৎলমবরা থৌঙ্গগদ্র অহুম অমা শকথঙনবী ভাই মখম থোইনা লৈতে। ঐখোয়গী ইমুংগী লোইনবর ঐখোয়গী চানজীবনগী ইহৈ য়াহেল অমুকং এক্কুমারেম কো—কুমারিমখম এ ইন্টিটিউ নম্ থোংগ য়ানা অহুম মতোইবনি চায়রা মরক্তা মনম্ থম্বী অহম য়ারকপবনি।

খোঙচৎনবা

খোঙচাকে বৃন্দাবনদা—ইমোনে ঐখাক্তা-ঐনে ঐখোয় অমখক। ককপি অচৌবদি। ইমাগী মরাম কাকেনবা নাঙ ইদি। মৌজিকী পাকথকপদি হায়রিবসি। খায়দগী মাংখিনা পুক্কপা খরদে নৈতিকশিংনা লোকপা খরে, অয়াকপা কা (বা) পুক্কক মকমখিদা থায় কাকেনবা ফৌই হায়। অহোঙবদি অয়াখন চুমা ক মাঙনা অচুম হায়। ঐখোয়না ঐখোয় লোক্তাখিবা মাগী মনাঙচাউগা অনীনা ওকখি। হায়রিবদি মণিপুর ইউনিভর্সিটির প্রোফেসর রাজকুমার ভোরাসনাগী মপানুংতনগা মরোকখিজগদি। মখোই ইমুংগী মাকম খংদি লায়রোল অহানবদা ইবু ইরবনি। ইখোয়গী ঐখোয়গী অনকপা মরী চাম্মি—নীরোমদা অচুম।

চৎলে লোইনা ইমুংদা। ঙহাক অমা-পোথাংমে—কা হৈ চারে। ঙমিনৈ চমিং চুমজংহিদৈ মুম কৌহৌনবা চৎনবা তোরে ইমাগী লোইনবা। লোইরে থম্রে হায়বা মানা খোক্লবা, অমম-অতান ফাও-ফাওচুনা চৎনকপদা মখম মখম খুজিং লোইরেদো হায়বা মাথম মাঙদা থা কায়নবদ খং লাক্লবা জীবজাক্লিনা কায়নবদবু হায়রবদি থুক লাউবনা হেক্ত হান পিনা তনইন ইনবদি লোয়রবদি। মতম খরদংদগীনি হায়বা হেক্ত কাউনবরা খঙদে লোইনা শিংনৈ মিজা পি। ঐমু কম্রি খঙদে কারিনমো। থুক লাউই। মাসিমক্তগী পুনবরা খঙদে সংসার।

ইমাগী চৎথিবগা ঐগ্যাবোক্তা চাকথুম অচুম লেঙশিনে। মতৌ মতেন নুংকোয় কমা খোংলে—নিরামিষনি। কুপাম চৎপগী কামকা নিরামিষ চাকশিন্নগী অমনি। মতম খরদগী ওইরবম্রু হেক্রবদ্রিনা জীবহিংবা তোরে। চাক ঙৌশিং লোইরকপগা চমিংনা মাচঙবগা মতম অমা ওইনা খোক্লরে। মহাগী নাম পোনবা লোইবগা চাক ঙৌশিং চা-থক্লবা অচুম তোরে। মণপাড়ামদগী লাক্লে। পাড়াবালাদুম চাক চাবা মাঙরে।

চাবা থকপা লোইরে। মহা মচুং অচৌবদি। লমা শাংবক্লিনা গাড়ী অমা থাকনা কনানি হায়নরে। থাদবগী লাকবনি, চৌংদমমা খোঙকম হায়বা অমা লৈপাক মাইংতোম চৎপা মুবা, থানা চৎপদা মাঙবা মাকবা মমঙ ‘থম’ দৈ। কলকত্তাগী লোনবা মাই, পা কৈ অমবা মাই। কারে মাড়ী। মুকী মাথই,

লেরে মহুৎরা তুমকম। ঐজাদা-ঐপুরি হিনমবে, ইথৌদি মাঁঙা চৎহৌদি। ঐখীদি ইথৌগা ঐগ্যাগনা মাক্তা লৈবনিনা হুম থাদোক্কবী থাথন থোইনা পোক্তে। গাড়ীনা চৎলকপা মতুং ইন যুকটনা হাইবা মেলা লেং ফুকথিবা লম্বুম মতুংহৌদরে। তুরে অহিং চুপা অহুম।

চুপা চুপা "হার চোখে ছৌগৎলো" হায়বা খোন্নকম অমা ভারকই—মাথোয়াইনগীনি, হায়না চাংবী পোৎলেক অনীগা মাঙ থাদ্রবনি। মিং থংপাও হেক পাঁচি, মাখোনা চিংখোকপোই করিবোই অহুম ছৌগৎলে। মোং ওানমুং থানমুংদা মতৌরণি। ঐজাগা ইথৌগদি মৈ ভিক্লণি। মাখোনা মৈনাক্তা পুশিনুনা ঐজাগী মাক্তা লরে। ইথৌগা ঐজাগদি মানগা লোইয়রে, মাখোয় চাক ঊশিং লোইরবনি। অদুনা ঐবু ছৌদোক্লবনি। মী লোইনবা ভাইরেন-পোকপিদা চাক ঊশিং চান-থক্কবনিনা চৎনবা ছৌব্রবনি। পোৎলেক অমনা কেৎতুনা ঐ ভোর্কাল মচি অমদা, খোংজাউরোক মপান্দনি, হকচাং শেংদোক্লে। মাখোনা ঊশিং অথাবনা শি-শা শি-শা ঊক মায়ৎজবিরে। ইথৌনা মাদর্বনিনা মাম্না চন্দন থম নমশিনবিরে।

ঐখোয়না কনা মাংনা ছোৎনৈ হায়বত্তুমঙায়, ঐখোয়না খোঙশানবা মতম-দদি মী লৎলবনি, ঐখোয়না মনীংবু খোঙদৌনা ভৌবনি। অদুবু, মাখোনা জিলাকাও থিনগদৌবনিনা পোৎলেক অনীগা থুং পঙনৌ নৌনা খোক্তবগুম ভৌবনা কনামত থোইনা হুনাংদুবা ভৌদে। চাং মান্দা নৃসিংহ, লমজাউ লথাং ঊহুংবাহুদা মাম, তু খোং পাৎ কোমদা বয়াহ নীংসিংউ হায়বছু তন্না নীংদিং, মদলগীদমক মাথব লোন ইথৌনা মনীং খোম মাখোনা ঐবু শন্না শন্না পোৎলেক অনী ছোই, ঐজানা মমক চৎ তুরেল লান্দুনা কাদে চাং।

প্রকৃতিগী ওবাক্তা

(কোয়ৌ শীংবুম থম)

পোকপদগী ঐ মীমকগী খোঙকৈ অমা লারক্তি। শ্রাবনে—ভথাও লেলোংদা, কোয়রে—লৈরক কোনশাংদা, চৎলে—হুংদা, কাবে—লোহুংদা পর্কান্নিনশিংদা ঐগ্যাজোই তুং ইনুনা—মীমক্তা নমনা চাৎবিবনি অদুক মমক। হাবনে ভশিংদি, শধুখানি, ইহুংনা ফুপ ওানবা কাল, মুয়ৌ লৌবা থগৎ মমদা, অদুক উমিনা,

থঙত্রিবা, মক্তম মঙত্রিবা। প্রকৃতিগী হৌখিবা—চীং মালনী নম, উ-মাপী কৌন, উচেক ম্রামাগী চাকাতন,-মরুবো হাবিনী মাঙাতন, প্রকৃতি মপাম্বীনা নীংথিবা তশেংবা মপাইগোন। -খক্কা অপবা অতিয়া থাজি মায়গে ফাকনা কোয়না শুং। থানা অঙৌবা লৈচিল ভাখুন ভাবুল শনজি নোংথোও মৈনা মায়গে খুদিং। চীংথৈ শনা লোক্কা উবৌগি মঙাল—মাঙ্গি মঙাল হঙাং হঙাং। ভাঙ্গানবি নোংপোক্কী অতিয়া মচি মচিনা—মাইমুমরি অশংবগা অঙাংবগা মচু অনী। শংবগী মথক্কা শংজিজি নোংচুপকী অতিয়া। লেপ্পি চীংনা মচি মচিদা চিপক চিপক—থুম্নি থম্বনা লৈচিলগী ফিকক। শাম্বরি চীংবামদা, চীঙয়াঙদা, চীঙথাঙদা, চীঙথেগ্না, নাপোমদা-অমম অঙাল অনীনা ভুমিন ভুমিন। হোংলি মিকুপ খুদিং মচু চাম চাম পোৎলম খুদিং। নীংথি কমৈ পুক্নীং হুই, অমা য়েংবদা মুম্নি অতুম। উনা উনা উপাল খুদিং পাম্নক্নে মণি মুক্তা চয়োং চয়োং, চাইমক্নে চীখোঙ চীংয়া মণিমুক্তামা পুম্নং পুম্নং। থোংলি উচেকী পয়েং; শক্নি, ঙংলি, নিম্নি কৌজেং হায়োগী শাগে; ঙংলি, শক্নি, হেক্নি হাম্নিগী কাঙলুপ—মৈরি থোম্হাং চীংমায় খুদিং মৈনা চীংলোন খুদিং, নিম্নি থক-থা থোম্হাং তয়েৎনা থোম্নোল অহম মনা চৎ। নীংসিংথি থংনীং পক্কম শ্রেণীদা তম্নকপা শৈয়েংগী অহৌবা মতেক অমা—

অহিং মঙম হৌখয়ে
নোংপোক মায়গে ভাল্লকলে
উচেককী মক্কপনা থোংলকলে।

মশক্তি থঙাবা মপাউদ তাম্নকপা ইম্ফংগা উনয়ে ওসিদি শকা শকা প্রকৃতিগী কোন্দা, থঙলে মুম্না অতুম মশক। মাগী মশক্তুদা কম্নিনো অমা কাওথতম উবত্তম তৌথি, থঙবা লাকপদি কম্নি থোইনা ঙমথিদে। ইম্ফংগী মচুনা মিকুপ খুদিং হোৎনত্তম থোঙথাং খুদিং ওনবা অঙাংগী পুক্তা তিনয়ে ভম্না কম্নিনোজ্না অতুম। অচুবু, চাউখ্রুবা, লাইম্নিক লাইত থম্ম মাম্না তম জানবী মঙাল থম লাক্রবা মঙম অতুবাইদদি অথঙ অউ কমাগী মপাউদগী মথং মথং লোইনা থঙলকপত্তম তৌথি।

জগত্তা ফুল অনী চৎলি—প্রকৃতিগী ফুল অমা, মৌগী হাম্নবদি মীনা লিংবা ফুল অমা। অনীসিদা অহানবগীদা কমৈ অমা। মরনবা জানকী মপাউদা

[illegible] মীলাই [illegible]। মীগী তুংদা। [illegible] কিয়াহ [illegible] [illegible] নবনা [illegible] পূর্ববীদি প্রকৃতিগী তুংদা [illegible] অমুক লোকমদি মতম লোকে—লাইরিক [illegible] লাইগী পাউজেলনা হায়বা 'থক মাঙে' [illegible], প্রকৃতিগী তুংদা তবা [illegible] অপাম্বনা ঐখোয় মীনা চেখিলাও হিনবি-বনি। তাবত ঐখোয়গী মীগী [illegible] ওইনিবা [illegible] প্রকৃতিগী তুংদা পীনবনি। অমুনাং [illegible] নিজাগী মপুংবু আগ্যাকম্, বৃহদারণ্যকম্ হায়না থৌনফি-বনিদা [illegible] তাকমসিগী লেঙবা [illegible] অমুক ওইরবনি।

'লৈ অমুবা নীংথিবা অশেংবা পোৎলমদা চল্লি। ভগবদ্ পূজাদা শীজিল্লে। মরাই-তাইবংগা পানবা মীওইশিংনা ইমুংগীমু মপানগীমু লৈতেং ওইনৈ। মশাগী মকোকচু লৈরে—চিরৈ, শিনৈ, থেৎনৈ, পায়নৈ। মচু তমহুনা কি শঙলৈ। মঙং ফিদা হৎলৈ, লোয়ে। থ্রোলগী, অথেনগী, খোঙাগী পোৎলম ওইনৈ। নাগ-কিশোরভবা লৈগীদি লৈচিল্লকচু লুকোয় নীংথিবগী মচু ওইনৈ। কয়া অমমুহ কবিরাজশিংনা হিদাক ওইনা শীজিল্লে। লীথোঙ থিবশিংনা মপোক, মশা, মচং, মহিংমচিংবা কয়া থি, অনগী লনগৈ চাউনে। হকচাংগী লীথোঙ থিবা কাঙবুনা পাউথোকই লৈগী লৈনম, হায় মাঙি হকচাং। কয়ামচুবা কয়াম লানবা থৌজি ভগবাম্মনা। মনম লৈবা লৈদ সমাজ, ধর্ম, অর্থ, রাজগী ক্ষেত্র থ্রিংদা শীজিন্নবদ থংহুনা লাকপা তায়ত অচুম নীংথিনা মহিংলকই, হিংলি অমুম। আয়ুর্বেদ শাস্ত্রনা দ্রব্যশিংগী গুণ মায়কপদা তুলসীগীদি রোগ চাবগা নোপান কোইে কনৈ হায়। পূজাদা কায়দনা লোয়নবা তাবা, লোয়নবো লৈগী মনমগী মাদি কঙিজবা মময় অমদগীবুদি ওইরমু মাই, লোইনা হায়রমদবথৌনা লৌই। অচুবু, হকথোঙ থিবশিংগী রাফমসিদ অমদি অমা ওইনা অমুম লোকই। অমুম্না লৈবু দূনা ত্তোবে ত্তৌনা, লৈথোং থিরে থিনা মময় অমদি ইচাউ চাউনা অচুম মহোই। লৈনা কবি পাউজেপি, কন্যাগী মুতুন শকই, জগতা কবি পাউতাকই হায়বলিমদি মখোয় কনারুজ থহুরে। প্রকৃতিগী বেতুনা তাবা, প্রকৃতিগী তুংদা তবা, প্রকৃতিগী শিক্ষা লৌবানা মশাগী জ্ঞান মচু লোকপা; কবি [illegible] কবিগী প্রাকৌ মীপুক মীজংদা [illegible] কথোয়দুনা অচৌবা অহোবশিংবে থুম্রদা থ্রোবনে লোকরা। [illegible] লোইনা

অদুম, খাইদগী লোংখোঙ মৈনা শাকই, অঙকপা মনা ঈওজি, মেৎয়া থুভাই, অঙকপা মতো। লোইরে অসিনা অদুম। অদুবু, মহাকবি বাইরণনসি লোং-খোঙ মৈনা পাম্না তা, অঙকপা মনা অহকপা ঈওল তম নীঙ্গা ইদনা শারদ্রিবা মাগী মশক্তা উথি বিশ্বজগৎ কোমিব, শক্তি পূরক মৈরবা ভগবানগী শকল অমমুং মহৎ, তাকথি তুংইন বিশ্বজগত্তা সমুদ্রনা প্রতীক ওইনা ঈশ্বরগী শকল অমমুং শক্তিগী মহৎ। অদুগুম বিশ্বকবিনা লৈগী মশক থখি, লৈগী মশাউন-চিংবা লোইনা তাথি। হায়খি খবিদা লৈ, "ঐবু কজে খজি নংনা, কজবাদি ঐ নত্তে, লৈ অমা—মাদি তুবুম মৈনা কজে। মাগী কজবগী মরীক মচেৎ অমত্তনি ঐনা পুন্নফিবনি। ঐগীদি কজবা মহাক্কী মরীক মচেৎসিংদু পুন্দুনা মহাক্কী মপাউ তম্চো অদুক শাকপদনি, ঐগী লৈকাদা ইম্রিবা পত্রগী মরোলসি পাউ।" মেৎথি তম্না লৈকাদা খবি, ইরম্রে মরোল, "কজবা পান্নবদি লাউ ঐ লৈ।" ভগবানগী রূপ অনীনি—রৌদ্র অমা, মধুর অমা। মধুর রূপতি তুবুম মৈনা কজে হায়, শকই অদুনা "সত্যং শিবং সুন্দরম্"। কৌই অদুনোং ভগবানবু সর্বাঙ্গসুন্দর আম্বলগীনিমা বিশ্বকবি। অম্না, প্রকৃতিগী ফুংনা পী জান, জাদুগী মশাউনা ওইনৈ মীগী ফুলগী শিক্ষা চৌকাগী বিষয় হায়বসি মশানা অদুম তাজব্বা অচুম্বনি।

বাকৈ থর চৎলুরে, হৌজিক্তি শক্লিদা তাবনদি চুম্নে, অদুবু, তাফাক্রিঙৈ বাক্য অমত্তংদদি থেৎজোবনা চুমবা থজি। মকরসিংহনা মহাক্কী অহানবদা হায়খ্রিবা মখক্কী শৈরেং অসি মশামক্কী নত্তে, বাঙলা কবিতা অমা তাংফুনা ইবনি।

পাখী সব

করে রব

রাত্রি পোহাইল

হায়বা অসিগী রূপান্তর (transliteration) নি। বাঙলা সাহিত্যনা ঐখোয়গী অনুলাওন বা সমকালীন (modern or contemporary) সাহিত্যগী মওং মতৌ মাকাও লাকপা, মাগী মতাম ঐখোয়গীদা কমায় চঙবা হায়বদো মাসিমক্কা মনা অদুম মতাকপনি।

চথেল অমম হমাউ হয়াউ চাঁংগোল অমদগী চাংগোল অমা মথং মথং অনৌবা জগৎকী মিহুপ খুংহিং চেক চেক ওনবগুম শোক্রবা অনৌবা মওং

মতুং য়েংনা য়েং। অমুম্ পোৎনেক অনীগী পোৎলুম চৈখাও মখোল তুক মখোয়গী তাম্দা নেংথাংঙি থোও। অমুক্তা উচেক অমা করি অমদ উল্লিবা অমা উবদা মূল্লি অদুম। থোঙফম্না অকা অকুম ঙাক্ত চৎলকপা, হুৎনানা তুংইন অম্বম হাইগৎলকপা মতুং ইন হকচাংদা অৱাবদি ফাওয়ে ফাওনা পুল্লাংগী হয়াউবা, থমোইগী চঙাইবদি তাখিদে থক মক্লেং। অম্বম চৎ অম্বম চৎ য়োথি তাইয়েলপোকপি, থেংনখি থোঙভম হানখিবা অয়াবা। মচি মচিদা চাক থোংনবনা থোংনরি, চানবনা চানরি, চাবা লোইরবনা কা চৈ চানরি; হিদাক চুরুট বীড়ি থক্লরি, অমুক থোঙ্গামবা পোৎশি পোৎলোইনরি। ঐখোয়মু য়োবগা মফম মতা চাবা য়েংহন্না পোথানরে। মাম্মোনা ঊশিং পোক্লহন্না চেঙপাক থর চাম্লগা চিনি লফোই হাপ্পনা ফলা (ফলাহার) তোৎলে। লোইনবা থর থর চানরে, হৈতুপ হৈমাং লাড্ডু অমনী অমনীম্ম চানরে। পোৎনেক্না চয়োম চাবা ঙাইবা ওইনা ইখোনা খূদোং ফাক্লি, ঐজাগা মাম্মোগনা পানা হারি। মখোয় অদুম লোইরক্লে। থোঙগানে অমুক মরামগা লোয়ননা অদুম। অদুমু থরদি থুরেমথৈ হেক্লৎখরে অদুম। থ্বায়গী য়াবেককমদম্ম লৈরমদরে—অদুম উনখিদরে। হৌমিৎ খূদিং মখোয়দোনা তৌবা মী থর অদুম থেংনৈ, অদুম হেক্লৎখি—থঙলকখি মবৈদা মখোয়দি ময়াং (কাছাড়) চৎপনি, ঙা (ফাবৌ) ফা লৌবা চৎপা থুংনি, হন্নিগাদা ময়াং তাই।

নোংঙাম্দনা হৌ নোংঙাম্দনা চৎলি—কোম্নদে, ফিনৈ মী, শা, কৈ। হৌমিৎ হুৎলমদাই চাক চানৈ—মফম অমদা পুন্নি, চোইদে। চৎলি অমুক হৌমিৎ তানিং তানিং তৌবা ফাও। মিৎ না উরিঙৈ চান-থক্লবা, তুম-হিপ্লবা পরপ পরপ হোৎনৈ। অম্বম চৈ থানা চৎপা মিনা তক্কি স্বদা লথিপুর (লক্ষ্মীপুর) তাই, নোংঙাল্লগা জিলা (শিলচর) কায়।

চীঙী তক্কি থোঙফমসিদা অকিবা অথুকপা, অঈংবা হুঙাইবা কম্না থেংনৈ, থরদি পুল্লাংদা অদুম তাখি, তারি হৌজিক ফাও—মুল্লি। ঐখোয় মতম পূরমক্তা অচুবা লম্বী ঙাক চত্তে, অশবম্ম অতম মচৎলি। অশবা লম্বী অমদি নুংথাবি কৌই হায়, ফনা ঙম্না ফনা শাংনা নুংথাও মথং মথং হূশি। মফম্মু শূকই, ঊশিংম্ম থোকই, নুং পুদাশিং অহু চোৎলি, ইশং থাংঙি, ইনাক মাম্দবম্ম মত্তে, ফনা খীনা মানবম্ম য়াওই। থাম্বকম্ম চাং চপ মামবা মত্তে, মরাংবম্ম

অতুম ময়াওই। মাতু হুবহু ওসি ফাওবা কিবি। খোঙকম খুদিং মাখোনা শন্না শন্না থাংনা থাংনা কিবনা খায়-খায় লাউই, পুতোন কায়। হুবা লোই-রবদা য়েংনিংঙমদুনা হক্তংনা য়েংলুবদা তু থ্যাউ চুংডি। অমা হেন্না কিবা অমনা খোবুম ভবাক্তনি। হুমিদ্যাংঙী খর চাগদোবা চা.র। শীং উতুপ উরাং খর বানা খি হন্নহুনা মৈ হোরে। অকোয়বদা কম থাদুনা হিপ্পরে। ঐদি তুম্মু ছুমথক্করে। ইশানা খরম্ব ভূমগলি, অত্নদা অমুক বাপা বাশিন্নে, কোক্তা মোনগা শম্নবা মাদে, হেক্ক তুম্মি। কায়খি অতুবু থুরেমখে। তারকখি মঙ ওই.হা ওই খোলাউ অমা, "নৈবাকমচাশা, ঙসিদি লৌয়াউবি মথেং লাংঙি, মৈ খর চেকশিনবিদি"। তাখি উরোক্ননা চৌংমায় কীহদোগুম তৌবা খেকপা পয়েং পয়েং উম হুঁ, উম হুঁনা হেক হেক মরক থংপা। থুকখি পুক্নাং, নাকখি থম্মোই।

তায় ঐখোয়না বারী কয়া অহল্লোনশিংদগী। এহ্লো বারী ডাক্লি, মীগা লাইগা শমরিঙেগী ডাক্তনি। লাই-খুৎশাংবিনা ফক্লাংদা মখুৎ খিংজিন্নক্লুনা অঙাং ফাগে তৌবদা মপানা থাংজোনা মখুৎ ককপা; লাই খদাং-পান্দবিনা হাদে-য়োনবি সাহুনা অঙাং চাগদোবগী লাকপা, অঙাং মচৌনমোপ্লুনা মপান্ন খোক্লাংবা সাহুনা চেনবা; মী-মরাম্না মী ফাদুনা চাবা; কবুই-কৈয়োইবনা কম হেন্নি হায়দুনা লুপাবু মখুৎ খুৎশাদগী হোনা খেক খেক্লুনা চারা; লৌয়াউবিনা মী ফাহুনা পান্নবা, মচা পোক্নবা, শাগৈ নাতৈনা খোঙ্গুল থঙ-লক্লুনা ফারবদা মচা শেগাক শেগায়দুনা লংলকপা—কয়া কয়ানি। মখোয় লৌয়াউবিশিংনা খেকপা হেক তাবদা নীংশিংলকখি অকোনবগী বারীসি। কবিগুনা ফাররবদি কিবনা লুতোন শাৎখি। অহিং চুপ্পনি মখোয়না লাঙবা, অত্নুনা তুম্বা থবেৎ থবেৎ অতুম তৌরবনি। হম্মাং তত্তুনা কাং লোর চনীং চমাও শম্নবা কোবা লৈত অহিং অতুম মরেলবনি। অহিংহুগী অকিবা অবাবদো হোজিককাও ফাওবদৌনা তৌরি, নীংশিংদবু নীংশিংলুরবা।

থঙদে মখোয় অদি প্রকৃতিগী করম্বা থুৎলেম্মো! য়োংদোনা মতু পান্নি, মখোঙনা থুনীং খুমাঙ ওয়ে হায়। শা উচেকাদি চাদবরা, থরোইশাদি রাম্না চুপ্পী বা ওইনা লোই। লোক্তা তায়দা, তু খোং রপান্দা অচুপা থরোই পৈহুনা লৈরবা, মখোয়গী য়াতাফমক নত্রবম চাক্তাতমদি পোয়েন্নবনি—

চেকশিনা গদৌরবনি, হায়নৈ। অদুবু, চংহিল পোবোম্বা শক্তা শক্তা শকচান্না উক্লয়ে হায়বদি খোইনা য়াওদবনা হিমালয়গী মো-মোননীগুম খয় খদুমহ ভৌ খন্ডদগুমম্ব ভৌ অম্হম মমৈরবনি ঐখোই লমগী লৌৱাউবিম্ব অম্হম। অদুবু, মসিমদি ভশেংবনি, মখোয়গী খেবা হেবগী খোম্হোক খোম্হাংগা মীশীগা অমানি। শা ওইয়ে অনোকপা শানি, শামমক ভামমক ওইয়ে অনোকপা জীবমদি।

অকিবা অথুকপা থেংনবগুম কজবা হুশিবম্ব অম্হম থেংনৈ। কবোক-চাইবি ঊশিং-চাইবি অমগী মমিংনি; লবী মপাম্মক্তা নৈ। চীংগী মমিংদি থজনে। লমদি কনা য়াম্না চঙশিল্লে। খোবুম তম্পাক্সি লাইমতোল কৌকংবা, লাইমতোল অচৌবা লানশিল্লগা নৈবনি। তম্পাক্সিগী পনখৈ অমদা তয়াল চীংগোলনি। খোঙক্সয়গা শাংবা মতয়গা হুশানা হাইগৎলকপা মতাংদদা খোকপগুম ভৌগন-বগা "তয়াল কোনা মুক্লগদৌবসিনা" হায়নবা চীংশাং অসি লান্নবা আ. মতুংদনি। ঊৱংদি লাম্নবম্না লাম্রিবম্না কাউয়ে, নক্তি নক্লৈ থম্নি। প্রকৃতিগী ফজবা থুং-সেম্বনি, নিসর্গগী নীংথিবা পোৎলমনি। ইপাম্বাদদি লবী ৱাংমা লাম্না চাই; মথাদা মী চৎনৈ হায়। ঐখোয়না চৎপা মতমদি নীংথম মমৈনিনা ঊশিং মপাংগল হল্লে। অদুবু ফজবদি হয়মোই, অম্হম নীংথিজে। অমনা, য়ানা শানা লাকপদা লীক্লাই মচু মানবা ঊশিংনা ঊখোলগা লোয়ননা চাঙথাঙদগী চাইনা চাইথবকপা, চীখোঙদা ঊয়ীক ময়ায়া হয়াউ ঊচোংবা উবদা, থঙলে কম্নি অম্বত খিকখিবনো, হকচাং লোইনা অম্হম তেকথৎথি। লোংলোল লীক্লা চাবা হৈপাল লৈপাম্নি।

অচৎপা পূম্নমক কম্নি খোইনা হায়নক্বা লৈতে, ঊশিংচাইবি মখোঙসিদা মবুক মবুক খোক্সা অম্হম হেক্ত কমথনৈ। ঊশিং চাইথম্নিবা চীংমায়সি নুংনি। নুংহুম নুংজাউ অমতনা কনবা মতাম্বদি নত্তে, নুং মৱোল মৱোল লোনথৎনবনি। ভোঙাল ভোঙাল ভাবম্ব নত্তে, হিদাক চনবা মতাগুম চৎপনি। কল্লাংগুম চপ গুশ্নি, ৱাংবম্ব মৱাংঙি, মুম মম্নেপ অনীমুকুবা ওইমবা য়াই। চীংমায়ম্ব মুম্না ম্লেংলগা মাম্মোয়াইনা মতোম ভুমিন লোজকই—সিবু থড়ম ভোংচ্লা কাবকো!

ঐ— কনানো মাম্মোয়াই সিদা থড়ম ভোংচ্লা কাবখো?

মাম্মো—ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ।

ঐ— সিদবো কবম কাদৌরিবা, চমপ্রেলো, নারম্রেনা, থাংম্রেনা !

মাম্মো—লাইনিংদনা মহারাজরে।

লোইরে অসিদা ছুকিং অহাণ্ডীদি অদুম। মহুংবা ঐহু লাম্রে, অমুম্না মাম্মোহু লাম্রে, কায় হায়রিবা অহুম অচুবনি হায়বা অছুদি খা কায়নখয়া খঙলকখি।

অবানা থেংথাং থেংথাং লাম্বাণিজক লোন্না য়াশিংক মভম খর মণিপুর বাংমদা লাইহেবনা ফগদবা থল লোঙ্লাতকপদা অমাং ময়াগেনা খর কোয়া থোকদৌবোই নীং থোঙদাকই। মতম্না মুমবা কিয়োঙ্গী হাই ভাজবা হোনবনা মায়বোং য়াবিনবা কনা লৈখিরে, লেপথি লোইনা মাল্লোক্তা লালগী শক্তম ভরা লৌ। জয়সিংহ লাইপোক ওইবনা কৈনগীহু শওগণীহু নাহোরখি, তারকখি বানা ময়াং লবা। মনেমণিয় ইন্দুপ্রভাগী কোহুং তানবু পোথাথি ইশিংচাইরি মথোঙসিদা, লেপথি সনা পুক্রৌংদা লাইবক চাং অমুকং য়েংগে। থিয়খি ভরা শ্রীগোবিন্দদা মপুনশি। "হক্ক মপোক্কিদা নঙী লেরা মপুং ফানা চংপা য়েগদবা লৈবগা কয়, লৈত্রগনা লোইশিনো" হায়না হায়না মালা য়প তো খঙম লেং কাথি চাংমায়সি পুয়মক্তা ওক্তা কিনা য়েং।

জগৎ অঙকপনি, ঈশ্বর অঙকেপনি, মাগী লীলানা অমুক হেন্না অঙকপনি সঙ জানেশ্বরগী ময়াথং মহুং ইন ইয়োইনা বেদগান তৌই। মীরাবাইগী প্রেম মথা পোল মাগী পোইরে ইন সাই জগোই গিরিধারীলাল। মাখবেন্দ্রগী বাশক ভাক্কবা গোপবালক সাহুনা যদোম হন্নি গোপালকৃষ্ণ। জয়সিংহবুসু থোঙ্ক-তেকপবু মথৎপম চাৎসানবিবগুম অহুম থৎপহিরনি। ভক্তদি চৎলি থ্ৰায়দগী তোঙ্গোপ। লৈতে মাগী মফমদা ওইথোকপা ওইথোক্তবা—ভগবান ভক্তগীনি, পোন্নি ভক্তগী মথা।

ওইনামলোং ঐথোই মণিপুরগী লোংচুপকী পল্লোল পক্কেদা থ্ৰায়দগী অবাংবনি। বাংবগী মতিক মশাহু লোয়, কুন্নি লয়। য়ুমিদাংগী চাক ঈশিং চান-থক্কবা লোইয়কপা, ফমগাদি থোইনা থানত্রিবা মভাং অহুবাইদা কনানো অমনা লাউয়কখি "লৈবাকমচাশা, থামবা মতমহু নত্তে, ওন্নিঙৈসিদা থিক্তং ভকশিলহৌরবদি হয়েংদি খয় কোয়গনিনো"। "অয়ে, মৎনবা তৌসি" য়ানরে লোইনা। মথোয় থয়না কবাময়দগীনো মচাক্ক পোক্কুলা মৈরাহু চাউনা লেরে।

চৎলে লোইনা মৈয়া অমনা মাঙ থা মৈয়া অমনা তুং ইন। ঐদি লমদাং অকবদনা চৎলি থোঙনা, ফত্তবদনা মাপোদা পোংবি। চৎলে ফনা শাং, কায়ে থা ফনা যাং। লমদাং য়ায়েকফম চাবা অমা কৈবগুম ভৌরবরা থঙদে ময়াম পোথারসি হায়নয়ে। মৈ হৌবনা হৌবা, ফম থাবনা থাবা তৌনরি। ঐ ইশাদি তুম্নীংবনা মূলবনি, ফম থাবা ভাইবা য়ানা থোক্লবনি। অদুমু, চংশিবা থোম্বাং চাম চাম্বনা নেম্না য়াংনা, হৌনা পিক্লা ফুজিন্নক মৈয়মবনা উইথক্লরবা নাকোং শিংথি ভম্না মমিং। হংথি মাপোদা "কন্নিনো মাম্মো থোংলিবা ময়ামদে"। "তাম্নানি" লাকথি তম্না পাউথুম।

ঐথোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা চীং অসি য়াম্না য়াংঙি। লোক্ম চাউই, লুই। কয়া য়ামগ্রবনো থঙদে, চীংদোম্দগী আ লোকথা ফাওবা থুংনা পরেং চাম্ব চাম্বনা থ্‌জিং ওই লেংবদোমা তৌই। থোম্বাং অমত্তনা চাম থোক্লা তায়। চীংদোম্দ চীংদোম্দগী লোকথাদ লোকথা ফাওবদা লৈরিবা অনেম অৱাং থাক মতুং ইন লাকপনি মথোন্দুম্ন অতুম। চীংদোম্দগী হৌনা চীংজেপ চীংথাঙ থ্‌দিংদগী হাথরকপা তামগী থোম্বাং পয়েং, লোকথা লোক্লুংদগী হৌনা লোকচেপ থ্‌দিংদগী হাগৎলকপা তামগী পরেং, অকোয়বা অনক-অরাপ মফম পয়েং থুদিংদগী হাদোয়কপা তামগী পরেং—লোইনা পূন শকথিবগুম তৌথি—নোংজা ভিয়া শান্তিগী শৈয়োল চাম চাম, গুমথি অঙাং ওইরিবা ঐগী থম্মোই। তাম তাম, তাম তাম, তাম তাম তাম—হায়বা থোমৈগী ঈচেম্না চেনথি ঐবু কৈদনো থঙদে অমদা—ঈংথরবা মফম।

আ কাইনথংদা, লাইরিক লাইত থর পায়ক-থোৎলক্লবদা থেংনক্ই নোংমা বিশ্বকবিগী ইশৈ অমা—

তৃপ্ত তুমি আমার গীতরাগে,
ভালো লাগে তোমার ভালো লাগে,
জানি আমি এই গানেরই বলে
বসি গিয়ে তোমারি সম্মুখে।

পেনবিদো নংনা ঐগী ইশৈদা,
পেনবিদো পেনবি ঐগী ইশৈদা,

ফংদৈ নংবু খঙদৈ ইশৈংছনা
ফমদৈ মাঙদা নকা মায়োক্কনা।)

খখি ইশৈংগী মঙল। খখি ঐগী অঙাং ওইরিবা থক্লোইরু তাম্নানা পক্কম হুমদা খোং চেনখিবা মফমদো উগেন।

চৌঙ্গী মুম্বাল

(মনম খজিঙ্কং)

লেকখি নোংমা খুল অমদা। লুবাংলোৎ কৌই হায়। খুলেম্না খুয়োৗবা কাউরে অহুদি। হুমিৎ মঙাল ফনা মীংথিনা লৈরি, চৌঙ্গী নম্রোন্দনি, ঐখোয়না খুল য়োৗবদা। চৌংগী মুম্বালগা তমগীগা খেন্নমনবনা ঐ ঙক্কবা ঙমখিদে, থীনা ঙকখি। তমগী মুম্বাল হায়রিবসি ঐনা খঙবা ইম্ফাল মতেক থরদগীনি। মপুং ঐ খঙদ্রি। লৌবায় লমম্ স্নকখঙ খঙদ্রিবনি ঐ। লাইকু অমদগী চৌংগী মুম্বাল ঙম্না খেংনক্কবদনি। চাং য়াম্না ব্রাংনা কারগা খুল লৈবা, মুমশীংম্ পঙম্নাম য়ামদবা, মুম লোইনবা পল অমগী মঙ্গুলা লৈবা, পম্বোং অমত্ত ফাৎপা, অকোয়বদা উপাল অয়োকপত্তম্ লাংকপ দাংকপ তাম্নপ তাম্নপ মহৌবা, পম্নংদনা, মুম মঙং অমত্তদা লাবা, পরেং চানা লেংবা, উপাক অথাবা, অচৌবদনা ফক্লাং থাবা, মুমায়দা শজি, শঙাই, যগুং মকোকাম্ থেৎপা, মাঙোল উপাক মশাদা মী মকোক মঙংঙবা হক্তুনা লাক্ননা হৎপা, মুম থরদা চিরোঙ থেৎপা, চিরোঙ চাউবা মাম্নদবা—কয়াসিনি অহানবা উরিবা। পূম্নো ঙাক্কিনা ঙকপা খেংখি। ঐশোয়না থুন ময়াম য়োৗবদা খুঙ্গা অমনা "নখোয় নঙাই লৈবরা" হংঙি। "থোইনা লৈতে" হায়রবদা চিরোঙ থ্রায়দগী চাউনা থেৎপা মুমতুগী মাঙোন্দা পুশিল্লি। কনামত লৈরমদে—খোঙ লোম্নখি। অহুবু, থুনমক ছুপী নিপা লোইনবা লাকখি ময়ী ময়ী। অহন্দুনা "ইম্ফাল-দগীরা, কৈদগীনো" হংনা হংনা "নখোয় হুমিৎ মমত্রিঙৈ, ঈশিংথোংদা চাক চাথোক্লুরো" হায়। চৌঙ্গী মীচঙ মীথোক ফজবা মতৌ অঙাং ওইরে ওইনা থখিবগুম তৌখি ঐ।

থুনবুগী ইমুংদু মী ভরুক তরেৎমুক চাবমোনা তৌই। ঐখোয়না চাক চায়গা লাকপদা মখোয় চাবা লোক্লকাৎলম্নত্রি। ঐখোয় মাংগোন্দা অম্নম

কপি। চাব-থকপা লোইবগা কৌশিরগে। ইমুং মৈ থাদে। শীং উতুপ অশাং অশাংবা য়ায়া থায়। মৈরি থম থম থোকই, মৈনিংমুলো অমাইনকত্রফাণ্ড থম অহুম নুংদোনা ভোই। মৈহুগী অকোয়বদা কম থাম্না অমাবা অহুম হিম্রে। থম্না মচিদা ময়াদা, ইমুংদা লৈবা ভবন মথক্তা অহিংহু লেমবা হোৎলনরে। ভুমগে লোইনা কম নীঙাইকবা মৈভনা অহুম।

উচেক খোংত্রি, মুমুমেথীহুদি হোগৎলক্লে। তবন্দা, ময়াদা অতুমশিং লেমইনা হৌদোক্লে। কৌ তংগে, কৌ তবগী শূকথোমে, ইমুং লৈমায়নগা তুংইন নীকপনে ঐথোয় অতৈহ লোইনবা অহুম হোগৎলে। ঐথোয়না পোৎশি পোৎলোইনবিডে মাম্ব কৌ তবা লোইহুনা শীং থায়রে। অহুম্ব ইমুংদনি। শীং থায়বা লোইবগা চাক থাংগৎনবা অহুম হোৎনহোরে। ঐথোয়ম্ব অহুম থোঙশারে। চৎনা চৎনা অডাং ওইরিবা ঐগী থম্মোইনা লোনথি মদোম হুমিন, "ওহোক্লা কম্না বানা চিম্না হিংঙিদা চীং"।

লম্বী লমশাংদা

(অমুক কৌমৌ শীংবুম থম)

ঐথোয় তক্লিদা লথিপুর তাই। লথিপুর তাবদগীদি লোইমা শমজি থাইনথরে। মাগী মাগী থোকপা অহুম চৎনথরে। ঐথোয়দি বামনগী ইমুংমদা লেকই। হমিং তক্লি চাংলমদা লমজাউদা লয়ক্তা থোঙবু থয়দংগী নতুনা মীগী মনম থোইনা কংদনা লাকপনা ওগিদি পূক্লীং থম নুংদোনা ভোথি। চীংদা অঙকপা কজবা কম্না লোংমা নোংমগী থেংনয়কই, মিং থ্ৰা থক্কই, থম্মোই পেম্না চুম্নকই। অহুবু, মীয়ক্তা পোক মীয়ক্তা চাউ লাকপনা অকিবা অথুকপা অমদি ইচেন অহুম মচেমে। বিশ্বকবিগুম দৰ্শীদি নত্তবনিনা—

নূতনের মাঝে তুমি পুরাতন

(অনৌবগী মুংদা থুম্বি নং অরিবা)

হায়না হুডাইথোকপদি অপঙবা অডাং ঐনা শ্রুতম থোক্তবনিনা অনৌবা থেংনবদা অমবু ওইরে অমবু ওইরে পূক্লীংনা লৈতাকবদি থক ভোদে।

তয়েংনিগী হুথিল অজবদা ঐথোয় জিলা য়োই। হায়রিবলে শিলচর-বুনি। জিলাদি কাছাড়নি। জিলাগী সহর অমবু অহুম থোম্নিবগী মমম

[illegible]

[illegible] ।

[illegible] ।

[illegible] । [illegible] ইমুংং নওনা [illegible]

ইমুং [illegible] । [illegible]

[illegible] কাহাপী [illegible] মণাম্পা লৈবা [illegible]

ইরুবা চৰ্ম্মিংথীর্নি হুলিবা চিংক । [illegible] বৃন্দাবন, নবদ্বীপ, [illegible]

[illegible] হোৎনবা তাখরি । [illegible]

পনবন, [illegible] চাবা মকম লৈতবগা ইচেল (চৈনল) [illegible] লৌরে । [illegible]

[illegible] থোৱাংগী [illegible] অমাংনা পুম্বায় [illegible]

[illegible] চাথাদি হেলবা [illegible] । [illegible]

[illegible] মিঠি থরগা লৈকরে । [illegible]

চিনি পুথোক্না ফলা ফজনা তোংলে—চানরে, অহিংতুগীদা থদে [illegible] !

[illegible] চাবা [illegible] ইওল [illegible], [illegible] মনা থীনা বাম্বলি, [illegible] মনা থীনা বাংলবলি । [illegible], [illegible] থোৱাংগী [illegible] অহকপা [illegible] পরেংনা [illegible] চোক চোক্না [illegible] । [illegible], [illegible] থীনা [illegible] । [illegible] যোংবী [illegible] পরেং, [illegible] পরেং, [illegible] পরেং, [illegible] পরেং, [illegible] চাবা [illegible] — [illegible] ।

[illegible] । [illegible] ।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]। . [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইমোইঙ্ [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] ইথোঙ্গা ঐজাম্মা [illegible] ইথোনা [illegible]
[illegible]। ঐজাম্মা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible], ইমাংগীগী পুন্না [illegible]" হায়—[illegible] [illegible]। মাখোং
ঐখোইখোঙ্গা [illegible]—"[illegible]"। ঐহাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
মাখোনা ঐবু [illegible] [illegible] [illegible] মাখোগী [illegible] [illegible] পি [illegible]
[illegible], [illegible], "[illegible], [illegible] না-[illegible]"। ঐহাক [illegible], [illegible]-
[illegible] [illegible] পি। গাড়ী চৎলক্লে, মাখোং [illegible], পোথোক [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] ঐখোয়না [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible], ঐখোয়গী [illegible] [illegible] [illegible] চৎলে।

[illegible] [illegible] [illegible] গাড়ীনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] চৎলমি। [illegible] [illegible] [illegible] গাড়ীগী [illegible] [illegible], [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চৎলে। [illegible] গাড়ীগী [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] প্রকৃতিগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], হাইনা হাইনা
[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] [illegible]—
[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] মীগী [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] গাড়ীগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]
[illegible]। [illegible] [illegible], [illegible] [illegible], [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] মীগী [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] গাড়ী [illegible]
[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]—[illegible], [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]"

[illegible] কাডনুংঙবা, মাইমনগী ইং ইরৈ পুম্বা [illegible]—[illegible] ঊরম্ভে, কনানি। [illegible] লেংবা অমুবী পুখৈ [illegible] অহনবা, [illegible]।

মী কাথোক কান্নি লোইনমকপা তম্না লেংলুম্, ইথোঙ্গা [illegible] কোনবা পুরী কোও কোও শাকিনা মমনীগী মিটি মতুম অমগা লৈরিকয়ে, [illegible] নর [illegible]লৈরিকয়ে। চানে থঙে—কনা চাকপগা পুম, পিক থরে। পাড়ীগী থাংগে মমুম। লংগনী অকোয়বদা থাজিবা, ঐক্লোনদি অহিংগী মনিং তাকতনবা থরাক্লিনকপুক্‌না থিনখনলোক্‌বা মৈপী-গকে নেং-লেংলুম্‌ মহুম চৎলে। পুম্বা থমবগা মাড়োনা হাই মমহুনা তম্না তম্না লেরকপগা তুমখিবা মতংগী [illegible]।

লোং চানহুং চানহুং ভোয়কপা মতম্‌। হোৎনেংকই ইথোঙ্গা "হায় তোনে হোৎনলো, তুমলদি"। তুমলে চাদপুনদনি। মোটিয়া অমনা মাও মাড়ুনা চৎলি। তুরেল থোঙ্গুং তাইনা তোই—অরেমদি থংগে। থোংবা লাক্‌পা শঙাংবা কাঙ্গুনা ঊশিংগা তুম অচৌবমদা চিঙি। মরক অচাবমা লেংলুম্‌ ইথোঙ্গা কব কনা থাজিনি, ঐথোয় লোইনবা কদি। কয়া থনা ঐজানা হিদাক চিকি থিদুনা হাজগা ইথোঙ্গা বৃন্দাবন হিদাকচু মচাযদা শুলোং কাপুনা পোথাই। শুলোং কায়া কায়া ঐজাগা ঐগনু চৌন থা হকচাং শেংলোক্‌বা হায়। ঐজাগা জাহাজ অনৌবা নত্তে, লোইনা থঙি। জাহাজ অসিমক্তা কনা ত্তোয়রবনি। থোঙ্গহাতম চৎনা চৎনা "ঐগ্যা, কনাই হুরো ঊশিংদা শাথিবসিরো" হংতি ঐনা ঐগ্যাবা। "অপঙবা, তুম নত্তে, হিনি, জাহাজ হায়বহুনি, তুরেলিনা পম্বা হায়বহুনি—থোরেল নৈচিল ত্তাক্‌পা লোইনা উমি" তুমনকথি। যেংথি তকপা পুম্বা, কথিনিলো থঙলে অহুক তাে মিবা।"

জাহাজগী চৎলে, হকিংগী হলোহরে। হমিং-পুরবা থাইনা ইথোঙ্গা মরক্তী থাক্তা পুখতুনা কারে, থকরে। থুকম থুক্তা পদাগী কনবা মিতকপগা ঊথোকলদা লেংবা হোৎথি। তুরেলিদি হাংবগা শাক্লিবা মনাক অমুবা ঊনা তকথি। লৈচিনা পুমকোক্তা লোক্লিনবা নশানবা কা লেংবা শাকিনগা [illegible] [illegible] উহি। [illegible] মতেক [illegible] মথি থাদি। ঊশিংনা [illegible] [illegible] চেনবনা থজিনানা ইশোয়থলৌনা [illegible]। [illegible] থোংথনগী [illegible] [illegible] [illegible] মরিগী তামা—[illegible] অমাং [illegible]
[illegible]

ঈরোয়নবা ঈচোং ইচোং চেনবগুম লৈংখিরি। ইখৌহ্ নিং থৃরা থক্লি ফজবা, ঐস্থ অহুনি অহুম। আত্মা ঈশ্বরনি, ঈশ্বর ফজবগী মশক্তি। অহুনোং পারি ফজবা থরায় খুদিংদা, থায়দে অহল অঙাং।

তুরেলগী ফজবা য়েংনা যেংনা চীনগোইরকখি ইথৌ। পদ্মাসি তুরেল অহুম্না তিয়বনি। অচৌবা ওাক্লি। হৌজিক ঐখোয়না উরিবসিনা মেঘনাদগী তুথুম্রি। থর চংলবা মতুংদা, ময়ায়দা ব্রহ্মপুত্রগী, হোরেল.আ মন্তাইদা গঙ্গাগী থেংনগনি। ঈশং মচুম্ব তিয়রোই, ঈচেলম্ব অতুম খেয়গনি। মেঘনাদ অসে ঐখোই লমদা হৌবনি। ইস্কালগী অরাংদা মাইল নিঙ্মুক চংলগা চাংগী লমদা কারোং হায়বমা লৈ। অত্থ তুরেল্লিগী হৌভ্রি। নহান নংনা উরকপা থায় তুরেন্দো অসিনি। থায়না নহাল নংনা জিলা কাবদা লালকপা এরাক হায়বা য়ায়া চাউবা তুরেন্মুনি। বরাক্লা অমুক মিলোট্টা অমমা কোনা চেন্নরগা অসিদা মেঘনাদ কোনা লাকপনি। ঈচেল কনমনবা ঈরাউথোল হকমনবদগী মেঘনাদ কৌবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী লাল থৈরিবৈজো পঙচং চংলরবা লম্নি। মাসি কীর্তিনাশায় কৌই হায়। অহিং অমদমু পশেশ হায়বরা কাউবু কাউরে, নিংথৌ অমগী কোঙ্গং লোইনবা লৈথোঙ ফুকই হায়। হৌজিক মাগী মপানিনা হুন্নিবা ঈহুলসিনি।

কুমংরে মথাদ! ঐজ্ঞাপ্নী নাক্তা। চেংপাক চিনি থর লোহ্নুনা চারে, ঈশিং থরগা থক্লে। জাহাজ চংনবা ময়ায়দা চালাইরিবা এঞ্জিনগী কদকজাশিংনা উংলিবা চংলিবত্থ য়েংচুনা অমুক ফম অমুক হিপ ভৌড়না মনা কুইনা লৈরে। তুরেন্দি মচি লেওত্রি। তুংওইনরম এঞ্জিন চংলে হিবাল তায়া তুরেল য়েংবা অমুক।

চমিংং মনা কারে, কোক্লে লোইনা লৈচিল। তুরেল মশা লোইনা উরে। অসোম রাংমগী গোয়ালন্দ য়োমগী ভোর্জাম্পি মনা থীনা তায়া উই। ভোর্জাম্দা, ময়াদা হৌবা উ-রা ফাও ইপিক ইপিক পিক্লা উই। জাহাজমা অহুম অহুম ময়ায় চঙশিল্লরগা পাকথোকপা অম্নম অন্তম হেক্সিজকুম ভৌথি। থুংবা ভরাই ওমশনি উখিদে। চঙবম্বৰ্চিঙ্গি মনা থীনা মতম। অহুক মম্রি মম্রি ভৌরিখৈলগী হোনবনা চমিং হুংবা মতুং মনা থীমা গোয়ালন্দ থুংঙি। পুং পানফুনা চংলবদি নৌপায়োমদি হেল্লপ চল্লনি। অরাং পাংনা হকং য়েংবদা, য়েংকী ভোর্জামত্থ তায়খিবা ওইগীস্থ অচুম থীনা তায়িবা—অনীগী মরক্তা অচৌবা তুরেল অহুম্না

অমত্ত ওইনা তিন্না তিন্না মপা মপাগী মচু মমেল, থোঙলৈ থৌভথাং ভান্না চেন্নিবত্ত উবদা ভকথি অভাং ওইবা থম্মোই। মেঘনা (মেঘনাদ) না চেন্নি ঈচোং ঈচোং, ঈশিংদি শংলি শংলি য়েত্তা ; ব্রহ্মপুত্রনা চেন্নি য়াম্নদা চীন্না জেম, ঈশিংদি লান্নাই ঈরী মতম ভৌরৈ শংবান ভৌরৈ শংবান ; ওয়দা তাম্না চেন্নি গঙ্গা ঈংনা, থোইনা মোং হান্দনা, নাপু হাইরপ চঙলা ঈশিং থাদা কোল। অমা য়েংবদা হোংভমদে মিৎকম—কাউই অয়াম থোয়াং।

থাম্না তাম্না নন্না হোন্নি নাউ চাম্ব চাম্ব—থঙদে কয়িগীনো, কয়ি দৌয়ি। য়ৈশিন য়ৈশিন লৈয়ি অমুক নাউ চাম্ব চাম্ব—হুপী নিপা অভাং য়ুনা লৈ—থঙদে কয়িনো, কৈদৌয়িবনো। অমুক্ত নাউ চাম্ব চাম্বনা শাংলবা, শাংথয়বা ভন্না শাংবা ঈল অমা চিংহুনা পুয়ি—লাউনয়ি থোৎনয়ি, থঙদে কয়ি হায়নয়িবা। মথোয় থ্‌ায়গী বাবিবগুম নাভবিনা মমৈ মৎোক হেক হেক ওল কামি শোয়। থায়োমদা য়েংথি অত্থমভায়। ঈশিংনা নোংথোঙ য়ৈথি। নাউনা পিশক পিশক লুপফেৎ লুপফেৎ হোন্নি ঈমায় থুংনা মচি থ্‌দিং।

ঈশ্বয়গী ফজবা থ্‌ৎলৈম, মীগী মপোক, হিংবগী অকনবা লাল, অয়া হুভাই, য়ায়ে য়ানা, হুভাইয়ে হুভাইনা হিংনিংবা, হিংহুনা পান্নিবা পূয়মন্নি উবদা চহীগী মভাংনা মুম্না থঙেম থোক্ত বম্ব হুংশিংনা চেন্নকপা হৈনম লৈনম ভাংদাংবা থঙদনা "হুংশিয়েদ" ভুৎ ভুৎ নয়বগুম অভাং ওইবা থম্মোই মহাক্ম মনয় থয়দি ফংথিবগুম ভৌবয়া লাইয়িক লাইগু থয় তন্নক্কবা মতমদদি বিশ্ব-কবিগী হুংশিবা শৈয়েং অমা ভংথ হেক হেক ময়ক ময়ক—

মরিতে চাহিনা আমি সুন্দর ভুবনে,
মানবের মাঝে আমি বাঁচিবারে চাই।
(শিজনংদে ঐদি ফজবা লৈকোয় অসিদা,
হিংজনাভি অস্থম মী থ্‌ায়গী ময়ক অসিদা।)

হুমিৎ কনা থেঙজিহক্লে। ঈয়ায় য়োয়ে জাহাজ। জাহাজ অমা ভাই-য়ম্মি। ঢাকা নারায়ণগঞ্জগীনি হায়। মিংসি হৈক তাবদা ঐথোই মতমদা য়াম্না চৎপা কা অনী নীংসিংথি। অমনা তুয়প তাই, কোইয়েংগঞ্জ কৌই ; অমুক অমনা শাংলপ তাই, নারায়ণগঞ্জ কৌই। কা অনীসিদা অমদি ভাই-য়ন্নিবা জাহাজনা চৎকদৌয়িবা মফমসিদগী লাকপা ওইয়ে হায়বা ভাব অমা

তৌখি। চুমহৌ চুমলরে। অশাংবহুনা অসিকপী, অতুক্কহুনা ঐনা তুমখিহুনা উরক্ক্ৰবা কঙ্গিবগম কৌবা বদরপুরগা নক্নবা মফম অমদগীনি হায়রবা ইথোদপী অহুম থগুলে।

ঐথোয়গা তোংবিময়রকপা মী কনা য়ায়া ঙাইহন্নিবা জাহাজহুদা হোংঙি। হোংলিঙৈ তাঙ্গাসিঙ্গা নাউ কয়ামুক মঙ্গোম, দই, রসগোল্লা পুহুনা জাহাজ অনৌ-হুদা হারৈ। ইথৌনা দই চক্ক মচা অমগা পোল্লা থয়গা লৈ। জাহাজনা খোং-লকপদা মখোয়না হোঙ্গোকখিবা মতৌ, জাহাজ অনৌনা মথং মথং থারকপদা হৌরকপা ঈথক্তা থীনা লুপ্রি লুপ্রি হাইহুনা থাখিবা মতৌ, পূময়ম্বি উবদা অঙাং ওইবা থম্মোইনা মখোয় নাউশিংগী দমক কয়া বাবিখি, কয়া থুকপিখি।

অরাম-খৌরাং থীনা পোক্নবা, ইশা ইউ লোইনা খেনা চোক্নবা পূঙ্গোয় কয়াগী মতুং য়ৌরে গোয়ালন্দ। গাড়ী অমা লৈরম্মি, তোংল্রে। ইরু-মাইথ-অহুনা চাক ঈশিং থম চা-থক্কগা মথংগীদা তোংবা তারে। তুরেল চাউবদগী ঈশিংদা কায়দবদি পন্নানা ময়োইরে। থকী ভারত মশাংগী অমাংবা অচৌবা তুরেল অহয়া পুথরকপগী মকুপ পূরমক সমুদ্রনা পন থাহুনা ঈরীক মৈনা কোরহুনা অহুম লৈবনি। অহুনোং ঈশিংগী ইষ্টসেন ময়াদা থম লূবা মফমা য়েংহুনা থরদং চা থক্লে—ঙহাক অফংবা মতম পোখারে।

তোংলে গাড়ী। হুংখিল অথেংবদনি। চথলে অহিংচুপ্পা ·ঐদি তুয়া তুয়া অহুম। নোং ঙ'লে, য়ৌরে কলিকাতা। শিয়ালদহদনি হুমিৎ হুবগী অহুবাই ওইনা তৌবয়া মতমদো কাউরে। ঙকখি উবদা মীগী ঈচাউ। ফিজেত্তা চাকচাদা বাঙাংদা খোনকমদা ঐখোয়গা অমত্ত তিয়খিদ্রবা, কঙ্গিমত থঙন-খিদ্রবা ঙাক্তনা চিৎলু-চায়ক্ক চন্দনা রুক রুক ঈরবা উবদা থুক্তবা ঙমখিদে ঐগী অঙাং ওইরিবা থম্মোই। অদুবু, মপু মবেল অনৌনা শেনবা অঙাংদদি অকিবা অথুকপনা চঙবা ঙমদবা, চঙলুরবদু অতুক মচঙ্গুবা হায়বহু তাবনা ঐঙোন্দদি চঙজৈ হায়বহু মঙায় কায়দ্রে, ঐঙ্গানা থ্ৰজেং পায়হুনা হেক শবদা অকিবা অথুকপা পূরমক তনকোক অহুম কোকথরে। অদুবু, চিনবদি হন্দে, মীনা চিনগা চিন্নিঙৈদা গাড়ী ট্ৰাম রিক্সা হাপকৎলকপদনি। মতমহুগী রিক্সাদি মীনা চিংই, শক্তিক অমা খিং খিংহুনা চেন্নি। রিক্সামদা ঐগা ঐঙ্গাগা অমদনা ইমোগা পোৎকা তোংহুনা চথলে—কনা শাংননি, হুমলে, কারে

ধর্মশালা অমদা। অতুম মীনা কুক কুক ইম্নবজৌনা অতুম মখোকই। ধর্মশালাদুদা ঈক্ক-মায়ধজঙ্কনা চাক ঈশিং চারে, ওহাক মুঙাইনা পোথারে। ছমিং ফনা নৈথরে, চৎলে অমুক ঘিস্নাদা ঐখোয় মীগী গাড়ীগী অকনবা ঈচেল মায়োক ম'য়োক্লনা, তাক্লে হাবড়াদা মীগী ঈচাউদা অমুক। মহুংদা চঙ্খিবদা অঙকপা নৈবাক অমা ওইনা খোকথি ঐদ্রোন্দা। য়েংফম অমত্ত থঙ্খিদে—মী অচৎ-অখোকপু য়েংগদবা, পোৎ হাবশিংবু য়েংগদবা, পোৎয়োন-ফমশিংবু য়েংগদবা, আফিশ পরেং য়েংগদবা, গাড়ী লাকখোক লাকশিন য়েংগদবা—পুমঙক ঙকেথি। অচিকপা নৈবাক্তা পোক অচিকপা কোন্দা চাউরগা অকিবা মীগী মীনিনগা অকিবা গাড়ীগী ঈনিলগা অনী তুনা থংলাং লাংলবতুদদি কোক অসি পুমঙাও চাওথি—ঐজাগী তথাক্তা তাক্লনা মিৎ উইশিন্দুনা থাঙ্খি।

ভোংলে অমুক গাড়ী। নক্তাগী অতুবাই ওইনা তোই। অহিং চুপ্পা তুরে। নোংডারে। গাড়ী থাবা মফম অমদা চীন-থা শেংদোক্রে। ঐদি তন-শাক-অথুবা থম্না চারে। ঐগ্যাহোম ইথোহোমদি মান তোদবা, নাম লোন্দ-বনিনা করিমত হারে, খুদোংদি থম তোমমপ কাজি। হমিং অতুমম অহিং হংথিল চুপ্পা তোংলে। অমুক ফম, অমুক হিপ, লম-তু থম য়েং, অমুক উইথমক তম্না হিপ, তম্না তূম অতুম চৎলে। মথংগী হুমিংকী হংথিলদা কানপুরদা কুমলে। লোইনা ইক মায়থরে। থম নীংথিনা চা থক্রে। ওহাকী মহুংদা কারে মথুরাগী গাড়ীদা। হাটরাসদা ফনা থীনা মযলে। মথুরা য়োবদা ফনা থেংলে—অহিং লেরে ইষ্টেসন্দা অতুম। নোং ডানফাত্রিংগে টাঙ্গামদা চৎলে শ্রীকুণ্ড, য়োরে চাকচমাঙদা অতুম। নবীগী অরাবা পুম্নমক কোকস্রে মিকুপ্পা; চারক্কবা, থক্লক্কবা, তূমলক্কবা, পুম্নমক কাউস্রে লোইনা অতুম হুংশিনবা খোয়াংনবা মন্নায়া উমবা অতুদদি। অহুবু, খোকথি অঙকপা অমা। নৈরবা অবোইবেম্মা, থাকা, ইগো অহবমু ঐখোয়গী ঐগ্যাম ইখোম লোইনা মিৎনু ঈবা চেরে। পিগা পিগা নঙনৈ হায়ঙম ঐগী মিৎমু পিহে অতুম পি। থঙলে জান তায়রবা মঙমদদি অবা হুঙাই অনীমক চেরে পি। থেরবা হায়ববু অবাথগী পিনা শাই, হুঙাইবগীনা ঈংতি—অতুনি।

শ্রীকুণ্ডদা

(থামুক)

ঐনা শ্রীকুণ্ডদা থামুক লৈবসি ইমুংগা মপানগদা মপান্দনা থিৎ নম্না হেন্না লৈ। লৈবগী মরম্—ঐ মীকোক মঙাগী ক'বান্নি—পাইনি। অবোইবেন্না, থাঁকা, ঐগ্যা; ইথৌ অনী—মীকোক মঙামক ঐ হেক উদবদা "চোথে কৈ চৎপ্রে" হেক্ত হংঙি। অমনা বাজার থঙদে করি থঙদে থোঙফৈ অমা থাংবদা ঐ অতুম চেন্নে। দর্শন পরশন অনক অরাপ পুন্নমক ঐ চিথবা লৈত্রবনি।

নিংথেম অমনবা—

খুত্তম তারবা নিংথৌ হায়বনি—কুলচন্দ্র মহারাজবু থঙনৈ। থোংজোম লানগী ৱাথোক মতুং ইন কালাপানীদা চহী তরাগা তরুক লোই কুম্নরবা তুং শ্রীকুণ্ডদা লৈ। মবুথৌ মহারাজ গম্ভীরসিংহনা কৎলম্বা বড়ী কুণ্ডদা বাস ত্তৌই, শ্রীকুণ্ডদা দেহ পতন ওই অতুম। ঐথোয়না চৎপা মতমসিদদি লেঙ-থোরকপা ঙমা কুইবগুম তৌরবনি। মী ঙৌই, ফুলৈনৈ, নোয়।

খুংবা মতুং নোংমা কোনবগী অয়ুঙনি। গোবিন্দগী শিঙার লোইরে। পেঙ্গা পিক্তক ত্তৌবা অমদা খুদৈ অক্লবা অমগা পোৎ-চৈ অকং-অৱাক থবনে, হৈতুপ হৈমাঙ লাড্ডু থরনে থেংগৎলগা গোবিন্দগী দোহলিয়াগী মচা নিপা চহী তমানীথোই হমদোইরোম ষ্বরবা অমবু পুহন্দুনা বডী কুণ্ডদা ঐগ্যানে ইথৌনে ঐনে নিংথেম অমনবা থুরুম্বা চৎলে।

কালিদাসগী শকুন্তলাদা "পঞ্চ শকুন্তলাবন্নুং" গী শকুন্তলাবন্নুংসিদা সর্বদমনা শকুন্তলাদ লৌথিবগুম ঐম্ব "নিংথেম অমনবা থুরুম্বা" হায়বা ৱাফমসিদা নিংথেমদ লোরুই। অহনৌং থৌঙদা নোংমৈ পায়বা সিফাই লেপ্লমগনি; মতুং লৈকোল য়াম লৈরমগনি; শঙ্গাই নাকন্দা কৈজাউ, কৈ অমোম, কবো কৈ লৈরমগনি; সিপাই তুরুক সরারীম্ব শগোল আরবীম্ব অতেম্ব য়াম লৈরমগনি—য়েংঙনি থল খুঙাইনা চৎলম্নি। অহুবু, পুমওল ওন্নবা, পুমতৈ তৈনবা মফম অমদা তাক্নরে। থোঙদি মপাম্বোঙ মঙ্কংথোঙ নাইনা চৎলি। লেপ্লে থোঙ অমত্তদা সিফাই নোংমৈ পায়বা। লৈতে সিফাই অমত্ত, উদে তুরুক অমত্ত। লৈতে লৈকোল, লৈতে শারং, লৈতে কৈ কোবা অমত্ত। লৈতে শগোল, লৈতে গাড়ী,

মৈতে থোইনা মী। য়োরে শুম্মাঙ, উবে লম্বোইবা লম্বোইবী থর মন্দির মমাঙ শুম্মাঙ মচিদা, তুপী অচৌ-অশাংগুম্বা অশেং ফিজোল সুনা শেৎপা থর মন্দির প্রাঙ্গণদা থডথডি মতুংদা। কারে সিঁডি লাইবক কক্‌না, চঙলে প্রাঙ্গণ থডথডি হাইদোক্কৎনা। মৈরম্বা অমনীদু মশক নাইবীঙাক ওইরগলে। ঐথোয় উবদা "কদৌঙৈ লৈঁঙকপা ইবেম্মগা ইবুঙোগা, অঙাংসিনা ক.।", ওক্লমলে হয়াউ হয়াউ তরাম তরাম। "ঙরাং লাকপনি, ঙরাংদি ঙমদ্রে, ঙসিদি গোবিন্দস্ন থুম্মগে শ্রীযুৎস্ন থুরমগে লাক্লিবনি ইনশ্মশিং পূম্নমক" থুম্না খম্না গোবিন্দ থুরমলে, "অসিদি নমৌ অহম্না পোকপনি, ঐনা কোনবনি" তাই মতোল। "ফরেদ ইয়া ইবুঙোমক্ত য়াওদে হাযবদি ইশূসিনা তৌথা তারেন্দ' সেবা" হায। "মিংবু করি কৌরিবা ?" হংঙি অমনা অমুক। "চোথে পাথ'বা" খম্মি ঐগ্যানা ঐঙোন্দা মোমোন য়েং। "মান্দ'মাল্লি নহায় ইশ্যদে" নোকই মযাম ঐবু হংশিনা য়েং।

মন্দিরদগী কুমথরকপদা শঙ্গায় মাঙ্গোন্দা লেঙথোক্কৎনা থৈরম্লে। ঐজ্ঞানা ঙসাই পূহল্লকপা শেনগাদু লৌরগা মাঙ ধাতুনা ময়াম চঙশিল্লি। "ইবেম্মা সনাজাউবি নং কদৌঙৈ লাবপা, এ ইশেনম্ব, অঙাংসিদি হনা" চীনগোইংবই সনা য়াথং মথং মথং ঐথোয মীপূম য়েনা ওক তবাম তবাম, থুত্তদি মালা। "ঙরাং লাকপনি ঐগ্যা, ঙরাংদি ঙঙ্কোদ্রে সনা চরণ থুরম্বা "হাযনা হাযনা শেংগাদু সনামাঙদা থারগা ঐথোয লোইনা থুরম্লে। ইধোগস্ন ঐগ্যাগস্ন বা অমনী অমনী ঙাঙনরে। অরোইবদা "থঙ্গদ্রে ইশেজশা ইচলশা, নথো'যদা মঙায়রবনিদো য়েংলুবদা" তৌথি প্রেম, শিস্থি মিৎলুদা পি। ইধোগা ঐগ্যাগস্ন তৌথি প্রেম, শিস্থি পি, ঙকথি ঐ—মিৎলুদদি পিরা'।

থঙলে ঙসিদি মতিক মঙল মঙাল মতম্না লোইনা হুববা নিংথৌনি মাদি। মপুনশিদা নিংথৌগী দুঃথান্ত লীলা শ'ম্নবা লোইরবনি—তাববনি অরোইবা যবনিকা। মথং ইতুংগী মঙ তম য়াচঙবনা লেমলবা য়াথোঙ লোল্লবা কোবৌনি। নীংসিংলকই বিশ্বকবিগী প্রার্থনা অমগী মতেক অমা—

পাথেয় যাব ফুরাযে আসে পথের মাঝখানে,
ক্ষতির রেখা উঠেছে যার ফুটে,
বসনভূষা মলিন হল ধুলায় অপমানে,

শকতি যায় পড়িতে চায় টুটে—
ঢাকিয়া দিক তাহার ক্ষতব্যথা
করুণাঘন গভীর গোপনতা,
ঘুচায়ে লাজ ফুটাও তারে নবীন উষা-পানে
জুড়ায়ে তারে আঁধারসুধাজলে।

(লৈবীগী চেঙজেম্না লোইরক্লবা য়াংদৌ লম্বুথাঙদা,
অমাঙ-ময়িনা তাররক্লবা মমায়দা,
মীমাঙ ফম উফুল লাং মোচ্চ্নরক্লবা ফিনা য়োম্না,
পাংগল্লা ময়েং তা মমং লান্নক্লবা—
থুপচিনবিরো চৈনাখোল মানা পুরিবা
থুপ্ত-থপ্না অথুপ্না খোজালগী মশক,
শাচ্চরসন্থু নোহোনা 'মুক তদেক তদেক ইম্নুংদা
অমম-ঈরানা মশা লোক ঈংজনা হক।)

শ্রীকুণ্ডগী শা-উচেক—

শ্রীকুণ্ডগা কন্না ঙমদাই ওইবা শানা য়োং, উচেক্লা মাহোংগা তেনবাগা অনী অসিনি।

শ্রীকুণ্ডদদি য়োংগা মীগা অতুম লৈমিন্নবনি। য়োংনা লাকই, হুই পোৎ; মীনা তাহ্নৈ চৈ পায়দুনা, কাঙদেল লংদুনা—"লগে-লগে"। মফুরগে, মপাল্লগন্থু হায়বদি থক চত্তে। য়োংম্থু চাউরে চাউনা কল্লে কন্না "লগে" দবু হায়রবদি হেক্ত চেল্লি, মীম্থু থমকানা অঙাং অঙাওবা, লক্কেনবা লাকপদোনা থনবরা চেনবু চেন্নবদি তাম্বক্লদ্রে। য়োংনম্থু মীবু থোইনা তাথীবা ভৌদে, মীনম্থু য়োংবু, পঙলৈ অতুম মরৈমিন্নৈ। ফুঙাইবা কুম্মৈম্থু উদবা নত্তে। মবুক লাম্লো য়োং অমা, চঙনি লোম্না ইমুংদা অচা-অথক থিনি, ফংলম্থু পুনি ফি থঙদে কোল থঙদে অফংবা পোৎ অমা, ফমলুনি অৱাংবা মীনা হেক উবা মফমদা। মী হেক উবদা ফি ওইরগা ময়ানা চিক্না শেগায়গে ভৌশিন্ননি, কোল ওইরগা ওদুনা থগাইগে তৌশিন্ননি। কুলা অনীদা চনা থঙদে করি থঙদে হাপ্পগা "লে-লে" হায়দুনা শিন্নয়বদদা পোৎ ফংঙি। থঙদবা মীনা কুলা অমত্ত পীক্করবদি

শোয়রে—কুলায় পোৎস্থ অতুম পুথরে। কুংশেল চেনশ্রবদি য়াম্না নোক্নীঁঙি। কুংশেন্দা মমি উবদা মথুৎ নাম্বনা কুংশেল মনমদা অমা লৈবরা মাই। কুংশা শাবে শ্রীকুণ্ডদা উথক্তগী চোংথ-চোংথ শায়ে, চমিদাংবাইদা য়োংজাউ অমনা য়োংনাউশিং মল তথি। য়োংনা মচা পোকপদা মঃয়োক্ষবী অমা হেক হেক য়াওই। য়াম্না অঙকপা অমা য়োংলুপ পুবা য়োংনা মাগী শকুপকী য়োং অচৌ অপিক থূদিংগী মথোল থঁডি। লাপ্না অকি-অথং অমা নংতুনা থোংলকপদা য়ৌরকপনা হেক্ত হাল্লি। মমানা চাবদা মচা মথ্ৎনা হেক হেক ঈষোকই, ঙমতুনা লাকশ্রবদি মুন্দে—লাকপা তম্বিবদৌনা তৌই। বৃষ্মেনি হুঙাইবা।

বাহোংদি মীরক থঙদে উরক থঙদে পঙলৈ অতুম মরে। কনানা করি তৌকবা লৈতবনিনা মী থোইনা হংগোইদে। তেনবাস্থ শ্রীকুণ্ড অকোয়বদা উথোংদা পঙতা মতাই, মী লাকপদা পাইদে, থর থৈরগা অতুম মচাঙাক থুন্নুনা মরে। ইনেম নেম্বা উথ্ৃম অহোবদা মকোক থিংজিন্নুনা করি তৌরিবনো থঙদে করি নীঙায়দনা কুইরেমথৈ অতুম লৈথোকই।

ঐথোই মতমদা লৈকাই মণ্ডপ অযাম্বদা, অঙম-অথৌ কোনশিংদা বারী লাইরিক য়াম্না তানৈ। ঐথোয় অঙাংস্থ অহনশিংগী মতুং ইন তাই অহুম। মুনি-ঋষিশিংগী আশ্রমদা তপোবন্দা মী, শা, উচেক লোইনা চায়-চিন্নরা লৈবগী বা য়াম্না তায়। শ্রীকুণ্ডদা মতু ফনা নাংথিনা উবগুম তৌথি। মী অমত্তনা শা উচেক অমত্ত তাডন মারণ তৌদে, ঙা থঙদে থেংগু থঙদে অমত্ত শোক্তে। অত্নুনা ঐথোয় উচেক বায়া ফাগনবা, উচেক মরূম থোই মরূম লোক্তনবা, ঙাথি থোঙফম্নগনবা, বায়থু-ঙাপ্রেম তানগনবা লৈবাক্তা পোক চাউরকপা অঙাং ওইরফাও মফম্না হোংথি তরাই ঐথোই পুকচেল অতুম। অঙকপনি মফম অমস্থং মফমগী লোঞ্চৎ।

শ্রীকুণ্ডগী অমস্তুং অকোয়বা লমগী বাসিন্দা—

সন্ন্যাসী বৈরাগী উদাসীনগী পরেংগা শ্রীকুণ্ডদা পোকপা কাউবূশিংগনি। অহানবগী পরেংনা ভিক্ষানা মাধুকরীনা হিংবনি, অকোনবগীনা মাগী মাগী জাতিগী শিনফম্না ফি সাবনা ফি সাতুনা, ফু সাবনা ফু সাতুনা, যণলোইবনা যণ লোইতুনা ... .. হিংনবা ঙাক্লি। অকোনবগী পরেংসিদা থোইনা

য়াইফবা পঙয়াও য়াওদবা ওইনা উই। অয়াবনা য়ানা নংনা পানবদৌনা তৌই। মনুক্স্ য়াম্না চম্নি, চম্নদুনা নিবদা হাৎলংবা লৈতবা দৌনা তৌই। লাইদি ঙক্না নাঁঙি। লাইগী হুমিৎ অমা থোকপদা ইমুং থঙদে খুন থঙদে হৌতুনা লাক্নে। অবৈবা পোত্তা মশক থর নাইবা থনম্নীংদবদি কোকথোংদা পুরকই, হামেংফাও চিংতুনা পুরকপা য়াওই। মোৎনা নংনা শেৎ-চাররা, মশা মউ থীনা মোৎলবা, মশম মনা থীনা ফাররা নিপা-হুপীশিংতুনা—হুপীনা মকোক্তা কোকথোং, নিপানা ময়েংবান্দা অঙাং, নাম সোন-সোন্দুনা শ্রীকৃষ্ণ পরিক্রমা চৎপা উবদা হায়ফম থঙদবা হুঙাইবা অমা পোকই থম্মোইদা।

ঐখোয়না জ্ঞান থর তারক্লবা, লাইংিক লাইশু থর পাবক্লবদা থেংনৈ—

ভগবান্না জগৎ কল্যাণগীদমক কৃষ্ণক-কৃষ্ণকপা মফমশিং অসিদা প্রকৃতিনা অশেংবা লৈয়ীক, ঈরীক চাই, মুংশিতস্থ অশেংবা মরীক থিকই। অতুনা, মফমশিং অসিদা পুঙ্গোয থরদংদ ওইরবস্থ তারবদা লেম্না থক মাঙদে। থঙদে কদায়ফাও চুম্লিবা। অদুবু মসিগী মথৈদি থঙি, ধামশিং অসিগী কবিগুণ্বা শুণ থবদি লৈ, থম্মোইদনা থঙি, শান্তিগী ঈবা অমদি থিকপদৌনা তৌই।

গোবর্ধন পরিক্রমা—

শ্রীকৃষ্ণদগী হৌই। ঐখোযগীদি শ্রীকৃষ্ণমক্তা লৈবগিনা মশানা অতম মহৌরে। য়াম্না ঙন্নি, মন্নি মন্নিবু তৌরি। থাকানে ইধো সনাথ্যানে ইধোনে ঐজ্ঞানে ঐনে ঐখোয় মঙানি। অবোইবেমদি গোবিন্দ সেবাগী লৈহৌই, লেঙদে।

মতমসি য়াউশং মতম্নি। গোবর্ধনগী ফজবা থেংবা মতম্নি। চীংমায়দা ওংবা উ, চীংখোঙদা চীংয়াদা অকোয়বদা হৌবা পামেন লোইনা যেন্নীং হুনবা মঙাংনি। হন্নি য়েন্নীং চোংঙি নানৌ উপাল খুদিং তঙাং তঙাং। বৈষ্ণবগী থম্মোইদা রাধাগোবিন্দগী আবির খেলগী মমি তা মুংগী মিৎনা আবির খেল থম্না থক পেজ্রবা থম্মোইনা

লাল যমুনাজল,
লাল তমাল তল,
সবু লাল হি লাল

হায়না শকথিবা মতাংতুমক্কী গোবর্ধনুমক্কি ঙসি ঐখোয়না পরিক্রমা তৌরিবসি।

মত্থুদা অমুক্ম, সনাদা তম্ফা থিনবগুম থোকপা মওং অমম্ভু লৈম্রি। হুমিৎনা থোয়কপদা থানা নিনবগুম্বনি হায়বনত্থুম হেম্না পকপনি। ভাস্ত্রানরি ইম্বুংগী তিপ্পানা নোংথক্তা হুন্দোয়কপা কোয়ো মঙাল লাং, হেক্লি নেংথাদা গোবর্ধনা থঙাং তঙাং বসন্তগী মঙাল লাং। শক্তামবগুম তৌরি অনী ঙংজবা, মেঙজবা, নৌজবদা।

থঙদে ঐ গোবর্ধনগী মগুণ থঙদে ঐ পরিক্রমাগী মাহাত্ম্য, খ্রায়গী পাইনিনা চৎপদনি অত্থুম। য়েংঙি গোবর্ধনগী ফজবা, য়েংঙি ঙক্রা উথক্তা যম্বা হনুমানগী মশক, মমায় মুবা মমৈ শাংবা—মমৈ হাইরগা হেক হুনবা; য়েংঙি ঙক্না উকাদা তোংবা নক্রে লৈমায়দা চংপা ব্রাহোং লাবা, চৎকনি কাউই—লেপ্লি, ব্রাহোংনা অগোই সাবা উরবদি। লোইবা নক্রি অসিনা—থেব অঙোবা, অমুবা, নাপু—চেক্লি, চোংলি তবিৎ তবিৎ ফন ফন মোংশোংদগী মোংশোং। থোংলি উশাদা কোকিল, চেক্লি থৈরোয় উথক উথা।

কনা লম্বোইবনা তৌরি পরিক্রমা হাথু হাথু তহা তহা, থাংঙি মথোঙ তফিং তফিং—মথূক্তনা মালা মচন্দন, থঙদে করি নাম, মুক্রম মুক্রম। কনা ভক্তনা তৌরি মকম অমত্তদা দণ্ডবৎ হক্কিন হক্কিন অবক্কবা মশীং স্তনবা নুংত্থুম মশীংনা মশীং লেপ। লৈবা উদে করি নাচুংবা মশাদা মতমগী, থোঙফমগী—নৌঙাইক্রদে মতুংগী, থোঙফম মশীংলা কায়বা য়াদে। মাগী চৈশীং পুবা নুংশিং অত্থ থ্লি অময়ম, শাংথৈ অমুক্ম্রক। কদোইঙে কোশ তরামরি থুংবা—ভগবান্দনা থঙি। কূষ্মেগী কূষ্মে ঙাক্লি অঙকপা।

পূর্ণমক্সি হৌজিক নীংসিংলুবদা ঐথোয ভারততি তুংগী হিংবনি, হৌজিক্তী নত্তে হায়নবসি অচুম্বমক্লি হায়বা থঙি। স্বামী বিবেকানন্দনা হায়খিবা ভারতনা আধ্যাত্মিক উৎকর্ষগীদ নত্তনা ভৌতিক্তাস্থ থবদং য়েংশল্লবা, ইউরোপ্পা ভৌতিক উন্নতিগীদ নত্তনা আধ্যাত্মিক্তাস্থ থবদং তানশিল্লবা জগত্তা স্বর্গগী মঙাল তাগনি হায়রবত্থু নীংসিংদবা ঙম্মদে।

য়োরে রামকৃষ্ণ থুরক্লে। ঐ তল থা থর চারে। হৌজিক্কি পরিক্রমা হল্লকপা হৌরে। হুংশাস্থ কনথৎলক্লে। অথঙবা ঙাক্লিনা বারী থোইনা সানদে, অত্থুম পঙচৎ মচৎনৈ, তৌভম থোকপা অত্থুম লোইনা তৌমিন্নৈ—তৌনৈ।

মানসী গঙ্গা য়োরে। রাধাচরণ বাবাজী থুরমখিসি হায়নরে।

রাধাচরণ বাবা—

মণিপুরীযা বাবা হায়নস্থ খঙনৈ। মোইরাংথেম শাগৈদা পোকপনি, মবুখো মোইরাংনিংথৌগদি মচাম্মনাওশিং থোকপগুম তৌবরা অমা তায়। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাত্তক্তা লৈবাক থাদোক্লম নহা রাম্না ওইনা ব্রজভূমদা লাকখি। সিদ্ধ বাবা কৃষ্ণদাস বাবাজীদা গুরু বরণ তৌত্না সন্ন্যাসধর্ম লৌই হায়।

ব্রজমণ্ডলদা কৃষ্ণদাস অহম্নি ফাওখিবা। অহম্মক সিদ্ধ বাবা ঙাক্লি। অদুনা করম্বা কৃষ্ণদাসনা রাধাচরণ বাবাজীগী গুরনো হায়বা তশেংনা খঙবা লুরে। অদুবু বাবাজী মহারাজসিগী গুরুগী মবমদা হায়নবা অমদি লৈ। লোংমা মানসী গঙ্গাদা স্নান তুম্বদা ঈশিংদা অদুম লুপখি, ময়াম্না খিনবা ফংখিদে। লাইনা লৌবনি খল্লখি। লোংমা মশা তাউথৎলকপা চঙাইতনা খোয়রাঙনা ঙাইনখি। অদুবু নৎলমগ্রে লাইনা লৌবা, কাথৎলক্লে ঈশিংদগী লুপখিবা তরেৎনিস্নবা চুগিত্তা কয়িমত থোক্নদবগুম তক্ক তক্ক। চেক্লখি লোইনমক, খঙনরকখি—নৌকাবিলাসদা ইবেম্মগী (রাধারাণী) খুৎনিংথৌগী খুদোপ তাখিবা খুল্লো কৌত্না খুত্নবনি।

ব্রজেশ্বরীগী সাক্ষাৎ দর্শন অমসুং সেবা ফংলবা গুরুগী মতিক চায়বা সেবক্লি মণিপুরীয়া বাবা। মানসী গঙ্গাদা সিদ্ধবাবাগী আশ্রম পুত্না মশাগী চহী চাম্মগা মঙাফাও গুরুগী আসন ফমলম্বনি। ব্রজমণ্ডলদা মশাগী গুরুগী মতম সিদ্ধ বাবা হায়না খঙনরকপদগী মণিপুরীয়া সিদ্ধ বাবা হায়না চৎখিবা কুন্দাদা অল্লাম্বা মতম লেনখিবা বাবানি রাধাচরণ বাবাজী।

বাবাজী মহারাজসি মশা চাউ-শাংঙি। ধর্মগী মতুং ইন ময়াং কংলপ্তি তারগা কুচুদি ফজে। বাদি হৈজ্রবদি খুনবা লুই—বাঙলা, ব্রজবুলি, মণিপুরী অহম তিল্লুনা ঙাংঙি। অহল ওইরক্লবা চহী চাম্মগা হায়রক্লবা অদুবাইদদি হুমিদাং মিৎ থর শাম্মি। অদুবু মাগী গুণ অমা, তাপ্রবা খোক্লেল, ফনা কুইপ্রে কুইনা কাউবা লৈতে, ঙহাক্তুং লুকথবগুম তৌরগা "অদু নত্রা" হেক্ক হায়। মঙ্গলগী মশক্লি মখোয়গুবা পুণ্যশ্লোকী দর্শন।

হোলি—

য়াওশং মতম্মিনা হোলিগী মতম্নি। ব্রজমণ্ডলদা নন্দগ্রামগা বরষাণগা

মকম অনীশিগী হোল্লি ফাওই। নন্দগ্রামদি চত্তে, বরষাণদি চৎলি। চীংদোঙদা লাবা মন্দিরগী থাক চাম্বনীপান্নি হায়বরা, মুংশাদা কাবদা শিদোই। মী য়াম্না লৈরম্মি—লম্বোইবা লম্বোইবীনা খিৎ নম্বদোনা তৌই। খঞ্জনি, ডফ, ঢোলক, ঝল্লরীগা থম্মস্ম উই। লম্বোইবা অমনীনা মহোয় মংোম্বগী থোকপা জগোই লাম্নি, মুপীগী মতৌগাম্ম তৌরি। লাই হায়না লেঙথোক্ত্রমা লৈরম্বনা খুরম্নগা মথোয় লম্বোইবশিংগী মতৌশিংদু য়েংতুনা ফম্লে। ফনা কুইনা পোথারবা তুং পাউ লৌবদা হলংকারদি মুংথিল অথেঙবদা পুং মরিগাগী অদুরাইদা তৌনি হায়রে। ঐথোয়দি লেকপগী বা লৈতবনিনা হনবদা তারে। য়েংদনা অদুম লাক্লে। অদুবু লম্বীদা এক্কাদা ঐজানা লৌবদা বরষাণগী হোলিদি হলংকারনা মপুংনি—হলংকারনি, বিজয় গোবিন্দগী হলংকারদা ব্রজমাই সাবাশিংনা হোলিগী নিপাশিং তান্নতুনা অফং-অফংবা ফুরিবতু বরষাণগী অসিদগী তম্বনি হায়বা থঙখি। মণিপুরগীদোনা পালা মশক, ফিজেৎ মশক নাইনা শকপা নত্তে, অরাক অরাক, অচঙ অচঙ পঙয়াওদ য়াওবা, পঙশক্ত মশকপনি, ঐথোয়গী চাক হোলিনতুম লুবদা থর হেনবনি হায়বা থম্মি।

উৎসব—

য়াউশং মতম অ।সি যাত্রিক ফনা লাক্লে। মণিপুরদগী ডাক নত্তে, কাছাড়, সিলেট, ত্রিপুরা, শিবসাগরদগীসু কোঙ্গায়নি। মন্দিরশিংদা পুম্না নত্রে নাইতোম কৎনৈ উৎসব। উৎসব কাঁচা, পাকা, ক্ষীরপুরা অহুম চৎলি। বার্ত্তনগী মশক মাশীং অকক্লে; নিয়তা ফংবা, নিয়ন্তা চৎপা হায়নৈ। নিয়তা ফংবা কনাগুম্বা মরম চানা লাক্তবগী শরুক নরুবা অমনা পুবা য়াই। আধিবাস কোম্নবা কীর্ত্তন য়াওরবদি কীর্ত্তনেশিংদি চাবগী মথক্তা চাক্রুক অমম্ব ফংডি—পুনৈ মযুমদা। ধোবি, নাপিত, মেহতরনচিংবগী শরুক তম্মি। চাবদা লাদা লেঙ্খৌবা পুম্নমক বাহির-সেবকশিংগীনি। অকক্লবশিংদগী হেনবা কনামতদা করিগুম্বা অমরু চোইথোক্লে। খোঙ লোম্নুনা উৎসব তৌই, তৌবা ঙাক্লি। লোকজনার্দ্দন সেবা, দরিদ্রনারায়ণ পুজাগী অঙম্বা কনাগুম্বনা গলি-ভোজন তৌগ্রবদি তৌরে, নত্রবদি পুবা ঙম্বা নত্তে। অমত্তংদা খিজ্জ পীরুবদা "মঙোন্দদি পীবগা ঐথোয়দদি করিগী" লাম্নি, মতা চাত্রগনা লাক্লাউ।

লক্কুম্না শীজিন্নবে। হিমালয়দগী লাকপা উনা মথল অমা পত্নম লেং লেংদুনা চাক্লুক সেম্মি। দোনাম্ব অতুম সাই। ঈশিং কুন্নাদা (চফু মচা মথম্মা) য়েন্নি। পোৎলমগী মতুং ইন্না কটোরা (কম্বি মচা মথম্মা) তাবম্ব য়াওই।

ফন্তম থক থা থোইনা থিনদে—পাতা অমা ফংলগা লোইয়ে। পাকা ওইরবদি চহী ফানা শ্রীকুণ্ডদা তারবা মীপুম খুদিং পরিবেশন য়াওবা য়াই।

ঐখোযনা ব্রজদা লাকপসি দর্শন পরশনগী থোইনা নত্তে। অ.লাইবেম্মগা থাকাগা ইথৌ সনাথ্যাংনা থোগল তৌদুনা পুরিবা সেবাগী, মন্দিরগী কৈদা কবি পূম্নমক য়েংবা ওইনা তৌই। অদুগা অমনা অবোইবেম্মগী য়াথং মতুং ইন ঐবু অবোইবেমখোয় থুরম্নবা পুরকপনি। অদুনা লাকপদগী গোবর্ধনগা বরষাণগদা নত্তনা থোইনা চখোক্তে। থবক্তা মায়পুনে। সেম্বা য়াবা খোৎপা য়াবা পূম্নমক মপোৎ মচৈ লৈদুনা চেক্তী নুঙ্গী মিস্ত্রী কৌদুনা সেম্মি। সেবাগী ফায়খিবা তোইখিবা পোৎ চৈ লৈশিন্নি। থবক পূম্নমক থামুক্তী মতুংদা লোইশিন্নকপগুম তৌখি।

হৌজিক্কি হনবগী বাংথল তৌনরক্কে। য়াউশং হেক লোইবদা ফংশানা পরপ পরপ হেক্ক হাইগৎলকপগিনা নোংমা নীংগী মতুংদা মণিপুর য় ত্রা তৌনবা হুমিৎ লেপ্লে। "৹খোয়গীদি নখোয়গী ওইরে, ইশু পিশক অসিদি যমুনা দর্শন, স্নান অমুক্ত তৌদনা কৎম পুখোক্কদগে" তাকপিরে। থম্নরে "শ্রীকুণ্ডদগী যাত্রা তৌরগা মথাবৃন্দাবন্দা হুমিত্তু পনবা, নোংঙাল্লগা যুবরাজ কুঞ্জদা লুক থমলগা মথুরা হাইগৎপা, ইথৌ সনাথ্যানা শ্রীকুণ্ডদগী ওন্তা হাইগত্তুনা টিকেট লৌদুনা ঙাইবা"—য়ানরে তন্না অদুম।

লেপ্লে হুমিৎ। য়েরে তায় ইম্ফালদা, ঐ য়াওবনা মাম্মে.য়াইবু জিলাদা ঐখোয় ওক্লনবা হাযরে।

থোঙশান্নকপা—

থোঙশালে বৃন্দাবনগী পুনশিদা অমুক হন্না উনৌ তমত্রবা অবোইবেম্মগা থাকাগী প্রেমগী ঈরাগা কোয়বা "লাইগুরুগী সেবা ঙমজবা ওইরু" হায়বা অতাঙবা বম পুনশিগী মথল অথোইবা ওই। অনৌদুনা প্রেমগী থংবাংনা কোক

শিং শিং নানবত্থ, মিংলূদদি মরোল য়াম্নবা প্রেমগী ইয়া, মা ওবক্তম ভৌরি ইশাদা নীংশিংজবদা ভাংদ।

য়োরে মধ্যবৃন্দাবন, চঙলে যুবরাজ-কুঞ্জ। নিংথো যুবরাজভবাশংগা লেম-ভশিং অমা অনী নৈ.য়শি, ওকই ঐজাবুহ ইথৌবুহ খঙনো ভয়াম ভয়াম। লৌয়ননা ঐগী য়াস্থ হংঙি। পোত্থাভম নীংথিনা শীন্নি। য়ারী য়াতাই য়ায়া সার্মিন্নি। থাজিন্নবু নত্তে, ওইনম লৌদে, ইমুং ওইনা অত্থম চৎনৈ। হুমিদাংনা লাইগী ভল কৎলি, অয়ুক্কা ঐজানা লাওত্থনা চাক কৎলি।

অয়ুক্কনি, হুমিৎ নাংথনা থোক্কে, চৎলি স্নানগী—কেশীঘাটতনি। কুম্নবা, ভৌরবা নৈঙোই অচৌবগী পাক্নবা শাংলবা 'সিকতা', তায়া চেনবা অমুবা ঈচেল, য়মিৎকী মঙায়া মচি মচিদা তঙাং তঙাং ইপোয়বা, য়াংমদা অশংবা লমজাউ, ভ'গায়বন, বেলবন—মক্কা মীংথিজাখি, মিৎ অনীনা মশা থ্য়া থকথি ঘাটকী, অকোয়বগী মনীংথি। কুয়ে, ঈথম অচৌবা য়োদে, কনামত য়োনদে, অংবায়া অচৌবমদা থেংগু নৈতবা মকম খিত্থনা স্নানগী থৌনা ভোরে। থেংগুনা অত্থুক চাউবা, অত্থুক শাকপা, অত্থুক য়ায়া নৈবা অমুক্ত উত্রিবনা ঐগীদি কুপৈ অচৌবা অমা ওইথি।

কাযে স্নান। কুণ্ডদগী অমুক গোপেশ্বর থুকবা চৎলে। গোপেশ্বর থুকমলবা তুং গোপীনাথ বাজারদগী জয়পুর অমনী নৈরে। লোইরে অত্থুনা ঐগী অহানবা মধ্যবৃন্দাবন দর্শনগী থোঙভম।

হুমিত্তু শীয়বা মতুং ইন লাইগী ভোগ মনা চক্ক কৎলি। প্রসাদ হেক ফংবগা থোঙশানে অত্থম, চৎলে টাঙ্গাদা মথুরা। নৈয়ন্নে ইথৌ সনাখ্যা, ভৌয়মলে টিকেট। ইথৌ অনী ঐজা য়া-য়াল কয়া ভাংনরে। ইথৌগা ঐজাগদা ইমুংগী কয়া শিন্নরে। গাড়ী থায়মদাই ওইশিন্নক্কে, পোৎ-চৈ লোইনা থাংগৎলে, লোইনা থ্নয়ম-নৈপায়নরে। ঐবু কোঙগা ইথৌনা অঙাং ওইরিঙৈ মমায়না "বাইরগেদো" হেক পুক্কা মায়দা ভকপগুম ভক্কই ভগিম্ন কায়নয়মদাইসিদা কোনশিঙগা চেঁৎলেং। অত্থবু "বাইরগেদো" হায়দে মহৌশাগুম, নোন্নিমদে, শিরথি মিত্তা পিং, "চোথে চৎলোকো", শিরথি হেয়া পিং, শিরথি জোয়ো জোয়ো। অঙাং ওইবা থম্মোই মরোল য়াবা শিগী মরোল্দি ঘনা থখিদে, কুইনা কায়নজবা হুংশিন্নবা ভবাক, নৌহৌ অমুক উ, নৌহৌ অমুক কায়নবা

তাবদা পুন্তমথিদে থম্মোই, ইথোগী মথবাক্তা ওাশিন্দুনা কপখি। গাড়ী হইপেল পীরে, ইথো মশামা থাংগৎপিরে। চৎলে গাড়ী। ইথোনা লেপ্পুনা য়েংহোই, মিত্তদি পিরাং; ঐথোয়স্থ য়েং য়েং চৎলি—শিঙ্গে মিত্তা পি।

ওসিদি থঙলে সংসারগী মশক। লৈতে সংসারদা হুন্তাইবা, মমিদনি লৈবা। পুনশিগী অমম অনৌনা থৈবা তোরৈ তুথুপ খুদিংদা চৎলি, তৎপা লৈতে, তিন্নবা কায়নবা—অরোইবা পিনা থৈনবা অরোইবা মকায়না পূমলোই অদুম লোইরবা। শক্লীংলকই—

জোই নংনা নরো কয়া
ঐঙোন্দা,
ঐগী পুনশিদা—
তয়াম থক্তা কয়া অমা
পিরাং থক্তা 'মুক কয়ামা।
কাংদে নোংমন্ত,
লেপ্তে মিকুপ'মা।

হারৈ কায় লানথি 'হুমা পন,
লাকই মাক চেনথি 'হুমা তন,
॥ংডি থম্মোই মিকুপ খুদিং
নংগী কায়ন-বৈ।

তোই অসুম নরো কয়া
ঐঙোন্দা
ঐগী পুনশিদা।

ঙলা পাংমনগী মশক্তি সংসার, উচেকী মশক্তি মী। অহিংদা কায়দোং-মিয়রগা নোংঙাললগা মাগী মাগী থোকপা পাইনবগুম উচেক্লা মীওইবস্থ পুনশিগী তামিম্নক্বা মতেম্না থোঙদিস্মিয়রম্মগা মাগী মাগী কর্মগী মতুং ইন অদুম চৎন-খিবনি—অদুম চৎনবনি।

চৎপগা হয়কপগা লথীগ্নি অমত্তনি। অদুবু মতম্না অচিক অশা থায়বগা লম্নগা অচৌবা ওইবগা হায়গী থোক্তকমদগীদি হন্দকীনা থিং য়াবদোনা থোকখি।

অহিং-মুংখিদ ভাবম্ তৈনবনা চংখিবদা উদবা চীং-তুরেল উমং-রামং লম-তু ফুরা-দালান চীং-তমগী মী মথল মথল, শা-উচেক কয়া কয়াম্ উই। মাতুমক্ক পোখানিঙাই কোঙ্গায়মম্ ওই। অতবু থাঙবদা ৱাবা থাঙদবদি য়াদবা মওং অমদি গাড়ীগী ইরোই লোইবা পম্বুংফাও কোকথোংনভুনা চৎপা তাখি। মশানা লূজনা নাঙনা হিংজবা, ফিরোল ময়োল নাইনা শেত্রবম্ ঈশিং মনমদদি নম্না শেৎনবা হোৎনরবা, হৈনা লৈনা মকে সেমজবা, হৈনম্না লৈনম্না খিনম সেম্বা খিনম লোকপা, অঙৈবা লমগী মচা ওইবনা হৃমাং ঈরীক অমনীমক্তু ৱানা কাবা, কাবিবা অমনীতুনা লৈত্তেং ওইনা থোকপা লৈবাক্তা পোক্লুনা খিনম হক্কম হৃমাং মনম শোরগী হিংগাই মনম্নচিংবা নমখিবা মনমশিং থাঙসা থীনা ৱানা থোকখি। অতুদম্ নত্রি, তিন শিংকম থঙদবা, লূথাক হৃদোকফম থঙদবম্ মখোয় মশাদা অতুম চেম্নরবনি। অতুনা ৱাবা ওলাংবা থেংখি—মুং পাল ফাওখি। অতুদগী অমনা, অরেপ্পা থুদিংমক্তা নত্রবম্ অয়াবা হংগোইবা অমম্ থেংনৈ। মশাদা ফত্তবা পকপগী মশক কয়া, পক্লি থঙদে ফরে থঙদে, মফি ময়োল শোরোন শায়াং পৈশা নিবৈ—লিংদে। অৱাবনি। অতুনা পোৎ-চৈ অমত্ত কক চিঙ্কীংখিদে। মুংশাগা চাদবগা হকচাংসি পূম্পৎ পথখি। অঙৈবা মতমদা নত্রবদি মপাল থক থোক্লোইগা থনখি। অম্বুম্না ৱানা লমশাং লাকপ-সিদা অঙকপা মুঙাইবা কুম্মৈ অমদি থেংনখি—লাচন্দবা ঙমদে।

চাদপুরদনি, মহাজাল চিংথৎপা—ঙা পৈবা, থেংনক্কই। শরেংগী মথল, য়ৌগী মথল, বাউগী মথল, ইলিশগী মথল—চীংদুম চীংদুম পৈরি। অঙাং নিপামচা মুপীমচাশিংনা পূমকোয় পূমকোয় কোয়না ফম্বি মথুত্তা লোং অমমম, মমাঙদা ঙাকুপ মপৈ মপৈ। পাইরি পুম্মু অভিয়াদা লেম্না ৱাংনা উমাইবি। অঙাংশিংনা তাল নাইনা নাইনা মখোই মখোই লোংনা ঙা হেক হেক চাইথৎলি, উমাইবিশিংনা হৃমথ হৃমথ লোকই। শোক্তে, শোকহন্দে ঙাচাউ। অমরোমদনা, হাজি উপুদা ঙা, উন মতুম চক্কনা য়োম্বগনি। ঈশ্বু থোম্বুবা হি পরেংতুনা মপা থিতুনা চায়ৱি—য়েংবদা মতোল ফনা তামথরে। থক্কই, ঙা লৈয়মখিত্রা তুরেন্দা !

য়োরে মথংগী অহুক অঙনবদা বদয়পুর, চাকচমাঙদা জিলা। গাড়ী থাবদা মাখোম্নাইগা ইথোগী ইশৈগী সেবক অমগা ঙাইয়রা থেংনরে। "চোখে নং ঐগী

'করি পুরকই" হংলকথি মাপ্পোনা। ঐনা মাপ্পোগী গোবিন্দগী মিঠাই য়োমজনা হাপ্লকই, খুমথি থৌনা "গোবিন্দগী মিঠাই"।

ইষ্টসেন ময়াদা ওহাক পোথারে। ঐদি তল থা থর চারে। চৎলে লখি-পুর। লখিপুর য়োরমদাইদা তোল্লেন খুন্দা ওরুম্নিবা সেবকতুগীদা চাক ঈপুং চারগা লখিপুর অত্থম যৌরে। হুংখিন্দুদা চৌংগী চেঙজেল লাক্লে, পোৎনেম্মু থিবদা ফংলে, খোঙবুম্, খঙনবা খঙনদবগী ব্লাদনি, অত্থম লৈজবনি। নোং-ভাল্লগা, অমুক অঙনবদা জিরি খোঙশারে। ফুলতর চৌংশাং ফাও, জিরি তুরেল লান তারে জিরিবাম। কালীমায়গীদা চারে থক্লে। খোঙফম অমা চাররোই, নোংভাল্লগা চৎলসি হায়নরে, লেক্লে অত্থম।

ঈংলে থম্মোই ওসিদি—খঙদে করিগীনো!

হরাউ-তম্নবী জগৎপোকপী ইমাগী মিৎনা উবা শকম অনীনি ম্মীওইবা খুদিংনা। ইমা অমসুং ইরমদম—মহাক্নি, মাগী মশক্নি। শকথি অত্থনোং কবি দ্বিজেন্দ্রলাল রায়,

ধন ধান্যে পুষ্পে ভরা
আমাদেরি বসুন্ধরা
যার মাঝে আছে দেশ এক
সে যে আমার জন্মভূমি
সে যে আমার জন্মভূমি।

(লন থুম হৈ-লৈনা থজবা
মালেম লৈকোয়নি নীংখিবা।
লৈলো লৈকোয়রুম্বা লম্বা
ঐগী পোক্লকনি ইরমদম
ঐগী পোক্লকনি ইরমদম।)

মাগী লৈরাক্লা ঐগী হকচাং, মাগী ঈরাক্লা ঐগী হুদা চেনবা ঈ, মাগী হুংশিংনা ঐগী থবায়, মাগী মহৈ মরোংনা ঐগী পাংগল ওইরিবা ইরমদমগী কৈরা অজাহক্তা তারবা ঐনা ঈংলোই করিগী থম্মোই! ঈংথিবনি অঙ্কনা লাইনা তাকপভম অঙাং ওইবা থম্মোই।

মথংগী হুমিত্তনি। অহিং হোৎনা চায়ে থক্লে। চংলে ঐগোম্বা-হুংখ্রু যাঙ্গথ লোইনা পুক্নাং মকা লাম। অস্থম অস্থম চং লাক্লে জিরিবাম—হুংওইনুহৌরে, মঙ্গোইনদুরে তীনফা-ঈরোম্ব। কায়ে চংলে, অকা অকুম—রাফু থোইনা। তাকপা থঙ্গেদ লাইনা "নয়য়ি, নক্লে নয়ুম !" নীংসিংনুবদা শক্লাংলকই ওলিদি—

কল্লি নঙ্গী প্রেম হুংশি-ইরমদম,
তাজেনে থরায় নঙ্গোঙ্গদা
হুংশিজবী ইরমদম !

থাদোক্লম নংবু চৎইঙ মীগী কম
থাক্লিদো থরোম নীংহন নুংহয়া,
য়েংজে নীঙমদ তুংহন তুংহন্না।

কানথোক্লকঙে অস্থম অস্থম
থোঙথাং মথং মথং
থোংঙি শদো হেক হেক ইথম্মোই।

লাকঙে হয়কঙে থাদোক্লম মীয়ম
চেল্লিদো থরায় খাঙদা তন্না থা,
উবয়া নংবু য়েংজে থোরাংনা

কানশিল্লকঙে অস্থম অস্থম
থোঙথাং মথং মথং
কাজে হেদো হেক হেক ইথম্মোই।

কল্লি নঙ্গী প্রেম হুংশি ইরমদম
তাজে নতু তুমুম খুদিংদা
ইথম্মোইনা ইরমদম !

কায়ে অস্থম তীনফ:-ঈরোম, মৌচৌকপাল। অমুক হুংথিল অনৌ অনৌ পানা চং, অহিং অহিং হেক হেক লেপ, টাংলোম নীতে চং নোংমনোং, তুরেল কয়া কাছুপ লাল, উবং কয়া 'কাও থাং' কয়া তুপ হুমিং মঙানিগী তুং তাররে লাইমতোল পম্মাঙ—উবরে অমুক কোরো শীংবুম কয়া তায়কয়বা তুং হুংশিজবী

ইয়মদব কোলোয়না মাগী মণিপুর। হেন্নি চিপক সনাপূং লোইবি চিঙ্গী পলোম্নুং। তাখি মনি লকাদা, পীখি ঙ্গয় থম্মোইদা, শকখি লম্মিন, খম্মিন, মাকৈ শৈরাং কন্না পুনশিদা মতাং মতাংদা।

খোইখোইবমা, ওলিদি ·চহী মচেত্তা লোৗরবদি, কুহ্রাগা মন্নি হায়রে। খ্রীষ্টগী কুমজা ১৯৪৯ গী জানুয়ারী থাগী তারিখ তরাগা নীথোইনি—ঙ্গমিত্তো ঐথোয়গীনা হিয়াঙ্কৈগী নিঙ্গাং তরাগা মাথোইনি পানবনি। পীনখি ইমানা পূণাগী তিখি অত্তদা নোহোনা ইমাগী মরোল, ইমাগী ঙ্গয়—"ননীং থুংনা শকচরো" মতানি।

শকখি অহিংহুমক্তা ঐগী "নোংগূম্নকখোদা"! হিয়াঙ্কৈগী নোংফাইনবা থাবন্দা নোংজাগী অচিকপা কাদুমদা শকখিবনি, থগদে ইমাগী থোয়রা, মিং-শূদদি পিরাং।

রাধা অশৈবা
চৈজিং থ্ৰাবা,
নোংগূম্নিডায় ওইদবরা
        নোংগূম্নকখোদা!

হাদ সনা পূঁঙয়োল
পলেম হুংশি-কোলোম্নহ
ভেংথানিঙায় ওইদবরা
        ভেংথারখোদা!

লবুক লমথাং শংবানবায়
লোইবি চুখং থজবায়
মালং কোয়োই ইপোম লাং
কয় শরা থোকহ
হাদ সনাপূঁঙয়োল
কোলোম হুংশি মণিহ
শৈরাংনিঙায় ওইদবরা
        শৈরাংকখোদা!

পায়বক্লংগী থৌজায়া
থোয়াং লাইজ ঊহোনা
ইম্ফাল নমুল শিহুম,
শাথি নযোম ওকচম,
হাদ সনাপুঁ ঙয়োল
পলেম লোইবি খ্বাজোমহ
য়াকৈনিঙায় ওইদবয়া
য়াকৈরখোদা !

... ...

পাহুয়বয়া থঙদে ইমাগী থৌজালগী থমোইদা, শকথি ইনীং ভৌনা, বাংলা কৌবা লৈথিদে লোল, বাংলা কৌবা লৈথিদে শৈশক।

কংলি ঙসি অহুনোং ইমাদা ভক্তি থবিগী অহুগা ওইনা—

তুমি বিদ্যা তুমি ধর্ম,
তুমি হৃদি তুমি মর্ম,
ত্বং হি প্রাণাঃ শরীরে।

তরুকস্সুবা মতাং

স্কুলদা অম্রক

বৃন্দাবনদগী লাকপা মতুং নোংমা নীনিগী মসুংদা স্কুল চৎলে, ঈ-পাউ লোরে। পরীক্ষা হায়দোকপা কুইরে, স্কুলগী চহীনাকত হোৎনা ক্লাস চখরে। ঐগী মিং, উত্তীর্ণ তালিকাগী অতুং ইদ হায়না তৃতীয় শ্রেণীদা চনখৎপিরে। নোংমা নানিগী মসুংদা লাইরিকা কয়িগা লোইনা ফাঙলে, লৈরে—কারে অমুক স্কুল।

ঐখোই মতমগী নিম্ন-প্রাইগী লাইরিক মতম অসি মতম অমনি, অতুক মতম্বা হায়বতুনি। মতমিস্থ অতুমতায়, অতুক মতভিবা হায়বতনি। রাজ-সরকারনা ওজা অহমদা মহাক্পি, ক্লাস মশীং কোয়দে। ওজাতোম্বা চতুর্থ শ্রেণীগা পঞ্চম শ্রেণীগী ক অমসুং খ শাখাগা পূম্না ক্লাস অহুম্রি পুবা। ওজা মাইমনা দ্বিতীয়গা তৃতীয়গা ক্লাস অনীমা পুই। ওজাহল্লা প্রথম শ্রেণী পুই। স্কুলগী মকোক্নিনা সাধারণ তত্ত্বাবধানসু মহাকীনি। "ঐখোয় অঙাংদি য়োংনি তুমিন্না লৈবা হৈতনা; মাকোক্না ক্লাসমদা নিফুং-নিফুংবা পারবদা চনীনিফুদি তারে। য়োংগীদি অচোবা তেংগোল অমা ওইরে। "অমগা অমগা কক-কাক, হং-হা, মূরুম-মূরম, গোয়োং-গয়াং, ব্রাকৎ-ব্রাপাং, রায়ো, মাচঙ-সঙন—কৈথেল্লি মশানা অতুম নিঙবা, নিনবা লেঙদা খবা। ওজানা পড়া লোই—কায়, পড়া পীথে কায়। তম্বিবসু নাংথিনা থক চত্তে, তৎসু মঙং তাদে। ওজানা ফনা থাম্বি—কায়দে, কয়া লাউ-থোংভি—তাবিদে, শাউরংননা চৈনা টেবিল ফনা থীনা কয়া কয়া ফুই—নাচুংবিদে। করি তৌতম থঙদে ওজা, হৈনবিনা অশাউবগা লোয়ননা হোৎনবা তারে। মখোয় ওজাশিংসিদি "দশরথবাপি তাড়য়েৎ" হায়বা নাতি নীংথিনা, খজিকফাও কায়দনা চৎলবা খুনগংগী থঙদে লৈকাইগী ওজাশুরুশিংগী "মূর্খস্য লাঠ্যৌষধি" হায়বা লালাউগা কোয়বা চৈহৃ তত্তনা চায়রুবা, "অঙাংদি ফুগদবনি, ফুবগী হক্লা মখোয়গীদনি" পূরবা, অঙাং ফুবদা হালেংত্রবা ঙাক্কি লোইনবা। ফুই তক্লা শেৎ-শেৎ শেৎ-শেৎ। কনাজননা থঙহোদনা মথুং মশা ঙাক্রুরবা, "য়াউদে তৌদে ঐদি" হায়কয়বা, "মথুংপু

তাকপা নাই য়াওন-তৌনবু হায়বা নাইদ্রে য়েম্না কুই—বন, ইথোই হুবনি। করি-করিগুম্বা মতমদা শাথিবা দণ্ডি (দণ্ড) সু চাদবা নত্তে, মখাক্তি দণ্ড ওইবা ছাত্তা লোইনবা বেক মথা চঙহন্নি। চঙবা তঙ্গী কুই, চঙবদা থ্রোঙথ্রাঙ ল্যাউনগী কুই, মপা মিথোক হেন্দোকপগী কুই—কপে য়াওনা হুবনি, শাবুক-চাবুক হৌবনি। শাবুক-ভাবুক হৌনা হুবদা অঙাং অমগী চৈকম অনৌহুম ক্ষ্যাথি। মতুগী বাথোক্না ওজা অমা উথ্রুন থাথি। অতুনা ঐথোয়না স্কুল কাবদু, অমখোয়মদি, স্কুল কাবা নত্তে, চৈ লঙবা, চাবা স্কুল চৎপনি।

চৈ দংঙি, চৈ চায় হায়বনা কাদবদি হৌদে, কায় ঐথোয় লোইনা অতুম হয়াউ হয়াউ। চৈ কিদবগীম্ নত্তে, লাইরিক তম্বিবগীসু নত্তে। লাই-থরোক-তত মনীং করকাও ময়াম তিঙবদি হয়াউই, মথোল থোকই হায়রকুনি। ঐথোয়সু ময়াম শিন্নবদ্ধি কঙ'ইবত্ থক কাউতমদে। ঐথোয়না য়াম্না থোযপাকনা য়াম্না থোগাংলুনমক্কি হাক-চুটিগী ইনীং-পা হয়াউ-চুয়ামশিং অতুনি। মপে য় অচৌ-অচৌবা অকন-অথোগী শিন্দকম পাম্বশিংনা চেক্লোং-মাঙজোং-থুবৈ-থোং-য়াই-থোঙবী ম'ঙজোং তাম্নবা, ঐথোয় অঙাংনা মথোয়গী মতৌ তৌমশিন্নদুনা তঙাইনবা, অমুক মথোই কুঁমৈ য়েংবা, য়েংঙৈ অথোইবগীসু "থোইরে থোইরে" উকুল চাইবা, অপোবগীসু "পোরে পোরে" অমুক তক্লাই চাইবা, উকুল থীনা পাম্নুবা থুংনা থুগে তৌশিন্নবা, ঐথোযদি নোকপদি নোরগ' লাম্নুবগুম থোক-পনা কিনা লাম্না চেনবা—ঐথোয়গী থেংনা তঙাইবিনি কাউতমদবা, চৈক-চৈনা কোবা নীংসিংদব'। অসিদ নত্রে কৈরি অতৈ কয়ামসু। মথোয় অহৈবশিংনা অকদিদা শাটে মচৌয়নাও, কৈয়েল, থথাবি। ঐথোয় অঙা' হৈতবশিংনা অরায়বা, বুদ্ধি-চঙদবা পৌ-পা, চৈতেক-কোংদশিংবা শাটে। থোইরে, "থোই-বিরে, থোইবিরে" উকুল চাই; পোরে, "পোবিরে, পোবিরে" অতুম চ'ই। অতৌমক চোংন-চোংননি, ঐথোয়দা অপোথোইগী বা কৈতে, লাউবা কংগা, উকুল য়াম্না চাইবগা লোইরে। অসোয়দসু উকুল চাবা অনকপশিংনা থমকা তৌই, ঐথোয়না চেন্নি। শাটে নোংমা ফালোক্ ঐথোয় লেংমায়বা ময়াম উবাউবিরা অহাবিরা অমা নত্রে অমাংগোই অশোকলেংলা পুম্মাংলা অমা অঙ্কিক্রে শগোলতোংবিরা য়াহায়বিরা অমা, ময়াম হৌনা পুম্নাং লাঙননি—অমথৈ লাঙলমিদো মতমনি। অসিগুম্বা ময়ামশিনবু কান্জিনমম্বা ঐথোয়

চৈ কিগনবা অঙাংদি মুকাবু কারয়োই। লৈবাক্নমু থোইনা থোরদাবা শিকাগী মঙং নত্তবগা ছাত্রগী পরেং কনা থীনা লল্লমগনি, তৎপু তৎলমগনি।

মতম অসি অরি অনৌ শিন্নবা মতাং অমনি। ইশিংছালগীনা নুংকয়ি লম-থৈবা জাতিগীনা থোঙহৌভন্নি নৌহৌবা। লেম্নি অরিবনা পুংমায়, চংলি—পুরি, মপুং। অনৌবদি ময়ায় কাঙবদি কাঙলগা মপাংগল য়ায়া নৌরি, মশামক পুজফাও য়ানা থোক্নি। অতুনা, অরিবমথৈ ফরি, অনৌবমথৈ ফত্রি। ঐথোয় ইশা, ইশাগী ওইবমথৈ ফরি; মীয়াল, মীয়ালগী ওইবমথৈ ফত্রি। পোৎফাও মপালগীদি মাংলি, মকুংগীদ শেংলি। মপালগী থুম লাইদা কত্রি। কেরোসিন মন্দিরদা পুশিন্ত্রি। সোডা, সাবান শোক্তি—শোকপদা কোক তুম্নি। সাহেব থীনা মাঙলি। মথোয়দা ওংলুবা চপীশিং মিপ্পথোং মেমপাড়ালা তোঙাল থল্লি। সুরচন্দ্র মহারাজনা পোকপা সনাতোম্বীনা ফর্দেদ মেম্ম্ মেল ওংঙৈ লৈবাক্না "সনাতোম্বী মাঙলেদো—ময়ায়বক থীদা, বড়-সাহেবত্তি ময়ায়বক কৈদা মাং কংকবা" সেম্নবদগী শক্নরকপা ইশৈ—

সনাতোম্বী মাঙলে মাঙলে,
বড়-সাহেব ঠিকা ওক্লে।

শক্নরি ঐথোয় অঙাংশিংনা হেদৌ কাঙৈ ঐথোয় ইশাগী হয়াউ তয়ামদা চোংনা চোং।

মতাং অসি লৈবাক্কী অমুক্তং কোয়া, থবক শিনফম থোইনা নাইক্নবা তৌদনা পাক্কৌ তম্বা মতা অমা ওইনমু থোকপগুম তৌথি। লৈবাক থুনাইগীনা, লৈকায় শঙসারোয়, নাই-ফুংগানচিংবা লোইনা মুৎলবনিনা কোয়ে মশা—লৈয়ে মথৌ; অপাল অপিলশিংগীনা, অপাল-অপিল লোয়শঙ, লৈবাক্লিংথৌ-পনগী অন্তে অয়াম্ব লোয়শঙ লৈত্রবনিনা কোয়ে মশা—লৈত্রে মথৌ। থবক হাংদুনা শিংথৌ ফোয়দুনা পান্নি কৌনৈ মতাংসিবু তিংথৌ-ফোয়দুনা-পানবা মুপ। লৈবাক্নগা চাকহোঙ-ঙাহোঙলে, লোইরে—থেংলে, কোম্বগী অমুক্তং। তুংইন, লৈবাক থুনাই থঙদে অপাল অপিল থঙদে তোয়রে লৈপুং—কুংলে। থায়নতৈগী লাইগুরুশিংগী তুংগী মপাউ পুথোক্নদুনা লৈপুং য়া ওইনৈ। ঙাঙনৈ, হায়নৈ—

"লমহইনা সনাগী সেম্বাক্কা মলমূত্র তৌরনি—হায়নবকপত্তুদি তোয়েদোসে—বড়সাহেবনা সনাতোম্বা লৌরেদো। হৌজিক্কা অমুক, মমিংনা শংশং উয়া

লাইশিংগী মরানিনা, নোংচুপ-খোঙ হাংলেদো, অরুবনা [redacted] অনৈবনা ময়ায় চেনবা হোৎরেদো, হৈত্রবদি, কনানা থঙনি, শানৈ-মুনৈবদা অমুক হকিশুনা ‥ … … চেকশিন্দবা য়াদবনি… … … … ।"

কিনৈ লোইনা শাসগ্না ত্তৌরকপা পূমমক। থুক্লে কবি খোক্লগবা। অনৌবা শিক্ষাসিবু ফিরিঙ্গী ১ লৌশিংনি—যোইথেম্নি ; জাৎ, ধর্ম লোইনা হাৎকদবগী ত্তৌম্নিবনি লৌনৈ।

অনৌবা শিক্ষাগী মওং অসি ঐথোই খভমত্নমক্তা ইনৌমক লৌবদি নত্তে। পণ্টমা স্কুলমা ইহান হান্না হিংবগী ব্রাম্ন কর্ণেল জোনষ্টোন্না মিডল ইংলিস স্কুলমা লিংবগী ব্রাম্ন মমাঙ্গী মতাং অমদা অতুম য়াওগ্রে। হান্নগী অনাতুন্দদি লৈবাক্লা থোইনা চিংনক্লদবগুম ত্তৌই। চিংনক্লভমম্ন লৈত্তে। অহানবগীনা পণ্টনগী অঙাংশিং তমজনবা মথোয় মঙ্গংগীদ ওইনা হিংজবনি। মতমম্ন নিংথৌ-পানবা মতম্নি। মথংগীনা নীংদম-পানবা নিংথৌ অমনা য়াত্নন। ধর্ম প্রচারগা মন্নী লৈতবা মাশক অমনা লৈবাক্তী ওইনা কৎপনি। লৈবাক্লিংথৌ-পনগী ওইনা য়েংলকপদম্ন মথোয় বৃটিশগী মরোল থরদং থঙ্গদবা য়াদবগুম ত্তৌবনা থোইনা নাচুংনক্লদে। অতুবু, বৃটিশ আমনগী থৃৎফম অসিদদি লৈবাক্তী চিংননিঙ্ঙাই, কিননিঙ্ঙাই মরম কয়ামুক চাউনা লৈবগুম থোকথি। নিংথৌ পাদ্রে। বৃটিশ সরকারনা মথোয়গী মজী মতুং ইন থম্মি থুভম, থিল্লি নিংথৌ অমা মথোয়গী পোইরৈ য়েং চৎপা ভাবা। স্কুল, সরকার মশানা হিংদবগুম ত্তৌই, পাদ্রি অমবু হিংহনবদৌনা থোকই। মমিংফাও পাদ্রিছুগী মমিংদা পেট্রিগ্রু থোম্নি। অসিদগীনি বৃটিশগী লমজিং মথাদা য়াজ-সংকারনা শীনবা শিক্ষাগী অনৌবা পম্নিং অসিবু লৈবাক্লা শাথিনা চিংননথিবা।

চিংনবসিদবু নত্রি, মমল য়াওদবদৌনা থোকথি পম্নিংসি ঐথোয় লৈবাক্তা। ঐথোয় লৈবাকীদি ধর্মগ্রন্থগী অধ্যয়নদনা শিক্ষানি অশেংবা, নীংথিবা মাওইবা ঐথোয়না ফংদবা য়াদবা। অমত্নোমদনা মথোয়গী লাইরিক অসি তমলুবগা মতৈ নীংথিনা চাবম্ন পঙউ উদে। থব ব্রাংলপ এক্টে্রস্গা য়োনা তমলুবা

ফিরিঙ্গী—ফিরিংঙ্গী—পর্তুগীজ হায়বনি, অদুবু, ঐথোয়গী অহল লমলাশিংদদি বৃটিশ থঙনম্মি।

মথোয় অমনীমা জোনষ্টোনগী ওস্তাদগী থোইনা হেন্নে। 'থর-হন্ববা মাইনরগুম্বা, মাইনর মথক্কী ব্রান, টু হৌজিক্কীদা হায়রগা ক্লাস সিক্স, সেভেন, এইট— পবেংগী মীনা কেরাণী, মোহোরীদগী ব্রাংবা কম অমত্ত পায়বা উদে। হন্দ-হন্ববা কাঙবুনা আমিন, বাজে মোহোরীগুম্বদং ব্রানা কংনৈ। অমুক অমরোম্রদনা, শঙ শঙ্গী মকোকুম্বনা ইংলিশম্যেন, এংলো ইন্ডিয়ানগুম্বনা পায়, ভমথংগী অচৌবা পরেংনা বাঙ্গালী ঙাক্তনা পায়। চৈরাপ, পঞ্চায়, নীপালফম্ব (দরবার) দা ফম্বশিংদি সনা-ঈচৌন, সনা-ঈ, অপাল-অশিল মচামণ্, অঙম-অখৌ মচামণ্, অকল-অথৌ—নিংথৌ-লাইবক-মুমদিন্নরুবা ঙাক্তনি। মথোয় অম্মাম্বা লাইরিক মরেক চত্তে, সই (সহি) দদি য়েকপা ঙম্মবা হোৎনৈ। হেক হেক য়েকই— চৈঙাক থাই। ঐথোয়গী মতমগী রাজ-সরকারগী অব্রাংবা থাক্কা কর্মচারীশিংদি দরবারগী মেম্বরশিংনি। ঐথোয়না পীক্লিভৈদগী লাইরিক লাইশু থর তম্নুক্তুনা মারক কারক শিল্লফাওদা দরবার ফম্বশিংসি মথক্কা হৌজিক পাঁথিবা মীথিৎ পবেংতু ইকায় অতুম কায়ত্রি। অা মমাঙদা অমগুম্বগাদং অা মমৈদা অনীগুম্ব-গাদংদি লাইরিক হৈবা য়াওবরা—অত্তান। মাঁকোক মঙামা তরুম্বগী মশক থাবদা ভাব অতুম তানগনি। সনাখ্যা কাঙ্গোযাল (সনা থাক্কোকপা) মহারাজ দেবেন্দ্র (চাকাতাবা) না পোকপনি। বড-সেনাপতি ভুম্ব সিংহ, তুংলমচৎকী রাজাভুম্ব সিংহ, পাল্লিবা নিংথৌগী ময়াম্বা অংনাম। শৌগাইজাম্বা ইবোচাউবা বলাই জেনেরেলগী মচানি, নরসিংহ মহারাজগী মচা তম্ফাসনানা পোকপনি। শৌগাইজাম্বা ভুবনসিং ইবোচাউবগা হেক পোক্নিরবা ময়াম্বনি। হাওবম পাতাম্বর এস. এম. পি. গী সুবেদার-মেজরনি, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মচা তম্ফাসনানা পোকপনি, অকোং হাওবা সেনাপতিগী থাক্কানি—মন্ত্রী ফুংগানি। নোংমাইথেম্বা শ্যামচরণ অঙোমনিংথৌগী মচানি। মাইব্যা শমদেল জিলা দরবার থোঙকমগী অফাওবা মাইব্যা তার্ত্রসিংহনা পোকপনি, নরসিংহ মহারাজগী মপু ইবেমহল লৌবনি। লাইশ্রম ঙাংবা সুবেদার-মেজরনি। পৃথ্বীগী লাপ্তাও অহানবদা ক্রান্দদা ব্রেকিগী কমাণ্ড মখাদা মণিপুর 'কন্টিজেন্টগী' ফার্ষ্ট বেট্‌চ্ পুক্তনা চংদা মাশক্লি। পরেংসিদা লাইরিক থিজুং য়াওবসি শৌগাইজাম্বা ইবোচাউবদনি। অতৈদি সহিদা চৈঙাক থাবা ঙাক্লি।

চৈরাপ, পঞ্চায় কোটতা য়েংলুরবস্থ অসিগী অসি মঙাইনি। মাঁকোক থর

থাবদা অদুম মউনি। সনাখ্যা স্ত্রী, শিংদি পুক্ষ কোই, নরসিংহ মহারাজনা পোকপনি, রাজগুরুনি, নিংথৌগী মবুগো পুরেঙ্গা লৈবনি। চিঙাথবা নোং-থোনবা, শ্রিংদি ইবুঙোহল কোই, মধুচন্দ্র মহারাজগী মশুনি, তুঙ্গাংসনানা পোকপনি, নিংথৌগী লৈমখুবী, তুংলমচৎকীনা নিংথৌপোকপী, শ্যামাসখী পোকপনি। নোংমাইথেম্বা পুরুম্বা, নিংথৌজাম্বা নহাক্প লাকপা, অঙাম অতোয়েচৌ অঙোমনিংথৌনি, নিংথৌগী মচেমশিঙ্গ মুক্তাসনা লৌবনি। কোম্বাগী সনাখ্যা (পূর্ণেন্দু), জন্মস্থানগী সনাখ্যা (বীরচন্দ্র), বীর টিকেন্দ্রজিৎনা পোকপঙাক্লি। থাংমৈবন্দগী সনাখ্যা (টিকেন্দ্রধ্বজ) মহারাজ ঙাক্রা-চাবা (কুলচন্দ্রধ্বজ) না পোকপনি। চিঙাথবা ময়ূরধ্বজ দোলাইতোংবা মচামশুনি, রাজা ভুবন সিংহগী মচা নয়ন সনা লৌবনি। লাইমযুম থাবলমচা নিংথেম-পূজারীনি, পরীক্ষানি, নিংথৌনা অজমীঢ়দা লাইরিক তম্লিঙে থৌগল ইল্লকপনি। ঙাংবম শ্যামকিশোর মহারাণীগা পোম্নরবনি, মপাবুংগী ফম য়াইস্কুল লাকপম ফংহৌবনি। হিজম ইরাবত সনাখ্যা হৈনৌমথোঙ তাবগী মচা থোমদোন সনা লৌবনি। হায়বদি ময়াম্বুংতোন চন্দ্রহাসগা মমান্নি। ছোট সাহেবনা পুবা ষ্টেট, হিল, ল্যাণ্ড রেভিনিউ—আফিসশিং অসিদা য়েংলুবগনা ইংলিসম্যেন, এংলো ইন্ডিয়ান, বাঙালীনা অয়াম্বা ওইনা উনি। ঐখোয়না পিক্ত পিক্লিঙেদগী পুংগক চাউফাও এফ. জে. ব্রেকিনা রেভিনিউ অমসুং সেটলমেন্ট আফিসদা কলেক্টর অমসুং ম্যাজিষ্ট্রেট ওই। গেস্পগগী ভনকানগদি ঐখোয়না চাউদ-চাউরফাও লৈ। মখাগী কর্ম-চারী অচৌবদি নিথর, অম্বকা হোয়না অদুম লেপ্লে। মৈতৈ মচাদি লাইরিক মহৈজরবসু মশক্ক নাইবা কর্মচারী থোইনা য়াওদে—লৈবু লৌতে হায়বদা থোইনা কায়বা লৈতবনি। অসিসু অসি ওইরে, লৈরি অসিদা অমুক্ক। মতম অসি শিক্ষা দীক্ষাগী মতুং ইন লাইবক থেংনা থাজনৈ।

"মকপ্পালো মুক্কম্"

মপাগী লাইবক্লা মীওইবগী অরা-মপাইগী মরুনি হায়বা ঋষিবাক্য অসি চেৎনা পায়নৈ। য়োংনা চু পায়বনি। অসিদা অমুক্ক

নিজকর্ম ফল অগ্রে অগ্রে ধায়।
ফল অনুগত জীবন পীছে পীছে ধায়॥

(কর্মফলনা চৎলি মাঙলা থা।
পুনশিনা ইলি ফলগী মতুং।)

হায়বা বৈষ্ণবগী মনশিক্ষানা তৎপা লৈতনা মথৌ শঙলে। ধর্মগী বাথন্না চেরে অদুম পুক্লৌং, তাম্মোয়ে তন্না অদুম হিংবগী বাথল। চৎলি অদুম কোন্না পুনশিগী খোঙভম। লৈবাক খুনাইগীনা কোমথৈ অমুক্তা হেন্না। অপূনবা লৈবাক্লিংথৌ পান্নকভেদগী অদুম মীথা খাবদ থংহনা লাকপনা ফানরকপনি মবুক—

উ-বাগী মথা খাবদবু পৎপানি,
মীগী মথা খাবদি পত্তবনি।

মুৎথিবনি তুংইন মাইক-ঈথৌ, তনথিবনি থৌরাং, কাউথিবনি অকায়ম পুমকাউ—পঙহিং হিং পঙপান অদুম মপামবনি।

অদুনোং ঐথোই মতম অদুগী অপাল অপিল থঙদে হাও অরায় থঙদে মচা মশু মতমগী লাইরিক লাইশুসি তম্মনবগী বাথল থোইনা তৌনরুদে। লৈবাক্কা থোশাদবসিগা লৈবাক্লিংথৌ পন্না শেল নংবগা অনী পাহুনা শিক্ষাগী চাওখৎ-খোঙভমদা অপনবা থীনা পীবগুম থোকথি—পীথি।

রাজ-সরকারনা লিংবা স্কুলনা মথোঙ-চাবা স্কুলমক থোক্তবস্থ, তুংইন শিক্ষা মওং তানা পীবমক ঙমদ্রবস্থ ঐহাক ইশাগী শিক্ষা-দীক্ষাগী মরমদদি থোইনা অহোবা লৈতবদোনা থোকথি। ভাগ্যবিধাতানা মফম মতম থৌওং কয়াদা মীরক খিত্তংদি তিঙ্গসহু মতা পীনবিবগুম তৌথি। ইশাগী জ্ঞান থর লাকপদা মুন্না টোল অমম্বং আখড়া অনী পানা চৎলবা খেংনবা, থাশি, থানিম্নচিংবা তিথিশিংদা ভাগবত শ্রবন তৌবা, পুনশিদা ওস্তানা মপাল লোকপা, তুংইন মণিপুরগী চৌং মতেক অমগীস্থ মণিপুর মপালগী লম-তু থরগীস্থ লম্থিৎ-তুমিৎ, মী-পোং, মুখাল কৈবাম্নচিংবা থর মথৈগী জ্ঞান ফংবা অদুগুম ইশানা অশীন্নকবা নত্তনা অতৈ মফম মতম থৌওং কয়া কয়ানা অমুক মথং মথং শিক্ষাদীক্ষাগী লমী অদুম সেম্নকথি।

মহাপ্রভু সাবা—

বৃন্দাবনদগী থোরকপা পন্থুই কুইদ্রি। অমুক্তা স্কুল কাবে, হুংখিন্না স্কুলগী পড়া চথরবা শিংগৎনবা হুমিৎ খুদিং মাপু মণিসনাগী নাকনি হায় তাম্মো

মণিপীদনি হায় কমচুনা কন্না হোৎনরি। ঐদনা হোৎনজবনি, ইমুংগীদি পায়দবা লাইরিক্লিমা কনামতনা খোশাবিবা নত্তে। ঐনা লোংমা যুম হল্লিনখিবদা ইমানা "নং মহাপ্রভু সাবা তায়বনি, ইথৌনা য়াগ্রবনি, হয়েং হুংথিল কাকৈখেলগী মাম্মো য়াইমা লাকনি, চথোক্লমগম্ব হায়রমনি" হায়। তাঙাতুমদি ঐত্তোন্দা খিত্তং নীংব-কায়গুম, হাইফেৎ চময়বগুম থোকখি। নীং-কায়বনা শীংগৎনবা হোৎনরিঙৈ অপনবা লাক্নুমা থোকপা, চময়বনা ইথৌনা মাগ্রে হায়বতুদা রা অতুম করুব!—অতুদনি।

মথংগী হুংথিল হুম্মিদাংব্রাই মাম্মোয়াইমা লেঙলক্লে। কোর্কেক অমগী ময়ক্তগী চে বালী কাগজ পাং অনীগুমা থম্না ইবা লোল পক্কে অমা পীরে। অইবতুগা কোর্কেকা চাশিন্নবম্ব ওইনা ঐ ইশানম্ব ইতোম ঊত্রাইজবা হৈহৌনবা ওইনা মাম্মোনা কোর্কেক পায়রগা মতাং-মতাংগী অচা-অচাবা খোরৈ খোন্দা, খোহ্লায় খোম্থাং পান্মুনা পাই—পাথৈ; ঐনা অইবতু পায়তুনা খোরৈ খোন্দাগাম্ব তানা তানা ইল্লি। ঐনা ভাব তানবা লীলাগী ক্রমম্ব বাফমশিংতুগা কোয়-কোয়না তাকই। অম্বুম্না হুমিৎ পক্কান্স্ কায়দনা হুংথিল অনী অহুমম্ব নৈনৈ।

ঐনা গদাধর সাবা মতম অতুদদি লীলাগী সঙ্কীর্ত্তন পালাসি অহলগী মনোহর শাই পালানা পুই। শিনথি অঙাংগী নট পালানা থুনমক। মহাপ্রভু সাবা মতম অসিদদি পুরে অঙাঙ্গী পালানা অতুম। অনৌবা অঙাংশিংবু নট সংকীর্ত্তনগী পরিং মপূং মতেম্না নীংথিনা তম্বিবা তাবা, মিৎকী কুম্মৈ ওইনবা নগর কীর্ত্তন্দা মুখ্য চরিত্রশিংগী নৃত্তনচিংবা কন্না হাপচিন্নকপনচিংবদগী লীলাসি হায়গী মতম কোয়প থুরপ শায়বা য়াখিদে। অতুদা অমুক্ত্ লৈবাকী অবাবা পঙাউমনা অপনবা পীখি। ঈশিংনি, অঙকপা ঈচাউনি। ফংলৈ মপূং চাংয়া তময়া অয়াবা লোইনা লুপ্পনি। বাংথৈ-ঈচাউদগী * শাথিনা থীনা হেক্তি হায়নৈ লাইগুরু অথঙবা অতাবশিংনা। ঈশিংসি শ্রীহট্টগী কুমজা ১৯১৬ কী দুর্গা থাথবগী নৌকাখেলা কুম্মৈ কন্না চথরিঙৈ ব্রহ্মপুত্রদা তুরেল অচৌবগী ঈশিং পাশিনবা অতুম হৌরবনি। অহিংতুমক্তা কেক্রুপাতকী ঈশিংনা থ্াই

(* চহী তরেৎ থুম্ভাকঙৈ অবানা হাপ্না বাংথৈ—হইত্রোখনচিংবা নিংশোন্ধা শলাইগী মীকোক থর মতম থর থর মথোয় অবানা য়াবিরিঙৈ লৈবাক পুখি।

পনৌং অয়াম্বা, ঐখোয় য়াইফুল পম্পাক পুন্নপ অতুম লুম্রে। মমাঙ-মতুংক মপান্দা লৈবা, মতম্কা হেক ভাইনবা য়ুম থরদি ছিংঙি। নযুল ভুরেলগী মতীং থক চনশিনবা পয়েংগদি ঈশিংনা শাইজিন, য়ুময়াঙ য়োৎপাও য়াওখি। উন্নম ফুক্কুনা মী নম্নুনা শিবা য়াওখি।

ঈশিং কললবা, মতুং ইনবা অনা অয়েক ফরবা, লৈবাক্তা থম লৈতাগবা মতমদা অমুক নৌহোনা তমদুনা শাম্রে।

গদাধর সাবা মতমদদি অঙাং য়াম্না ওইবা, অঙাঙ্গী মঙলান্দা লুপ্তুনা লৈবা মতম ওইবনা লীলা য়াওবগী অমাঙ-অতোঙগী বাথাম্ন কৌবা অমত্ত পোকখিদে ঐগী পুক্তা। হন্দক মহাপ্রভূ সাক্কবসিদি লাইরিক্তা, মতমদা, থবক্তা অকাযবা ঙাক্কি অমাঙবা ঙাক্কি থল্লুই অহানবদদি। অদুনোং য়াওই য়াম্না তম্না, মাই হায়বা য়াদবা, ঙমদবা মরম কয়াদগী য়াওরুবনি, অদুবু, থম্মি থুনমক লীলা অসিনা ভৌনম্রে ঐঙোন্দা কাম্নবগী কামবা ঙাক, ভৌয়মম্রে অমাঙবা কৌবা, কৌবা য়াবা অমত্ত ফাও। চৌনফাগী শক্তি পোকখি, থৌবগী মওং থম্মি, বাঙ্গলা লোলগী জান চাওখৎখি, ঙাও-শরুপগী কায়দা—ভাব তানা, ভাবকী মতুং ইন হীক্রা, নৌনা,

---

বাংথৈনা পুম্নিঙৈ অকিবা ঈচাউমা থোকখি। লৈবাক্কী শরুক অয়াম্বা লুপখি। থায়নঙৈ ইতিহাসগী যুগদা মাসিনা থ্‌ায়দগী চাউবা ঈচাউনি হায়নৈ।

থাম্নমা নিংথৌ পাল্লিঙৈ পঙবী থীনা ঈশিং চাউদে। লৈবাক্লিংথৌ পনগী ভুদেং-পথাপ মতুং ইন লৈবাক্তা মথোয় মথোয়গী লমথৈগী মতুংদা চেনবা ভুরেলগী থোঙজং মরীল চহী চহীগী শেংবনা ভুরেনম্ভু ঈশিং পুবা ঙম্মি, অনেম অনেম মফমদা ঈচাই থর থরম্ভু অদুম মচৎপনা মশাদম্ভু থর অদুম য়াংনা থোকই। ভোৎয় ভুথুপ য়েংনা ভুদৌ-ভুম্বিং চৎপনা লৌনম্বাম্ভু ঈয়ে ঈনম পঙগা চারুদবনা শম্মায় কায়দে। অদুনোং নোংনা কা হেল ঈশিংনা থীনা কল্লফাওদা ঈচাউদি থীনা থোক্কে। বাংথৈ হাক্কা থোক্লব্দি কুইনা ভুদেংথিদবা, নোংনা কা হেনবা থোকখিবা—অনী পাখিরদগীনি হায় অদুম। চৌংগী ভুরেন্নিনা ঈচেল কল্লি, লৈচাক য়াম্না পুরকই, থোংখা থীনা ভোঙথৎলি। লৌনম্বাল থোনবা ভুংইন কাম অদুম ঈশিং। মিঙথাম্নকপা থূদিং অদুনা কূশৈ থোক্লিবসিনি—তাই মঙোল।)

কয়া ভ'ভবনচিংবগী মওং থরগীমথৈ হৈখি। মীরক কোয়া তিনবা, মায় পুনা ভ'ভ-শকপা ফনা নীংথিনা তমথি। থোইথোইবা অমনা প্রেমাবতার গৌরাঙ্গগী ভূমিকাদা কৃমন্নবনা ইভাও-ভাওবা অভাঙ্গী থম্মোইদা গৌবাঙ্গগী পুনশি মতেক অমগী মমিগা কোয়না করিগুম্বা হায়ভম থভদবা মভাল অমগী পীক্লবা মশেক অমা তাখিবগুম তৌখি। ওইবমগদ্রা থভদে ভগবদ্‌বিশ্বাসগী মভালগী পীক্ত-পীক্লবা মশেক্লি হায়গদ্রা কুপ্ত-কুপ্নবা মবীক্লি হায়গদ্রা অমা। মাসিমক্তি উন্মাভদা হিমালয়দা গেঁছ মরূ াবগুম থোকখি। নোংমা, ঐন ক্লাস নাইন টেন তমলিঔে অদুব্রাইদবা, থিক্তং মমাঙ ওইরপ তৌবিঔেদবা, অংেঙ্গদি হায়বা ৱাবে, বাজ-সবকাবগী কলেক্টব ওইংব্বা বাজকুমাব সেতুসনা কনৈ কলেজদা তমলি। মহুং অসিদা ইকুশিজসিনা লৌবা ইনেমশিজ অংন লৈতে। উনবস্ম ফংনখিদে অনী। শ্রাদ্ধ মক্ত চুপ্পা থাভ পাযনা পাম্না বাঙ্গলাম্নবাদ কোয়বা ভগবদ্‌গীতা মচা অমা পা-পাডুনা মবুক ফায। গীতাগী ৱাবী তৌই, পুক্লীংদা অপাম্ন পোকখি। উন লোইডুনা গেঁছ মযোল চোংবা মতম লাকপগুম থোকখি। হান্নস্ম ঐথোযগী ইধৌগা অধিকারীময়ুম গুব•ন্দনগা (ধামান্দীগুরুগী মচাশিংগী মিংহলনি, লাইগুরু প্রেম লৈনবনা মিংগোদি ঐথোযনা ইধৌ কৌই) ইগৌ অনীগী মপ্পান্না গোপাল সহস্রনামদা লৈখি বতি, অভাং ওইনা পাঠ তৌবা হৌখি। হন্দক্লা ইকুশিনা গীতাগী বতি পীনবে, ভন্ন গীতাগীম্ন অদুম পাঠ হৌবে।

যদা যদা হি ধর্মস্য গ্লানি র্ভবতি ভাবত
অভ্যুত্থানমধর্মস্য তদাত্মানং সৃজাম্যহম্
পরিত্রাণায সাধুনাং বিনাশায চ দুষ্কৃতাম্
ধর্মসংস্থাপনার্থায সম্ভবামি যুগে যুগে ॥

হায়বা ভগবদ্‌উক্তি অসি পাবকপদা কুপ্নবা মভালগী মবীক্তুদা পাম্নববা থভদে ভানথি নোংথাং মতম ফং পুমভাল।

য়াওথি মতুংদদি গোষ্ঠ কয়া হেক হায়বদা হবাউ হবাউ। মশক নাইগা শকুম্নক য়াক্রুব্রবস্ম শিক্ষা দীক্ষাগী ফংফম থোকপা শর ক্তি চপ চানা অদুম ফংথি

ৱারী লাইরিক—

মতম অাসি লৈকাই-লৈকাইগী মগুপ্তা অচৌ-অপাং, ফয়াই-ফায়াইবশিংগী কোম্মা ৱারী লাইরিক য়ায়া তানৈ। লাইবিল্লা অহনগীদা ওইনা তৌই, ৱারীনা

অঙাং অহল অনীগী ওইনা চংলি। অঙাং অয়াম্বা রামায়ণ, মহাভারতকী ৱারী, থরদবু খঙদে হেন্নবু খঙদে, হৈবা ঙমদ্রি। ঐগীদি থৱায় অঙাংশিংদগী থরবু হেন্না হৈজিনবগী লম্বী অমা ঈশ্বরনা যানবিবগুম তৌখি।

রাজকুমার সনাজাউবা, ঐখোযগী ইকুশিজশিংনি, রাজকুমার ফাল্গুণী, আই. এ. এস গী মপাবু অংল্লি। হরাউ তয়াম যাম্না পাম্মি। কাংগী থৃবাইশৈ, ঝুলনগী নিপাপালা, যাওশংগী হোলি লোইনা শরক য়াই। ৱারী মরুপ্তি যাই-স্কুলগীস্ত বাগনলৈকাইগীস্ত অনীমক তুনা শরুক য়াই।

ৱাবী মরুপ ব্রাহ্মণ অচৌবা মচামশূ, অপাল-অপিল অচৌ-অশাং মচামশূ-ঙ্গিদনি। মখোযনা ৱারী ভাবদা থাবিবা সম্পোৎ, হুল্লিবা শাহুল পূম্নমক্কু হাও অথাম্‌ অমগী হক্কী ৱাংমদনি। মখোয় মচম অমনা তৌক চৎলুবদা মতম অতুগী নৈবাক্কী পথাপ্পা চৈজা-নগোনগদৌবনি।

মণ্ডপ মযোল মাযগৈ মরিদ। লাইমাঙদং থাক্লগা মীকোক থূদংগী মাংগোল ফক্লেন অময়ম থুংনা থুংন থাই। ফক্ল চুমথাঙনা নম্মি। মথক্তা ফি অথাবা থারগা লাঙবানা (লোংক্লোথ) বুঙ্কি। মোন্দুম অচৌবা অহনবা অময়ম থানৈ মচু অমত্তদা চৎলি। লৈতেংগীদনি—থক থাঙলোই। ঙহাক অতক্কা পোথানবদি উগা মোন অথুপ্পি অময়ম পানৈ, মথক্তা উবৈরোম শঙবা থূদে অনানবা অময়ম কোকথাঙ ওইনা হাপনৈ। মাঙদা হিদাকফু থম্বাল-সাবা অয়ময় পিথুাই মখোঙ কত্রং য়েৎপদা খিম্মুনা থানৈ। ঙাম্বক অউবা পানগনি। মতুং ইনবা লৈতেংগী পোৎসু চপ মান্নৈ। ফুংগেল অচৌবা, লান্ধবাক তোপ্পুদি, অচেপ্পি, লৈ অসেম্বা তাঙ্গা, পানা অতপ্পা তাঙ্গা লোইনা থাই। থুরুম্বা চঙবা থোৎপদা অন স্নবা কি, নমগী মহক্তা কেংনা শিল্লি। কোকয়েৎ চাংগ্রং তাবি কুপথুপ অমা কেংগীদমক মোংচাউ অথাবত্রগী মথক্তা ফজনা থম্মি। মখোয় মশা মশানা উরিক নগুণ মচা তানা শি, তিলক স্নবা থিল্লি, স্নকরথান (সুপরফাইন) কৈজোম গুঞ্জা (কোঁচা) ফজনা সারগা মতোন নাকন্দা য়েপথক্তুনা শেংলি।

ঙসি নীংসিংলুবদা নোম্নীংবা অমা পোকই থঙহৌদনা পুক্তা। হরাউ তয়াম পাম্বা, লুজবা হেঙবা পামন্দবদগী লিংলুবনি মরূপ, শীল্লুবনি তৌরিবা অপূম্বা। অদুবু, মখোয় অমত্ত তয়ামদ তয়ামবদি ঙমখিদে। মশা মশাদা

ফিরোল মোংকদরা, ফিথুপ কায়গদরনচিংবা অকিবা অমনা ফল্লিমথৈ নাঁ ঙাক-নীংশৌনবগুম তৌবা, লাণ্ডজবিবা হরাউ তম্নামদা লুপ্লীং-লুপ্লীংনা লুপশিঙ্গবা ইঙম ঙমদবগুম্বা অমা উই। নীংসিংঙি অহুনোং বিশ্বকবিগী শৈরেং মতেম্না—

যাজার মতো বেশে তুমি সাজাও যে শিশুরে,
পরাও যারে মণিরতনহার—
খেলাধুলা আনন্দ ভাব সকলই যায় ঘুরে,
বসনভূষণ হয় যে বিষম ভার।

(শেংলো অঙাংদা নিংথৌগী মতম ফিগে ফিরাং,
শিবিরো লীরাং—হীয়াই নুংয়াইগী পকে—
চেন্নিদো লোইমা হরাউ তম্নাম থীনা নাকোই পাং
শক্লিদো পোৎলুম মঙোন্দা থীনা লৈতে।)

ইবুংশিঙসি মচা লৈতে। ঐখোই ইথা নিপা অমা পোক্লগা অদুম লৈখিদ্রে। অা কাইনথংদা ইচল অমা লাকই, অদুনা লোইদ্রে। মথেংম্ন মচৌন্নানাও মরিনি। মরিমক মচা পাংলপ অদুম মচংলি। ইকুশিংনগী লাংবপা ইচন্দুগী অা মতুংদা অতৈগীম্ন অমমম অনীনী অদুক লাক্লনি। অদুনা, ঐ মখোয় থুদিংগী কবোক্লি। ইকুশিংনগীনা ঐ পাইম্ন ওই। হোলৈনচিংবদা হৈ-পামনচিংবা পুবা, মক্লপকী বারীদনা নোংম-নোংমগী হৈ-লৈ—ফানচিংবা পুবা ঐগী থৌদাংনি। ঐনা পোং-চৈ খিক্লগা যুম কবিগুম্বা হন্নিংবম্ম "শোয় ঙামগনি" হায়দুনা চৎহল্লন্দে, ব্রাবী তাযা অদুম তাবরনি। কথকশিংগী মগুণমম্ন থুনমক অদুম পুনশিল্লি—পুনশিনথি।

মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র সনা হাত্তভা ব্রাবী লীবা হৌদোকই, ব্রাবী পোগল তৌই হায়বা তেখাউ বামন ব্রারীবম (ব্রাবী লৈবম) শাগে পোকথিবা জীবান্দো (জীবানন্দ) না লীবা ব্রারীদি বয়া হুডাইংমগবা থংদেদো। ঐখোই মতমগীদি অমুক থিকথবনি, শিম্বনি, চুথবনি, হেক্ত ঙৈথবনি।

ঐখোই মতমদা ব্রারী লীবা অফাওবা য়াম্না লৈ। নুংবুবা, ঙাইথিবা, মাইম্না, থূমখ্রেম্বা, ঙাসেপ্পা, তম্ফাজাউ—ওজাশিং অসি লৈরাক ফাওবা ঙাক্লি। যুগমক পুবদি ইকোন কোম্না থারিবা মীশম্নিনি। বামন্দ অদুক ওইবগী মথক্তা

মহারাজ ঢাকা-তাবগী মশূ লোবগা মশানা গুণী ওইবগা ঐঙ্গা তম্ফাজাউ হায়না চৎলি। মী চাউই, মুগুক মুই, মঙং নাইদনা নোয়, মীনা চিংবা গাড়ী মচা অমদা ৱারী মফম মফমদা হেক হেক পুনৈ। নোয়মন চাউমন্দুনা চৎপা ৱানা খোকপদগী মহারাজ চূড়াচাঁদনা গাড়ী লাম্খিবনি। ঐঙ্গাসিগী গুন অমা—অঙাঙ্গী জগত্তা মৈতাল বোরা হায়না ফাওই, মাবু উবদা মৈতাল বোরা চৎলে চৎলে হায়, লাক্লে লাক্লে হায়, মৈতাল বোরা মৈতাল বোরা হায়, অমদি লাউদবা অঙাং থরা তাঁডি। অঙাংশিংনা লাউবা তাবদা মুঙাইতবা থক উদে। মথোয়গী মতৌ য়েং-য়েংদুনা নোক্নি নোক্নি তৌদুনা গাড়ীদা অদুম লেংডি। নোংখোঙ নেম্না কুংনা পুম্নম ময়া হৌবা নোংমায়দা নোংথাংনা খোয়াইদনা ফুং-ফুং ফুং-ফুং হেক-হেক হেক-হেক ঙানবগুম নাংথিজে। মুথরবা মায়থোং অদুদা ঈংথরবা মঙাল অমা ফাওই। কবিগী লোনদা হায়রগা

শার্দ্দূলবিক্রীড়িত মাগী ছন্দ।

ঐঙ্গা তম্ফাজাউগী ৱারীদি চৎলি মনীং—কপফনগে মনীং, নোকহনগে মনীং। অংন্দগী অঙাং লোইনা নোকই মাগী ৱাঙাং অমদা, কপ্পি খোনফম অমদা। কবিসু নকুবা ৱাফম অমনা ৱারী পঙ্গাউ অমা সাবা ঙম্মি। তাবদা ভাবুক ময়া কাবা ঙাক্কি।

লাকই মথংদা ঙাসেপ্পা। মশা পায়, ময়াঙসু কংঙি। মখোন্দি অঙকপনি। কংথরবা পাথরবা অদুনা হনুমানগী শাথুপ কোম্নবা লাম্লাউ লাউরকপদি হনুমানমক অদুম চোংখোকপনি।

ৱারী মকুপকী ৱারীদি তরানি থাথায়দগী তাবা পঙয়াও য়াওদে। কুম অমনা মহাভারত, কুম অমনা রামায়ণ তায়। গুণীশিং অসিগী-মগুণ অঙকপনি, ঐখোয় অঙাং ওইবগী ইঙাও ঙাওবা থম্মোইদবু মহাভারত, রামায়ণগী ৱারী পরেং পরিং কায়দনা অদুম হাপ্পা ঙম্মি—হাপ্পি। অদুনা ঐখোই মতমগী অঙাং অয়াম্বদি তম্মু-পাকত্রবসু মহাভারত-রামায়ণ অদুম হৈ। অদুমক্লা ডাক্তর মার্শেলগী—

Education spreads in the air

শিক্ষাদীক্ষাদি হুংশিত্তা পাই—চৎলি, হায়বদু অদুম তাই। ভূভারতকী মতম ঐখোয় মণিপুরসু মহাভারত রামায়ণদা অদুম হিংঙি।

চহীনা মশীং অসুম অসুম কায়কপা মতুং ইন নোংমগী স্কুল অতুক কাক্লবা, লৈরক কোনশাংদা ভহাক অতুক লাওবা থোৎপা, মতম মতমদা লৈকাই মগুপ্তা হয়াউ তয়াম শরুক থর অতুক য়াবা, মীয়ৈকাই অমদা ৱারী তাবগা অতুক চৎপা, নোংমা ফাদোক পর্ব্বদিন্দা গোবিন্দগীদা চৎলুবা অতুনদি ওইবা য়ারক্লে—পেহক্লে। থিরক্লে লম্লৌ, য়েংলক্লে লশী। পাকথোরক্লে—কোন-শিল্লক্লে লম, হেল্লক্লে মাতিন্নবা। পায়রে থবক ভাক্ত লাইরিক্কদি পঙচু-চুনদবা, অঙাং ওইবা পুনশিগীদি স্বর্গগী ভাক ওইবা মুভাইবা মথল মথেল। থোরাংলি নীংসিংলুবদা ভসিমক্ত্র হৌজিকফাও।

মহালী উমং—

মহাবলী উমংদগী থৈরকপনি। হনুমানবু মহাবলী কৌই। মহাবলীগী মন্দির মফম্নি হায়দুনা কৌরুবনি অসুম। মন্দির অসি য়াম্না লিরবনি, ভসিদি চহী চহুম হায়রকদবা থরক মঙায়রবনি। মৈদিঙু ময়াম্বা, তুংলমচৎকী গরীব-নিৱাজনা মন্দিরসি লিংথৎপগী ৱা নব্য-বৈষ্ণবধর্ম্ম লাকপগী আ মতাংদা অতুম য়াওখ্রে। মন্দির লিংবগা লোয়ননা হায়নৈ লাঙ্গোল চীংদগী য়োংসু অমনী থাদোকই। ঐথোয়না থঙলকপা মতমদদি য়োং য়াম্না লৈরম্লে—ফুরুপমক্তি অনীদ চৎলি। চীনগায়না অমা, মায়মুনা অমা পুই। মথোয় অনীমক ,ঐথোয়না থোওইনা কবোক্কা হুন্দুনা মরুপ সানৈ। মথোয় ফুরুপ পুবগা মরুপকা সানরে ঐথোয়না অতৈ পুন্নমকপুসু পীজ-পীথক্ত থংলে অতুদদি লোইনমক্কা নোংমা নোংমগী অতুম শকথঙনরে।

মতম অসিমক্তা বামন লৈকাই পরেংসি য়োংগী য়োং ভাক্ত ভায়রম্মি। মহাবলীদা লৈবা চল্লকুবা, চাবা ৱাৎলকপদগী থুম্বোকথিবনি। অমুক থোকপ্ল-বদি লৈহৌবশিংনা হজিনহন্দে। থোকথিবশিংগী মশাদা য়াম্না নীংঙমদবা, থোয়রাঙ-থোয়শাউবা অমা লৈ। লৈপাকপোকপা-লৈপাকপোকপগী মাররারীগী য়োং চাকহুম্নি মথোয়না নীঁঙমুত্রিবা, থোয়রাং-থোয়শাউকরিবা।

নোংমা লৈপাকপোকপা মুমিৎ অমা ঐথোয় লেপ্পা চৎপা য়োংসু মথোয় কোম্বনা চৎপা য়োংসু লোইনা পৈরে। মাররারীশিংনা চেঙ, হৱাই, কবোক, হৈ-রানচিংবা মতম মতমগী মহৈ মরোং কৈথেল্দা ফংবা মথৈ ভসিদদি য়োং

পুন্নমক মবুক পেনা থল্লসনু মত্তা হৈদোরকখি, চাইথোরকখি। অনকপা বামন লৈকাই মচৌন্দা লৈবা য়োংশিং লৈবা য়াখিদে, শিরগা শি চঙদগা চঙ মশা ফুজিন্নকখি—লাঙাও অমা খোকখি, চীন্নবনা ভোরা ভুনখি। ঐথোয় থরং অমনা পোৎ থোমজিনবা য়াবা থোমজিন্দুনা উচেক ব্রায়া ভাকখি, থর অমনা চৈ পায়দুনা ঐথোই মরূপ মহালৌ কাঙবুগী মতেং পাংখি। লাল থুনমক ভমখি। ঐথোয়গী অশোক-শোক্ত লোইনবা ঐথোয়না ভাক্লিবা পুন্নমক চাইদুনা য়েন্দুনা, খুৎনা ফংনা ইন্দুনা পীজখি। অদুদগীদি মথোয় থরদনা নত্তমা থায় অপূম্বনা ঐথোযগী শক মুন্না থখি, লোইনমক্কা চান্নখি। লৈপাকপোকপগা চাকহন্দা ঐথোয়না হৃমবা শোক্তে মথোয, মথোয়না খুনবা পাযদে ঐথোয। মথোয় ফুরূপ অনৌগা ঐথোয়গদি ফু অদুম বাযনরে—অমত্ত অদুম ওইবে। পোৎ চারো কৌবদা অচৌবশিংদি করিমত্ত হংগোইদে, অদুম লাকই, খুক্তগীসু অদুম লৌই। মচা অপিকপদি জ্ঞান তাদবনা থর হংগোইনা তৌই।

মহাবলীগী উচেক্তা উ-মালথাউগা চৌঙামুবিগা অনৌনা মপুংনি। উ-মাল-থাউদি অহিং চাক্তাবা উচেরিনা অয়ুক হুংথিন্দ্রি অদুম ভুমদুনা লৈ। ঐথোয়নসু ভুম্বা থুগাইরুদে—থক ওৎলুদে। চৌঙামুবিদদি ঐথোয়সি তমখিবা ব্যাধনি, কিরাতনি—যমগী হেক ভমথংনি। মথোয়দি মীরোল থোকই, মীরোল থোক্লবদি পাইদ্রে হায়বা থঙলুবদগী মকোন্দগী মচা ফংদবু ফংলবদি হেক্ত ফায়। পাইবা ঙম্রবদি ফাবা য়াদবনিনা মক্কমদগী পোকথায়বদ ভায়রিবশিংদি ভুনা ভুনা ফায়। অদুনা ঐথোয়দবু উরবা চৌঙা খুদিং মিপাই থাবাইরে। মথেযগী মবুক্তা ঐথোয়বু লেপ্পা চৎপা লিল ওইনা লৌই। অদুনোং উরিমথৈ লেপ্লে খোংঙি।

ভসিদি ঐথোয়না অঙাং ওইবদগী মপীন। তিহোন তিহোন মচৌঙাক ইন্দ্রবং, অহিংদা মথোই মথাদা কোক্সবদি শিনি থঙলুদবদগী মবুক্স্য রাৎ মপাঁগী মনমসু ফংদ মনিনসু কাং অরেম্বদা মপুনশি মতম চাদনা মাঙ পুনশিংগী মহাউ কৌবা থঙদনা চৎখিবা উচেকমচাশিংদুগী দমক নীঁঙমদবা অমা পোকই থম্মোইদুং। জগৎসিদা অমগীনা কুইম অমগীনা শিবা হায়বসিদি ইথোক-মথোক্লবনি। অদুনোং এসোপনা মাগী ফেবল অমদা অঙাংশিংনা হঙোই তম-তমদুনা লৈতুম লংদুনা শায়বদা "নথোয়গীনা শায়বা ঐথোয়দনা শিবা" হায়বা হঙোইশিংগী

েংথানা পাউবোনরম্নিবা অদুনি। চুম্লি ঙসিস্ত অদুম, কায়ম্রি চৎলি মকম, মকম, মঙং খুদিংদা চপ চানা অদুম—অম্নাবনি।

হেদৌনাংলু চিল্লি লৈ নম নমদুনা,
মেল্লি লৈচিন লৈশা থীনা শেত্তুনা।
তমথিবা কুম্মৈ, তমথিবা মশান্ন
শান্নবি বাক্তে থক ঙসি ভারত্তা।

েৌরি কুম্মৈ য়ুম মৈ হেক হেক চুদুনা,
শিবি হরিজন হিংনা মৈ চাত্তুনা।
তমথিবা কুম্মৈ তমথিবা মশান্ন
শান্নরি বাক্তে থক ঙসি ভারত্তা।

শিরি তদেক হুজা কয়া কয়ানি,
মপুরোইবনা লিংবা যজ্ঞদনি
পণগী দমক্ত মশা হোম বৎপনি
বাক্তে কুম্মৈ থক শান্নরি ভারত্তা।

পাল্লি ঙাচাউ হাইনা হুম্না মনীং তম,
হুল্লি ঙাকুপ বক্তা চাকথাক মশা তম।
কুম্মৈনি কুম্মৈ হোংবা য়াদে মিৎফম
শান্নরি তুজুংঙাক ঙসি ভারত্তা।

লৈথিদয়া থঙদে ভারত্তা ভারত,
চৎলথিগদয়া হায়ঙমদ্রে ভারত
মশাগী নীংথিবা মানবধর্ম—
লৌদ লৈদনা অদুবু ঈশ্বর!

মহাবলীদ নঙে ঐথোয়গী য়াখোকফম, মোইরাংথোম লৈপুংম্ন লেন লম্পাম্নুনি। মহাবলীদি পঙতোয়বু তোয় হায়বা য়াদে, লৈপাকপোকপা লৈপাকপোকপদা চৎপগা হৈবোং পানবা মতম মতমদা হৈবোংম্ন চাবা চৌঙা

মচাম্ন লোকপা ওইনা মঙানি মরক তরানি মরক অদুম চৎপগা চহীগী কৃষ্ণজন্ম, ঠৌরাণী জন্ম, বামনজন্মগুম্বা পর্ব্বদিন্দা লাই খুরম্বা ওইনা হৈদৌ হরাউবা চৎপগা—অদুব্রাইদনি। মোইরাংথোমদদি হুমিৎ হুংমাঙ, চাকচমাঙ অথেঙ-বদনি হায় অঙনবদনি হায় কৈথেল যেংবা নোংমগী অমুক য়োহৌদ্রবদি চাক অদুম চঙদ্রবনি। অদুগুম, হুংথিল অথেংবদা টাউন ক্লবকী বল প্রোবটিস্ য়েংবা ওইনা লেন লম্পাক নোংমগী অমুক য়োহৌদ্রবা অহিং তুম্বা অদুম চঙদ্রবনি।

মোইরাংথোম—

যাইস্কুল মযোন্দনি। থাদা শিলেনপাৎ, অরাংদা যাইচম্পাৎ, নোংপোক্তা তুবেল অচৌবনা কোনবা চীংদোঙ লমদোং ওইনা তৌবা, উমং রাম'না শুক্রা মংবা লমতুপ্নি। য়াইস্কুল লালোয তরেৎকী পূ'নি। তরামঙাস্নবা শতাব্দীগী অনীস্নবা শরুক অদুব্রাইদা মৈদিঙু নিংথৌখোম্বনা লান্দা ফারকপা মোইরাং লালোয়শিংবু মফমসিদা লোইশিনখিবদগী মোইবাংথোম হায়না চৎখিবনি। ঐথোই মতমদদি কৈথেল ওইবা বুইবন্নে। নিংথেময়াইমনা (মহারাজ মধুচন্দ্র) চিঙাথমদা নম্ফাসনা থাজবৈ উনবা কৈথেল্লি। ঈশ্বর মহারাজ (চন্দ্রকীর্ত্তি) সনা হাক্তা লৈপোক কৈরুংবনা ময়ায়-লম্বী, ঙসিগীনা নেসনেল হায-রে, অসি সেমগৈ পুং ককখিবদগী অমুক্ক হেন্না কোল্লবনি। বৃটিশ আমলদা রাজসরকারনা লম্বাগী নোংচুপ-লৈপুং মতোল মতেক্না তেমদুনা উচ্চ প্রাইমারী স্কুল অমা, কোন্নবা জিমনাসিয়ম অমা, নাকন্দা বালিকা বিদ্যালয় অমা সাবা, অকোয়বদা মী পূমশা-তারবনা পুংকোম্নক কোকপদোনা তৌববনি। অদুবু, এহেল্লৌ লমশক পুম্মুৎমক মুংপদি নত্রিবগুম তৌরি—মনম থর অদুম লৈরি।

স্কুল সারিবা লৈপুংসিগী লম্বীগা তাইনবা থা, অরাং মচীল অনীদা লোয়রং-খোংনাং চাউরবা অমমম হৌই। অরাং-খো'নাং মথোঙদি পান্না চাউনা শোঁঙি, শুকই, মংঙি। থাগীদি স্কুলগী কাভম থাক, কম্পাউণ্ড, বালিকা বিদ্যালয়গী কাভম লম্বী অহম্না চাথিবনা পঙশোঙ শোঙবা, পঙশুক শুকপা, পঙমং মঙবমক্তি তৌদ্রে, অদুবু অদুম থরদি মমংলি। লম্বীগী নোংপোক্তা, অমনা কৈথেল ময়ায়দা অমনা মচিদা লৈপুং অনীমগা লৈ। মচিগীদুদি

থীনা শেঁাঙি, তকই, মংঙি। মতোম্দা লোয়রুং থোংনাং মশমগী মশম ঙাক্ক ঙাইবা অমা হৌই। তীনশিবিনা থীনা কুংনা হৌবগা হেল্লোয় লম্নেমা লৈ হায়নবগা অহল নহা কনামত্ত চঙনদে। ময়ায়গী লৈপূংছুদি পুমকোক কোকই, নাপী মকামা হৌদে। মতোম্দা সনা থোংনাংমা হৌই, মরা অচৌবা কয়ামুক লৈমায় তাউনা তাউনা কোরফাল সানা সানা চৎলি—ঐথোয় থ্ময়গী য়াথোক খুদানি।

মী কূংনা তারবা য়াইস্কুল পনপাক ময়োম্দি ওইরগা লমদা-রাইদাগা, রারী-রাথোঙগা, হনুমান গন্ধমাদন-ফুকপা য়েকপা নুংপাক থাগায় হেল্লপ পাকপা মংজিন মেনবনি হায়ববা হিংচাবি সুরুং মেনবনি হায়ববা অমগা স্কুল কম্পাউণ্ডগী অরাং-চিদাই মপা ওইরপ সড়কীনা মচি লৈপূঙ্গীনা মথোঙদা লৈবগা মফম অসি মওং অমা ওইনা অতুম চৎলি। ঙাল্লিঙৈদি ফৈ, মম্নরদি ইহং হংগোইনবা ঙাক্কি।

হৌজিক্কি কৈথেল্দ্, মূৎম্রে, লৈপূং অনীমক্তু লৈব্রে, লৈহৌরিবা অসিমক্তু অমুকক্তু থীনা তেমথম্রে। শিলেনপাৎক্তু মূৎম্রে। লেপম্রে শ্যামাসথী হায়স্কুলনা কৈথেনভম মপূং। অরেম্বা শরুক্তনা মুংলি মতমগী দোকান মচা অমনী। সনরেম্বী চাইশ্রাগী রারীদি কাউনা কাউনা মথিনরি, মরীননি। য়মা লৈমা অনীগী লোংথোনফম শিলেনপাক্তি মূৎম্রে পূম্মূৎ, ওনম্রে কৈথেনভম নৌহৌরকপা কৈথেন মচা অমগী। তারি শকপঙম কনাননো অমা, থঙদে, মতম্নরা—

সাবা শীবা,
নোহৌ অমুক পানথৎপা,
তম্না অমুক শীথবা,
তম্না অমুক সাগৎপা,
চৎলিদো রেপ্তে মালংদা,
মপুগী শারপূংসিদা,
মালং মাগী মালংচৎ—
মালংচৎনি মালংচৎ।

জগৎ অসিদা লৈতে লেঙদবা, লৈতে হোংদবা। অরিবনা চৎথিবা, অনৌবনা শিহ্নৌবা পথাপ্নি লেঙদবা। চৎথিনি ঐক্তু নোংমদি, পুথিনি অরিবা

য়াখল, অমিবা ফিদম, অমিবা মিৎয়েং, অমিবা পান্দম, অমিবা পুনশিগী অর্থ মঙো। লেপকৌনি ইচাশিংনা ঐগী থুতম অনৌবা য়াখল্দা, অনৌবা ফিদমদা, অনৌবা মিৎয়েংদা, অনৌবা পান্দমদা, অনৌবা পুনশিগী অর্থ মঙোদা। চৎকনি অত্তুম অমুক হোংদোক অমুক হোংজিন হুমিৎ-থানা মুত্রিফাও। সানহৌনি ঐখোয়গী য়ারী নোংমা ফাদোক সানবগুম ঐখোয়না লাইওইশ্রবা পায়োল পুরোলগী য়ারী নীংসিংলু মখোয়বু কন্নি নোংদা কন্নিহৌ।

তাইবংজাম্বা—

তাইবংজম্মি য়ুমাক, অত্তুনা কৌনক্রবনি অমুম। অঙাওবনিদি হায়রগা অথঙবদনা মথঙবা থঙদবনদি থঙলবা মতানি। ঐখোয়না থঙলকপদা মীয়ায় চহয়ে। মা মুই, থীনা মূবা নত্তে, পুলৈ ফচুদা অত্তুম লৈবা মমুনি। মশা নাল্লি, মতু লংঙি, মকোক মরু কাদে, উরিক নওণ মচু তাই। খূদৈ অয়াংবা শেংকল্লি, উমৈরোম শঙবা খূদৈ য়ানগল্লি। অনীমক টৈশিং মনম নম্মি। মশা ফুলৈনরপ শোই, মমিৎ মনা, মশা মউ থোইনা অশোয়বা য়াওদে। মমায় মায়খোং থীদে, থীদবদ নত্তে, অঙাওবা মমি তাদে—ফাংদে। মমম অনীদনা মহাক ঙাওই হায়নবনি। অঙাং থঙদে, অহল থঙদে, হূপী নহা থঙদে মঙোন্দা মেজর সাহেব হায়রিমথৈ মহাক য়াই, ফজনা থুম্মি, ফজনা চৎলি। অঙাওবা হায়রুরবদি শিবা নাবা থঙত্রে—চৈত্তুপকা নুংদুমগা। অমনা অমুক, নোংমগী কৈথেল য়োমকপা শোয়দে। চেঙ চাক, ঙা থুম থক নিদে। কৈথেল মরক কোয়না চৎলি, মানা চানীংবা হৈ–য়া, মনা-মশীং, মহৈ-মরোং থেংনবদা পোৎমাঙ লেপ্লি, নিংথৌ-পনগী হাওমচা লোয়শঙগী কাংগৎ লৌবগুম "মেজরগী কাংগৎ পীয়ো" হায়। অয়োবা পোৎশিংছু মফি মচি ময়াংদগী থক য়োমদে, লাদনি হায় নৈহৌরাদনি হায়, অফবা অমদা লাকোল সাজুনা পুই। অয়াবম্ব নোংমত্তবু তানবা উদে থক। কন্নিদগী কদায়দা শোয়রিবা বুফিনো অঙকপনি।

নোংমা কৈথেল অঙবা মতম্মি। তাইবংজাবম্ব কৈথেল মরকা চৎলি তক তক তনান তনান। ঐখোয়ম্ব ময়ায়–লৈপুংগী সনাথোংনাং মমা কোরকাল-সাবশিংদা কৈথেল উমাং য়েংহ্লনা কন্নি ইশা ইকোক ইকোক কোম্লা থুদৈ

অমমমদং থ্‌াঙ্গা। ঐথোয় ইরক্তা চহী কুহ্রামুক মুমবা মী অমমু য়াওরি। য়াইস্কুল চাউবা কৌই। নোংমাইখেবা অঙোমনিংথৌগী মশূনি, মচাঙ্গীয়মনা পোকপনি। মতমত্থুগী অপাল-অপিল, অঙম-অথৌ মচামশূশিংসি হৌজিক মতমদা গয়মূলা শীংদা, শোয়রোই, চন্নি। মথৌ নাইদবগী হৌনবা নোংমা হায়বা ভূমিৎসি য়ানা লেন্নি। কূম্মৈ থয় য়েং, লৈপূং থয় ফম, ৎমু ভুনবা থয় য়েং, চৌবয় থয় শায়, মচা মনাও থয় লক্ল-খোৎন লেম্নবা হোৎনবনি। ঙসিদি ঐথোয় অঙাংগী সভাদা ফমদেংলয়ে। মতম অতুগী য়ায়া ফজনবা অম', লাপ্পা •থঙদে নকপা থঙদে, ময়ী থজিক্তংবু লৈনয়বা য়ায়া মুনা চৎহৈ। ঐথোয় ফন্নিবশিংসি পাবুংসিনা থঙবা, লুনা ভৌবা ঙাক্সি। অতুনম ঐথোই ইয়ক য়াওয়বনি। অময়োমদদি, খুদোং থীয়বা মীশক অনীগী তেংবাঙবিসে লাকপগুম থোকথি।

মণগাড়ী অনৌ, পোৎ থাক্নবয়া থঙদে, অয়াংলোমদগী লাক্‌না থোংখুথোং ভাবা কৈথেল ময়ক্তী লখী তমশিল্লকই। ঐথোয়না ফমলিবা লৈপূং মমাঙ ঙাংখক য়োনফমগা অয়াপ অয়াঙ্গদগী লাকপা উঞ্জা পোৎকম পয়েংগা মায়োক্নবা গাড়ী চৎপদি চৎলগা য়ায়া চিন্না থোকপা', গাড়ীয়ালানা কুমহুনা পোৎপু পায়হুনা হেক হেক চিংনবা মপা পয়েং য়োহুনা কুমহুনা কন্না চিংবা হোৎনবি। চিন্নবা ভাঙ্গাসিদা লাংথবাল কোন্নংদগী মহায়াজ লেঙলকথি। শীংজমৈ থোকচোম লৈকায় পয়েংদা লেঙলকপনি। নোংপোক্তী কৈথেল মচীল নোং-খোনবা ঈয়েলগী ভোয়ৈ-তুথুপমক্তা গাড়ী থামলগা হোয়ণ ভোয়না থোংলকথি।

মহায়াজসি বৃটিশ সয়কায়না হাঙ্কনি, নিংথৌ পান্নিঙৈগী নীংদম-পানবা নিংথৌশিংগুবা মস্তেদি হায়য়গা মহাক্না মথোয় থায়নঙৈগীশিংহুদগী য়ায়া হেন্না য়াইক্কবমদি ওইথি। নীংদম পানবা নিংথৌশিংবু ইকোম কোয়া থয়াক থয়াক য়ানশিন্দুনা থবা, হেক কয়িগুবা থিস্তদা তৎপা য়াবা অক্রবা থাঙেল মথাদা তুথা হিপ্পা, চাৎা থকপা ভৌহুনা য়াই ইঁচন্দ চিন্না পানবনি পাউয়োনৈ। মহায়াজসিগীদি বৃটিশগী মঙায়া অকি-অথং অমস্ত লৈতে, মনীং তয়া হাইনা হয়া পানবনি। হায়নৈ অহুনোং মহাক্তক মৈ ঙঁ ঙি, ঙঁশিং শাই, হুংশিৎ লেন্নি।

মহায়াজগী হোয়ণ্‌ ভাবদা কৈথেল পূয়মক লোইনা থুয়য়ৈ, মহায়াজনা পন্দুলা লৈয়বনিনা লোইনা লেপ্তুনা ঙাইনৈ। অসোমদদি গাড়ীয়ালা অনীহু

নিংথৌগী মৈশানে, লৈবাক্না মিপাইবিজুনা ওইরোইদৌবদা "মরীং হনগে হৌ, বগল ভোগে তো" লাউবিবনে ইঙাও ঙাওয়ে। তাঙ্গাসিদা তাইবংজাম্বা কৈথেল মরক্তগী গাড়ী মনাক্তা কোক হেক ফাওরকই। পাবুংনা "মেজর সাহেব গাড়ী থর থোদোকপিয়ু" হায়না হায়না লৈপুংদগী কুমথরে, গাড়ী রালাদম্বু তাইবং-জাম্বদম্বু রা অমনী পরপ পরপ হায়রুরে। তাইবংজাম্বনা মাঙ্গী গাড়ী তনকা কাহুনা লেপ্লগা "সনখ্যা ইবুঙো, বগল বগল, যণগাডৌদি বগল য়াদে, খুনেৎ গাড়ৌদি য়া।নি" লাউথি। মহারাজ খুনেৎ ব্যোক ভোহুনা বগল পীথি—গাড়ী অনী হিংথি। পাবুংনা শীনবনি থঙবনা মহারাজনা পাঙ্গে টোপী অঙাংবা মমৈ পানবা অমা উপ্লগা সনা খুৎনা গাড়ী থোনা থোনা পাবুং য়েংহুনা নোক্লকথি পাবুংম্বু নেংক্না নোক্না খুরম্থি। তাইবংজাম্বা অরামল শিকি অমা লৌরগা গাডী অনী থাদোকপিথি।

মতুংদা ঐগোয়না উ (উরাউবি) শাম্লবদা "সনাখ্যা ইবুঙো বগল বগল" উগী মরোল অমা ওইথি। পোকথি তুংইন মরোল অমম্বু—মীদই চাউবা তাইবংজাম লাইদই চাউবা সোরারেল।

থঙলকথি শিক্ষাদীক্ষা থর ফং জানগী মঙাল থর লাক্লবা মতমদদি "অচুম্বনা পান্দবা লৈতে জগত্তা থম্মোই কনা, পান্দবা সাবনীদি সারবা হায়বহুনি"। মহাত্মানা "অচুম্বা ঈশ্বরগী মশক্নি, ঈশ্বর অচুম্বগী মশক্নি" হায়রকপদা চুম্নগী অর্থ চৎপদ নত্তনা পোকথি থম্মোইদা অনুভূতি।

তাইবংজাম্বদ নত্তে কৈথেলগী কুম্মৈ লৈ অতৈম্বু কয়া—মথল মথেল।

রাধামোহন, তিতিমন—মথোয়সি থীনা মোৎলি। মমায় মমিৎ, মকোক মক, মশা মউ উফুল রাইফুম্না পূমতৈ তৈ। মফি মরোল মোৎপা থেংঙি—শেগায় তুথায়বনা নম্মি। লেংথেনবা য়াদে, হক্কম, ফিনম, হমাং মনম্না নুমথিবনা শিদোই—লৈশনম মপীনি। চাবা থকপা থোইনা থিদবদোনা ভোই। রা লান পঁঙাও ঙাঙদে। মথোয়না থোকপা অমা ভোহুনা পঙলেম্বু মরে। জগত্তা লৈনা জগৎকী রাংযদা পানবদোনা ভোই, ত্রিতাপকী মৈশা মুত্ত লাংদবদোনা চৎলি।

নোংমনা, মথোয়গী মতো চুম্না পঙমেদ্রু য়েংঙি, মোংমুনা মথোয়গীদমক

হুণ্ডাইতবগুম ভৌই। ভাইবংজাষহোয়দোনা নোম্লীংবা হুণ্ডাইবা পীবদি থক্ ভৌদে। য়েংবদি অতুম য়েংঙি, য়েংদবা থক ঙমদে, থঙদে কম্নিনদো।

বুঙ্কি থর থর শোইরোম্বা পঙলাঙদ লাঙবা পরেংস্থ লৈ। লাউই অমুনা, কাম্ভ কৌই—

কাম্ভ ঐগীদি পৈশা পীবনা বাবুনি,
ফি ফজবা শেৎপনা বাবু নত্তে,
পৈশা পীম্ন বাবু হায়গে।

ফংদবস্থ নত্তে, ফংঙি অতুম অমনী। পাথং মচাশিংনা "বাবু তম্নামক পৈশা অম্না"। মহাক্না মথুং থেক্‌না থোম্নাং হাপ্‌না নোম্নি নোম্নি মঙক হাইরহাইরম্লুনা "বাবু, বাবু … … …" কুম্মৈনি, নোকপদা পুক্নী তিংঙি।

গিরি মুশিন মুই, ফৈজোম কোয়েৎ থাদে থক। মধুরম্র পায়। মশা নমথরগা মথোঙ ম্বাংনা ম্বাংনা ম্বাং-না থাং মমিৎ মনা মকোক মক্ ম্নাওনা ভাম্র হেক হেক কাপ দোকান মমাঙ পরেংঙবদা শকই ইশৈ—

বংশীবদন ভাবে যদি—
রাধে রাধে গো!
মুরলীবদন ভাবে যদি—
রাধে রাধে গো!

কুম্মৈনি হুণ্ডাইপ্রবা। তাই পৈশাস্থ অতুম লাইনা তম্বা অমনী।

হুপীদস্থ কৈথেন থোকপী অঙাওবী কয়ানি। বামন ইবেম্মা বামন হুপীনি, মম্নিং ইবেম্মা কৌবনি। নহা ওইরি, মফি লাইফদিবী শানা শেৎলি। মীনা "কাঁজদা বামন ইবেম্মসে" হেক হায়বদা মকোকী ফি মতোম্না মমায় থুমছুনা "ছিছি" হেক নোকই। বোম্না হুয়ানবি হম্নবীনি। নাউদা ফুংগা অমম্বী শীজনি, মচা শিবদম্নী ঙাওথিবনি হায়। বোম্না হুয়ানবি হেক হায়বদা "মচোঙ মপাক ইনায়-নায়ম্রছুনা, শীজ ঐবো" মচু হেক পৈ। য়েংবদা কুম্মৈনি। থায়দম্নী হুণ্ডাইবদি মোদোলৈ অঙাওবীন্নি। মীয়ামদি থীনা চয়ে। অতুবু মশা মউড়ি কৈ। মচু পান্নি, ঈ থাংনা ঙৌই, মতু লুথঙি, মশা নান্নি, মকোক মক কাংম্লুক নাম্না হাৎলি, মশম শমজি মমৈ য়েম্নি। মশা ফুরৈলম্নপ ভৌই, মমায় শেংগোই

শঁকানি। উরৈরোম শঙবা ফনেক শেৎলি, মথ্‌াঙ ইনফি অঙৌবা অমনা থাঙজেৎ লাকই। মথ্‌াঙ থিক্তং শোল্লপ তৌরে, চৈত্ত অমা পায়। তোনম্না হায়বা পাথং শরি অঙাওবা অমগা পায়ে। মাস্থ মশা নাল্লি। কৈথেল হুনী হয়াউ তম্লাম পাম্বীশিংনা পৈশা থারগে ইশৈ তারসি হেক হায়বদা চৈত্ত থম্লগা ফিভম লেমজুনা শৃঙ্গারদা তোংজুনা মমিৎ মনা মথূৎ মশা য়াওনা মশাগা নীক্‌ুনা শকই—

ধন ধনতা চোবা,
ধন-মূর্ত্তিকা পুম্বি
কেত্র কোকফাইশো।

মহাক্কা পাম্নরিবা অঙাওবজুনা মাগী মতৌত্থ উবদা "হৈমা অঙাওবীসিদে, হৈমা অঙাওবীসিদে" হায় মমিৎ মনা য়ুং। অতুমা মহাউ অমূক হাপ্পি।

লোইবা নত্রি অসিদনা কৈথেলগী কূশৈ, লৈরিবনি অতৈম্থ হুঙাইবা ঙাক। অত্থবু, শাংথরুসি, তেনশিল্লসি অসিবাইদা অম্থম।

অমুক মোইরাংথোমদা নোংমগী অমূক হাজিরা শোয়দবগুম হুংথিল লেন লম্পাক্তস্থ শোয়দে অতুম। লেন লম্প্যাক পুলিস লাইনগী লম্পাক হায়বনি। ঙসি মণিপুর রাইফল লৈরিবা মফমসি ঐথোই মতমগী এস-এম-পি-গীনি। এস-এম পি, বৃটিশ ইন্দিয়াগী আরমড পুলিশকা অমত্তনি। ইন্দিয়ান ইন্দিয়াগী ওইবজুদা মিংথৈদা থিক্তং থৈক্রবদনি। পুলিশ লাইম্না তশেংনা কনবা লমদি হুয়িং থোঙবাল ফাওদনি। হায়রিবসি থায়মতৌ চাউনা চেনবা থোংলম্মনি হায়, অত্থবু, ঐথোই মতমদদি মচা অমা ওইনা চেল্লম্লে। ঙসি রাইফলগী থাগী মচীন অসিবাইদা হৈশ্লাম লাইরেম্বগী থুভম নুংগা উকোনগা কোম্লনা লৈরম্মি। থুভমজুগী অরাং লমথৈ ওইনা চেল্লমনি। লাইরেম্মগীনা মনীং লৈপোক-কৈরুংবগী দালানগীনা মমাঙ ওইরপ থোক্লা টাউন ক্লবকী ফুটবল গ্রাউণ্ডনি। গ্রাউণ্ডজু-দনি ঐথোয় অঙাংগী হুংথিল য়াথোকক্ম।

টাউন ক্লব—হোকী-ফুটবলগীনি, য়াইস্কুল পনপাক্কী মীনা য়াম্মি। অরাম্লা লমশিংগীস্থ অতুম ময়াওই। রাংথৈ, উরিপোক, শগোলবন্দ, কৈশামথোংনচিংবগী মীস্থ কয়ানি। ঐথোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমসিদা য়াম্না কম্না শাম্নবা হৈহ হৈবা মীশক থরদি জহরালী (হৌজিকী এড়ুকেসন সেক্রেটারী হেলিম চৌধুরীগী ময়াদা অহল্লি, ওম্না লৈথিদে), ফণী (বামাচরণ রায় বাহাত্বরগী মশূনি, মশাস্থ

ট্রেজরী অফিসার ওইরম্মি), হুইদ্রোম থম্বালঙো (সুবেদার মেজর মেঘচন্দ্র সিংহগী ময়াম্বশিংনা পোকপনি, ওম্না লৈখিদে), হিজম ইরাবত (পঞ্চায় মেম্বর ওইরম্বা, তুংলমচঙনা নেতা ইরাবত হায়না কাওখিবা মীশক অমনি), চোংথাম ইবোয়াইমা (শীংজমৈ চোংথাম লৈকাইগীনি, ওম্না লৈখিদে), পাউনম সনাজাউ (জিমনাষ্টিক্স কী ইনষ্ট্রক্টর ওইরম্মি), হিজম অঙোবা (নিংথৌফি মেম্বরগী মচানি, মশা রেজিষ্ট্রেসন আফিসার ওইরম্মি), শরোখোইবম যোগীন্দ্র (ওম্না লৈখিদে), ময়াম্বা ললিত (পঞ্চায় মেম্বর ওইরম্মি), ঙাংবম শ্যামকিশোর (নিংথৌ-পনগীনা য়াইস্কুল-লাকপনি, রাজ-সরকারগীনা পঞ্চায়গী চেয়ারম্যোন্নি)—মখোয়শিং অসিনচিংবনি।

ঐখোয় অঙাংশিংনা হাজিরা কাব্রিবসি মখোয় শামরোয়শিং থর খোয়রুবা হৌবা, ময়াম লাক্লিঙৈ তাঙক্ত্দা মিনিট অমনীদং ঐখোয় অরুং অরুং পঙ্কাওদ-কাওদুনা শামহৌবা, মখোয়মা শামরবা মতমদা লাইনম্যোনগী মতম বল ফাবা, ফাবগী ওহাক হুংঙাইবা, শাম্বা লোইত্না মখোয়না পোথারিঙৈ হমাং হন্দোক্পিঙৈ ওহাক অমুক শামহৌবা অত্থ মিকাকবদগীনি।

ঐখোয় অয়াম্বনা স্কুলদা মিং চন্নুত্নুনা ছাত্র হায়বা মিংথোল অমা পুরুম্ববনিনা ঐখোয়না চংলিবা, তৌরিবা পূম্বসি একষ্ট্রা-ম্যুরেল কো-কৰিক্যুলর এক্টি-ভিটিজদা চনবদা থোইনা কায়নীঙাই লৈরোই। ঐখোয়গী পঙাউ ওইবা এক্টিভিটি কয়ামস্থ লৈরি। পূম্নমক নত্রবস্থ অমনীদি লাচনবনা চুম্ব্রা থম্নি।

ঐখোয়গী পুনশি মঙ্গুলিদা লৈবাকী অচিক-অশাসি য়াম্না থীনা ওরে। লাংবন্দা খভুশিংনা "ভ্রাতৃর ভ্রাতৃর" হায়না কৌনা কৌনা লৈচিল থোঙনেৎননা কুম্নকই হায়বত্থ চুম্বদৌনা তৌরম্মি। তর্পণ মতমদা লৈচিল থাবা হৌরে। মেরাদদি অমুক্তা সোর হোনবদা লৈচিল পোকপা হৌরে। হিয়াঙ্গৈ পোইরুগী থাবৈ, থাগোক ওমরকপা অত্থবাইদদি লৈচিন্না পূম্নম অত্থম ময়ে, মী চৎপা উনরে। পোইস্থ রাকচাংদনা উন মশক উনা তাই, থোমকুনা শামফাও য়াবা মতম লৈ। য়াওল অসিগা লোয়ন-লোয়ননা মেয়া ঈথোবা, রাকচাংগী নোং হায়না থঙনবা নোংফম অনীমস্থ চৎলি। অহানবগী নোংফমসিদা ঈচাউ থোকপস্থ য়াওদবা নত্তে, মেয়া ঈচাউ হায়নৈ। অনীশুবগীসিদি লাংকপ লাংকপ্ত তাগল্লি। তাদবস্থ নত্তে, লৈথোম থোক্না তাবস্থ নত্তে চৎনৈ। শয়া,

অচিক-অশা নোং-হুংশিং মতমংগী য়াওয়চিংবা থিবিক্তা মহৌশাগী পথাপ্স্ অকায়বা থোইনা লৈতনা চৎলি অতুম।

মৈয়া ঈথোঘা মতুংদদি ঈংবসি ফনা হেজিল্লে। তুরেলস্থ ময়াং অস্থম অস্থম কংথরক্লে। ইরেল ইরেলগী ময়ক তোরৈ তুথুপশিংদদি থরম্ব মতৎপা, থরম্ব তৎলি তৎলি মচেনবা মওং অমা লাক্লে অতুম মতুং ইন। মতম অসি-বাইদগী য়াওশংগী অতুবাইফাওসি ঐথোয় শিকার হেক হেক চৎলি। শিকারদি ঙাগীনি—ঙা অতৈগী নত্তে, থজিং অচৌবা বাইথূ-মখোঙ পানবিগীনি।

অচৌ-অশাং সাহিবলোগশিংগী শিকার মওংগা ঐথোয়গীগা মায়দে। মখোয়গীনা ঈশিংদা বোম কাপ্লগা ঙা ফাবনি। মফমস্থ চকপি, ঈরঙগুবা তুরেন্দনি। ঐথোয়গীনা অনকপা ইম্ফাল তুরেলগী ঈতুপ নোংথোনবা ইরেন্দগী পাউনা ইরেন ফাওবসিদনি। ঈহুংগী অঙ্গংবনা থোদোয়কপনি হায়রবস্থ য়াই, অমুক্তী হুংশা তবুম তবুম্বনা থেমগৎপনি হায়রবস্থ য়াই, লৈচিল থাদবা হুংশা ঙস্তা থোকপা অমুক্তা ঐথোয় হায়রিবা ঈতুপ অসিগী তুথুল পরেংসি থুংনা চৎলি। থজিং অচৌবা থোঙশাংবিসি ঈচীন্দা কূন-কূন্দুনা লৈ। মখোয়দি মশাস্থ থিংবা বাৎলি। ঐথোয়গী ইনিল ফংতুনা থর কূমথপ্রফাওদস্থ ইম্ফাল তুরেন্দি ইঙৌনিনা অতুম উই—অতুম ফায়, নত্তে, অতুম খূল্লি। অস্থম খূন-খূন্মুনা চৎপনা পাউনা ইরেল য়োবদদি ঐথোয় খূদিংগী ফিগাও অতুম থল্লে। হল্লকপদা কৈথেল অওম্বা থেংনয়রে। ফোদাইতমদগী চক্ক থোমলে। শিলেন-পাৎ মেজর পুত্রী মপান্দা মৈ হোত্নুনা লোইনা লোরে। থুময়োনভমদগী থুম থায়রুরগা থঙন-চায়বা অউবমখৈস্থ কৌশিন্দুনা হেক হেক চামিন্নে—হুঙাইনৈ।

শিকার অমস্থ লৈরি—উচেকৌনি। অসিমস্থ অচৌ-অশাংগীগা অতুম থেম্নৈ। মথোয়গীনা লোক্তাক্তা, ঈকোপ্তা, থরঙদা, পুমলেন্দা ঙাস্থ কাপ্পনি। ঐথোয়গীনা মহাবলী উমংদা চোঙা অমুবি মচা য়োক্লবা ফাবনি। হুঙাইবা অমা হায়বা তাই ঐথোয়মকৌদি। চোঙাগীস্থ জীবনিনা হিংনবা মশাগী ওইবা জ্ঞান অতুম মরৈ। মচা হেক হেক ফায় হায়বা থঙতুনা অকোনবা উগী নত্রে উশাগী মথাগী উথ্ ম অহোবদা মকোল হেক হেক সাই। ঐথোয়স্থ ওয়বা অতুম হোৎনৈ। ঐথোয়গী খূদৈ ময়াম শমজিন্দুনা থৌরী সাত্নুনা উদা য়ারগা কাত্নুনা অতুম ফায়। থৌনাগী পঙাউ অমা ওইনা থোকই মাঢু ঐথোয়দা, লৈতে অদুনোং হয়াউবা হুঙাইবগী ঙমথে।

লীলা—

মতম অসি লীলা য়াম্না তাঙি। তাগবা হায়রবু অমথক্তনি, হরিশ্চন্দ্রদনি লৈরিবা। ভেরাকৈথেল-লোমগী মীনা হোত্নুনা লিংবদোনা ভৌই। মতমগী য়েংলুরবদি ফনবু হৈনা শান্নবা লীলানি, লীলা মশাগী য়েংলুরবদি মরম মপুং অয়াবদা থীনা অতুম শোয়রবনি। হৌবদগী নাতৈ ইহো হোনা অতুম চৎলবনি। অহানবা লীলামগুল চঙলকপদগী অতুম শোয়রবা হৌরে।

"জয় জয় অযোধ্যাপতি
হরিশ্চন্দ্র মহারাজগী জয়"

হায়তুনা জয়কার তৌবগা ইশৈদি "জয় রাধা ... ." হায়না রামতাল পায়রবা অচম্বা ফিজোলকাও সুদবা নীপা অমনা শকই, মহাকুথা অমনা ঢোলক য়ৈ। মথোয়না মাঙ থাত্নুনা নিংথৌগা মন্ত্রীগা লোইনা চঙলক্লিবনি। অতুবু, অঙাং অহল লোইনবনা অঙকপা হুন্ডাইবগা লোয়নননা য়েংনররিবনি। অতুগুম বিশ্বামিত্রনা মখুৎ চনগে তাল্লকপা ত্রিবিক্সাবু লৈ থিরুসি হায়নহন্নুনা পুথোক্লগা বন্দা লৈ হেকহল্লি। মথোয়না লৈ হেক্লিঙৈ লীলাগী ওর্কেস্ত্রা পূমশক শকপা, লীলাগীদমক থৌওইনা তুবা ফুল সুট অমুবা শেৎপা নিপা অমনা বেহালাদা শকই—

সুখের কুঞ্জে কেমনি একা রহিব
... ...

ভাবুক লোইনা মুল্লি অতুদা অতুম—লাউই পেল্লবা থম্মোই কনানা অপেনবা ঈথক ফাঙমদ "ভালো ভালো"। শিত্মু সাবনা মমায় মমিৎ ছামুক সুম্ থম তৈশিল্লগা বিশ্বামিত্রনা জলপান তৌরিঙৈ নাতৈ ইহো হোনা

মন্দ মন্দ চামরে
মুনিগী মথোয়দা হল্লিংনা চীক্লে

হায়তুনা মাগী লেংয়াল খুদৈ মচিনা হুম হুমতুনা শকপদা ভাবুকী হুন্ডাইজবা অতুম থেংলবনি।

অসিদা ফাগি পালা অমগা লৈরি। পাঙনবগী ফাগি হায়না চৎলি। নিংথৌ পাল্লিঙৈগী অফাওবা য়োৎশবিগা হেক শম্নবসি। অহলমরদি য়োৎশবিদ হায়, পাঙনবা থানদে। মরম পঙমুন মুম্নি থঙদে, অতুবু, য়োৎশবিনা থোনচোপ সুদবা পাঙনবনা শূরগী রা ওইনা তৌই। ঐথোয়না থঙবা পাঙনবগী দোষ

অমনা অঙম অথৌ, লৈবাক্তী মশক নাইবা মীশিং অপত্নে হায় মতৌ থীনা ডম্নি হায় পুথোকপনি। থঙনা থঙনা খিংবম্ ঙমদে। সনামাঙদা ইহান হান্না উৎপন্না পাম্নম্নুনা নোক্ত্না অত্তুম থাদোক্লবনি।

ময়াম্নুংহল মওং চাহনা নোয়, মবুক থীনা কংঙি। খুদৈ উয়েরোম শঙবা শেংকল্লি, মবুক্কা য়াদত্তুনা থজীন্দা শেংলি। উয়েরোম শঙবমম্ য়ানগল্লি, য়া ঙাঙবদা ইপাথোয় হায়গল্লি। পুক্কা ওংদা চপমায়বা পাঙনব–পালাগী অকাউবা অমুথোইনা খুদৈ অঙাংবা অমা থজীন্দা শেং অমা লেংদা য়াল "ইপাথোয়, থেঙলনি, হৌনবা তৌয়সি" হায়ত্তুনা হেক থোকপদা মী পুন্নমক পুক্কী অত্তুম তিংলবনি।

মোইরাং পণ্ডিত অচোবা মহিষাসুর মাল্লি হায়ত্তুনা মোইরাং হিংচাবি হায়না চৎলি। অফাওবা কোলু থোঙপাক্কা মচাগী লুহোং হুমিং য়েংবদা গুরণ (গ্রহণ)গী বাফম অমা লাকখি। "য়াহত্তবু হুমিং অত্তুদদি লাকপিয়হ্ হায়না ঙিদা, য়ুয়াক শাগৈদং থঙলবদি খিক্বম্ য়াবনিকো" সোল্লি। পাণ্ডি সাবা অমুথোইনা "হৈয়া নথোয়দি য়াহহোয়গী য়ুয়াক থঙত্রিবোইরে—মোইরাংথেয়িনহৈ" হায়-রকই। তাবুক পুক্কী লোইনা তৎপনি।

অত্তুনা লীলাবু তৌয়বা, ফাগিবু হৌয়বা থেঙবা থঙদে ঙনবা থঙদে, ঐথোয় লোইনবা হাজিয়নি।

ওমাঙ লীলাদ নত্তে তাঙবা, ঐজ-লীলাম্ অত্তুম মতাঙি। বাবুপাড়াদা চহীগী অমুক দুর্গাপূজাদা শাৰে। এডুকেসন মেম্বরগী শঙ্গায়দম্ এডুকেসন ডিপার্টমেন্টকী ওইনা সরস্বতী পূজাদা চহীগী অমুক্তং শাৰে। লোইরে অত্তনা।

এডুকেসনগী লীলাসি মেম্বরগী অয়াং গুরুশঙ অচোবদা কা অনীগুম্বা ফক্রেল থাজিল্লগা ডম্নি, অঙাং অমত্ত চঙহন্দে। অত্তুবু, ঐথোয় অঙাংনা য়াম্না য়েং-নীংবত্তুদা লাইনবু হুংশিবিক্লবরা ·থঙদে, মথোয় লীলাগী মীথিৎসি মমুম অয়াপ্পা য়াওবনা হুংথিল অথেংবা সপগায়কপা মতুংদদা হুই, লীলা কয়া ডম্-থৎপা মতমদদি হেক্ত য়ম্নি। অমঘনা ঐথোয়দা য়েংবগী থুদোং অত্তুম পী। ফক্রেল মথোঙদা তুমিন তুমিন ফম্নগা কাথাঙগুম্বা থাঙ মচা অমনা মিৎ মপা লোয়া খিং খিক্ত হৎলগা হেক হেক য়েংঙি। অত্তুনা লীলা তম্বা হৌবদগী শায়ত্রিঙৈ মঙ্গংসি ঐথোয়দা হুয়িদাংগী প্রোগ্রাম অমম্ অত্তুম থোয়জিল্লিবনি।

ঐখোই মতমতুদা ঐখোয় য়াইস্কুল পনপাক্তী অঙাংনা কঁঙ্গ্রাঙনেনা, কাংলম-চাদবদা খ্বায়দগী থেংবদোনা ভোই। ঐখোয় স্কুল কয়া থোওইদে, কানীংলগা কায়, কানীংদ্রগা ভোকই। ঐখোয়গীদি পীথ্রিবা প্রোগ্রামস্সিনা অরুবনি। কায়বা য়াদে, কায়দে। ঐখোয় অনী অহমদং হেক স্ময়বা, অমনা ঙসিদি অহু ভোগিনা হেক হায়বদা অতুম লোইরে—ভোরবনি নোংময়তুগী থোক্ক্বা অতুম।

ঙসিদি মতমগী লাকোল ফাক্ক্বদা অঙাং ওইরিবে পুনশিগী হুংশিখিবা মরুপ পয়েং নীংসংলু ফাওরি থম্মোইদা নোহোন: কায়নবগী চৈনা। থরদি মতম চাদনা কেনবা হৈ-লৈগুম ঙক্তা ঙক্তা লৈখিদবনা থম্মোইদা মৈশা থোইনা হেম্না লাংথিবনরা থঙদে, মতুম মতুম মথং মথংতুম মাঙদা শংশ শংশ লেপ্পব-দোনতুম ভোরি। শাংলবা চহী হুম্ফু তরেং-নীপালগী হুংদা ঙনররি লোম্দি-রথিবা হৈরাং মঙং তাদনা চীক্কনা চামিরখিবা থোকচোম হাওমচা শঙলাকপগী মশু মতুম, ঙাংবম যাইস্কুল লাকপগী মনাও ইবোতোম্বী, চিঙাখম নোংথোনবগী মশু সনাজাউবা, শোগাইজম মেম্বর অহনগী মশু সনাজাউবা, সনাতোম্বা মচৌম্মনাউ।

থোংলি মদোম থম্মোইগী পেনা, শক্তি অবেম্বদা কাম্মদ্রবা তেংথাবোল—

কেল্লি তন্তে লৈরাং কয়া
    ইচুং পুঙ্গোয় লানঙমদ,
কেল্লি তুঙুম হৈরাং কয়া
    হৈরাং হৈজিং ফাঙমদ—
তদেক তদেক তনৌ তনৌ
তদেক তদেক তনৌ তনৌ।

থঙদে মালংবনা শাখিক্ত কেনবরা
নত্রে নোংদম্বনা লৌখিক্ত শোয়বরা।
    অমবু ওইয়ে অতুম য়ারোই,
    মীনিনা হেক্কবু য়াকংনীঙি—
        মালংবা থঙদে
        নোংদম্বা থঙদে

অমবু ওইরে
অমবু ওইরে
করি অতুক শাথিরুই,
করি অতুক লোথিরুই!

ঐখোয়গী এি কৃত্তিটি পঙ্গাউ অমনা য়াউশং কোয়বনি। য়াউশংবু বৈষ্ণব সম্প্রদায়না দোলযাত্রা কৌই। গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়দদি গৌরপূর্ণিমা হায়না খোইনবু খঙনৈ।

গৌরপূর্ণিমা—

প্রেমাবতার গৌরাঙ্গগী জন্মতিথিনি। গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী খোই-খোইবা পর্ব্বদিন অমনি। তিথিসিগী পালন ঐখোই লৈবাক্সিদদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হোলিগা কোয়না হৌদোকপনি। হৌজিক্কি য়ায়া থীনা শিথরে। মহারাজ চূড়াচাঁদ সনা হাক্তক ফাওদি অঙকপা ফংনা চাউনা নীংথিনা চৎলি।

গৌর পূর্ণিমা লমদাগী পূর্ণিমাবুনি। তিথিসিগী পালন শুক্লা একাদশীদগী কৃষ্ণা পঞ্চমী ফাও চৎলি। একাদশীদা সনা পালানা গোবিন্দগী থৌগল কায়। মথং মথং পানাগী, লৈকাইগী, কোর্টকীনচিংবা পালা কয়া কয়না চাইগী মতুং ইন নোংমা নোংমগী থৌগল কায়—তৌই। কৃষ্ণা প্রতিপদ হুমিত্তদি হোলি পালা লোইনবা, কুন খঙদে কুন্থ্র খঙদে, কায়। মতম অকক-অককনা কাবা অহান-অকোন মতুংইন গোবিন্দগী থৌগন তৌই। পিচকারি য়ায়া কাপ্পি। ভাবুক খঙদে পালা খঙদে, "লালছি লাল"নি। হুমিৎসিগী হুঙাইবা অমনা, অথয়বা পালা অনী অহুম মণ্ডপ মপান্দা শঙ্গায় শুম্মাঙশুমদা সনা মাঙদা কবি লাউনবনি। কবি লাউনরিঙৈদদি কৈ। মহাজন পদাবলিগী আবির খেলগী পয়েংদা ফজবা কাটান খেৎ-খেত্তুনা মহৈ হেক হেক পুখোক্লগা মাতায়া হেক হেক লোইশিন লোইশিল মহৈ তায়বনি। "থয়াব" হায়ড়না নিংথৌ শুবা থৌগল কনানা লাউরক্লবা লোইয়ে, লাই হরাউরে অহুম। অমগী শৃঙ্গার মতৌবু য়েংগত্রা, অমগী শৃঙ্গার মরোলবু তাগত্রা, নোকপদা তৎকদৌরবা পুক্লীবু ফাগত্রা—তৌভমগা খঙবা নত্তে। কৃষ্ণা পঞ্চমীদনা বিজয়গোবিন্দগী মন্দির লম্পাক্তা হোলি লোইনা কায়। গোবিন্দগী মন্দির মণ্ডপগী হৌই, বিষ্ণু

লেঁঙি। মহারাজমা সনা পালা চিংঙি, থৌগদগী সম্পোৎকা লোইনা মুই। শগোল শামূফাও চিথদে। শগোন্দি য়াইশফাও চৎলি। সম্পোৎকা বাজাইগা সিফাই পরেংগনা মাঙ থারগা হোলি পরেং পরেংনা অকোল অহান নাইনা তুং ইম্লি। কোকথক্তা পাই মচু মচুগী ফিবাল পরেং পরেং। চৎলি লৈমায়দনা মচু মচুগী ফিজোল পরেং পরেং। মুই ভাবুক্তী পুন্নাং, থেংঙি মিৎকী কৃষ্ণে। পুং শেন ইশৈনা নোংথক নোংথা নিল্লি পুম্নিল। বসন্তগী হেদোনবা থম্মোইদা খোঙলৈ চানা পী তাম্বা। অঙকপা নীংথিবা বৃষ্টেনি। হোলি পরেংনা মন্দির য়োরমদাই, মতেক থরগাদি মবৈরিবা মতাং অদুবাইদা বিজয়গোবিন্দগীনা ওকনা পুশিল্লি।

বিজয়-গোবিন্দগী মন্দিরদা হোলি বারিবসি ব্রজমণ্ডলগী বরশানগী মতৌ তথনি। হলংকারগী দমক্লি। হলংকার হাযবসি রাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলাগী নৈমিত্তিক লীলা অমা তমদুনা শান্নবনি—নিপা চুপী মথাম হেদো-তথান্নবনি। অদুনোং, বিজয়-গোবিন্দগী পালাদি নিপা চুপী অনীনা সাই। মথী ফুংগাগী লৈরশিজ নহা ওইবশিংনা ব্রজমাই সাদুনা চৈগুগা চৈগুগা পরেং পরেং শরক য়াই।

হলংকার শান্নবা—

গোবিন্দগী পালাগা বিজয়-গোবিন্দগীগা অনীনা হলংকার শান্নে। অতেন সনাকোন্থং থুংবা অকোন-অহান নাইনা চুম্না মতেক অমমম অকয়না থৌগল তৌই। হলংকারগী মতম থোইনা অকক্সদে। মৎক অমদা মহাবাজগী সনা পুক্সাং মতুং ইন অদুম শান্নে।

গোবিন্দগী পালাগা বিজয়-গোবিন্দগীগা মায়োক মাযোক ইশৈ শরে। সনাকোন্থংদা কবি লাউনবগুবনি। থবাব তা তামৈ। অকাম্বা ফিভম, অকাপা ইশৈনা ব্রজমাই সাবীশিং লরে—হেদোনৈ। ব্রজমাই-সাবিশিংনা ইকাইখা তান্ন-তান্নদুনা চৈগুনা অফং অকং ফুই—হেম্মোইনৈ। থীনা নানা শোকপা ফিরোল শেগায়বা, পুংমায় তৎপা হোবা য়াওবা নত্তে। কন্না শান্নথংলকপ মতমদদি ভাবুক্তা মশাম্ব অঙাংথবীম্ব চৈকশিন্নৈ। অমুক র-রা কান্নব অমুক গুরুং-গুরুং হোচ্চিনবনা হলংকার মশাগী ওইনা অদুম চৎপনি।

গৌর-পূর্ণিমাগী তিথি পালনবু য়াউশং হাযনা খঙনরিবা, শঙ মৈ থারিব,

পালনসিগী উপলক্ষদা হোলিনা তয়ায়রিবা ; হোলিদা পিচকারি, আবির শায়রিবা ; পিচকারি হুমিত্তগী হলংকায় ফাওবা আবির তৈনবা, নাক্বা খেংবা, ফি মুনবা, থাবল চোংবনচিংবা হয়াউ-তয়ায়রিবা—পূয়মক অসিনা হুমিৎ অসি হিন্দুগী ধর্ম-পুনশিদা মশক য়ায়া নাইগুবা, হুমিৎ অসিদা পালন কয়া পূনবগুবা মওং অমা চৎলি হায়বা অহুম উই। য়েংসি—

দোল পূর্ণিমা—

হুমিৎসি গৌরাঙ্গ-অবতারগী আ মমাঙদগী বৈষ্ণব-পর্ব্বদিন অচৌবা অমা ওইদুনা লাক্নবনি। শ্রীকৃষ্ণনা দোল শায়বা হুমিৎনি। দোলগী অর্থ অনী চৎলি : অমনা—খৌরী-কান্দোং শায়বনি। অমা শাংনা চৎপা উকা অচৌবদা খোরীনা কাল য়ায়গা অঙাংশিংনা শিন্ন-শিন্ন ভোং, হেক হেক লৈহৌবশিংনা ঈন হাইদুনা শায়বনি। মশায় অসি গোপালকৃষ্ণগী নৈমিত্তিক লীলাগীম অমনি। বৈষ্ণব সম্প্রদায়না থবানগী শুক্লা একাদশীদগী পূর্ণিমা ফাওবা ঝুলন যাত্রা হায়না পালন তৌই। অমুক অমনা—হোলি হায়বনি। হয়াউ তয়াম থঙনৈ। হলংকায়না মপুংনি। মাসিমসু গোপালকৃষ্ণগী নৈমিত্তিক লীলাগী মকুং চনবা অমনি। বৈষ্ণবশিংনা দোলযাত্রা হায়না ফাল্গুনী পূর্ণিমাদা মপুং ওইনা পালন তৌই। ভিথিসি অদুনোং দোল পূর্ণিমা হায়না চৎলি।

মেষাসুর—

শ্রীকৃষ্ণ পূর্ণ ভগবানি। দ্বাপুরদা রজোগুণগী অতিবৃদ্ধি থেংথি। পোকথি তুংইন আসুরিক বৃত্তি। পুঙমখিদে পাপকী পোৎলুম পুহৈবী থাঙহেবী ধরিত্রী। অদুনোং লাকখির্বান ভগবান। খোঙদাবনি মালেম কংসগী কারাগারদা, শায়বনি বাল্যলীলা ব্রজভূমদা চহী তরানীথোইগী মতাংফাও। নারদগী মরাথং, যোগমায়াগী মপাউ—অনীদগী থখি কংস গোপালকৃষ্ণ মহাক মশাগী মৃত্যুনি। মশানদি মৃত্যু থেংনবা ক্বিবনিনা মাগী অকিবা কোকপা ওক্র। য়েংগে থল চহী তরানীথোই সিদা মনাই মায়াবী কয়া মায়াবিনী পুতনানা হৌদুনা থারকথি। পুতনা অঙকপা শক্তি পুবীনি। শকট, তৃণাবর্ত্ত, বক, ধেনু, কেশী কালীয় অকিবা শক্তি পুবা ঙাক্লি। অসিনা লোইবা নত্তে, অতৈম কয়ানি। মেষাসুর অকোনবগী পরেংসিগী অমনি।

গোপালকৃষ্ণবু মথুং চনগে খন দোলদা য়াওবৈ গোপালবালক সাহ্নুা মেখাম্বুয়। মীশীং হেনবদগী খিনয়কপদা চেন্নে অহুম মহাক। তাম্নবদা য়াউ ওন্দুনা য়াউগী শঙ অমদা চেনশিনখ্রগা উথিন্রে। য়াউথোঙ তন্না থিংলে, গোপশিংনা শঙ পূমকোয় কোয়শিল লেপ্তুনা মৈ চুয়ে। শিয়ে মৈদা অহুম মেখাম্বুয়।

গৌর-পূর্ণিমাগী পালন্দা দোলগী থোদোক অসি নীংশিংহ্নুা দোলগীম্ব পালন তৌবা ওইনা শঙ মচামা সায়গা গৌরচন্দ্র লেঙশিন্দুনা পূজা কৎলবা ফুং মৈ চুবনি। অসিনোং গৌর-পূর্ণিমাবু দোলপূর্ণিমাগা পাহ্নুা পালন তৌরুবদগী য়াউশং মৈথাবা, শন্না য়াউশং হায়না খঙনরুবনি।

হোলি—

স্বায়ম্ভব মনু হাক্তক্তা পৃথিবী ঈশিংনা থীনা অকিবা ফংনা তাউই। মী লৈবা য়াদহ্নুা উত্তরাকুরু প্রদেশগী অৱাং লমথৈ তান্না চেল্লি। থা তরুক ঙাল থা তরুক মম চৎপহ্নুদা অমম্বা থা তরুক্নি য়াম্না ৱানা লেল্লি। কুইনা অকিবা ফংনা মন্নুৱবা ফুং ইহুং মঙাল তঙাং লাকপা উবদা থেংথি হুন্ডাইবগী পহেং। হয়াউ তয়ায়থি, হেদোনথি, হেমোইনথি। হুমিংকী মচু তমহ্নুা সেমথি আবির—তৈনথি, হৈনথি। পোকথি অহুম, হায়নৈ, হোলি অহানবা। কৎথিবনি অহ্নুনোং ঈশ্বরদা আবির শ্রীপঞ্চমী হুমিং। শায়থিবনি ফুংইন লৈবাক, নিংথৌ পন অনীমক্তা বসন্ত উৎসব তাই মতোল।

বসন্ত ·উৎসবনা গোপাল কৃষ্ণগী বাল্যলীলাদা দোল হায়না চৎপদনি। অহ্নুনোং গৌর-পূর্ণিমাগী পালন মহুৎদা শকপনি হোলি, শায়বনি হলংকায়। হোলিগী মতৌ তম তৈনবনি লৈবাক্না আবির, হৈনবনি মহী, তয়ায়বনি থাবল চোং, নাক্তা থেং।

থাবল চোংবা—

লৈবাকী হয়াউ তয়াম মথলমনি। থায়নঙৈদি মঙম থোইনা অকক্সবা লৈতবদোমা তৌই। থাবলদবু কয়বা, লৈকাইগী নহা-ওইবা হুপীনিপা হৌহ্নুা ইশৈ নোংমাই শক্তুনা তয়াথিয়বা, লৈকাইগী য়াইতোঙ থমদোংশিংগী মহুমদা ইশৈ শন্না শন্না চত্তুনা নাক্তা থেংবা, অফংবা শেন-থুমহ্নুা চাকচা-হৈজানবা

অসি য়ায়া চৎনবহ্নদৌনা তৌই। যাবাগুম্বা ভারত মহাসাগরগী ঈথত্তদি হৌজিক্কয়ু চৎলি হায়।

থাবল চোংববু থায়নভৈদদি ঔগ্রি হংগেল, শন্না ঔগ্রি হায়না খঙনৈ। হোলিবু বসন্তোৎসব নত্রে দোল হায়বগুম্বনি। অরিবা লোন্দা থাগী মিংথৈ অমা ওগ্রো নত্রে ওগ্রো কৌই। থাবলবু ওথরী নত্রে ওগ্রী হায়না খঙনৈ। ঔগ্রি ওগ্রীদগী লাকপনি, থাবন্দা শান্নববুস্থ অদুম খঙনবনি।

মৈতৈগী এহ্লো লাইনিংগী অচৌবা উৎসব লাই হরাউবদা লৈসেম-নোংসেমদগী হৌনা খুনবান-লৈপানকা ওবা মীগী অরা-শুঙাই-খোঙভমগী খোঙ্‌ল কায়দনা উৎপনা ঔগ্রীগীস্থ মশক্ক অদুম লৈ, ধশ্মগী পোরোল চানা অদুম মচৎলি, থ্‌ায় হুনাইগীগা থর ঙৈনভম খোকপনা অদুম মতৈনৈ।

মতমগী মতুং ইন হিংবগী খোঙভম্না অস্থম অস্থম লুশিল্লকপা, বাথল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম্নচিংবা মরমশিংনা অস্থম অস্থম লুশিল্লকপা—পুম্নমক অসি-দগী অহোংবা মথল মথল লাকপনা এহ্লো ত্তয়াম কয়া শিঙ্গে, থরনা শিনিং-শিনিং হিংলি। অকোনবগী পরেংসিদা থাবল-চোংবস্থ অমনি। থাবন্না ফনা ফরবস্থ চোংদ্রে থাবল হান্নগী মতম, চত্রে নাক্বা থেংবা। অদুবু হোলিনা কাইহৌদুনা হরাউ ত্তয়াম পাম্বা নহারোলশিংনা চোংঙি থাবল, পেংঙি নাক্বা, মুল্লি ফি, চাকচা-হৈজানৈ।

শন্না, য়াউশং দোল পূর্ণিমাগা পানা গৌর-পুর্ণিমা পান্দন তৌবনি। দোলগী ময়াম পানা লৈবাক্তী এহ্লো ত্তয়ামস্থ শান্নবনি। লৈবাক্তী থ্‌াইদগী চাউবা উৎসবনি।

ঐখোই মতমদা য়াউশংসি মঙানি তৌবা য়ায়া য়াওই। হৌজিক লম্ভাঙদা দুর্গা পূজা তৌনবা য়াওরিবা অসিগুম্বনি। বারী তায়, কুমৈ-ফিয়োং য়ায়া তৌই। লৈবাক অয়াম্বগীদি নোংমতগীনি।

উচিবা অমস্থং মৈবুল—

বারী বাতাই, হরাউ ত্তয়ামশিংসি নত্তবা ঐখোয় অঙাংগী খোইখোইবা শুঙাইবা অমদি উচিবা থাবা অমস্থং মৈবুল হাইবনি। উচিবা ফুট ত্তয়ামঙা তরুক শাংবা বাদা উচিবা মত্তোল মায়-মায়া মভাং কাল্পপ কাল্পপ ই পুন্নুনা

সেম্নগ মন্দির অকোয়বদা থুংবনি। মৈরিম্না মথং মথং লামতুনা চাকপতু ঐথোয় অঙাংগী কুম্মৈনি হুঙাইবা। মৈবুম্না বানা মথোক পাম্নুনা ইনা গদা মওং মান্না সাবনি। মথোঙদগী মতোনফাও মৈ থাঙনা থাঙনা চাক্লবা পৈয়া কুংলপ পুল্লি। মৈ চুরগা চেন্না চেন্না লৈনা লৈনা হাইদুনা শান্নবনি। মসিনা য়াউশংগী ব্রারকপা পুন্নমক্তা তংথাই অমদি কোকপগুম থোক্লিবনি। মসিমক্তম্ লাঙ্গ-ফাইরেলগী মৈবাউ চেন্দুনা কুমগী লম্মৈ থাবগী মমি অতুম মতাবনি।

য়াওশংগী থবক্তি ঐথোয় অঙাংগীনি। ঐথোয় অঙাংনা মপোৎ মচৈ লাঙলগা মথোয় অহনশিংনা সাবি-থোৎপিবা, শীনবি-লাঙবিবদনি।

য়াউশং কোয়বা—

হান্নদি য়াউশং সাবসি য়াউশং মঙাক্নি তরুক্লি লৈরিঙৈদা লৈকাইদা পোৎ থায়রগা শাই হায়। ঐথোয়না থঙলকপা মতমদদি য়াউশং কোয়বা চৎনরম্মে। ঐথোয়মু তুংইন অতুম কোয়রে। শ্রীপঞ্চমী অতুবাইদগী হৌই। লুংথিল থেং-লপ্পদা ভোর্ব্বাল থঙদে লমজৌল-লমথাই থঙদে ঐথোয় থ্বায়গী থঙনবি মফম অমদা ঐথোয় অঙাং লোইনা হেক্ত পুল্লি। থাঙ পালি নাইনা পুথোক্লে। লুংথিল অঙনবদনা লৈরক-কোনশাং কোয়না কোয়না চৎ, তাক্লা য়েং বা, য়েংথো অমনী অমনী লোম্না লোম্না য়াম্নুনা য়াউশংগী মপোৎ শাঁঙি, য়াচঙবদনা ঐথোয়গী পূনফমদা অকোয়বদগী শীং থিরগা মৈ তীকই। মৈ তীক্লা তীক্লা মরক মরক্তা হরিবোল লাউই—মকোক ওইবা অমনা হল্লি, অতৈনা খুম্মি—

হরি (হরি) বোলা—
হে হরি।
কনা কনা লৈ—
ঐথোয় লৈ।
শ্যামমালা—
উরীরৈ।
গন্ধরাজ—
চিগোংলৈ।
পুস্রীমপাল—
করোক্লে

লাইশং ময়া—
সনাগৈ।

মায়গৈ থুদিংদগী অয়ম লাউনয়কপনা য়াচঙ-তিয়া শেৎ কায়দোগুম হৌই। তাঙাসিন্নাইদা চক চিংবা, ই পুবা গাড়ী য়ামা লাকলি। লাক্লবদি, ঐথোয় লাউবা হেনগৎলে—মতো মাঙ্গনবনি। মিং থৎনন্তুনা অমনীদি অচুম লোয়া ইনম্রবনি। ই নম্পুং থর, চক মপুল অমনী লৌহৌবদি শোয়ম্রে।

য়াউশং কোয়বগী হুডাইবা অমা মুক্লা তম্বা, শীংনবা, শামবনি। যাত্রা শায়বগুম থুময়ৈ, থুংকা থুংকা ওক্লৈ, লেমা ফি শিমৈ। সোয় পুবা, লেং লৌবা, থোঙভম, ফিভম লোইনা তম্মি। কল্লাক-কোৎপি, নীঙ্গোং, লোংগ্রৌ, থুদোং, থা-শেৎপা—লৌ অমম্বং থুমুক পুয়মক তম্মি।

শীংনবস্থ কোম্মি। হরিবোল লাউবদা শীংনবগী বা খেৎলগা অচুম লোইরে। চুমগী লাউবগা মওংদি অমত্তনি, মরোল্দ খেন্নবনি। চৎনা চৎনা লাউই হায়, ফম্না ফম্না লাউই হায় শীংনীংবা মায়গৈ হেক্ত শীঁডি অচুম—

হরি (হরি) বোলা—
হে হরি।
কনা কনা লৈ—
ঐথোয় লৈ।
অরাং লৈকাই মচা মুক্লা শাল্লসিকো—
হোয় হোয়।
নীঙ্গোংবা—
শেৎ শেৎ।
লোংগ্রৌনা—
দম দম।
কিরে কি—
হায়রো লাউ।
ওরে লাম্বা—
তৌরো লাউ।

শোয়রবনি শারবা থুনমক হুরিং অমা। নত্রবদি মশা মশা চোঙ্গি লৈকাই চেহ্ৰৈ ইকাইনৈ। শায়বস্থ ফজ-ফজনা শায়নৈ, পরিং-পথাপ অমত্ত কায়নদে। থাবা-তুবা মশীংনা অঙম-ঙমদ লেপ্পে। ঙস্নো অরাং লৈকাইনা চৎখিনি লাউ-লাউদুনা—

হরি (হরি) বোলা—

হে হরি।

অরাং লৈকাই—

থারে মুক্তা।

থয়ে খুৎশি—

মখা লৈকাই।

মশা মউ—

কেয়ে কেয়ে।

মমায় ফিরুক—

খুম্নে খুম্নে।

ঙস্নো ঐথোয়না লাউহৌনি মরোল্লিমক ঐথোয়গী ওইনা পান্দুনা অদুম।

শিবরাত্রি য়োয়রুবা, য়াউশং নকশিন্নরুবা মতমদদি য়াউশং লেক্লে। নোংয়াই মখাঙদস্থ ঙহাক, নোংঙাল্লবদাইদস্থ ঙহাক ই, বাচেৎ, পম্না, শীঁঙুৎ-শীংন্যাং হুবা চৎলি। অচাবদা চু অমা হিংত্রে ঐথোই খুত্তা। মতম অদুগী ফজবা অমা—অয়াম্বনা মপোৎ মাঙবদা থোইনা শাউনদে, কনাগুম্বা অশাউবা য়াউরবস্থ অমনা "চাগে ভোবস্থ নত্তবা, অঙাংনা লাইগী থয় লৌথিববু" হায়দুনা অদুম মথেমজিনৈ। হুরানবা ফায়কাও ফু-চৈদে, পোত্তা লৌহোৎপা অদুম লৈহৌই। ঐথোয় চু চারুবা ইমুংত্নস্থ অদুমঙায়, হূপী নহানা ইপা পাথৎ ভাঙ-শরুবস্থ অহল ওইবশিংনদি "য়োংনা চু উরবু, থয় থথিরম্মিবসি ফবু কৈ" হেক্ক হায়। অঙকপনি মতমদুগী পুকচেল!

য়াউশং মনীং—

য়াউশং নৈ থাম্মে হায়দুনা ঐথোয় অঙাঙ্গী থবক হেক লোইবা নস্তে। থবক মওংদি হোংলগা চিন্নবা পন্নেং অমা চৎলি। য়াউশং নৈ থাবা হুরিংকী

য়াচঙ মতুং ওহাক্কা নোংঙানবগী অয়ুক চাকচমাঙ 'অঙনবক্ষাওসি ঐথোয় অঙাঙ্গী শেন নিবা মতম্নি। ঐথোয় য়াউশং থূৎপু হোদুনা চৎলি। অমংবা শেংগী শরুক অয়াম্বা চাকচাননবা থম্মি, থরমা করি করি থদ্রম্ব চা-থকই, আবিরসা কয়িগাম্ব লৈ। মহী অঙাংবা থীৎলগা থাউ উতোংগী পিচকারি মচা মচানা অচৎ-অথোক পাথং-লৈশাবী থয় কাপ, অঙবা হূপীমচাশিং আবির থয় তৈ, পিচকারি হুমিৎ নোংমতুগী পাথং, লৈশাবী, মো নহাশিংনা মহী হৈনবগা আবির তৈনবগা, পিচকারি কাপ্পগা হেন্দো তয়ামদুনা মুঙাইনবতুগী শরুক ঐথোয়স্থ ঐথোয়না থোকপা অতুম য়াই। অতৈ হুমিত্তনা থুমোক লিথায়গুম্বা অমা মনা পাঙ্গগা চৈ লেংদুনা মী অনী অনানা শিন্না শিন্না পুই, লৈকাই য়ুম-থোঙ খূদিং চঙই, চেঙ-চাক লোইনা থায়। লৈকাই থুংলবা মতুং কৈথেন্দা অমূক থায়। হুংথিল হুংথিন্না লৈশাবী-মোনহাশিংগী ফিমুন-কূমৈ য়েংঙি, য়াউশং মঙুংগীদ ফম্বা পোৎফমদগী অহাউ-অথুম লৈ লৈদুনা চায়, শান্নিঙায় শাটন্নে। হুমিদাং হুমিদাংনা থাবল চোংবা য়েংঙি।

ঐথোয়না অঙাং য়াম্না ওইরিবৈ চোংলম্বা থাবলগা হৌজিক্কীগদি থীনা থেন্নরে। মতমতুগীদি হুপীডাক্কনা চোংঙি। মীয়ায়-চল্লবী পয়েংদগীনা লৈশাবী মচা ফাও লেংথে—শরুক য়াই। থাবল-ইশৈ-তৌবা মী মশক নাইনা লৈরম্মি—অকাওবস্থ লৈরমদবা নত্তে। মথোয় ওজাশিংসি য়াউশং মমাঙ হায়বু বার্ত্তন থানৈ, দক্ষিণাস্থ তৌনৈ। ওজাশিংসিগী মঙুংদা য়াম্না কাওবা অমদি শাজো কৌই, য়ুম্রাক্তি কাংজম্না কয়িনো কাউয়ে। মী মুনয়ং তৌই, মশা পায়, মথোল জংই, ফজৈ, হুংশি। মানা হনবা ইশৈদি নিংথৌরোলগী মতাং ঙাক্লি। তেথাউ-শামু-ফাবা, মোইরাং-শা-তুবা, হেমগৌরী-থাজবগুম্বা ঙাক্লি।

ইশৈ-হনবনা ময়াম্দা লেপ্লি, ইশৈ শাংনা চিংনা য়াংনা জংনা হল্লি। ময়াম্না থূৎশয়দুনা কোয়না লেপ্লি, ইশৈ থূম্না থুম তপ্না জংনা মশা পুন্না মথোঙ ফূক্না ফূক্না কাইদ কাইদ থোঙদোই। অচৌকপা ঋতু, অচৌকপা থাবল, অচৌকপা ইশৈ, অচৌকপা থোঙদোই, অচৌকপা শাথেক—থিকথৈ, শিনথৈ শান্তি—অচৌকপা জরা। মূল্লি মিৎ, মূল্লি না, মূল্লি থম্মোই। হূপী, নিপা, অঙাং অহল-ভাবুক লোইনবা মচি মঙদা মঙলোন ; কাউনৈ তম্না সংসার।

মতমগী মতুং ইন লাকখি অথেংবা মচোং, অথেংবা ইশৈ। শিখি তন্না অয়িবা মচোং অয়িবা শৈশক।

ঢাকা সনা—

শাইশিং অমগী ধারানি। মমিংদি সনাজাউবা কৌবনি। ঘুমটী শমকক ঢাকা শমকক্লা শিন্নকপদা চং ফংনা ককপন্দগী ঢাকা সনা হায়না চৎখিবনি। নীচুগার্ড তা থানা ফন্নিডৈ মশানা কাপখিবা কৈগী থোঙ্গল লীবদা শিরমদাই কৈজিং থেংনডৈ শিঙ্গিন্নখিবনি।

থাবলগী অথেংবা মচোং অথেংবা শৈশক মহাক্না হৌদোকখিবনি। অথেংবা চঙবদগী চুপী অহল ওইবীশিং থাবল শরক য়াবা লেপথি। চাম্ম, শিনখি মহৎ পাথংগী পরেংশিংনা। থেংলে ইশৈ, থেংলে মচোং, কল্লে লূমলে থোঙথাং—পাথং-লৈশাবী-মৈয়েনহা ঙাক। ইচক্লে অসুম ঢোল-ঢোলক। পান্নুবমা থঙদে চপ্প চানা বসন্তনা হেদৌনরবা পাথং-লৈশাবীনচিংবা নহা ওইবশিংগী মথম্মোই, চৎখি অথেংবা মচোং অথেংবা ইশৈ ফনবু কুইনা অনীস্নবা পৃথ্বীগী লাঙাউ নাক্তিফাও।

লাক্লে লাঙাউ। ওইবে মণিপুর অকিবা লামফম অমা। হোংলে, ওল্লে লোইনা মশক মচু। অথেংবা থাদন্ধা শিল্লে বোয়াঙনা ঢোল, ঢোলক। মৃৎলে তুংইন ইশৈ।

মহাভারত-রামায়ণগী য়ারীনা মগুপ মগুপ্তা নোংমা লৈবাকী শিক্ষাদীক্ষাগী শরুক চাউনা য়ারবগুম থাবল চোংবনস্থ গুম্ভাঙ গুম্ভাঙদা য়ারবনি নোংমদি অচুম। অচুবু, ঙসিদি হেদৌ থানবদ মথংলে। মীহাৎ মীপুন লঙনফমদ তারে। অরাবনি মতম!

ওদি অঙাং ওইরিডৈ চৎলবপা তৌবকপা পূময়ক, মপুং ওইনা য়াউশং-কোয়বা অমসুং মনীংগী থোঙফম—হুংখিন্দা য়া হুয়ানবা চিংহুনা চেন্নিডৈ মপূনা ভারকপা, ঐথোয়না য়া থাধরম কায়হুনা মাবগৈ শনাই থঙদনা চেন্নবা, য়াচঙবদা বণগাড়ীদগী ই, চরু শৎপা, গাড় য়ানানা ভারকপা, ঐথোয়না উনা উনা পোৎ পুহুনা চেনবা, মহাক্না গাডী থাদোকপা কিহুনা নীঁঙাক-নীংশোননা লৈয়েখৌবা, অহিংদা চিপক চিপক তুমিন তুমিন শোরফাও হোন্দনা মীগী শঙ্গোয়

লূকোয় শাইজিন শায়াদা পোৎ হুবা চঙবা, নোঙ্গাংবমা লাক্‌না নোকপা, মপুনা তারক্ক্‌না তায়বা, ঐখোয়না শমজি থাইদুনা চেনবা—নীংসিংলুবরা শংশং শংশং উরক্ক্‌না নোঙ্ক্‌ নোঙ্গাংলকই, নোকই ইদোম তুমিন, কপ্‌ কপ্নাং-লকই—হুংশিরকই, থন্নুবরা থঙদে থম্মোইনা মপা অমুক য়েং লোইরক্লেদো হল্লক্লিমগীদি।

ইশাগী অঙাং-শক্তম, অঙাং-মতৌ হুংশি-হুংশিনা অমুম য়েংনা য়েং মঙহ্রং চুমিথৈ ফাওরকখি তুমিন পুক্তা রাখলগী পরিংমা, ঙকখি, ঙক্তবা ঙমখিদে। ঐখোয় চহী নীপাল মাপল্‌দগী তরানীথোই হুমদোইগা ফাও চহী খুদিং য়াউশং মতমদা হুয়ানবা চংলকই, হুয়াল্লকই। থায়নথৈ স্পাটাদা লাইকর্গস্কী সম্বিধান মতুং ইন স্পাটাগী অঙাংশিংবু হুয়ানবা তম্বিবগুম ঐখোয়সু লৈবাক-নিংথৌ-পনগী পথাপমক নত্রবসু লৈবাক-পনগী চংনবি অমগী মতুং ইন য়াউশংগী মতম থর হুয়ানবা হেক হেক চংলকপনি, য়ায়মক নত্রবসু থর্দি হৈয়কপনি। অতুবু, ঐ ইথন্দ নত্তনা ঐখোয় পরেং অতুদা কনামত হুয়ান-চৌম্বী য়াওখিদে। স্পাটামচা অঙাংশিংনা লৈবাক্তীদমক্তনি মতম্বা, হৈনবিদি থক ওইক্কদবগুম ঐখোয়সু লাইগী দমক্তনি মত্তোকবা, মশৈংদি থক তাথক্কদবা অতুমক্করা নত্রে অঙাংগী অঙাও মশায় অমা ওইনা মশায়ক্কবা চহীনা থম হায়রক্লগা অতুম মতোকখিবা অতুমক্করা থঙদে য়াওবদি ময়াওখিদরে। অমরোমদনা, ঐখোয়গুম হৌরক্তবা, কয়া রারক-রাতেম য়োক্লকপা মীনতুম হুয়ান-চীম্‌না মশাগী হিংনরম ওইনা চংলক্ক্‌না মশাম্ম মাঙবা মপা-মমাম্ম চেম্বা কোঙ্গায় য়াওদবম্ম নত্তে। নীংসিংবু নীংসিংলি, সুধীর ঐখোয়গা তম্মিরবনি। মপাম্দগী লাকপা রাজ-সরকারগী মশক কাবক লাইবা কর্মচারী অমগী মচানি। মখোয় মচাম্মনাও অনাগী মহাক্তা অহম্নি। মপা ঙম্মপ কায়নৈ। মনাওনা য়েলরেদা খবক তৌই, মহাক্তা গয়মূলা ওইনা হুয়ান-চীম্‌না শিনফম ওইদুনা মপুনশিদা থুদাতম লৈতনা ভারত খুংনা থোকন্ট থোকউ চত্তুনা হিংখি। কয়া কুইনা হিংখি থঙদে কনামতনা। মথম্মোই পাম্দবয়া পানি। পায়ে পায়া মশিনফমগী মতুং ইনবা শায়মচংনা মচেমবয়া চেন্দে, মউমলবয়া উমদে।

শ্রীহংগী কুমজা ১৯৩৬ কী জানুয়ারী থাগী নোংমা অহুক্তসি। বেনারেস কেন্টোন্মেন্টকী ওভর-ব্রিজ ময়ায়দা মতোমদা থোংগী পাথৈ পায়দুনা লেপ্তুনা

লৈরম্মি। মীয় তারক অমা থীনা থোকই। চহী তরানীথোইগী মতুংদা অঙাং ওইনা হৌমিন্নরকপা মরুপ অমা ইথা থাজদনা গোক থেংনবচুদা মরুপকী হুংশিবনা মঁাঙোইনখিবরা সুধীর হায়বনা ভগপ ভগপ মনাক্তা চঙশিল্লুই। মহাক ঐগী থোল হেক ভাবদা মমায় শং লৈখোক্লকই। ঐবু উবদা মমিং ঊরা চেন্নি। ঐনা মনাক য়ৌত্রিউঙে হুংশিনা ঐঙোন্দা য়েংনা য়েং হায়রকই, "তাই আমাকে আর বাসিওনা"। হায়লা হায়না মমায় নৈত্তুনা মথোঙ থাংবা হৌখি। ঐ ওক্তুনা চপ লেপখি। মহাক্না চৎনা চৎনা মমায় লৈশিল্লক হায়রকই, "আমি তোমাকে বাসি খুব ভাল, তাই চললাম, কিছু মনে করিওনা —"আমি নরকের কীট, Hell-dog, জান।" চৎল্লে অদুম পরপ পরপ। থোকখি ঐঙোন্দা মাগী মপাউথোন্দো মীনা ফোঁঙমদবা পাউথোং অমগী মতম। থোকখি মশাছুমকম্ব ঐঙোন্দা অদুম। মমখি ফনা কুইনা, মক্কোখি অদুম। মন্না মন্না উবদি উখি ঐনা মাবু হুংশিবগুম মানস্থ ঐবু হুংশি, হুংশরি অদুম।

চহী কুন মতুংগী রানি, ঐ গবর্ণমেন্ট থনমঞ্জরী কলেজদা লৈ। উপন্যাসগী লমথৈদা অকাঙা পঙচঙদ-চঙ শাখিবা য়াওল অমা লাক্লিবা মঙংসি সাহিত্যগী ওজা অমা ওইনা মুন্না নীংখিনা থঙদবা য়াদবনা লাইব্রেরীদা পৈরিবা মতমগী বেষ্ট সেলরগী পরেং তকথত্তুনা পাই। লাইরিক অমা থেংনৈ। ফিগু ইন য়োন হায়মায়ে মিংথোন্দো। অইবা মীশন্নু কাউরে, চরিত্রশিংগী মমিংস্থ কাউরে। রারীগী মবুক থরদনি নীংসিংলিবা। মতাংনা পান্নুদস্থ অদুদনি।

ট্রেন ড্রাইভর অমা মশাদা সয়তান চঙবগুম তৌই। হুপীগী মশাদা মথবাকুমা ফিনা কুপ্তুনদ লৈবা, অদুনোং পানা তাইনা উবা, তুংইন নৌজবগী মথক্তা হেন্না নৌজবগুম থোকপা হকচাংগী শরুক অসি মাদি উবা য়াদে। মঙুংদা চেন্নিবা ঊগী মচু হেক্ত য়েংনীংঙি, মশা ফাবা বানা থোকই। মহাক্না মনেমমচা মনাও হুপী (সেকেণ্ড কাজন) অমা য়াম হুংশিজে। থবক হাংবা হাংবা মতমদা ঊনবা চৎপা শোয়দে। মনাও হুপীতুনস্থ মাবু থোরাং থোরাং ঙাই। রাদি ফাওনদে, থঙথদি অদুম থঙনৈ। ড্রাইভরসিনা নোংমা শুপ লাকই, মনে হান্না ঊনত্তুনা রারী ওহাক সাই। মনাওহুপী উনীংলক্তুনা মশান্দা কোয়থি থিরক-পদা লৈকোলগী অচৌকপা কাজুমদা থেংনকয়ে। মহাক্না কোল্লুবদা করিমত হায়দে। মনাওগী হুপী-ওইবা মশা হকথেংনকবা, মনিল তন্না মঙোন্দা

ফাওরকপদা মবুক ফাওমখিদে। লৈমায়-তিংখৌ মথক্তা কি চিংজক্না মখোয়াক মপাদা শেগাযখি। অতাইবা মথবাক অন্থু উবদা মশাগী ময়তান অন্ত্র মখি থংকোং কোংখি। হৈ লৈ চিনবা চাবগী বা শংকাউ কাউখি। মথবাক্ শ্রুগাইদুনা ঙ্ক য়েংগে তম্না থল মথূৎ থেৎনা নুং মাবদা যংখি মথূৎ চাবা অমা। লাইক্ অমদগী অকিবা অমা পোকখি। মনাওম্পীনা মশা নাহোংদোবগী শাবু ইয়োক-খোত্তোক কম্না হোৎনদুনা লৈবনা অবেখদা ম্রাখোত্ত ওই বাক-মুংজুদা চা তোকপা য়াই থম্মুবনি। মহাক্না মবুক ফানবা ফুক হৌগত্তু্না মনাও-ম্পী খুকয়েং য়েংলমদনা কম্না চেনখি। অমুক হল্লকখিদে। মতুংদ্ম লাক্খিদরে অতুম। রেলবেদা থবক তৌবা নিপা অমগী ম্পী অমগা চান্নখি। নিগাদুনা ভিউতি ভাবা ভাবা অহিংদা ম্পীদু হেক হেক থোয়ক্তুনা কায়থানাওবগী কাচিন কোয়াদা পাম্নরিঙৈ কায়মদে। মখোয়না চান্নবা ক্রুইরক্লবা, মওং কম্না চৎলক্লবা, থৌওং কম্না অফ-ফত্ত চারক্লবা তুং, মোংমা ম্পীসিনা হুংথিল তুমলবা থেংনক্লই। মথবাক পূমকোম কোয়া লোংনা তাদুনা লৈরম্মি। হায়া মা হাৎনক্লরবা মশক্তি লোৎনা শীজিন্নবা হৈত্রাং অমথম্ ফম্মুং টেবিল মথক্ত। লৈরা উরম্মি। ময়তান চঙবা মণ্ডোন্দদি ঙ্কনীংবগা থোং হেকপগা মায়না থোকখি। থাঙ তাপ লৌদুনা মথবাক নাম্ম ফাওনা থিনখি। চৈনানা মমিৎ ঙাওনা থং-পাঙ-পাঙখোক্লকপদা মহাক চেনখি। ম্পীদুদি লোইখি ঙহাকী মচংদা অদুম।

বারী অসি পারকপদা নীংশিংলক্লখি ঐগী মরুপ মুধীর। চহী কুনগী মমাঙদা বারাণসী ছাউনিগী রেলথক-খোংয়ায়দা মহাক্না চল্লবা পাথোংগী অর্থ থরগী মথৈ থঙবগুম তৌখি. মহাকপু অমুক্, হেন্না হুংশিখি থঙ্মুবদগী তশেং মহাক্না ঐবু হুংশিবগী থাক।

খাম্খি মী, মানি মাদি পাথোং—পাথোংদ পাথোং, ফোঙমদবা কম্রিদুংদা কন্দোমুং। যুগ যুগদা মুনি-ঋষি কয়া কয়ানা মাদবু ফোঙনবা শ্যান তৌ-তৌদুনা হোৎনবদা ঙসিফাও ঙম্মদুনা লৈরবা পাথোং মহাক্নি। জানগী মথমক ওইরবা ঈশ্বরমরুফাও মাবু মুন্না থঙবা ঙমত্রবনি।

নিশাগী লাইবক,
দুপীগী লৌচং
মণিগী অমল

অহমসি ঐগী জ্ঞানগী বাংমদনি হায়বা ভগবানগী চীনগোইসিনা অতম মন্তাক্লি· বসিনি। ফংখি অস্তম চহী ক্রুনদ্ধ মতুংদা ঐগী অক্রকপা বাখল পরিংগী পাউথুম. মী ভক্ত-ভক্তিঁভায় ওইবা অভকপনি। থুংহৈনবী প্রকৃতিগী থুংলেমদা অথুপ্লদগী থোইনবু থুপ্লবা ঈশ্বরগী হেক ভমথংদা লৈরবা মী মহাক্লি।

অরেৎস্বা মতাং

পুনশিগী য়াওল অমা

পৃথ্বীগী কাহুপ অমনা য়াথোককফি, অমুক কাহুপ অমনা য়াকুপ্তফি। নোংমগী চাম পোকই, নোংমগী চাম শি। পাউরৌনৈ অহূনোং—

"জো আতা সো জাতা"

লাক্লবদি হনবা তাই। হয়্রো, কমদৌনি, মালং মাগী মালংচৎনি। হনবদবু মহুং মতম চানা হনবা পাম্মি। হুংশিবা কনা'মা মহুং মতম চাদনা কয়্রো—কেয়্রো, কায়ন-মৈথু লাংবদ নত্তে থম্মোই, পুই নীঁঙমদব-মৈচাক অমম্‌। শকথি অহূনোং বিশ্বকবি—

ধরা দিয়ে দাও না ধরা,
এস কাছে, পালাও ত্বরা,
পরান কর ব্যথায় ভরা
পলে পলে হে।

কারে কদায় মনাম্বোকই,
লাক্লে নাক্তা, ভন মর্মাঁখি,
থবায়রা, হিকপদ থংখি,
কাংদে মিকুপ'মা।

কায়নথি হুংশিবা মরুপ'মা। পুনশিগী ইন্থংদনি। ইবোতোম্বী কৌই। ভাংবমগী মরু-ইবুঙো যাইস্কুল-লাকপনা পোকপনি। ঐথোয় চহীদম্ব লেং, ক্লাস-দম্ব লোয়ি। স্কুলদম্ব তিম্নৈ মপান্দম্ব তিম্নৈ—থানদে। চুম্‌দ তিম্নবা নত্তে, হুংশিনবনি—থবায়-হকচাং য়াওননি। ওইরম্লে অহুবু মহাক্তি মপুনশি ভেম্না লাকপা মপোক। কৈত্তে ঙম্বোনা দ্বিতীয় শ্রেণী তম্লিঙৈ। থোঙহাম্বননি। কৈত্তে ভাবদা চেল্লি। মশা মৈ বায়থরে। পোকথি থবায়, কায়থি থম্মোই। থোক্লীংখিদে অবাং-মায়গৈ, কয়্রু ককথি অহুম হুংথিল হুমিদাংবাই লেন-লম্পাক থোকপা।

লৈয়ে মকপ'মা। মপুনশি ভেরকপমনি থগদে, থাম্থকী ভীম্মনা চৌক-পননি থগদে, লোইয়ে মঙ্গং মতম চাদনা হুংশিব'মা। ঐগী শরক্লা—চায় চাদে, ছুশি তুমদে নোংমা নীনি। ফশি ইতোম তুমিন তুমিন। হুণ্ডাইরক্লে, চৎলি তামোহোইদা। তামো লাইরিক পারশি, ঐ তুমিন মনাক্তা ফশি। পাই কবিতা অমা—

নাই কি রে সুখ,
নাই কি রে সুখ,
শুধু এ ধরা কি বিষাদময়!
যাতনে জ্বলিয়া
কাঁদিয়া মরিতে
মানব জনম কি শুধু লয়!
... ...
... ...

লৈতবা হুণ্ডাইবা,
লৈতবা হুণ্ডাইবা,
সংসারশিবু অবাবদগীরা!
অবা-মৈশাদ লাং
কপ্পদ লোইনবা
মীগী মপোক্তা ঐথোয়বু পোকপরা!

কবিতাশি প্রিয়পাঠদরা সুখপাঠদরা য়াওবনি। ইংরাজী কবিতা অমগী রূপান্তরনি। বঙ্গগী বিদুষী মশক্লাইবী সরযূবালা চট্টোপাধ্যায়গীনি। ঐথোয়গী উচ্চ-প্রাইমারীদা তম্লকই। কবিতা অসি পাবা তাবদা, থগদে কৈদগীনো, লাইরিক থংহে হৈনিংলকই। অগৎ অসিদি অণ্ডকপনি, অণ্ডকপগী অণ্ডকপা ঙাক্লি। কার্যা-কারণ অনী চুনগনি, চানগনি—তায়বদে, হায়বা কৈম্ব লৈতে। শীংবাংনা বাহী, মিনা উচিথোই অদুম মওইবনি। অদুগুম, ঐগী পুনশিদগী নাত্তে ইহো হোনা হুংশিবা মরুপ অমা কায়নবগী হুণ্ডাইতবনা লাইরিক্তা হৈনিং-বগী মশক তম্রা লৌথি। নোংদম মাগী নোংদমথোল, মাকথি অদুম পুনশিদা মদলগী য়াওল অমা।

হৈংগে তঙ্বা অঙাং অমা ওইহে ঐ স্কুলদা। পড়া তম্ভনা কার্য। শব্দগী বানান, অর্থ, প্রয়োগ হৈ—খণ্ডি। মুমগী স্কুলগী থৌগাই লোইনা নীংথিনা তৌই। অদুবু ঐগী থংশোয়বা অমদি অঙ্কদনি, থীনা হোই। ইশানগা থর কংঙাওননা লাকপগা ইথবায়নগা থর পামলুদবগা ২+২ দা নোংমা নোংমগী থোকপা ৩ তারগা তারে, ৫ ০তারগা তারে, ৪ দি থক তাদবনি ঐগীদি। অদুদা, তমলিবা অঙ্কদি পরিমিতিগী পাটীগণিতকনি। থঙলে ওজা নীংথিনা ঐগী শক।

ঐথোই মতমগী ওজাশিংদা অয়াবদি ওজাদ-ওজানি। বিদ্যাদানা মথোয়গী বৃত্তিনি। বিদ্যাদানা মহাদানি হায়বশিনা মথোয়গী মতনি। ছাত্রগী মঙ্গল-কামনানা মথোয়গী ধর্মনি। অশোনবা ছাত্রশিং মচুম মচুমদা ফংথিল ফংথিল তম্বি। লেম্লনি—পাই অমা লৌদে। শঙ্কর ভগবানগী—

"বরভসে নিজ কর্মোপাত্তং তেন বিনোদয় চিত্তং"

(নশাই কর্মতুংইন ফংলিবদুদা পেঙ্গৌ অদুম নথম্মোই)

হায়বা মুখবাণীসি চপচানা, কায়দনা চৎপগুম তৌই, মশা মশাগী তলব তলবতা অদুম অদুম পেম্মৈ, অথোইবা তাম্লদে, অহেনবা স্নেংলুদে—নির্যোগক্ষেমা ভাক্রি।

ঐথোয় দ্বিতীয় শ্রেণীগী ওজাদি মথক্তা মতাং অমদা হায়বু হায়প্রে, অঙোবা কোই, মোইরাংথেম্নি। পিতম থোংদগী তুরেলগী নোংপোক থোঙবাল ফনা শাংনা চখরগা লৈ। ওজাসি য়ায়া ঈংভি, তম্বি। এডুকেসন ডিপার্টমেন্টগী লীলাদফাও ভরতকুবা বিদুরগুবা অঙংবা চরিত্রশিংগী ভূমিকাদদা কুম্থি। নৌংজুথা মতুংদা নোংমা ওজাগা হায়নরে, ঐথোয় মরি মঙা ফংথিল ফংথিল থঙ্ক তম্বা চৎলে। চহীগী পরীক্ষা লোইফাওনি চৎদিবা, অদুবু অঙকপনি, নৌংমত্ত করিগুবমদা পাউথোক্না তম্বিবা লেংথে। সরস্বতী পূজাগী লীলা থম্বা হৌরক্লবা মতমদদি মমাঙ-লৈখী চঙাইবা চৎপা তোক্না ঐথোয়বু থিনবিবা ওইনা তোর্বাল লৈবা পরেং লাক্লগা ঐথোয়গী শৌগাইজম লৈরক ফাওগত্না লীলা তম্ফম এডুকেসন মেথরগী শঙায়দা হেক হেক মোই। মথোয় ওজাশিং অসিগী মশানা চয়া হিংবা বাথয়া বাংনা চৎপা মীরবিবা থভাবনা ঐথোয়গী পুনশি লমদাংনা অমবা হেক হেক থেনয়কপদা দমজিং-মৈরী হেক হেক ওইনরি ভসি।

ওজানা হোৎনবিমক, অদু হৈবা হায়বদু থোক্তুমক্নু ইশাদি কাবক্পুনা চংগুম তৌরে। বার্ষিক পরীক্ষা কাবক নীংথিনা পাস তৌরে—প্রথম শ্রেণী কারে। ঐখোই মওমদা বাজারদা বুক-ষ্টল অমত্তু লৈতে। জোনষ্টোন স্কুল লাইব্রেরীদা অঙাংশিংগী য়েংবদগীরা মত্রে রাজ সরকারগী থৌশিল্লগীরা মহিক্ত স্কুল মশাগী য়েংবদগীরা মঙং-মপাল অনীমক্তা পাঠ্য ওইনবা লাইরিক থর থরদং ফংডি। লোইরে অদুনা। ফংহোত্রবদি অমুক লাকপা ঙাই হায়, থর মীরক-ত্নিবা ইমুংগী মচামশূগীনা মরম্নাই চেল্লি হায় তৌবা ভাববনি। ঐখোয়গীদি মাখো অমা—হাওবম শ্যামসুন্দর রিটায়ার্ড ডিরেক্টরগী মপাবুংনি, ইবোতোম্বা কৌই—জোনষ্টোন স্কুলগী ওজানি। ঐ পাস ওইবদুদা হয়াউদুনা অদুম্পুরক্নে। নিম্ন-প্রাথমিক পাঠ, যাদবচন্দ্র পাটিগণিতনচিংবা হন্দু হনবা, চাউরা চাউবা—লাইরিকশিং পায়বা ফংবগা ইশাগী তম্নবনি, তমগদৌরিবনি থনবগদা হুঙাইবগী পন থেংথি অঙাং ওইরিবা ঐগী থম্মোই। অনৌবা খোনা, অনৌবা ঊচঙা ঈরোয়ননা তমথি প্রথম শ্রেণী।

হুঙাইবমা, মাম্মোনা লাইরিকশিং হেক পুরক্তুনা পীরবগা ঐনা হুঙাইবোই করিবোই ফাক্তুনা শারে, থেংনরুই কবিতা অমা। পাই ছন্দ পান—

ফুটিয়াছে সরোবরে কমল নিকর
গুণগুণ রব করে মধুলোভে মধুকর।

ইথোনা হংশিক্লরবরা তাকপিরে অর্থ। অর্থ থঙবদগীদি চীন্দা পকপা অদুম হোরে। অর্থ থঙদোকপনা মুখস্থ কোম্মি থঙবগুম তৌথি।

নিম্ন-প্রাইমারী স্কুল পরীক্ষা—

নিম্ন-প্রাইমারী স্কুল পরীক্ষাদা থিত্তুং কোয়া থোকপসি পঞ্চম শ্রেণীগীদনি। মশিমদি ওজাহনগা ওজাতোনগা অনীনা লৌই। অতে চতুর্থ শ্রেণীগীদগী প্রথম শ্রেণীগী ফাওদি লোইনা লুনা থোকই। ইনস্পেক্টোরেটনা লৌই। রেষ্টেজ চাউ-রবদি ওজাশিং রানিং চায়। রানিংদ চাবদি কবু কৈ, ফাইন চায় হায় নত্রে ইনক্রিমেন্ট মৈথংজি হায় থোক্লিবনি। লুদগী লুবনা প্রথম শ্রেণীগীনি। প্রতিযো-গীতা কোয়ৈ, ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষানি। ছাত্রগীনা থোং চাকথগা চেঙ মেফক্তা পৈশা থরীদ পীরিবৈ, পৈশাগী ঙাতোল রাখৈদগী চামফাও হেন্না তৌরিদৈ মতমদা

চহী অনী থাগী লুপা অনী অনী বৃত্তি ফংগদৌরিবনি ; ওজাগীনা অঙাংগী পাশ পার্সেন্টেজ চাউরবা, স্কোলর্শিপকা ফ্রিশিপকা ফংবা য়াম্লবা, তলুবতা পুম্না থর হাপ্লি হায় নত্রে ইনক্রিমেন্ট থর মাঙজোননা পী হায় অমা থোকদৌরিবনি। অতুনা ওজাম্ব ছাত্ৰম্ব অনীমক পরীক্ষা অতৈদগীদি ছাত্রবৃত্তিগীসিনা ইক লুনা তৌই।

ওজাগীদা লেকপা—

ঐথোই মতমদা স্কুলগী লাইব্রিক হৈবা য়াম্না তাঁডি। অহৈবা থরদং লৈবক্তম্ব রাজ-সরকারগী থবক তৌবা ঙাক ওইনা তৌই। 'থঙদ-হৈতবা হংফম থোইনা লৈতে। ওজাদা তাইনবা নত্তনা •গত্তি অমত্ত লৈতবনি। অতুনোং ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী মতাংদা ওজাগীদা অহিং লেক্তুনা তম্বগী প্ৰথা অমা চৎলকই। ওজানম্ব হয়াউ হয়াউ অবাতম অতুম পুরকই। মশাগী স্বার্থগী ঙাক নত্তে, ওজাগী সম্মান ঙাক্লবনি, মসিমক্লা মরুনি।

মেয়া লোইরে। নোং থয়ে। পরীক্ষা শ্ৰীপঞ্চমীগী অতুরাইদা তৌগদবনি। কেক্লবগী বা হৌদোক্লয়ে, য়ানরে। ফক্লাংগী শীংগী, অহিংগী থাউগী, অথামনগী ওইনবা ঐথোয় মঁকোক্তা শিকি শিকি চেন্নে। অথোকপা শেন্মথৈ ওজাদা পীশিন্নে।

মতম অসি পোৎ যীনা হৌডি। মতেক পাই চৎলি। মতেক পাইদি লায়বু লায়রতুনা শেন্মথায় চৎলি। অনাগী বায় অমা মথায়গুবনা কোনবা শীঁঙূৎ মপুল তরানীথোইগা তৌরি। বাচেৎ পয়াম্ব অতু মঙায়। থোক্তী বাচেৎ চাম্বদা শিকিহমগুবা, পয়া মীহাৎ অমদম্ব অতুরাইগুবদ অতুম মচৎপনি। থাউম্ব অঙকপা ফংনা হৌডি। বাগী, হাথী (হাতী), ফুল—মার্কা অতম চৎলি। হাথীদি অঙৌবনি, বাগীদি ঙাওবরা ঙৌবরা কাউরে। ফুলদি ঙাঙ-শারে নাঁডি। হাথীসি ৪।• ওবরা পী, অরেম্নদি কাউরে। অতুনা শিকি চেম্লিবসি চাউরবনি। শীং, বাচেৎ, পয়া, অথামনগী লোইনা কায়থোক্লগা ঐথোয়না লেকপা থা অহমতুগী থাউগী হেন্দোক্লা অতুম কোয়রবনি।

ঐথোয় ওজাসি প্ৰতাপগড়দগীনি। থোমত্রায়ি। ভুবনচন্দ্ৰ কৌই। নোর্মেল স্কুলদা তম্নকপনি। জ্যোতিষী ওইনা থোইনা মমিং চৎলি। চুম্না

কলিত খর স্নবা আম্বস্তরি পক্লেংগী মীশক নত্তে, গণিত নীংথিনা হৈবা মশক-নাইবা জ্যোতির্বিদনি। ডাইরেক্টরী পঞ্জিকাগী অনুমোদক পণ্ডিতমশুলীগী মীশন্নিনি। মৈতৈ পাঞ্জিনা ঠিকুজি (জন্মপত্রিকা) দা কাঁচা পাকাগী মহন্তা আতাহ পরাহ শীজিন্নথিবসি ওজানা হৌদোক্লবনি—ওজাগী অবদানি।

ওজাদি শেন কাবক নীংথিনা থোকই। ওজা ওইনা থাগী তলব ফংডি। মাহুক্ষ হেন্ড পণ্ডিতকৌনিনা মচাউরিবনি। পাঞ্জি ওইনা নোংমগী খর খর থোকই। মশক নাইবা শেনকমস্থু অতুম মরাওরিবনি। ছাপাখানা মচা অমগী মালিক অমস্থং কারিন্দা ওইনা থাগী শেনশক খঙনা রাজ-সরকারদগী অতুম খর খর ফংডি। মতমসিগী মণিপুরদা প্রেস অনীতনি—অমনা, রাজ-সরকারগীনি; অমনা, ওজাগীনি। অনীমক হ্যেণ্ড-প্রেস ঙাক্লি। অতুনোং ওজাগীস্থ সরকারগী থবক শরুক চাউনা তন্তনা অতুম ফংডি।

অতুবু, ওজাদি পণ্ডিত্ত পণ্ডিতনি। চন্না হিংবা লূনা চৎপনা মাগী মিৎ-য়েংনি, পান্দমি। কেবা মৌবা, শেৎপা চাবা, মুম কৈ ফজবগী রাখল থোইনা ভৌদে, করি চঙবা হৌনৈ—চঙদবা য়াদে, অতুদনি ওজানা কন্না য়েংবা।

ওজাগী মুম কাকৈথেন্দনি। কৈথেলগী মথাগী পরেংদনি, তোংজৈ মরিলগা অতুম ডাইনরে হায়রবম্ম য়াই, লম্পাক মচা অমত্তনা অতুক থনবগুম তৌবদনি। ইংখোল মচাউই, ইপিক পিকপা নত্তে। অরাং-থংবা শরুক চাউনা পম্নগা থা-লমথৈ নক্লা মুম-কৈ শাই। অরাং-শঙতপ-কোম্নবা মুমজাউ মচা অমা, রাগা উগগীনি। মতুদা লৈরিবা ওজাগা ইন্দোনগা মথোয়না কোনবা মচাশিং থোকপা পুংগক চাউরবী ছুপীমচা অমগা মথোয় অহমদনি। থাদা শঙ্গোয় মচা অমদা ছাপাখানা ওই। নোংপোক্তা মমাঙ-শঙ্গোয় মচা অমা লৈ। মাতুদনি কুম কুমগী ছাত্রশিংনা হেক হেক লেপ্লিবা।

ঐথোয়না শেন পীশিনবা হুমিৎ অতুমক্তা, ছুটি হেক থাবগা, ঐথোয় মরাম পুক্নুনা ওজানা শীংজমৈ কৈথেন্দা শীঁঙুৎ শীংনাং পম্না লোইনবা লৈরে, ঐথোয়না অতুম ওজাগীদা ক্লোরে। থাবস্থ নোংমা নীনিগী মঙ্গদা ওজানা মী নেক্নুনা অতুম লোইরে। লোইবগা ঐথোয় অমনী অমনী পুন্নুনা হিদাল থঙদে ফিরোল থঙদে অরৈ-অরৈবা য়েংহুনা হোরে—থারে। ওজানা হুমিৎ অমা য়েং হোরে অতুম লেকপা।

তুংখিল, তুমিংনা যাখোঙ লোয়নকপা অহুবাইদা, তমিনাংগী ওইনা মীক চায়। অনক-অনকপা অমনী অমনা হোৌনহুনা সন্ধ্যা তমুন তমুনা তহুরাইনা অজাগী য়োনবা চৎলি। য়োবগা ঐগী ঐগী ইফমদা মেট, কাপ্‌, মাইখিক লাইউ লোইনা খম ঐখোয় ঐখোয়গী পোত্মেন থানগৎলগা মমাং পোকপা মকম অমদা ওজাগী মফম সেমদুনা থমি। সরস্বতী পূজাগী লীলা তথা হৌরিভৈদদি লাইরিক ওস্তানা তথা হৌই। তমিদাংগী চাব-থকপা লোইরগম অমুক ফনা কুইনা তমথে। হৌরবা মতমদদি ওজাদা হলক্কনা চাব-থকপা লোইরবা মতুংদা হেক হেক তমি। মমাওনা লাইরিক লাইউ অখঙ-খঙ্গ ঐখোয় মশেল অতুম হংনে—খোংনৈ, অকক অতুম হোংনৈ, থজদবনা ত্যাইয়। ইমাই ইমাইদি লেপ্পি ঐখোয়, মুক্তা লৈ—খাংজ পরীক্ষাগীনি।

খাংজ পরীক্ষা—

নিম্ন-প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী তাক্লিমনি। প্রথম শ্রেণীগীদনি। খাংজ থাংজদা তৌরবা চৎপনি অহুম। চে-কলমগী পরীক্ষানি। বিষয় খাংজ শূদিং হোংঙি। চহী হৌবদগী এলাহো (allow) পরীক্ষা ফাও ক্যায়দনা অহুম চৎলবনি। স্কুল মচংগী পরীক্ষা ওইরবস্ম খাম্মা চেকলিঙ্কি— পরীক্ষাদ পরীক্ষানি। চে নিংথোকাবা নিংথোকাবদা হেক হেক মথোকুই। বিষয় বিষয়গী চপচাবা পাউথমচিংবা নীংশিনা তাকই। জ্ঞান মায়া ওইনে।

তায়—

খায়নচে, শিদ্রে অম্ভাং শুকদু। কোলি, য়োকই, মেখি শুরুনা মখোয় লোইনবা। তখি মহে—জ্ঞান, বিজ্ঞান, প্রজ্ঞান। হাকই, "শিক্ষাগী পান্দম —মানি, থঙ্, অকবা মশক খঙবা, অফবা তানবা; পান্দমগী অরোইবনা ভগবদ্দর্শন।" "ভগবান্দি সত্যনি, মঙ্গলগী মশক্নি, ফজবা কৌবদো মহাক্নি; মপাংগল-লৈতবনা··ফংদে মাদি থক" তাই মতোল—

"সত্যং শিবং সুন্দরম্।
নায়মাত্মা বলহীনেন লভ্যঃ।"

কাম্মি তম্মা মনাকোংদা মন'কোংদা; চীনগোই, "কাউরু- এক হৌক॥".

"অসিনোং, হকী চাং লেপ্লেনা থম্বা হোৎনবদা, থঃ, ধর্ম সাধনগী মঁতোইনবা থোঁডফম্নি"—থক কাউকদে,

"শরীরমাদ্যং খলু ধর্মসাধনম্।"

"হৌজিক্কি, নখোয় থিবিক কুহিংগা অমত্তনি। কুহিং মপা পোক্নি, কুইনা চত্তে। মৈ ইরুপা কল্লি, থাডি—কুইনা চৎলি। অদুগুম নখোয়গী তপস্যাগী মৈদা নপা নপাগী পাংগল লোকদবনি। হকী সয়োল বীর্য্যনি; বীর্য্যনা জীবনী শক্তিনি—মাঙফদে অরেম্বদা বীর্য্য, মাঙংনবদে"—কাউই থক,

"জীবনং বীর্য্যধারণম্,
মরণং বীর্য্যপাতনম্।"

পাহিপ চাকচা সেম, মিংসেং চাকচা কক, মত্মা কাম্বনা চেৎসী পুক্নিং-হকচাং তুনা থথোই লোইনা লেংনা থম্না চৎ ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌদুনা বীর্য্য রোক্পগদ্রি, পোক্নমল মাঙনা চত্তনবা তৌগদবনি" ডাকপগা তোয়ননা পী অদুংদা ব্রহ্মচর্য্যগী দীক্ষা। চৎলি অদুগী ব্রহ্মচর্য্যধর্ম গুরুগী চমজিং অমত্তং মিংথোং মথাদা। লোইবা নত্তে অসিনা। তাকই, "পুর্ণিমগী মপক কর্ম্মনি, কর্ম তৌদনা কনামত হিংবা ঙমদে মিকুপমক্তাও। কর্মগনা ম শুইবনা থিবৈ উয়োং জগৎ-সিদা।" তথি মশিল। অদুগী থুপিং পালি নাইনা মুখ কোই, ইংথোল পুই, খঞ্জেন মনডাক চৎলি। চৎনবি মঙুংইন, ছত্র (মেমপাক) তুখুনা তিকা চৎলি। মাহুমকী মখোয় বিত্যার্থী ব্রহ্মচারীবু ছাত্র (মেনপাক কুমা) হায়রিবু থঙনেবনি।

মতমতুগী লোঙংকা হৌজিকীগা মাম্না পৈয়ে। মতমতুদি সেবাগীম থোকদা দিংতি। লোংমগী পঞ্চযজ্ঞ কায়দে। মুখজাদি অতিথি সেবানি। পারাপী ব্রহ্মচারীমচিংবু ওকই তরাম তরাম, হাম্নি তিকা হমাউ হমাউ। জগৎ-কল্যাণগী অঙথা অবদামি তৌনৈ। অদুনোং বিত্যার্থিসিংনা মখোয়না বটিকুক ভাইকরিবা গুরুগী মতেং থমদং ওইনবা পীমদুনা তিকা হেক হেক চৎলি। অদুগী গুরুনা সেবনি, মপাদি পোকচবনি, হকী অদুনোং অজোঙা মপাদগী গুরুনা, ই মনুসংহিতা—

উৎপাদকব্রহ্মদাত্রোর্গরীয়ান্ ব্রহ্মদঃ পিতা।

মৃত্যুদি ওয়ে—হীনা শাখিনরি। অদুবু, তায়রেনা রামায়ণ-মহাভারতা হৌংকপা পাহকপনা মতম্না কনা হীনা থেম্না থোয়না চৎলকাও থবগী মথেগি অদুদা অদুম মাহৌংনরি, মপাম্মরি। মাদুমক্কা ওহাগীদা ঐখোয় ছাত্রনা ইকোম কোয়া চেক চেক হায়নরিবদুনি, লেকপা চৎনরিবদুনি। মাদুমক্কা ওজা-গু মশাগী কায়বা থোইনা লৈননা রাইচিনব', অৱাবা লওবদা থং ফুলদা তখিবগী মথক্তা অমুক মুমদা তখিবগী অরাওম পুদিবদুনি হৱাউ হৱাউ। নাংশিংলি ওশি ওজাগী ঈংনা হুংশিংগী মনক, উবওম পৌরি শংশং ঈংবা নিংথমগী অহিংদা শামতুগী য়োং টুপি অমা উপ, বৃন্দাবনগী শামতু দখল অচৌবা অমা ইন, মতম্না ব ভাং খুদিং সোরগী মৈথু কায় অহিং থেংলকাও লাইরিক তখিবা, অহ তাকপদু। ঐখোয়গী অংশায়বা থেংনবা খুদিং "খিবোৎলোয় শোয়ে শোসে'াসদা" লোহকাইনবা থাওম হৌংশিনা মেমোয়বা ওজাগী মায়থোং ওলিদি কাওবওম তৌরি, কাওরি মিথক্তা শংশংদ শংশং।

শিঙ্গরি থওদে কৈদগীনো মিত্তা পি—
বপ্পুনবা থরায়না ওজা কাউবমল,
নত্রে বৎসুবরা পিনা ওজাই তর্পণ
শিদৈ শিঙ্গরি শেপ্তে শিদৈ ঙ্গুমা পি।

মশমা ওনবা মতুং ইন ছাত্রগী পুনশি-থোওথমমু ওয়ে অদুম। কনা থোইনা গুরুগৃহদা চত্রে। মুমদা লৈনা তয়ে। ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমগী বা চত্রে—চাইরিকাদা ওইরে। অদুমকপু ঐখোয়গী মতম অদুমক্তদি ছাত্রদা ব্রহ্মচারীগী কংম থব অদুম মংৈরি। তুংইন, মথোয় ব্রহ্মচারীনা কংনবা মপুং ওইবা অয়াম্ম ফজুত্রবম, ঐখোয় ইশা ইশাগী ইদৈ, ইশিনগী থোওদা ইপুজেং কাবক পুমবা হো শক্তিনাচংবা থবগী মথেদি অদুম মকংনরি। মাদু ওকাগীদা লেক-শপগী অয়াবনি। চংখিল অথেওবদা চারা বাঙ্গগা মমকাত্রিটে ওজাগী য়োনবা হুমিং খুদিং হেক হেক চৎপা, য়োবগা কমুং কায়ুং থাজিন-থোমিনবা, মৈ হুং থানুগৎপা, অচাই-চাইদ য়েং-থোৎপা, ওজাগী খুদা য়েংশিনবা, ওহাওং শোয় হোলোক্ষগা ওজা হাইদা ওইনা লাইরিক্তা অহয়া ঐনা পায়নাংবমা পায়বা, অথও-থসে ঐখোয় ইশেল ভাথোক তাশিল হৌনবা, ওজানা তখিবা মতমদা

থঙ্হৌরগে হৈহৌরগে মতা পুরীং চঙনা তাবা, হোৎনবা, লোইচনা ইমুং চঙ্ষবা তুং তমখিবা তাখিবা 'পুথা গুহাক সেংশিন-নাংশিংবা—পুরমক অসিনা ইশা ইৎনা চৎপা তমখি—ইৎখি। অতুকা অমুক ওস্তাদ চংশীন হৎকপদা হৌই। হৌবগা কমুং ফারুং লোইশিন্নি। ওকাগী ওথাঙ থেংনাং, কোংহাং কোনম্বা শিঙ্গোক-শেংদোকই, তুলসীবোং মাংগোল হৈথোক-নাংহাকই। অচুম্বগীদি চৌন-খা শেং যিৎ-মায় তাথোক্লগা লৌচিন্না পুক্নম মন্না থারে থাবা, উন্না পুমডৌ ওটোনা চাবাক চাবাক তারে তানা শাইরিক কোন্দুনা শিং-শি চৌং-চৌং অচুম লাকই। মতম্না লৈরগা মুম হৌই হৈরুগনা চুমহিং অচুম স্কুল চৎলি। অরাম খোরাংবনা পঙলাক চাকথুদে, অতনবগীদি শক সুকথঙ-থঙনদে।

চহী কুন গুরুকুলদা ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌ সাধন তৌরবা কায়িক, মানসিক, আধ্যাত্মিক শিক্ষাদীক্ষা কয়া ফংলবা তুং লাকপা মাংকা মতম মরম পুম্নমক্কা মপুং মরৈ ফাবা অচুমক্তি ঐখোয়গীদা ওইথোক্তবনি, হকচাঙ্বু ওইবা য়াম্বনি। অদুবু, শিক্ষাব্রত-চৎপা ঐখোয়গী ওকাশিংদুনা ঐখোয় ছাত্রশিংগী পোইরৈ য়েংনা চৎপিমল, ঐখোয়না চহীগী মতম থব থবদগী ওইরবস্ত ইশানা হৈনিংনা অরাম-খোরাং কয়া কক, অচিক-অশা কয়া থাও ছাত্র-ছাত্রীগী ধর্ম চৎলম্লল, ওসিদি ঐখোয় ইশাদা থবক্তা হৈনিংবা, থবক তৌবদা খোমজবা, পায়কবা থবক লূনা তোইবা তানবগী লীচৎ অমা অচুম মপক্লবনি। ওসি তাবতনা লৌহৌনা প্রচার তৌরিবা বায়িক শ্রমগী গুণ ঐখোয়দি হায়না অচুম থঙনা চাক্লবনি। নোম্বা হৈনখিবা; য়াহৌ ওনখিবা; অচিক-অশা, অরাম-খোরাং থাওবা তমখিবা; চাইরিক চাইহু তৌবদা খোংজবা তখিবা; ঐখোয় ছাত্রশিং পুন্না চান্ন-চিন্নবা লৈমিন্নখিবা তুংইন মচাশিংবা হৈখিবা অসংহৈবা কয়ানা ওসি ঐখোয় কাবকপা মী অমমম ওইনা চৎলি পুরুশিংগী চমশাংদা অচুম। ব্রহ্মচারীশিংনা অকনবা অচেৎপা লাধম্না মশাবু মপুং পুমচল চন, মশান মশাগী মরম মরূপ ওইনা চৎলম্লল অদৈ আশ্রমশিংদা উৎলা অচুম পুরুশি খোঙ্জকরে। ঐখোয়গী খোঙ্ষমচুম মখোয়গী থুনায় থরূগী মথৈ লীবজম খোক্রবরা ইশানা ২র মথৈদি ইশাগী মরূপ ওইনা চৎপজম তৌই, য়েক্লবম কয়া পাংবে।

[illegible]

বহু [illegible] জিতঃ।
[illegible] শক্রবৎ।
([illegible] মপানা মপাই [illegible]।
[illegible] চৎলি মপানা [illegible] [illegible] মতম।)

হায়বা ভগবদ্ উক্তিগী অর্থ খঙবখঙবা খঙবখঙব ভৌনা চৎলি অহুম পুনশিং খোঙভম। অমুক অমরোমদনা, পুনশিংগী নোংখু-নোংশাদা পুক্নীং থোইবা চাংখুবা তৌদনা চৈংজপ অহুম খোঙফমবা ওমি। মাসি পুক্নমদি ঐখোয়গী ওজাশিংগী অবদান ওক্নি। মখোয়দি অপোকপা ইপাদগী হেন্নবনি। কৎলি অচুনোংঙসি মখোয়গী স্মৃতিদা শ্রেমগী তর্পন—মিৎকী পি।

[illegible] অজাইদা। [illegible] চাংখে পরীক্ষাগী [illegible] [illegible] ঐখোয় [illegible] [illegible] লৌই। [illegible] কডিঙৈদা? পুক্নীং [illegible] [illegible], [illegible] ঐখোয়না [illegible] [illegible] ওজাগী [illegible] [illegible] [illegible] অহুম [illegible]। ওজাগী অয়োকপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] ঐখোয় [illegible] [illegible] [illegible] চইবা [illegible], [illegible] ইনমা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] ঐখোয় [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

১. [illegible] ১৯২৬ [illegible] ঐখোয়না পরীক্ষা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পরীক্ষানি, [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] প্রতিযোগিতা [illegible] ওইবা পরীক্ষানি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible]। [illegible] প্রতিযোগিতাদি মখোয় কোক [illegible] [illegible] ওইনা অহুম [illegible]

[illegible]

ঐখোয়, অহাংবাদি শ্লাপ্প ওইনবা লমদি। বৃত্তিগী, ফি ছাড়গী বাথলগী পু হায়রম্লি।

দিতীয় থোকপা তুংবা মতুংদগী হুংখিন হুংখিন কায়দনা তখিরক্লে। প্রথম খোংচিবিদনা ওন্নংবা হুবিদাং হুবিদাং অমুক কায়দনা তখিরে। ঐখোয় অমাম্বা ইমুং কারক কারক ইংগা লোইদা প্রবক্তা থোরে, পরীক্ষা পাস থোরে। ঐখোয় ইখায়ক হোস্টেলশিপ, ফ্রি-স্টুডেন্টশিপমক মসংবদ কার্ড ডিবিদনা মনা মাহন্না পাস থোই।

পুরীক্ষা খোইবাংথোর উচ্চ-প্রাইমারী স্কুলদা হায়দোকই। এডুকেশন মেমর, ডেপুটী ইন্সপেক্টর অব স্কুলস, সেকেণ্ড ইন্সপেক্টিং পণ্ডিত, ডিপার্টমেন্ট থেকে এমেস্টে লোইনবা খোইবাংখোমগী ওক্তি। হয়েংগুবা হায়দোকপি কারবগী ফাংগ থবনবনি। অমুকগী অহুম শঙলে। হুমিং থংলমদাই, তোজি কাপাবেঃ উত্তর্ণ হাদিকাগী প্রাইমারী স্কুলদা ওবা লোই, লোইবগা ঐখোয় অপুনবা মংগ থবনবনি। চেকে মুখে হবাউ হবাউ, ওক্তে পাউ—হবাইবনে; হুংখিদনা থোরে ওজাশিংদা ঐখোয় অমনী, খুরম্নে—পীনরে ওজানা হুংশিনা বা "প্রাইমারক-ঐবা ওইরে", নারি মখুনা হেক হেক ঐখোই কোক, হায়, "শুপ্রবোইদো: এখোয়গি অমুক," মখোন তমপ্রনি—মিংলুদাদি শিরাং। হংশি-নবোইবো মচা মঙা ঐখোয়বু পাম্নবা ওজাগী পখোই। কদায় ঐনিংদি! লোয়বা থোরবগী ঐখা তমবা, খাক মচু শিংবা তারকো মাং করি মিজেন্দ্র-চাহনা নখোই লোকা হেংথাখবদ্রম হেংথানাংনুই থখোইনা ঐনিংদি ওজা-শিংগী মহৈ পুখোইমক লোক যে—

ঠেংনা চথেং ওজাগী চানগোম,
ঠেংনা মায়েম্ নাজগী তমকজি,
মুথেম্ব লোইনা ঐখনি মতমগী ঐখোয়।
করি শারাগ থবিবা নংনা বিধাতা।

ঐখোই খতমনা উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল থহনথকপি। থকমগী মতুং ইন্দ, মাইকেল, খোইমাংখোর, চৌংবা উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল হায়গা চংবি। অহানবী মমীনিংদি উমব থুইবনা, অমোদি হায়বা ওমদেং। অকোনবনিদি ঐখোই [illegible] লিনবন্দি। "[illegible] লোইমগী মতাং থমীক অমত অমত" লোইবফামগী

ফিংদবা য়াম্দুনা তমিং ওইনা লিংখিবনি। ড.মদাং মতুং ইন, এডুকেসন ডিপার্টমেন্টনা এল-পি স্কুলশিং স্কুল অহম্মসিদা য়েত্থোকই। ঐখোয় পেরিপ্ স্কুল ছাত্রদি যোইয়াংখোমদা তাই। পরীক্ষা হায়দোকপা মতুং লোংয়া কোনবদা মিং চনবা অদুম থম্না চৎলে। চমিত্র, স্কুলগী সেকেণ্ড মাষ্টর ওজা মণ্ন অচিং লৈরম্বুনা খোঙ ফিনলয়ে। মখং চমিত্রা অমুক কারে। কায় হায়-বদুমঙায়, করিমত কায়দে। ওজা অনীথক ঐবদা অম' কৈ য়ুম্'ননা লোংমজুদ নত্তুনা তরানি মঙানিদি মকম ময়াং খোইনা থঙনা অদুম চৎপা লৈরবনি। অদুদা অমুকস্থ শা'থনবা, মহম অমপা তল্লাক চাকখি। এল, পি, স্কুলগী ওজাশি'না ম'লৌ লৌশিন্দনা মখোই ময়কগী চহাদস্থ মহৈদস্থ মত্রিকচাবা য়েং প্রয়োগন ওইনা হায়িনবা অর্জী অমা পৌইরম পৌখি। তুংইম, ওজা মহৎ থংহাপ হায়া য়াম্দুনা ফনা শাংনা মগুং তাংদন চৎখি স্কুল। মমৈগী ম্যা নঙ্গল ওইবা ল'ইক্সিক্তস্থ য়াবা থক্লকপদা নাউরেম লৈকাই স্কুলগী হেড পণ্ডিত মাইবম তম্ফা তাখি। ওজানা সেকেণ্ড মাষ্টর ওইনা চাকখি। ওজা চাকচেনদগী চথখি স্কুল নীংখিনা অদুম।

উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল হেক কাবদা অঙাংদ মহাং ওইবগী পুনশি-খোঙতমগী চৈথৈ তাংঙম তৌখি—তাখি। অঙানবমক্তা, অমুক চায়' থর মাহপা ওজা অদুকনিনা স্কুল কায়বা তোক্লে। ঈক-মায়থদুনা চাকচন চাংগা চুখিনকিনা পুং তরা ন'নবা স্কুল কায়ে। লাইরিক ম'মস্থ হোংলে। লিয়-প্রাইমারী স্কুলদা ওজামগীং ম্ং'পনা মথাগী ক্লাসশিংদনা অনী নম্রে অহম ফাদোং লোৎ-দগা ফাদম ওইনা তম্বিবা মথকী অমথক্তা অরুবনি, ওজা অৎলনা কোয়বা মতৌত্থ কৈত্রে। ঐখোয় ক্লাস থ্রি, কোর অনামক ক্রম মাইনা মতম অকক-অবয়না ওজা অনীমক্ক! মাগী মাগী বিষয় শিয়-শিয়া তম্বিরে। মখক্তা পুংথায় অমা পোথাই। পুং অহমদা ছুটি ওই। শামবগী মরুঙামদি কৈতে। অদুবু, জিয়াসংমদি লৈ, জিয়াহ্রিবস্ ইন্ত্রুক্টংস্থ চংহোখা অহুক নহুক লাকই। ঐখোয় থরদি শাজবা ওইনা পেয়েরেল বারশ্চ হোরিকক্টং স্টম অ থা দি অদুম তম্মি। অদিদি তয়াইবনি, মপাহোংগনি। কৈরি মহুদা অমা চমগ্না খোক্তবা, মী ওইবু মতা লাকপা পরেংমা। নুবা হেনবা মুচক মচনা লাকপতম তৌখি—কেবা মোবগী বা মন্ত্রে। ইশা থবাগি অঙাইথ নুনাং, ইকি ইরোল

লেংথি মাবমৈথ ঐশিং মনম নম্না ; থম্মং চাবা থকপা চাথি থকথি লূনা লেংনা। বমথনা নিসর্গদা, নিসর্গগী লোৎলম্ন থুদিংদা মাধুর্যা য়েংবগুম য়েন্দ্রবা থওদে দুবনা পুনশিদা, পুক্নাং হকচাং থম্মোইদা পবিত্রতা (পুণ্য পোরভায় ওইবা অশেংবা), হিংথিবগুম পানথিবগুম তৌথি অত্তাং ওইবা পুনশি লূনা লেংনা পুক্নাং হকচাং ভুনা থম্মোই। তুংইন থজুম থজুম তৌথি লূবগা লেংবগা লৈনবা মরী। থওলে অতুম পুনশিগী থোঙতম্না থম্মং চথরকপদা মুকথা-থানবা মাদবা মরীনি। মন্দির অশেংবা মকনি। মোংলো—লূমন্ত, মকথৈ—মকশিন্নি মপাগী অশেংবা ; মপাদ মরুপা, মপাগী অশেংবদ শিথমগা লোইবা নত্তে, লাংলিবা অশেংবগী মশক ওইবা লাইদা লোকই। লৈচিম্না কুপ্না হুমিৎকুম থোকই— মরুপা মকই, মকথমগা মকথৈ। লূয়ো—মোংলম্ন, অশেংবা মঙাল কায়। মাওই তুংইন চাইগী মশক—অশেংবগী শক্তম। হেন্নি তম্মং মঙালগী মশক ওইবা কোংলৌনা অশংবা অতিয়া মকোয়মুং। মীওইবা ঐথোয়গী লেহ চায়বদি ঃন্দিরগী মশক্নি—মন্দিরমক্নি, হেন্নিবনি চুংপা জীব—ভগবদ্‌শক্তি অমা। লূবা হেনবনা কন্নি লাইগী মশক—অশেংবগী শক্তম। হায়নৈ অদুনোং—

Cleanliness is next to godliness.

(মানি তক-তংংনবা লাইগী ওইবা অশেংবগী চমথং)

হায়নৈ অদুনা অমুম্—

Cleanliness is the pearl of the first water.

(মানি তক-তংহেনবা তম্ফাকোননা তম্ফায়াই)

হঙ্গায়ীনা লূনা হিং লেংনা পান মপাবু মপাগী চায়বা মরুপ ওইনা থম জানবী জথাদা চঙবগুম থোকথি ঐরেংলম্ন থংগী মথে। লাইবিক হৈবা অমা ওইগে মাগা মীমায়গে হায়বগুদা ঝাথয়া প্রোকথি পুক্না। হোৎনথি তুংইন, চমথি পুবা ইপুজেং। ঝাথল কিদম মিৎয়েং পান্নমগী মতুং ইন মুৎম্রে অঙাংগী কঙাওনবা শাজং হুমং, চংলে চ.ং লেম। থথি মাংথিনা ওজানা শক।

নিম-প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাদা ঐ চুমদ পাশ তৌবকপনি। ঝোলা-শিশম ক্লিন্ট্রেক্টশিশম অমত্ত ফংংকে। অদুবু ক্লাসদদি মথোয় ঝোলাশিপ হোত্নমশিংগা ঐপা ওজানিনা থাক অমতদা পুক্নবগুম তৌথি। ঝোলাশিপ

হেক লাকপদা হেক্ত কৌই। ইকাইবা নংবগৌনা থোকই, অতঃ, ইথৌদি শখিদবা নত্তে, শখি থা খুদিং হেক হেক। মেপাধি, হুখি পুন্নাং উচ্চ-প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাদদি বৃত্তি ফৌগে। খাসিনরুহ লাইবিকা থজার হেক্তা রাওশিনখি।

থিয়াম রাধাকিশোর সিংহ—

মোইরাংথোম উচ্চ-প্রাইমারী স্কুলগী হেড মাষ্টরনি। স্কুল তাওবা মতম ওইবনা ওজাশিং অমাংবা মশক লাইংদোনা চৌই—ইথঙ খঙনবগুম থোকই। ওজা রাধা হায়না চংলি—খঙনৈ। ওজাহোর পেন্টিং স্কুলগী হেড পণ্ডিত থোমত্রাম ওজাহোয় মখোয় অনিমক্তি ওজাদা ওজা ওইনা লাকখিনি। কিন্না লৈ, তম্বিবা হৈ, শাউবা খঙদে, ঐখোয় খুন্নয় পুখন্না থোম্না লোয়না চংলি। রাখকপা ওইনা চৈ থিক্তং থাংলকপাওন্না নোব-নোক ও।. অপঙংগী হিকার থিক্তং থাদবা মান্ত্রেদনাগা হায়বা নোক্নাংবা অর্থদি মায় লৈবা বাঙংবা কোনা থাই। অসিম অসিনি। মতম, মখোয়গী শিক্ষাদোকানা মখেয় মপানা রাখল ফিদম মিংয়াং পান্দম পুন্নশিশী অর্থ মথৌ রাংঙি; ঐখোয় থ মপা নাংথিবা ফিদম ওইনা অতুম থোকই। মখোয় ওজা ওইবদা চঙাকখে। "মী অমা সেম্বদি লৈবাক অমা সেম্বনি" হায়বা খঙনা চংলি। মপাগী থোক্না য়েংদে, ছাত্রগীদ য়েংঙি। স্কুলদা পোখাদনা তাখরুই, তাখরে হায়দুনা সুমদা চাকপা ছাত্র মাথোকপা তৌদে, চপচানা 'হনাই হাকই' অতুম তখি। তাপস অমনা মপাগী ভাপত কৈদা পোত্রথিখি মত্র 'কিম চংপগুম চংপনি অতুম ওজা ওইবগী ধর্ম।

ওজাগীদা লেকপা—

নিম্ন-প্রাইমারী স্কুল ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী মহৈদা ওজাহনগীদা ছাত্র মরাম লেকপগুম উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী মহৈদসু ওজাগীদা মরাম অতুম লেকই। ঐগা ঐগী তম্মিনবা মরুপ অনীমগা ঐখোয় অহংদি ক্লাস কৌনবা থা অনী অহম মতুংদগী অতুম লেকৈ। ওজাগী মচা তাঙবা, 'নিপাহ লৈজদবা, অতুনোং, পাখোল ইখোল তৌবিনবা লৈতবা, অমমোমদনা ঐখোয়বা নঙ্গা লৈবা, তত্তনা চঙবা, 'খবক উনথাং' অধু-অকাই' লোইনমক হেক হেক

তৌবদগী অতুম লেকখিবনি। ঐখোয়না থা অয়েৎ নীপাল ওজাগীদা লেকখিবসি পুনশিগী নাংখিবা মওং অমা লাকপগুম পোকখি। নোংমগী স্কুলদা তম্বা পড়া তংখিল লোইনা পাই, যেংঙি। য়াচঙ মতুংদা ওজাগীদা চৎলি, ঐখে য় ইশেন থঙদবা হংনৈ। অরিবা পানৈ, অনৌবা যেংনৈ। ওজানা চাক্ম'ঙ চাক্‌ং অনীমক্তা লাইরিক থঙ্গ অক্ক থঙদে হৈরসমু মতা তখি, তাকপি তমিৎ থূদিং। পুং তরা হেক তাবদা তুম্ম'ম।

খোমদ্রাম ওজাগীদা লেকপা মম্মদগী ঐখোয় ইপ্নকখোক্লা সেবাগী থবক থর তৌবা হৌরক্লে। অতুবু, অঙাং থন যাম্না ওইরিবগা, লাপ্না অয়ুক্তা স্কুল নংনবা চাক্পা তাবগা তুম্মাঙ পেলোং থন শিং খোংপা, তুলসীবোং মাংগোল থর কৈ নানবদগী পঙহন হেন্দে। দিগাম ওজাগীসিদদি ইশাগী পাংগল খিক্তং হেম্লা কৈদে; য়ুমস্থ নক্লে, স্কুলস্থ তংখিংগী ওইবে সেবাগী থবক থর নংথিনা তৌবা ঙম্লে।

· হৌটি গোবিন্দগী মঙ্গলাবন্দিদা। চীন য়া শেংঙি। তুম্মাঙ পেলোং কোহোঙ কোনগা তক্লা শেংঙি। তুম্মাঙ মাঙ্গাল য়াই কৈপোকই। কম্বী মডক অমনবা মণগোলদগী মঙ্গী পেকলুই, থানবা মপাক মপাক্ম্ন চৈদা অশাংবস্থ সাই। কৈপাক তৌডনা ফদিগোম হরাইমপোয়চিংবা হক্কিল্লি। তুংেন্দগী কৈডোই পেক্কনা অয়ৎ অতোঙ মেনশিল্লি। পুত্রীগী কং শেংদোকই। ওজাগীনা হন্ডি-জবা থেংঙি, থেংঙি ঐখোগগীনা সেবাগী তুম্রাইবা। সেমথিনগুম থোকখি পুনশিগী শাক্তৎ তুংজৎ। তারি ফল তৌবক্লন, চারি ঈংনা ঙসি। ঙংনাংলকই হেক চেক, ঙংস্থ ঙংঙি বিশ্বকবিগী ইশৈ—

মরিতে চাহি না আমি সুন্দর ভুবনে,
মানবের মাঝে আমি বাঁচিবারে চাই।

থেংনথি থোঙভম অসিমক্তা নিসর্গগী থায়দগী-ফত্তবা পোৎলমশীংদা অমা, পুনশিগী ওইনা অনীবক অক্মক। চাখে তুনবনি। চীক্মদা ঙোক-শংবানবা মঙাল অমা ফ্লড-লাইট কাঁম্নগুম কাপখোয়ক্লগা চিকুপমগী মচংদা ঈথয়না অতিয়া ময়োল তক্লা থৈ মালং নোংজম পুমডাম্ন হেক ঙাল শায়বা নিসর্গগী কুপ্মেনি নীংথিবা, অতম্না উগে ফংজময়বা। এক্লো অশৈবনা—

লাইরেল লাবা য়াওলে,
হুইখোৱাবা চিযেঙলে,
চীংথৈ ফিথুপ হুল্লক্লে,
... ...

হায়না থারক্লিবা ফজবা ইচুংগী মফজ উথি মিৎনা শংশং মিকুপ'মত্তং, নত্তে কানীং কাস্নাদং। পোকথি থম্মোইদা ফোঙস্নদবা চঙাইবা, সাত্ত্বিক আনন্দ—ব্রহ্মগী মশক।

আনন্দেতি ব্রহ্ম ব্যজানাৎ।
(আনন্দদি থঙ্ ব্রহ্মনি।)

ফজবতুগী মঙান্দা ফাওবকপগুম তৌথি মঙ ওই হা ওই ফজবগী মশক্নক ওইবা ভগবানগী ভাবকী শক্তম অমা, থঙদে মাগী থোজান্নবা !

মী বিশ্বজগৎকা অমত্তনি। জগৎনা চাউবা মানা পিক্নপগী বাদনি। গুণদদি থেন্নবা নত্তে। হায় অদুনা তন্ত্রশাস্ত্র—

যদ্ ইহাস্তি তদন্যত্র।
যন্নেহাস্তি ন তৎ ক্বচিৎ॥
(সিদা লৈরে লৈ অতৈদা।
সিদা লৈত্রে লৈতে কৈদা॥)

"মীগী দেহদা লৈবা থিবিক লৈ বিশ্বজগত্তা, মাসিদা লৈতব'মত্ত লৈবা তৌদে জগত্তা" হায়বনি। ঐথোয় ভারতকী সমাজদা বর্ণ মরি লৈ। লৈরিবসি মী ঐথোয়দা লৈবননি। মথোয় বর্ণ মরিসি আদি পুরুষ ব্রহ্মানা মশাদগী পুথোকপনি হায়।

ইরি মনুসংহিতাদা—

লোকানান্ত বিবৃদ্ধ্যর্থং মুখবাহুরুপাদতঃ।
ব্রাহ্মণং ক্ষত্রিয়ংবৈশ্যং শূদ্রঞ্চ নিরবর্ত্তয়ৎ॥
(লোকশিংগীদু লৈচাউনবা পুথোকথিবনি তন্নমক।
চীন-শা-কৈ-থোঙদই ব্রাহ্মণ ক্ষত্র বৈশ্য শূদ্র লোইনমক॥)

শাস্ত্রগী বাক্য অসিনা তাক্লি তশেং, লৈ মীপুম খুদিংদা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্র, বৈশ্য, শূদ্রগী গুণ অমসুং কর্ম্ম। মীনা মীওইবা তারবদি মশাগী গুণ-কর্ম্মশিং অসিগী বিকাশ চঙি। ব্রাহ্মণ ওইনা জ্ঞানগী মপু ওইবা তাই, ক্ষত্রিয় ওইনা পাংগল কনবা তাই, বৈশ্য ওইনা পুক খিবা তাই, শূদ্র ওইনা সেবা তৌবা তাই। অতুনা খায়নবা বেদ-পুরাণগী যুগদা গুণ-কর্ম্মশিং অসিগী বিকাশনা শিক্ষাগী উদ্দেশ্য ওইরম্মি। জ্ঞান, কর্ম্ম, যোগ, ভক্তিগী সাধন দেহগী মংক্রা দেহগী মপাল তাংনা তৌবা তাবনা দেহপুষ্টিগী লম্বী য়াম্না য়েংঙি।

শরীরাদ্যং খলু ধর্মসাধনম্

(হকচাং হান্না য়েংলগা তানগনি ধর্ম)

হায়বা নীতিগী মতুং ইন পঙ্কুম্ভন্যায় চৎলি। বিদ্যার্থী ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌই। মাহিপ চাকচা অক্কৈ, সন্ধ্যা কায়দে। ফুম্নিক মৈদা ইক চক্ণু মশা সেম নৌহৌ অমুক তন্না মপাংগল হান্নগুম তপস্যাগী মৈদা ইক সেম্মি মংকচা, হাপ্পি নৌহৌ তন্না অমুক মপাংগল।

পুনশি থৌগাইগী মশক্লি। পোকপা শিবা অনীগী খোঙফম্না লংলা মতম লেংবা থৌগাইগী পরেংনি। লৈতে অতুনা পুনশিগী মিকপ অমত্তুংদদাও থবক হাওনা কনাগুম্ক কদোস্ক। সৃষ্টিগী পোরোলনা পীনবা গুণশিংনা জগৎ অপুম্বা খোঙভম খুদিং থবক ইন্তোদ তৌত্তুনা লৈবনি।

ন হি কশ্চিৎক্ষণমপি জাতু তিষ্ঠত্যকর্মকৃৎ।

কার্য্যতে হ্যবশঃ কর্ম সর্বঃ প্রকৃতিজৈর্গুণৈঃ॥

হেক লেখদা লোইরবনি অতম।

নিয়তং কুরু কর্ম ত্বং কর্ম জ্যায়ো হ্যকর্মণঃ।

শরীরযাত্রাপি চ তে ন প্রসিদ্ধ্যেদকর্মণঃ॥

অসিনোং হায়রম্বনি কবি টেনিসন্না মাগী ইউলিসিস্ কবিতাদা—

Activity is life,
Silence is death,
নোম্লো কৌই হিংবা,
মংলে শিবা।

অসিস্থু অসি ওইবে, লৈমি অমুম্মু কর্মগী থোইথোইবা শুণ। মীওইবগী ৱাখল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ সংবো কর্মনা ফোঁউ। করে ফনা, ফত্রে ফত্তনা চংলি কর্ম। কর্ম-কবা, জগৎকী ৱাখল মংদা পু থবক তৌবা মা লেম্না মাঙদে, চায় পোক্নমল মাং।

কর্মণৈব হি সংসিদ্ধিমাস্থিতা জনকাদয়ঃ।
লোকসংগ্রহমেবাপি সংপশ্যন্ কর্তুমর্হসি॥
(কংথিবনি কর্মমন্না জনকথোগ নাংথিবা সিদ্ধি।
থাজেন মুনাইমকী মেনশু তৌকম থোকই তৌ কর্মদি॥)

থবকী মশক অমস্তং মগুন নীংথিনা থঙমল পাম্নাখ পোৎপু লাঙ্গল কুক, জনরুচিংবা ৱাজর্ষিশিং। অমসোমদনা, ব্রাহ্মণ মতম জ্ঞানগী মপু ওই, ক্ষত্রিয় ওইনা লৈবাক ঙাক, বৈশ্য মতম পোৎপু লাঙ্গল পায়, নৈতিক-নৈমিত্তিক সেবা চংকম থোকপা চৎ শূদ্রগী মশক লো শাকখি জগত্তা লৈবনি মীপুম থুদংদা বর্ণ মদিগী শুন অমদি বৃত্তি, মথোয়গী পূর্ণবিকাশনা চায় মানা পোক্নমল। হৌখি অতুংলোং মতমগী শংকোন্দ লানা মথোয়গী মমিং। শিবা কাউবা অনাগী জগৎসিদা পো রু, পোক্নরি মথোগ চিদুপ থুদং; শক্তি, শক্নরি কর্মযে গগী শুন; তা রু, তাক্নরি মঙ্গলগী লম্বী।

লৈবাংখি শুনী কয়া কয়ানা ভারতকী চিন্ন-চিন্নবা মতাংদা—

শকখি গীতাবতার স্বামী বিবেকানন্দ—

ওঁ উত্তিষ্ঠত জাগ্রত প্রাপ্যবরাণ নিবোধত।
Arise, awake and stop not till the goal is reached.

কৌখি লৈথাং সাধক মুকুন্দদাস—

করমেরি যুগ এসে
সবাই কাজে লেগে গেছে—
তোমরা রবে কি শয়ান!

শকথখি, কর্মগী মশক্তি পুংলি, লৈতে কর্মদা অচোপ অরেম, তৌ অমা হেক্ত-

বি. এ. এম. এ. পাস করে
চাকরি যদি নাহি মিলে

শক্ত করে বালতি ধর
ছদিন পরে দেখতে পাবে
ঘুঁচে গেছে হাহাকার।

থবক্কী অচোপ অরেম থীনা থায়, অচৌ পিশক থীনা নাই সাম্যগী ক্ষেত্রদা বৈষম্যনা ঙর্শিং থীনা চংবা উ কাউখি মহাত্মা—

মূচি'মগী থবক,
উকিল'মগী থবক—
অমগীনস্থ হেক্কে
অমগীনস্থ তাদে,
থবক্কী থবক অক্কানি,
পুন্না লুবা ঙাক্তনি।

চেল্লি অত্নোং ঙসি সমাজদা লমজিং-মৈরা পায়বশিংনা, "থবক্কি অচোপ অরেম নাইদে, ইরেমদ লেমজবনি। অতনোং, ঐবাক্কী লৈবাক হৌবা লুখী থোং সেংগুবা থবক পঙ্কাউশিংদা মহাশিংস্থ শক্তক য়াই। লৈপাক পোনাং অমা শগিমা হৈ হায় হোল্লি হায চোইহ্না থবক্কী গৌরব উৎলি। করি করিগুম্বদা স্কুল, কলেজগী ছাত্র-ছাত্রশিংবু সমাজ-সেবাগী নামদা থবক শূবা তথি। পুনশি সেবাগী মশরি, সেবাধর্মনা পুনশিগী লেঙদবা, কায়ফদবা ধর্মনি তাকই। চহী খুদিং অক্টোবরগী তারিখ ২, বাপুজীগী জন্মদিবসপালনগী উপলক্ষ বাপুজী মশাগী অপাম্বা মতুং ইন অথগুভারতকী থুনগং লথা লথানা ওমতু হেক হেক শেংলি। ভারত সরকারনস্থ থরচ কয়া কয়া হৌহ্না তৌগৎলি।

পুন্নমক্সি লোকজনার্দ্দনগী সেবা ঙাক্সি, লোককল্যাণগী থৌরাং ঙাক্সি, অফবগী অফবা ঙাক্সি। জগৎসিদা অফরমদা কাখিবা পো অমত্ত লেমা চত্তে—লৈ ভগবদ্‌বাণী,

"নেহাভিক্রমনাশোহস্তি প্রত্যবায়ো ন বিদ্যতে।"

অদুবু, ওয়াইবদি নত্তে, চঙি নিষ্ঠা—পুন্নীংগী অয়ংবি অমা। মহুনা পামগা

পানবা হেহনা কেন্নগা কেথা হায়বা ঋাশক অমগী মথক্তা ·থাংবা তাই খোঙ।
অন্তুনোং তাক্লি জগত্তা অর্জুন্দা পান্নুনা ভগবান—

হতো বা প্রাপ্স্যসি স্বর্গং জিত্বা বা ভোক্ষ্যসে মহীম।
তস্মাত্তিষ্ঠ কৌন্তেয় যুদ্ধায় কৃতনিশ্চয়ঃ॥

(তুরো লান্দা কানি স্বর্গ পাক্লো নমায় চানি মালেম।
লেপ্লো নবুক লালগী দমক হৌগৎলো কৌন্তেয় চাং লেম॥

ঙসি থবক্কী লমদা চঙলিবা মথোয় মন্ত্রীশিং থঙদে, ছাত্র-ছাত্রীশিং থঙদে, লৈবাক খুনাই থঙদে লোইনবা থবক-তৌবা চোপ্পা যুগগী, খুৎনাই-শিন্নাইনা পোকপশিং-অতোন-অতাশিংদনা-থবক-শূগদবনি-চৎপা সমাজগী মীথিৎ, মীশক ঙাক্লিনা মথোয় মশানা তৌভম থোকই তৌনরুরিবা থবক্কী মথব্রায় অমসুং মশুপ হাপ্পা ঙমদে। মশানা তাউনা চৎপগুম মথোয়না পীবা ফিদমস্থ তাউনা অতুম চৎলি। অমরোমদনা, ঐথোয় থবক্তা হৈনরকপা, থবক্কী মহাউ থঙনা লাকপা ঐথোয়না তৌবদনা মীগী মমিৎ চুই।

নীংসিংলি—

শ্রীষ্টগী কুমশীংনা হন্ফুগী পরেং চৎলিঙৈ মতমদনি, ঐ ডি. এম. কলেজদা মণিপুরী ডিপার্টমেন্টকী হেড ওইরি। পোষ্ট-গ্রেজুয়েট (বি, টি) সেক্সনগীসু শরুক য়াই, মণিপুরী মেথড তম্বিবা য়াউই। থবক শূগনবা, থবক্তা ময়াইবা পোকপনিনা নোংমগী থবক থর শূদবা লৈতে। ঙম্বাঙ থেলো' তক্ক তকই, মনীং ময়া তনাল তনাল্লি, মনা মশীং থর থর থাই, হৈ-লৈ থনস্থ হোই। নোংমগী এনশাং নাপী ঈশিং চাইবা, শীংয়েল য়েংশিনবা কায়দে।

এড্ভোকেট অমা লৈমিন্নরম্মি, ত্রিপুরানাথ ভট্টাচার্য্য কৌই। মনাউ অমা ব্রাধাদা ট্রেনীং চৎলুবদগী ময়াম্বা উনবা লাকখি। ঐগী তরু তক পানবা ইংথোন্দা মাপী খোয়দাথা থেংথি। ঐগী দৈনন্দিন জীবন্দা থোইনা হেল্লা ভরুবগুম তৌবয়া, লাকখি নোংমা অঙনবদা, ঐনা ঙম্বাঙ কন্না শিংলিঙৈ, হায়রৈ—

নমস্কার, প্রোফেসার সাহাব!
সত্যি, আপনি ধন্য।

আমি ট্রেনীং গিয়েছিলুম বার্ধায়,
পেয়েছি কিন্তু আদর্শক্ষেত্র আপনার বসতবাটীতে,
এবং আদর্শের চলন্ত মূর্ত্তি দেখেছি যেন আপনার জীবনে।
আশা করি নিতান্ত আপনার মত জীবন যেন কাটতে পারি।

... ...

মাসি ঐখোয় ইশাগী অক্ষরশিক্ষাগী হোৎনরক্ললগা ওজাশিংগী সেবা চৎ-লক্ললগা অনীদগীনি। ঐখোয়না থবক্তা হৈনরকপা, থবক্তা থবায় তাবা, চুঙাইবা পোকপা ওবদগী থোকপনি। মনোবৃত্তি ফুগৎপগা লোয়ননা ঐখোয় ইশাদা থুপ্লিবা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রগী গুণ অমসুং বৃত্তি ফুদোকপনা শিক্ষাগী পান্দম্নি। মাসিদনা মীনা পুনশিগী নোংজু হুংশা লেপ্লি তবাই, মানবধর্ম্ম কাযবা লৈতনা চৎলি মপুনশিগী খোঙচম খুদিং; হিংবদনা চন্না হিং পানবদনা পুক্নীং শেংনা রাখল লূনা থম্মোই ঈংনা পান মর্ত্যসিদা স্বর্গগী ওইবা চুঙাইবা পী, য়েপ্লি।

নীপালসুবা মতাং

লীকয়াল পরেং

হুইড্রোম অমুবী—

থাগেমপল্লি হুইড্রোম লৈকাইদা পোকপনি। লৈশানা সাহেব ওঙ্ডি। ব্লেকি সাহেবতনি। হুমিদাং চেনবা নোংঙানবদা সনা কোন্নদা “কাবনি হায়রু, কনগে নশাস্থ কৈরোয় লৈকাইস্থ সাহেব মশাস্থ লোইনবা” হাকপি শ্রীযুৎনা সনায়াথং। য়াথিদে, থাদ্মি শিথাও অমুবী। কষ্টা থৎপা হাথি, থৎথি—সনখোঙদা য়ামথি।

এফ, জে, ব্লেকি পাথংনি, স্পোর্টস মোম্নি, মশক গোনা ফজে। লৈবাক্কী কলেক্টর অমসুং মোজিস্ট্রেটনি। অমুবী মতম থন লনগী মথক্তা শক্তী সেবা তৌহনা পাল্লি। কুইয়ুদি তমথিদে। পৃথ্বীগী অহানবা লান্তাঙদা, ফ্রান্সগী লানফমদা মণিপুর কণ্টিঞ্জেন্ট কমাণ্ড তৌহনা চংলি মি. ব্লেকি। হল্লকপগা কুইরমদরে, চংথরে হন্না অত্তম কন্ডিকান্না। হাথরে হুমিৎ, নৈহেৎরে থম্বাল অমম-ফিরুক থুম, নোংজা ঈবী খোল। থম্বালঙ্গিদি নোং মঙাল্লকই, অমুবীগীদি ঢাল্লকখিদরে অমুক। অরা-মৈথ হাং মঙ্কুনরবা মথম্মোই মঙ্কুনবা চরেনা য়োম চংলম্মি শিনা শিনা হিং ফনবু কুইনা কংলৈসনাপুংসিদা অমুবী।

মথোয় আশা-লৈত্রবা থম্মোইশিংসিগী অথুপ্পা মপাউ হাই ময়েক শেংনা বিশ্বকবিনা মশাগী ভগবান্দা কৎপা অর্জী অমদা—.

দিবস যদি সাঙ্গ হল, না যদি গাহে পাখী,
　　ক্লান্ত বায়ু না যদি আর চলে,
এবার তবে গভীর করে ফেলো গো মোরে ঢাকি
　　অতি নিবিড় ঘন তিমিরতলে—
　　　　স্বপন দিয়ে গোপনে ধীরে ধীরে
　　　　যেমন করে ঢেকেছ ধরণীরে,
যেমন করে ঢেকেছ তুমি মুদিয়া-পড়া আঁখি,
　　ঢেকেছ তুমি রাতের শতদলে।

(কোয়ৌনা য়াচঙ ভগ্না ভম চেক্লানা মখোল থুপ্লবা,
মালংনা মশা চোক হৎনা লেপ্লবা
থুপচিনখিরো 'হুদি ঐবু থুগু থুপ্লবা অমবা,
অমম-লোক্তা ওকপনা শূক ওয়বা—
মঙলাম্না ভুমিম্না ভরোইনি ভরোই
কোয়শিনবিগুম নংনা মালেমগী নৈকোয়,
কোনশিনবিগুম নথাদা নংনা মিংলাং ভুথরক্লবা,
থুম্নিগুম খযাল চান্নীপাল অহিংদা।)

মপোয়গী মতৌ উবদা ব্রাদবা ওমদে থম্মোই, কবি কবিগুম্না লেংদদি থং ভাও খনখি—মথোয়সিদি মপোক্মা ওঙ্গথিবনা হেন্না ফয়নি। ওংনিংথি, ওপি থুংইন বিশ্বকবিগী মথংগী অৰ্জী—

পাথেয় যার ফুরায়ে আসে পথের মাঝখানে,
ক্ষতির রেখা উঠেছে যার ফুটে,
বসনভূষা মলিন হল ধুলায় অপমানে,
শকতি যার পড়িতে চায় টুটে—
ঢাকিয়া দিক তাহার ক্ষতব্যথা
করুণাঘন গভীর গোপনতা,
ঘুচায়ে লাজ ফুটাও তারে নবীন উষা-পানে
জুড়ায়ে তারে আঁধারসুধাজলে।

(লমৗগী চেঙজেম্না লোইরক্লবা য়াংদৌ লম্মুথাঙদা,
অমাঙ-মম্নিনা তারক্লবা মমায়দা,
মীমাঙ ফম উফুল লাং মোচ্চ্‌নরক্লবা ফিনা রোম্না,
পাংগম্না ময়েং তা মমং লাম্নক্লবা—
থুপচিনখিরো চৈনাথোল মানা পুম্নিবা
থুগু থুম্না অথুম্না থোজালগী মশক,
শাচ্চয়সহু ইকাই-ফিকক হাং নোংচোনা ইহুন্দা
অমম-ঈরানা মশা লোক ঈংজনা হক।)

অমুবী মথন্দ নত্তে নৌনা মৱাক কম থীনা মচু ওল মাখিবা। ব্রিটিশ কর্মচারীশিং মীনি, লূ-তোংগী ওাক্লি, অগাম-খোৱাং লোইনা থডি। শ্বেতদ্বীপকী শ্বেতচহ্ন কনা লৈতে, অসিতদেশসিগী অসিতচহ্ননা অগাম-খোৱাং ওাক্লে। থবকী লৈরিমথৈগীনি। লোইরো থবকী মতাং মখোয় কর্মচারীশিংগী, লোইরে অজুন অসিত চহ্নশিংগী পুনশিং; কায় মঙলান, মঙকাওনৈ ত্যাইবং—ম্যাথি তম্না ফিগাউ-থনবা মঙী মংগ্রা।

মখোয় শ্বেত কর্মচারীশিংসে থম্মোই-পান্দবদি নত্তে। ভারত মখোয়গী নাই ফুংগানি। ভারতচহ্ন মখোয়দা নাইরোল ওাক্লি। শ্বেতজাতিগী সম্মান লুবনা থম্মোই পাল্লে পাম্মা অসিত চহ্নশিংগী থক য়েংদে। থাদোকই অদুম। নিংথৌগী মচাহ্নপী ফাও মখোয়দদি নাইজহনবগী মখোম ওইনা থোকপনা সনাগী শেষাক্তা মলমূত্র তৌথৈ তৌরগা থম্লিবনি। সমাজদি থুন্দবা য়াদবনিনা থুজি লৈমল, থম্মি তোঙাল মশাগী ধর্ম অমসুং সম্মান ওাক্লবা মেমপাড়াদা নোংপোক-থোং মিস্থোং থোং অনীনা থৈবা দম।

অমুবীনা ঙক্কেন্নুমল নীঙমদবনি থঙদে সাহেব কায়নথিমল মথম্মোই কায়রবনি থঙদে মক্না মোৎনা, তুষক তুফাই ইচল চল চৎপা থোৎপা উবা খুদিং পুক্লাংদা অৱাবা ৱাহংপয়েংমা হেক হেক থোরকই—

অমুবী ইস্কালচহ্ননি। থুমুংম নত্তে, মশিনফম্না লৈবাকীম তেথাউ-ময়াং-শীম ঈগাং লোইনা থঙবীনি। সাহেব ওংবা হায়রে অঙাং পঙওই ওইনা নত্তে, লৈশাবী মরিরবনি। মেমপাড়া মথঙ-মতাৱিনি। অয়াম্বকী নত্রবম ছোট-সাহেব ওংবী অথোকপী, বড়সাহেব ওংবী সনাতোম্বী অনীগী মপাউদদি মতাৱিনি। সনাতোম্বীগীদি ঐখোয় মতমচুগী অঙাংনা—

সনাতোম্বী মাঙলে মাঙলে
বড়সাহেব ঠিকা ওক্লে

শক্কবরা মহাক্কক শক্কমগনি। কবিগী অদুদি মহাক উনা উম্না অমাংবা নেৎলি! করে, মাদি মাঁচয়ি—ঈচয়ি, জগোইসাবিনি, নেৎলসহ। সনাতোম্বীদি সনা ঈচৌন্নি, সুরচন্দ্র মহারাজনা পোকপনি, নোংমাইথেম্বা অতোমনিংথৌগী মমৌনি। হংথিল পোবোগ্না ময়াম্মদগী কবিগী চেনি, হগ্না বাঙলোদা চুমক্লিং চেনশিন্দুনা কবিগী সাহেবতা মশা কথোকই, কবিগী লাজ-কুল-মান লোইনা হৈদোকই,

নাচু'দে ! থরনা হায়, "হাও পেরৈগী মক্সনা ফাবনি"। থর অমনা ককই থবৎ, "মক্সনা মী ফাবা য়ারবদি তন্ফাদনা ফানিনা ! মশা মশা হুংশিনদনবু থোকপা য়াবরা"। অমুক থর অমনা হায়, "সনাগী শেখাক্তা লমহুইনা মলমূত্র তৌ হায়বা হায়া পুম্নাদা লৈরবনিদা"।

পুম্নমক অচুম্বগী অচুম্বা ঙাক্লি, অমম্বগী অমম্বা ঙাক্লি। অমুক হেয়া চুম্নিবা মম্লিবনা সনাত্তোম্বীনা মথাকপু লূনা পৌম্লবা মনীং তম্না ফঙাইনা পানপ্লবা মরাম ওরাই তুংওইনরম মীরৈবাক মচা অমদা মবুক থোক্লা চৌলি। মীরৈবাক অত্থমক্সু সমুদ্র ঈরম তরেৎ রাংমগীনি—শ্বেতদ্বীপনি। য়াহিপ চাকচা, রাঙাং শোনফম, লোঞ্চৎ হুংজৎ লোইনা থীনা থৈনবনি। তুংগী করি য়েংবা তৌদনা চঙি থোনা হপ্তা বাঙ্গলো। অমুবীগীম্ব অত্থানি। ইকাই-ইকি চঙদে, তুংগী য়েংদে, নিংথৌগী হুংশিবা বিচার লৌদে—রেকি ফংলগা লোইরেদনি মাগী হায়ববু।

মশি, ময়া ময়া চৎলি অত্থম পুনশিদা ঐসি—ফনা কুইননি। তাক্কই নোংমদি মৈতৈ অশৈবনা শকপা—

হুংশিবনা হাম্নরে,
শকথঙবনা কোহ্লোয়ে
পাম্মু নংবু ননাওনা।

থুক পাল্লি, থঙদে মুম্না অর্থদি। থেংনক্কই নোংমা লাইরিক্কদা

সহজ প্রেম

পোকপদগী কোম্নকপা প্রেম। থঙ্মুমম্ব তৌই, থঙলোদনা থঙদে। অম্নম অম্নম লাইরিক কাবক কাবক তম্নক্লে ; নোংপোক, নোংচুপ—মায়গৈ অনীমক্কা কনা কনাগুম্বা কবিশিংগী কাব্যকুঞ্জদা প্রবেশ থর থরদং লৈবগুম-লৈবগুম তৌরক্লে। বঙ্কিমগী কাব্যকুঞ্জদা তাক্কই নোংমা কপালকুণ্ডলানা নবকুমারদা হুংশিনা কৌরকপা—

পথিক, তুমি পথ হারাইয়াছ ?

তাক্কই নোংমনা সেক্সপীয়রগীদা মিরাণ্ডাগী হুংশি মপাউথোল—

I have no ambition
To see a goodlier man.

কার্যা কারণগী জগৎ অসিদা মহাকবিশিংসিনা মখোয়গী খোর্জেনা য়েক্লিবা চরিত্রশিংগী মপাউখোল করি করম মশা-কাউবা-প্রেমগী-ছন্দ শান শন্নরিবা!

জগৎকী মীপুম খুদিং মপোক কোঙ্গায়-কোঙ্গায় ওন্না ওন্না লাক্লবনি।

বহুনি মে ব্যতীতানি জন্মানি তব চার্জুন।

(জন্ম কয়া ওনশ্রবনি ঐগীসু নঙগীসু অর্জুন।)

হায়বা ভগবদ্‌উক্তিনা অচুম মতাকই। অসিনোং বিশ্বকবিনা শক্লিবসিনি—

জানি জানি কোন্ আদিকাল হতে
ভাসালে আমারে জীবনের স্রোতে,
সহসা হে প্রিয়, কত গৃহে পথে
রেখে গেছ প্রাণে কত হরষণ।

(থঁড়ি থঁড়ি এহেন্নৌ মতাং অমদা
থাজ্রকপনি ঐ পুনশিগী ঈচেন্দা,
থৈথি হেক হেক মুমখোঙ লমদাং কয়াদা,
থন্নায়না হুংশি, কয়া পেঙথিবা!)

মী মপোক লাংঙোল খুদিং হুংশি কয়া শকথঙনরকই, থম্মোই থম্মোই লাম্বোক্লরকই—শিন্নরকই। মংকম মংকম খুদিং পিগা পিগা চিলোক্লা য়ানা কাযনরকই—মৈতায়া হেক হেক য়াথৈনরকই। লাঙোল খুদিং গুণ, কর্মগী মতুং ইন ফিজোল হেক হেক হোংঙি। মপাম্বোংদদি শকাউনৈ, থঙনদে। অদুবু, জীব মশেন্দি থঙনভম খোকপনা অচুম থঙনৈ। হুংগাউনৈ, হুংশিনৈ, ফুজিনৈ। কাইহৌবগী শরুক্তি চগী—ওইবীনা জগৎ-পোকপী দক্ষিণাগী মশক্লিনা য়াই হেক হেক। সংসারসিদা সনাভোবী মথন্দ নত্তে, কয়া কয়ানি। অমুবী মথন্দ নত্তে, কোঙ্গায় কোঙ্গায়নি। 'পুনশি-লীলাদা' মতাং অমা খোক্লবনা কুপ্পথিবদনি। অদুবু, মালংচৎকা মীয়মচৎকা তৈয়প চৎনবনা ময়ম থরদা থীয়প খোক্লবা, তুংইন মিংকম থীয়প চৎলুবগী য়াদনি।

ভদ্রসিংহ—

দুর্গাপুজা নুক্লে। কারিগর শঙ্গাকপনা লাই শাবা লোইশিল্লক্লে। মূর্তি

লোইনা সুরে। অঙ্গয়াগগী শরক্ত মঙারশিরকে। মতাং অসিরাইমকনি, নোংমা মুংথিল অঙনবদা শ্রীযুৎ লেঙশিরকই, সনা মিংয়েং তারৈ। কুপ্পা লাইশিং মথং মথং সনা মিংয়েং তারবা 'তুং খোগলশিংদা সনা য়াখং খিস্তং ওইনা তাকপিরকই, "ভদ্র ... ... ।" কারিগর, থুরূপ লৌবরা, মমাম লাং-শিল্লপ তৌই, লাইদা করি শোয়রবা কোয়য়েং য়েংঙি। খোগলশিং ভদ্র কৌক হায়রবনি খঙনৈ।

মতম অসি মহারাজগী তুরুক সওয়ার পরেং অমা লৈ। সনা খোগল মখোয়না অয়াবা তৌই, খোগনপাউ অথুবা অরাবা মখোয়না চৎলি। খোগল মরক্তা চুয়া য়াওরবা তুরুক অমা সনা য়াখং পুতুনা তন্না অচুম চৎথরে— শগোন্দনি।

ভদ্র মাগী যুগদা অখোইবা চিত্রকারনি। মাগী চিত্রদি মখি তাই—মথরায় পাল্লি। অতুনা নামৎ থীনা মাঁঙি—লাইরে। কলাগী ক্ষেত্রদা নামৎ মাঙনা চৎপা শিল্পী অহুম্নি—চিত্রকার ওাল্লি : য়েকই অমনা অক্ষরনা চিত্র, কৌই কবি ; যেকই অমনা স্বরনা চিত্র, কৌই গায়ক ; য়েকই অমুক অমনা রেখানা চিত্র, কৌই পটুয়া। মখোয়দি প্রাকৃত জগত্তা হিংনা হিংনা ভাবজগত্তা পাল্লি। তাপস ওাল্লি মখোয়। সাধনা কাবা তুংইন জগৎকা তায়ৈ হেন্না হেন্না অমুমম্নম। তারুই বীণাগী কোন্দা, কোনশিঙ্গি—কনশিঙ্গি বীণাপাণিনা মদাইনি অচানবা। য়ারৌই শিল্পীশিংবু তুরোম্নবগী মহূ চেনবনিনা লক্ষ্মী। অদুনোং কবিগী কাবিতা, গায়কী গান, পটুয়াগী পট—চিত্র অহুমসি বাণিজ্যগী বণিজদা, হায়বদি, লল্লোনবগী লল্লোনপোৎশীংদা কন্না চন্দে। ললগী মবেশদি লল্লোনবদা লৈবনা হায়নরিবা, খঙনবিবসিনি—

বাণিজ্যে বসতি লক্ষ্মীঃ।

অসিনোং মগুননা বিক্রমাদিত্যগী নবরত্নগী রত্ন অমা ওইবা বররুচি লক্ষ্মীনা থীনা কাথোক্লল চায়া নাম্বা মবুক থন্না চাবা ফংদবনি। মতালোয়গী খোইনশিন্না "নিংথৌলাইবক হুমদিন্নবা য়াবরা য়েংলুংগে, থন্নুরগে" লাকচৈ লাইর-অদোন তাবগী হোনবা মবুক হুমনথিবনা—

শুষ্কং কাষ্ঠং তিষ্ঠতি অগ্রে

(উকংমা মুংলিয়ে সনামাড)

হায়না মশা মশক তাকচখিবহুনি। কালিদ.সনা শুগীনা শুগীগী শুগদি হেক্ত খঙবনা নিংথৌনা অর্থ কৈরেংননা লৌশ্লবদি কিক মবুক্তা পাংখিবহুনি মবুকথোক্লা

নীরস শুরুবরো পুরতঃ ভাতি।

উকংদি উকংনি, জাত্মক্তি লেববুক বংম্পন্দিগীনি। অতুনা, ভত্রস্থ চন্দ্রৌনা মহাক্কী থোইথোইবা শুগগী থীনা কয়েংস্থল থীনা লাইরৈ।

লাক্লে ভত্র। খুদৈ অমোৎপা মচু ওমবা অমা লেৎলি, মাচুশুবা অমা য়াল্লি। থৌগনপাউ চৎলুবতুনা খুন্দ-তুনভমদগীনি হনগৎলি। মাতুনা ফিজোন-তুগী খিক্তং হিংডি, মশাগী সম্মান খিক্তং হিংনগুম তৌই। অতুবু মহাক্কী অমুক-তুমিদাংগী ফিজোল খুদৈ অনৗতুনদি চরৈ ফিখুংদে, তরা চাখুংদে ঐথোরগী শিল্পীগীদি হায়বগুম তৌই।

সনা চরণ থুরম্মি ভত্র। শ্রীযুৎ গুক্কা ইঙ্গিত তৌই। য়েংডি কোয়না লাই, হৈনগৎলি,—

> নোংশা সনাপুক্লীং তাদে'সি নত্রা ঐজ্ঞা ?
>
> উম্।
>
> সেম্লগা হনগৎলগে, মতম খিক্তং চঙলনি ঐজ্ঞা।

শ্রীযুৎ লেঙবা হৌখরে। ভত্র থৌগল চুরুটচিন্দগী মচে মরি মঙা শংহৌর। অমা তম্লা চম খক্লা খক্লা কারিগরদগী ফদিপা ঊপিংগা লৌবে। নোংশাগী মমায়দস্থ মশা খরদম্ভ ফদি অচোৎপা থারে হিংচাবগীদস্থ থর থারে। য়েংডি শুহাক শুহাক লৈরগা ফদি হাইদোক্লুনা হেক হেক, য়েংডি মখুৎনস্থ নম-নমতুনা লৈবাক্কী অকন-অথোৎকী চাং। ফনা কুইরবা তুং, সেখা য়ারনি উরবরা, মখুৎ খুদুম ময়ানা নোংশাগী মচীন মনাতোল ঊনখৎলি। য়াচেৎ মফম থর হোং করি করি থর সেম নোংশাগীস্থ মহিযাম্বরগীস্থ ফিভম সেখা য়াবা লেপ্লে। মমি কাবক নীংথিনা তারে। অহিংবা নোংশানা তাগী চৈনা পুঙমদনা থাঙলিবা মহিযাম্বরবু অমুক থীনা লাক উ চুপ্লে।

থাল আরতিগী মতম ওইশিল্লক্লে। শ্রীযুৎ হন্নৎলুতুনা সনা মিৎয়েং তায়রে। সনা পুক্লীং পেনখিবরা, "তো কয়া ফজরে" তাকপিখি। ভত্রগীদি মরাময়ক অথোম্নবনি। থৌগল লেল মুন্দুনা থোক হৈদোক্লগা লেংয়াল মচিদা মখুৎ অনৗনা থোম্নগা পরপ পরপ পুনশিল, শ্রীযুৎ শাংনা খুরম্লগা অতম চেনক্লে।

শ্রীযুৎনা "পৈশা লাকয়ে, ফারো" লক্লে। মহাক্কী হেন্না চোংথত্তুনা মথৎ অসীনা মথুল য়ৈরগা নোক্কুনা অদুম চেনখ্রে। শ্রীযুৎস্ম মরামস্ম নোক্কুনা অদুম লৈহৌরে।

ময়াম্বুংতোন হৈনোমখোঙ তাবা—

নামদি চন্দ্রহাস কোই। মান্না ঙন্না লৈতে। খাঙ্গদা মপুপকী লৈহাউ ম্নাল্লবদগীনি। চাউরে-উহ্। বিম ওইনা পুংকই—অসীমি। বিমদা চাউবা শাংবদা অদুমডায়রে। কৈশামখোং ছিদেঙ্গা শাই। অমদি টশিং চাউবদা শাউথরক্কুনা লোগাইজম লৈয়ক মপাগী ছিদেঙ্গা কুইনা লৈরমি। খাশীংদা নত্তে, কুমশীংদনি।

হায়—

উ অবিবদি লায়ওই, য়াহৈলদে। তৈথোয়দনস্ম নত্তে, মপাক্কী মীনস্ম অদুম হাগ—বনস্পতি অরিবা চহী চাম্মা হায়রবা পংংদি মশাদা থাঙ-শীংজঙ খাক্কবদা শাপ তৌই। হায়রিবা কাঙবুশিংসি ইপঙ পঙনা উদ্ভিদ-তত্ত্বগা ইথঙ থঙদনা চেক্ত পঙথাদ খাজক্কবস্ম নত্তে, উ অচৌবা ঘানবা ফুবগা উন-শীংমানা মখোল তমকুপ কুপশিন্নুনা ফুদোরকপা মদিলগী মপাংগল হাৎলি। উক্সাউ অবিবা গ্যাস—মহু থীনা চেল্লি থঙনা থঙনা খাজক্কবিবনি।

সম্যবান থক্কগী বনস্পতি মশা খাক্কবনি। বনস্পতিগী শাপ্পা নত্রে, মন চাদুনা ওহাক্কী মঙ্গদা শি। মথাঙ্তোন থাঙ শীংজঙ খাক্কদে, য়ানবা কৌবা ঘাওক্কদে, চুম্না ঙহাক মমাম ঙুঙাইমবা ফন্নুবদনি। অদুবু, পঙ্কই কুইদে, মশা শি। খাল্লনা উনা ইম্ফাল য়োরকফাক্টরিডা শিবনি। অদুদা পোপ তুদুনা লোইবগাস্ম নত্রি, তরানি মঙানি হকচাং ঊবশি। অনাবা অতৈমরা চিংনিঙ্ঙাইনি।

থাঙ্গদগী হকচাং ওম্ফাঙনা লেঙলকপনি, লাইওং থঙদনা নাই। অমাইবা অমাইবীগী ইরাৎ-থৌমি অমক্ত চঙদে, ছাক্কবগী ছিদাক কামদে। লাইখোঙ খুদিং চৌনখুল তিরৈ—চীংনিংথৌনা মথবাক লেৎলে, হিংলয়োই। লোইখি, চৎখি লাইওং থঙদনা অদুম।

তাখি মতমক্তদা সানখি লৈবাক্না বারী, উসি শীংজং খাবদা খোংথঙম তৌথিবনি, শীংজঙ মথন্দা ঈ খোকপঙম অঙাংবা মচুম তাখিবনি।

বিনাশকালে বিপরীত বুদ্ধি
(মাঙলমদাইদদি বুদ্ধি শেয়ান চংদি)

হায়বক্তুমক খোকপনি। উনা খোংববু কোয়ৌ খোঙাংনি মরোবা, ঊ শোকপবু মচুম ভাঙনা তাবনি মখনবা—লোইয়ো তম্বক্তনান।

ঐখোয়না লাইরিক তম্বা লোইজনা থবক ভৌরকপা মতমদা শাঙ্গা থুঙানা চৌংলক চায়। পি. এম. এস. ডি. না ঐবু পাৎশেল খোঙা হেক হেক থায়। ঐ তরানি মঙানি থাঙ্গদা হেক হেক লৈ। অহল নম্বলশিংগা শমিদা' শমিদাং লম তু, লাই তিলগী য়ায়ী হেক হেক সাই। নী অহল অমনা—

চৌংজংহত্তা লাইয়াম তিন্নে। কনা কনা থুনগ'না' ভি, কাবা সানি—হায়রে। চাইরেল-লাকপগা চৌংনিংথোগা কারে—মশা মশাগী হিদনি। চাইরেল-লাকপনা মাঙ তন্না থাগৎখি। অনৌ থ না তায়বে। বাঁঙু-লাইনেম্মনা চেংহৌ শঘাল শাংনা শাংনা চাইরেল-লাকপা উরে, হায়রকই—

হা ইবুং হিংেনবা,
নৌড্রি কাম্নদোই-শুবা !
শম্ পাশোম চোক্লা উই,
য়াংলৈ মিকুপ পোথারো।
লৈরাং লৈখোং হাঙলিয়ে,
চিন্নো লৈরাং লৈখোং কোই।
হৈরাং হৈখোঙ শংলিয়ে,
চাবো হৈরাং হৈখোঙ কোই।

ছুপা নংবু শকহেনবী,
বারোগন্ত কজবী !
পীঁজেল লৈখোং শঙলিজৈ
তাউজিং হৈখোঙ শেম্মিজৈ
মীনা খোঙ্গা হার্নাথনি
চৌংকম উরোং; খিনখিনি।

মাগোইদোরে মভাংনা
রাগৌরম চজানা।

পল্লে, হোনল্লে হি।

লাইরেম্মনা ইকাই ইকাই নৈরিবৈ লাকখি চৌংনিংথৌ। লেপখি মবুক চৌংনিংথৌ ফারগে।

থঙলেল কৌগে নহাকপো,
চজা ইথোয় তাক্কইদো।
নৈথোং হাঙলি শঙলো লাউ,
হৈথোঙ শংলি কোইরো লাউ।
পুনশি রাংদোম্বিরসি,
অমং থোঙহিন্মিরসি।
চুংশিবনা হান্নুইকো,
শকথঙবনা কোল্লেকো।

লেঙবা মাদু চৌংনিংথৌ—পল্লে। ঙহাক পর্মাঙই পল্লগা লাইরেম্মগা হান্নদুনা চৎলে, হোল্লে হি হিথুংভম তম্না তাল। লাইরেম্মনা তাকপা মতুং ইন হুগা মোবগা উঙমেল মখিল হোনগৎলে। চাইবেললাকপদগী হান্না অা মাঙজোননা থুংলে থাঙ্গা চৌংগোলদা চৌংনিংথৌ। উরোং চাউনা রাংনা থিল্লে, পীরে মথাথংবা শকক্লা মরোম চাইরেল-লাকপদা। অদুবু লোক্তাম্না উঙনবদা চৌংমায় নৈথিদুনা থা-রাং ওম্নখি। চৌংনিংথৌগীনা মথ চাইরেল-লাকপগীনা অরাং তাথি। অরাং তারে তানা চাইবেল-লাকপগী লমথেবু ঙসি চঙথা হায়নরিবসি মরম অসি নৈবদগীনি।

রারৌসি লাঙ্গরোলগী পংথৈদা তাক রারৌদি রারৌনি, অদুবু, লাইরোন্দ লাঙ্গরোমগীদি নত্তে, মীগা লাইগা শন্নবা মতম হায়রবা মতাংদুগী ওইনা তৌই। মথোয় অনৌসি রারৌনমু থাঙ্গাচৌংগী থুন্দা অহানবনি হাযবমু তাকই। এহেন্নৌইঙৈ লোক্তাক্তা তারম্মি হায়রবা খাঙ্গা, কঘোং, উরোক, উশাঙ্গ হান্না থঙনবা ফুরুপশিংগী পুকোক্সমু ওইরম্বা য়াই। মাদুনোং পুকোকনৌংবা ধর্ম মতুং ইন মথোয় লাইশীং চল্লবমু য়ানা লৈ। থাজনবা মতুং ইন লোক্তাক-

কোইবা, ঈগ্লাইলৈমগী মথংলেল লাম্লিংখো চৌংনিংথৌস্ন শরুবা য়াই। অতবু, শকপনা শকপনি, মশানা মশানি—পূনশিনবা থক য়াদে।

লোক্তাক, লোক্তাক্কী চাং চৈংনিংথৌন খুনগায়রক্লি্ত্তে আ মমাঙদগী লৈরবনি। ব্রহ্মবাদগী মতুং ইন জীবনা দেহগী মপু ওইনা কোয়না হৌবগুম লোক্তাক ঈশা মাপন্না ঈগ্লায়গী চৈংশিংগা হেক পোকপদা চৌংনিংথো-ঈপাই-লৈমা অদুম কোয়রবনি।

জগৎ ব্রহ্মমায়ানা সেম্বনি, ব্রহ্মমায়ানা পুকনি। শকই অদুনো ব্রহ্মানা মহামায়াগী স্তুতিগী পয়েংদা—

বিসৃষ্টৌ সৃষ্টিরূপা ত্বং স্থিতিরূপা চ পালনে।
(সৃষ্টিনি নং সেমদুনা জগৎ স্থিতিনি লিংখৎলগদবা 'মুক।)

জগৎ ব্রহ্মমায়াগী মশক্তি, হেক্লি মহাক্না মশাগী অপরা শক্তিনা অৎপ্না শক্তমদা পোৎলম থুদিং, চাল্লি পরা শক্তিনা পোংগুম ওইনস্ন অমুক। শকই অদুনোং দেবশিংনস্ন মহামায়াগী স্তুতি পয়েংদা—

ইন্দ্রিয়াণামধিষ্ঠাত্রী ভূতানাম্ চাখিলেষু য।
ভূতেষু সততং তস্যৈ ব্যাপ্তৈ দৈব্যৈ নমো নমঃ।
চিতিরূপেণ যা কৃৎস্নমেতদ্ ব্যাপ্য স্থিতা জগৎ।
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ।

মৈ ভগবদ্উক্তিস্ন অদুম—

ভূমিরাপোঽনলো বায়ুঃ খং মনো বুদ্ধিরেব চ।
অহংকার ইতীয়ং মে ভিন্না প্রকৃতিরষ্টধা।
অপরেয়মিতস্ত্বন্যাং প্রকৃতিং বিদ্ধি মে পরাম্।
জীবভূতাং মহাবাহো যয়েদং ধার্য্যতে জগৎ।

(মৈ ঈশিং লৈশিং মৈ তিমা পুক্নাং লৌশিং ঐ ইশাই ঐ।
মথোয় নীপাল অসে ঐগী ইশক চাল্লি, অমমল্লি।
কোই মথোয়সি অপরা, লৈমি অমা, কৌই পরা।
জীব ওইনা পুই মহাক্না জগৎসে খণ্ডু পাংগনবা।)

অদুনোং ঈশ্বরনা মহাক্কী অথুপ্পা শক্তম' হেল্লিবনি জগৎপুম্বা, মহাক্কী মশেক মঙাম্না হিংলিবনি জগৎ কোইনবা।

শক্তি ভগবদ্গীতা—

ময়া ততমিদং সর্বং জগদব্যক্তমূর্তিনা।

(হেল্লি ঐনা জগৎপুম্বা ঐগী অথুপ্পা শক্তম্না।)

অমুক্ক—

অহমাত্মা গুডাকেশ সর্বভূতাশয়স্থিতঃ।

(লেঙ-পান থিবিক্কা ডাল্লিবা অ'স্মাদো ঐনি অথৌবা।)

ঙাংলি ভাসি থাঙ্গা ওইনাম নৈকাইদা হুভম চাউনা য়াদুনা চাংনিংখৌ-টংহইহৈমা। লাই পাখংবগা নিংখৌ পাখংবগা য়েৎশিন্নবদুগ য়েংশিন্নরি লাই চাংনিংখোগা থাজগী থুম্না অংানবা চংনিংখোগা।

সংসারগী পোৎলম অচংপা অম, চক্তবা অমা অনী নি। অচংপদা উই নীংশিনা থরায়গী বিকাশ। চক্তবদসু উই অদুম থরগী মথে। মরীচংপা পোৎলমদনা থরবু হেন্না উংগুম তৌই, য়েংফম নৈবা মায়গেদা চৎলি মরী. মীনা কারিগুবা অমদগী ভাসিগুম্বা মচাল মতৌন্দু নৈখোকপিন্নে, হখেং নোংভান-বদাদ মথক্ক অদুগ নৈনিংবগনি। অচংপগীদি তুম্বা মিকপখোকপা মাং, মগু অনী চৎলি হায়রবা অদুম থডনৈ। চক্তবগীদি তুম্বগী মগুংদদা নৈবদোনা তৌই। তুম্লে তুম্না ঐখোয় মীনা কবি কানিগুম্বদা ইতা তাগুম ইথঙ থঙ্গুম তৌবদোনা নিসর্গগী ঐখোয়না থঙবা ভমদবা, থঙদবা পথাপ অমনা উ-ৱাদ-চিংবা কোঙ্গায়মগীসু মপুনশিংগী মতাং অমদা হায়্না ময়া ইথঙ থঙদবগুম চৎকন্বা অবা-হুড়াই থঙলকপগুম, থঙবগুম তৌবমা নৈদ্রবসু য়াহ! মখোয় উ-ৱাগী মপোক্কী ওইবা জ্ঞানগী মশক ওইনা মশাদা হেল্লিবা ডাল্লিবা ব্রহ্মমায়ানা মিকপ খোক্লবাননা থাঙ, শীংভঙ্গী চৈনা চারকপদা মপুন্নশিফাও কোম্বা তাবনা থাগৌরবা য়াই, শাপ তৌহৎ য়াই নত্রে শ্রীমদ্ভাগবতকী লাইরেংগী মথয়াস্তু মথরায় মাঙবা তারবা শামুনা বিষ্ণুস্মরণ তৌরুবগুম মখোয় মশাগী হন কোইব, চাং কোইবা লাইগী স্মরণ তৌরবা য়াই। বিষ্ণুনা লাইরেল লোইশিনবগুম অরুভবু লোইশিনবসু য়ান. অদুম মরৈ। নীংসিংলকই মতাং অসিদা বিশ্ব-কবিগী কবিতা অমা—

এ আমার শরীরের শিরায় শিরায়
যে প্রাণতরঙ্গমালা রাত্রিদিন ধায়
সেই প্রাণ ছুটিয়াছে বিশ্বদিগ্বিজয়ে,
সেই প্রাণ অপরূপ ছন্দে তালে লয়ে
নাচিছে ভুবনে, সেই প্রাণ চুপে চুপে
বসুধার মৃত্তিকার প্রতি রোমকূপে
লক্ষ লক্ষ তৃণে তৃণে সঞ্চারে হরষে,
বিকাশে পল্লবে পুষ্পে, বরষে বরষে
বিশ্বব্যাপী জন্মমৃত্যু-সমুদ্র-দোলায়
দুলিতেছে অন্তহীন জোয়ার-ভাঁটায়।
করিতেছি অনুভব, সে অনন্ত প্রাণ
অঙ্গে অঙ্গে আমারে করেছে মহীয়ান।
সেই যুগযুগান্তের বিরাট স্পন্দন
আমার নাড়ীতে আজি করিছে নর্তন।

ঐগী হকচাং কায়াৎক্তুং শিংলি-পাফন খূদিংদা
ঈথক-ঈপোয়রিবা অহিং-নুংথিল অনীদা
থবায় মাগী ঈচেমা থোরে মালেমগী কোয়বুং
সাম্রি জগোই তান্দা নেৎ মালেমথক্তা জগোইবুং
কেনা নোনা মেন্দা লৈ—তুখোঙ খূদিং য়ৈনা য়ৈ
মালেমগী কল তম্না ফাও নাখোঙ য়ৈনা শীংবুম য়ৈ
লক্ষা লক্ষা মালেমথক হরাউ তুমিল ঈহুল তম
ফৌডি মশা য়েরৌ চোং শীঁডেল কাদা লৈশাৎ তম;
পোকপশিবা-ঈপাকথক মালেমগী কোয়-চাংজোম্ভুং
ওগ্নি লাইজ ঈওল ল্যাং কুমওল খূদিং মতম্ভুং।
থবায় মাগী শণ্টয়া মালেম থোয়া চেনবা
থকৈ য়াইকৈ ঐহাক্তে কায়াৎ খূদিং লাংজবা।
ফাওবে হুংদা ওসিদি যুমোন-কোনবা ঈহন্দো
সাম্রি জগোই শিংলিঙ্গুং চোংনা হয়া ঈচেন্দো।

নান্নষি কবিরিত্যুক্তং ঋষিশ্চ কিল দর্শনাৎ।

কবিদি ঋষিনি। ঋষিগী গুণনা দর্শন্নি। উবনি অক্লনা বিশ্বকবি জগৎ থুনা চেন্নিবা থব্রায়গী ঈচেল, পোৎলম খুদিংদা ফাওরিবা থব্রায়গী ঈঙ্গল। শকপনি অত্তুনোং কবিতাদা স্মৃষ্টিগী অথুম্না মপাউ। অত্তুগুম তাক্লবা তাই নোংমদি থায়নঙৈগী মৈতৈ কবি অসমু লোন্দম্বিনা লোলগী শরুক তম্বিরমদবনা লোম্নাইহৌদ্রবা জগৎমগী লোম্নাইদবা অব্রাবা ভেংথাখোল, শকথি অত্তুনোং "হিজন হিরাউ" দা—

ঈরোক লাইচম লৈমা
শাম্বা থাংথোং পোকপী
মপন পলেম মমানা
... ...
তন্না অরেম্ববু থীকলেন থাদা কোম্না
পাওমেল্লকএ।
... ...
পামেন হৈরাঙ চারি নাতম হৌরকঙৈদা
শাম্বা ওইন্নু থাংথোং ওইন্নু
তনমু তলহাউ ওইগম্নু
... ...
মিসি থাওয়ান ওইন্নু হায়না পাওমেনববু (ইবুংঙো)
পলেম থৌতিক থোনবু মাই বাচানদবগী মরমনা
... ...
তন্না উনিংথৌ অচুম্ববু লৈনা শানলোল্লক্লবনিগীনা
.. ..
হম্নেং কৌবা ইন্নু শোম্নরক চীংলেন নোংপা ঙাল্লক্লবদি
শীংজও লৈতোন চন পামেন উক তুপ
তোংম্নেং নাউমৈ কন্না লাইরেনপাংবা ম্নাতাগে
হায়রঙৈনে।

উপী উরেন পোকপী
মালেম তম্পাক লৈরেনহনবী
পলেম মমাদো

মিৎমা থম্বাল মানবা অনীমক্তা
তরঙ লাইজ মরাঙ হো পিরেম থকমা তা
... ...
কৌবা ঈ হৈথবগুম
কোয়ৌ নোংখোংবগুম
মিকপথিয়ে।

মযাঙ্গতোন্না য়াল্লুবা লৈহাউ লাইয়োইরবা উনি। বনস্পতিনি। উগা অন্না-অনা খেংনা থগুলবা উনি। মানা শিনীংদবগুম শিনীংরবা উনি। অমরোমদনা, চৌংনিংথো-ঈরাইরৈমা-কোনগী লৈতেংনি থোইখোইবা। পাম্বনা য়োকপা, পাম্বনা পোৎশক্লি। মহম খিবিক্তা লগুবগুম ঙাক থোকপনা কোংখিবনি মথক্ক য় ময়াঙ্গতোন।

জর্ম্মণ লাল (১৯১৪-১৯১৮)

লান্দি অষ্ট্রিয়ানা হৌবনি। জর্মণনা মায়পুনখিবদগী জর্মণ লাল হায়না চৎখি। খ্রীষ্টগী কুমজা ১৯১৪ দগী ১৯১৮ ফাও শোক্লে। মৈরীক্তগী মৈজাউবি হৌখিবনি। অষ্ট্রিয়া সাম্রাজ্যগী নিংথৌরেল-লীকথাঙ আর্কডিউক ফার্দিনেণ্ড সাম্রাজ্যগী মঙংমক্তা সিরাজিবো কৌবা সহর মগা অমদা হাৎখিবগী য়াথোক্না অষ্ট্রিয়ানা সাব্বিয়াদা লাল তাই। রুশিয়ানা মরম কয়াদগী সার্বিয়াগী মীচঙ লেপ্লি। জর্মণনা মরুপ সানবা অষ্ট্রিয়াগী মতুং রুশিয়াগী মাথোক্তা লেপ্লি। রুশিয়াগী মরুপ ফ্রান্সদা লাল তাই। ইংলণ্ডনা লাল থায়বা কন্না হোৎনৈ। অদুবু কায়দে। ফ্রান্সনা মরুপ ওইবগা জর্মন্না বুলগেরিয়া শোক্লকপগা মগা অদুম লান্দা চঙলে। তুর্কিস্তানসু জর্মণদা তোংলে। রুশিয়াদি থীনা শোক-মন্দুনা লান পোথাক্লে। অদুবু, ইটালীদি হান্না য়াওরমদবদগী ইংলণ্ডদা তোংহনা চোংশিল্লে। আমেরিকা সংযুক্তরাজ্যসু ইংলণ্ডগী মীচঙদা লেপ্লে।

আপানমু জর্মণগী মায়োক্তা লানগী শকক য়াখি। জর্মণ থীনা শোকখি। ভার্সাইগী সন্ধিনা অমুক হৌগৎলকত্রসন্থ মতা থীনা শাখিনা শীনখি।

থায়নতৈ মহাভারত্তা পৃথ্বীগী অকনবা শক্তি পুরমক্তা বার্ত্তন তৌরে তৌনা তৌত্রে তৌদনা চিথহৌবা য়াদে মতা লোইনা লানগী শকক খানখিবগুম কুন-মুবা শতাব্দীগী ভাজীন্দা পানখিবা অকনবা শক্তি পুরমক লানফমসিদা লোইনা শকক য়াখিবনি। অদুনোং লানকম অসিবু পৃথ্বীগী লাম্লাও হায়না খঙনখি। লানফমসিনা হৌদোকখিবনি অতিয়াগী লাল, পুরকখিবনি অগত্তা য়াওল অমা অচৌবা, পীখিবনি য়াওলসিনা জগত্তা সমাজ, ধর্ম্ম, অর্থ, রাজগী অনৌবা য়াথল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম।

মণিপুর—

এহেলোইন্দগী নোংদম পারকই। খ্রীষ্টগী কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিলগী তারিখ ২৩ দা খোংজোম লান্দা মাখি নোংদম। বৃটিশনা সীমান্ত পরিরক্ষণ নীতিগী মতুং ইন নিংথৌ-খুভমদি মুখৎখিদে। কর্ত্তাবংশগী মায়োক্তা মহারাজ নরসিংহনা পোকপা ভুবন যুবরাজগী মচা চাউবিয়াইমা সনা মায়থুখিগী মচা ইতোন তোনবা অমুসনাবু খিগত্তুনা নিংথৌ খিন্দোকই। অমুসনা চুড়াচাঁদ ফিংথোন লোত্নুনা বৃটিশরাজগী শেকপিল মথাদা পাল্লি। চনখি অমুম মণিপুর ইন্ডিয়ান ইন্ডিয়াগী মচং।

ইন্ডিয়ান ইন্ডিয়াদা পানবা নিংথৌ চাত্রেংকা অমনি। থাক য়াম্না থায়। সলামী নোংমৈ মশীংনা লেপ্লি। হায়দ্রাবাদকী নিজামনা খ্বায়দগী চাউই, প্রিন্স্ অব্ ইন্ডিয়া হায়না খঙনৈ। ভাইসরোয়গা সলামী নোংমৈ মশীং মাম্নৈ। মথংগী পরেংদা লাকই বরোদাগী গাইকবার, ইন্দোরগী হোলকার, নাগপুরগী ভোন্সলা, পুনাগী পেশবা। লীকথক, লীকথা, লীরুক, লীকয়ায়, লীকথাঙ, লীক্লোই, লীকথোম পরেং মথং মথং চখবগুম মথোয় নিংথৌশিংগীসু সলামী নোংমৈ মশীং মতুং ইন পরেং মথং মথং অদুম চখবনি। নিংথৌ পুরমক সলামী লোইনা ফংবদি নত্তে, উপাধিদনা নিংথৌমশীং চনবা টিটুলার রাজা হায়না খঙনবা মথোয় নিংথৌ পরেংগীদি সলামী লৈতে। মথোয় সলামী ফংবা নিংথৌশিংগী সংসদ্ অমা লৈরম্মি, নরেন্দ্রমণ্ডল কৌই। বৃটিশগী আমলদননিনা

চেয়র অব্ প্রিন্সে্জ হায়না থোইনা শরুনৈ। ঐখোয়গী মহারাজস্ নিংথৌগী অধিকারমা নরেন্দ্রম গুলগী সদস্তনি, চুয়গীদবু নত্তে, মশক কাবক নাইনা ত্তিনবনি।

অর্ধংশ লাম্দা বৃটিশ ইন্দিয়ানস্ ইন্দিয়ান ইন্দিয়ানস্ বৃটিশগী মত্তেং চাউনা পাংডি। ইন্দিয়ান ইন্দিয়ানা থরত্তুম হেন্না পাংবরা থল্লি। নিংথৌ অমম্মা মশা মশাগী থাক্তী সম্মানস্ ত'ক্লা, থাক মশেনগীদস্ হিগায়বগুম মানা-কৈদা-হেনবা ঐনা-কৈদা-তাবা য়েংনা মী, শেন, থুংশ্-থুংলাই, পোৎ-চৈ, ফি-য়োল, অচা-অথক্লচিংবা কয়া কয়া অত্তুম পাংনবনি। ঐখোয়গী নিংথৌদি লাইয়থরবা লৈবাক্তীনি, মমায়বা থাক মশেনগী অত্তে নিংথৌশিংগীদোনা মরল্লাই গাদীগী ওইবা লন-থুমস্ পায়বা নত্তে, অত্তুমক্তদা মশাগী থাক্তী সম্মান ত'ক্লা ফনা নীংথিনবু ত্তেংবাও পী। লেবর কোর, কন্টিন্সেন্ট আর্মি থাই। শেন্স্ পাংডি। পাংলুমন নিংথৌপনগী সম্মানস্ লৈবাকপনগীস্ থর কাথি।

মহারাজ রাজা ওইনা থিন্দোকপনি, লান মঙ্গকাও অত্তুম লৈবনি। লাল লোইরবদা মহারাজ থিন্দোকই, বংশগতনি। কামাণ্ডা অব্ বৃটিশ এম্পায়ার, শম্না সি. বি. ই উপাধিস্ পী। লাকথি পঙ্কই কুইদনা নাইট্ কমাণ্ডার অব্ দি ষ্টার্স্ অব্ ইন্দিয়া, শম্না, কে. সি. এস্. আই, উপাধিস্ অত্তুম। লেমজথি ত্তু'ইন নরেন্দ্রমণ্ডলদা মহারাজ। মশা-মপুগী মভান্না মচা-মশু-ওইব-শিংনা লেমজবগুম লৈবাক ঐখোয়স্ অত্তুম লেমজথি। নিংথৌ-চাউনা-পানবা লৈবাক্তী প্রজাশীং চনথি। 'সিদি অরাইবদি, লৈরি পঙ্গাউনি অমা, লাকথি অাত্তিগী পুনশিদা অহোংবা অচৌবা অমা।

ত্তরামাপনস্তবা শত্তাব্দীগী অরোইবা থোক্তভম ত্তরাগী তাজীন্দনি বৃটিশনা মণিপুর লৌবা। অত্তুনা অর্ধংশলাল হোৌবা মত্তমদা চহী কুমভাকাও হায়ন্ত্রি। লৈবাক্লা নিংথৌপানবা লৈবাক ওইবগা বৃটিশগী শাসননীত্তিনগা সমাজ অমসুং ধর্মগী কেত্রদা মথুং থিংজিন্নবগা লানগী মত্তম অসিরাইফাওদি লৈবাক্লিগা পাশ্চাত্য কৃষ্টিগী মমি থোইনা তাগ্রি, মুক্তাবু তাগ্রি হায়বদা হায়মনবসু থোক্ত্রিবা মত্তাং ওইনা চৌরিবনি। মত্তম্না কুনমুবা শত্তাব্দীদা থোক্তায়বস্ লৈবাক্তি ত্তরামাপনস্তবদা অত্তুম পাল্লি, মত্তমগী থোক্তদোই চানা মথোঙ থাংবা হৈগ্রি—থাংগ্রি। চীংনা এন্সো চীংদ চীং ওইনা হিংলি—পাল্লি; ত্তম্না ত্তহাগী

হঙোই মতম হিংলি—পাল্লি। অনীমক মশাগী য়াহীপ চাকচা, মশাগী লোঝং শাজং, মশাগী ৱাথল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম কায়বমত্ত লৈতল চৎলি। অদুবু, লানসিনা চীংগী পম্বোং শৎথি কাওকে, তমগী হোজঙ কাখি নাত্তে। শকথি তুংইন মতম্না জগৎকী মপাউ।

লেবর কোয়গী মীথিৎ চীংমী ওল্লি। ডাংৎলগা থোঙজাইগনা মপূংনি। লম্ কুম্ না শেয়ে। মথোয় লাইরিক হৈবা অমনীনা চিংই। অমদি ওজা থ্ ইবাকপম নবকিশোরনি। মথোয় ক্রাঙ্গ য়োই, ঃালগী বিজয় য়াওই। পাক-চাউরবা ম'লেম-লৈকোয়গী লৈচীল অমা ঝংবগা লোয়ননা উরমদবা কয়া উরকই; থঙলমদবা কয়া থঙলকই; তারমদবা কয়া তারকই; অয়া-অনা, অকি-অথং কয়া নংলকই; হুডাইবা য়াইফবা কয়া থেংনরকই—থাকথদা লোই-নিংঙাই লৈত্রবনি, মথোয় মশক কাবক ওয়া লাক্লবনি। মথোয়গী মপাউনা জানগী মশেক মঙাল মচা অয়া চীংমায় থূদিং চাজোল থূদিংদা অদুম তায়বনি। তুংইন, পম্বোংগী পুনাশদা কৈরে লৈনা ৱাথল ফিদম মিৎয়েং পান্দম থিত্তুংদদি ময়া থঙদে ঙায়া থঙদে, ওন্দনিঙাই লৈত্রবনি, অপনবা কয়ানা হং চনখিবা, চই থাখিবনা হায়ুগী হায়ু অদুম শারফাওয় থম্মোইগী থম্মোইদুদা ফা কাদুম অমদা মঙ হাগীলোনা ঈথোমদি অদুম মরেয়বনি।

ৱাফমা, অয়াবনি হায়াসয়া হুডাইবনি কৌশিরা নীংসিংলকই মতাংসিদা। মথোয় লানকমদগী হৱকপশিংসি পোৎ-চৈ অক্রবা মচা মপু য়ায়া পুরকই, থূদাং ঘড়ীনা থিৎ নম্মি। মতম অসি লৈবাক্তা ঘড়ী পঙতা তাদ্রি। অচৌ-অশাং অথয়বা থয়দনা শীজিয়নবি। অদুম জেব ঘড়ী ঙাক্লি। অদুনা মথোয়গী কাম্বিজদা থবাকী কুম্বিৎথাউগী মচাদা ঘড়ী হাপকম মথুল অমা হেক হেক হাল্লি। ঘড়ীনা মথুলদা হায়গা ঘড়ীদা পানব' চেইমনা মঙক্তা শিনৈ। ঘড়ী মথোয় অচৌ-অশাংশিংদকাও সনা থূদোপকুম কৈরেং ওইনা নয়া চৎলি। অদুনা থ্ৱায় লৈবাক্তদি ময়ল ইরৈবু লৈত্রে। লৈকনিঙাইদ্ব লৈতে। প্রকৃতিগী শিনয়েক মতুংইন পূ চীজী তানয়েতম কোয়ো অঙানবনা হুংখিল, কায়রে য়েয়া হুমিদাং। মথোই থঙনা চৎলি অনীমক, শোয়দে মিকুপ নাত্তমকাও তান লৈবা কমিহুংদা কদোহুং। তমগী তানয়েতমদি থুং কয়া লিংনা চৎলি। মা, লাই, শা, উচেক লোইনা চঙহ্না পুই। নোংঙানবু, গোবিন্দগী শয়ীক,

পন্টনগী বুগল, হেন্বা কাক, কায়রৈ য়েন, ভুমিংথুংবি তোপ কাওরেল খথনচিংবা কয়ানি। শাইজিন-পোশিবা কোয়ৌ অঙানবনা পুই মপুং, অমুক-হুংখিল তৃমা চঁডি মিংয়েং, শীল্লি খোগাই। মকম, মতম, মওং মতাশিদা ঘড়ী পুরক্লিবশিংদুগী অবাবা অমা ওইখি। মশা মশানমক্ত হান্নগী মছিং মশাদদা হৃল্লিনবনা ঘড়ী চঙদে মখোয় মশাদা। য়োনবদসু খংচং চত্তে। তাহুনা লৈগদৌবগী শরুকপুদি, মতম্মা শেল নংবা—মদুক, পাই, শেনখায়ফাও চৎপ-নিনা, য়ানা পুরক্কল লুপা মঙা অমা তশ্না অমত্তং হল্লিনবস্থ খিত্ত নত্তে খঙুবরা অমুক্তগী খ্বাইরম্বন কৈখেন্দা "পূং লৈগেরা, পূং লৈগেরা" কোয়হা হায়। কনানসু তাবিরুদে, খোওইবিরুদে। লৌ পরিদা থাজনা লুপা তরুক্তগী পৈশা মরি তাবা খীবা ওমদুনা চিলাম চৎলিবনি। মণিপুর রাজ লোয়শংগী কেরাণী লুপা, ১৫ দা হৌরিবনি। কনানা ঘড়ী শিনিংলুনি। শিত্ত শিংজক্ত্রবা মতমদদি, অক-কত্ত য়েংদনা, মখায়দা, শিকিদা, লুপাদা অহুম য়োরবনি। ঐগীসু য়েত্তিরম য়াটচ্ অমা লুপা পীদুনা লৌহৌই। চহী অহম মরি ফজনা চৎলম্মি। কৈদগীনো নোংমা করিত্তবা অমা তৎপগুম নাম্বোকপগুবা অমা তৌখি। মতম অসিদি ঘড়ীফাও মশক উত্রিবা খঙনদ্রিবনা চাম্মদা মরিফুত্তরাগা মাপলগুবা, নৎপূ নত্তে—লারে, নীশিংদা চামাপলমরিফুত্তরাগা মাপলগুবা চৎপনা ঘড়ী লেম্বা হৈবা মীদি মমীফাও ভম্রিত্র। অদুনোং ঘড়ী তেকপু তেক্লবদি অয়াবনা অহুম মরোইরবনি। লোইয়ে, লোইগ্রে অদুনা ঐগীসু নীঁওম-নীঁওমদনা অহুম।

চীংবুশিংনা লেবয় কোর সাবগুম তম্বুশিংনা সাই কন্টিন্জেন্ট আর্মি। বাটালিয়ান অমনি। তংখায় অমনা ক্রাস য়ৌই, তংখায় অমনা লেপ্তস্-ডাউন্দা অর্দর ভাইদুনা লৈ। মরায়বক ফবদগী ক্রাস চঙবা কাডবুসি লাল চঙলমদাইমক্তা লাল লোইদুনা তেক্ত-কায়দনা হম্রকই। অমক্তংদদি নাহুনা শিখি হায়বগুমমা তাখি। লান্দগী হল্লকপদা মেসোপোটেমিয়াদা অপুনবা আর্মিশিংগী হয়াউ তয়ামগী বলগী হায়বরা হোকৗগী হায়বরা অচৌবা টুর্ণামেন্টতস্ অতৈদসু কপকা য়াম্না কংলকই।

ভাগ্যঃ ফলতি সর্ব্বত্রম্

ভাগ্য লৈবশিংদি মকম খুদিং মমল ওই হায়বদু ক্রাস চৎলুবা সিপাহীশিংদা

চপ চানা থোকখি। লাঙ্গগীস্থ হিংলকখি, মমান্নবা ময়াম মরক্তস্থ বিজয়-বানা ফংখি, ফিরাল থেংখি। শগোল-কাঙজেগী মণিপুর ঙমখি ঙাকপা মশাগী ইজ্জৎ। অশিবগী মথয়াক্তগী হিংনা লাকপগা মালেমদা লৈবাক্তী মিংচৎ-উরোং থিল্লবগা ওকখি মথোয় ইন্দাল্লকপা লালোয়শিংবু হুংশিবগী মথক্তা থোইন হুংশিনা, হয়াউবগী মথক্তা থোইনা হয়াউনা, হুডাইবগী মথক্তা থোইনা হুডাইনা।

বিশ্বকবিগী জীবনস্মৃতিদা কবিনা ময়াম্বা জ্যোতিরিন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মতুং ইন্দুনা বিলাত চৎঙে মথাক্তী গ্রীক, লাটিনগী ট্যুটর প্রোফেসার অমনা মঙোন্দা হায়খি হায়বা ৱাফম অমা নীংসংলকই।

হায়—

অগত্তা মতম্না মতাং-মতাংগী ওইনা পুক্নীংগী ইথিল হেক হেক পী। ইথিশু মীপূম মীওই থরদদ ফাওরগা তোক্কে। চাওথৎপদা কোক্তোল কারবা জাতিদগী লৈকুৎ-লৈরাই মাহিক্লশিং-ফাওবদা ফাওই। ফাওক্নমল লাকপা ইংন্দি চাওথৎপগী থাকফম থেম্নবা মতুংইন অত্থুম মথেমৈ।

হায়রিবা অসিমক ঐথোয় চীং-তম অনৌদা চপ ·চানা অত্থুম থোকখি। চীংনা এহেলো পুনশিদা অত্থুম মপানবনা লানগী মতুং ইন লাকপা মতমগী ইথিল চারে চানা মপাদা অহোংনবমত্ত থোইনা উদবগুম তৌখি। তম্না ইথিল চাক্নমল মশক মচু কাবক কাবক হোংবা ওনবগুবা অমা উখি। মতম অসিগী লৈবাক্তী ফহি, ৱাথল, ফিদম, মিৎয়েং-পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরো হৌজিক্তোগা থীনা থেমৈ। কুপ্না ইকত্রবস্থ পৌরপ্না ৱাফম অমনীদনা মথোয় লৈবাক্তী মশক মচু অত্থুম লাকপা য়াগনি। ঐথোই লৈবাক্তী খুন্দ: অহানবা চেংলৈনা মীয়ানশিংবু হাও (হাউঁ), হিন্দুনা ম্লেচ্ছ, মুস্লিম্না কাফির, খ্রীষ্টান্না হিদেন নত্রে পেগান, গ্রীক্না বার্বরিয়ান কৌবগুম ঐথোয়গী মধ্যযুগগী তম্বুনা অমাংবা কৌই। মথোয়সিগা অতৈ জাতিশিংগা থীনা থেম্নবা অমা লৈ। অতৈদি মজাতি মশেল খুৎ চানৈ, হায়রিবা মথোয়শিংসিদি মজাতি মশেল খুৎ চানবগী মাদি লায়রক্না মখুৎ মখুত্তগী জৈশিংফাও লোনদে। মথোয় মশেল অমগা অমগা মাংনৈ, মদোম মদোম শেংনৈ। চাক ময়াম চামিন্নবদা অমগী জৈশিং হৈহোক থক্না অমগী চাক্লুক য়োঞ্জবা অনীমক অত্থুম চান্রে। অমনা জৈশিংনা

খোরু চুনা চাক থাংবদগীনি, অমসুং ইশিং কৈরোরুবগী ইকাইবদগীনি। অদিদি তুরাইবু তুরাইবনি, মতু মচাগী মথুং মুকচা চাববা পরেং, মতু মচাবু মপাম চতু চাহনবা পরেং, মথাগী মথুং চাববা পরেংনচিংবদু কয়ামনি। চংলিবা কুহিসি কয়বা য়াই কৎলকপবা য়াই, চুমবমু য়াই চুমবদবমু য়াই—খিকবা নত্তে, অওইবা ফিতমদা তাকপনি।

মীয়া অসেং-অমাং থীনা খায়বা, মদোম মদোম শেংবা লোইনা য়াবগুম পোত্তম অমুম খায়। সোডা সাবান যাংডি, খোরুবদা কোক তুন্থি, কেরোসিন যাংডি, লাইরুং চংবা য়াদে। করোথুম, মরাং-থুম যাংডি, য়াই কত্তে, অরাংনা চান্দে। কলগী ইশিং যাংডি, লাই কত্তে, থরুদে। অদুগুম কৈথেলদা খুইরবদা যাংডি, কারুবদা ঊকই। স্কুলদা পেট্রিপ, মোইংাংথোম, জোনষ্টোন যাংডি, কাকুবদা ঊকই।

নীংসিংলকই মতাংসিদা পরিব্রাজক অমগী হায়বা—

মণিপুর আচারবান তো হৈ বহুত, লেকিন, কাফী বিচারবান নহী হৈ।

মণিপুর লোকসুদি য়াম্না ফজৈ বিচারদদি য়াম্না নৌনা চংলি হায়বা হায়মসিদি খোইনা লান্দবগুম চংলবনি। চৗংগী পরোমুংদা মদোম চিপক তোভান লেপ মশাগী কৃষ্টি চেংনা কোন তুমিন অদুম পানবনি ঐখোয়গী মণিপুর। অদুবু. চান চংলুবা মচাশিংগী অহিকতা, অভিজ্ঞতা অদুগী মতাঙ্গা মথোয়না মথোয় মশাগী পুনশি খোঙচত্তা খাংলবা খোঙজম, সায়বা জগোই, শরুবা শৈশক্লা লৈবাকী হাখল, ফিদম, থিংরেং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরোদা অহোংবা অমা লাকথিবগুম তৌখি। কোকপগুম তৌখি থরগী মথৈ শুহা কোইবা নুংঙাবগী খাজং মুজং, থিংরেং পান্দম। তৌখি ঊনবা থর থর মতমগী খোঙদোই।

চীংঙাথম সনাজ্রাউবা—

অমিরিং, সিদিং থর লৈবা অাংনি। ঐখোয়না অঙাং থর ওইবনা মপা মপু, হোৎনম শাৎকম খোইনা খঙহোমে। মশাদি মী পঙচাউ চাউদে, মপা পায়, মচু মুই, থিমাং শেংলি, মগ্রিক (কম্যান্ড) শি, থিমুং থিজি।

থায়টেল—

অর্জুনমালগী খুদোং লৌমুদা মণিপুরগী, বৃটিশ তাহোঙ্কে মপা লিংথৌ

ওইগে হৌবনি। হাওন' নোংমত্ত ওইরবস্থ নিংথৌ ওইরগনি হায়বা পুরাণগী র়া মতুং ইন চৌংদা ভোংবনি। মহাক্তি শক্তিদি শক্তি অমা ওইবা ভাই, কৈ ভোংহুনা চৎলি, য়েৌনিংবা মফমদা হেক্ত য়েৌই, শনৈবি মপানবু চিংথরগা মভোল পায়হুনা চিংবদা মক য়াওনা ফুকই, শা-উচেক কোৌবা ঙম্বি ... . । অসিদগী মাবু লাইনি হায়হুনা লোইপাল থঙদে, চৌংঙ্কু থঙদে চৌংশাং পূয়মক লোইমবা মাগী মবা হেক্ত চৎপনি, শাফৈ য়েনফৈ চিক্ত্না মাগী হেক্ত লেম্নি।

লাল অসি চৌংমীগী ওইনা তৌবনা হাওয়াল হায়না চৎলি। খোংজাইনা হৌবনা খোংজাইলাল্ কৌই। চৌংখোঙদা চৌংয়াদা তুকানগা ফমজবা নীপা মুপী ফনা য়ায়া হাংখি। অহিং অমা করিগুবা তম্পাক্ত তম্পাক য়েৌরক্লবদি কিনহুনা থুনগং পূয়মক পালি নাইনা য়োং (গাউণ্ড) চৎনৈ। ইম্ফালফাও য়ায়া চেকশিনৈ।

মতমসি মি. জে. সি. হিগিন্স্না বড় সাহেব (পোলিটিকেল এজেন্ট) ওই। মহারাজগী চায়বা মরুম্ নি। মণিপুরদা কুইনা লৈবা সাহেবতা মহাক্ অমনি। চৌংবু তম্বুগী লোঙ্কৎ শাজৎ লোইনা থঙি। লান্দা লেবর কোরমক্তা চৎল্লিবা খোংজাই চাম্বওানি। পূয়মক মুয়া থন্দুনা বড়সাহেবনা মখোয় লাহেল্লোবা খোংজাইশিংবু থেমজিন্নবা কম্না হোৎনৈ অহুবু সনাজাউবগী মতিক মগুণনা লোইনা ভঙ্কৎখিবনা বড়সাহেবকী র়া অমত্ত ভাখিদে। থেয়-থেয়গা অহোই-অহোইননা ঈথক্ত্ম কাখিবগুম ভৌখি, কাখি—চৌংয়া-তময়াগী মী পোং শোকপা হৌখি।

ষ্টেট সরকার লাল তৌদবা য়ান্ত্রে—ভৌয়ে। খোংজাই লোইনা হৌখিবনা লাল্ তয়াইবা অমা ওইনা থোকখিদে। চৌংদোনগা চৌংখোঙ চৌংথাগা কাওনমমল্লিনা সরকারগী অরাবমা ওইখি। য়াটুম অমনা হোত্নুনা নোংমৈ কাম্না, কাপথৎপবুদি মখোয় চৌংমী অমনীনা নূং কাবক চাউবা অমা ঈহূ্রকপনা হেন্না থীনা শাথীনা লাকচবনা পাবম্ব বানা থোকখি, মীম্ব য়ায়া শোকখি। মতম অমি হিগা মণগাড়ীগগী যুগনি। ইম্ফাল তুরেলদা রাইফলম্যেন অশোকপা হিবোৎ হিবোৎ পুয়রকপা নোংমত্ত কাংদে। শিবম্ব ফনা য়াওবগুম তায়। শাম্ব ভোপ পুক্সা অমদি নূংনা নম্বুনা শি হায়—হন্নকথিদয়ে।

মখোয় চৌংমীদি মমীং অকক্লবা নোংবৈ থয়দনি, কাওঁ্জম্ব মমীং অকক্লবা

থরদনি—ষ্টেট সরকারনা পীবনি। মশান্দগী অথোইবা ফংনিঙাইস্ব লৈতবা মতম্নি। ব্রাৎপা-লৈতবা নোংমৈ-ভোপ মচীন্দা নুং, তা, তেন্না কদৌনি। লান্না মশিন ওইবা, লাহোং লানফম লাল্লম থঙনা লাঙংবা সিপাহীশিংগী মন্নাঙদা কয়াবু কুইনা লেপ্পুগনি! চৌংগী নিংথৌশিংগী মকোক-চৎপা উথা-নিংথৌ মরোয়-নিংথৌ কয়া কোম্বনা ফাত্রনা থৌরী থাংহুন' পুরক্লে। লানগী ঊবাং থরাদ নেম্লে, চ'ননমক ঊংবদি নত্রি। সনাকাউবা লৈরি। কৈনা মচা পোক্লমদাই থোঙ্গ্লল মুথৎ-মুথত্তুনা মাঁঙি হায়বগুম মহাক্তু থোঙ্গলল মুথৎ-মুথত্তুনা হেক হেক মাঙ লাল ভুংলি। তাথি অত্রবু—

বলিয়সা স্পর্ধা

(অঙবদা লঙবা)

ফারে সিফাইনা মতম থরগী মঙ্গংদা সনাজাউবা। মহাক হেক ফাবদা লোইরে লাল অত্নম। মশা রাজবিদ্রোহী অমা ওইনা বিদ্রোহদা পান্নুনা বিচার তৌরে। মরাল লৈরে অত্রবু মথরায়দি লৌত্রে। থারে মহত্তা ডায়েমগু মপুনশিগীদমক, লোইম্রে মশা কালাপানীদা অত্নম।

মতম অসি ঐথোয় পেট্টিগ্রু স্কুলদা লৈরি। ইমুং মপাল, লৈরক কোনশাং, লৈপুং লম্বাঙ, তোরৈ তোর্বাল—মফম খুদিং লালগী বানা থল্লি। বেলুনগী, এরোপ্লেনগী, টকুপ্লি জাহাজগী ব' লোইবা লৈন্তে, তায় নোংমা-নোংমগী অনৌ অনৌবা অঙকপা', অথুকপা পাউ কয়া কয়া। বীররসনা মপুং চেল্লগা অত্তুত, ভয়ানক রস অনীনা তিনবা শ্রব্যকাব্য ওইনা থোকখি। মতাং মতাংদা থুকখি, ঙকখি, মুঙাইখি—চুংখি তু, নীকখি থম্মোই, মুংখি শম। অত্নবু থম্মোইদা অয়ো পানবমক্তি মুমগী ওইবনরা থঙদে হাওরালগী বামা হেক্তক চৎখি। ইশা অঙাং ওইরে ওইনা, মীওইবগী শিনিংদবা, ঊংনা পান্নিংবা মুংচত্তুনরা থঙদে, অহল অমনী তিম্নুনা লানগী বা ঙাঙনবগুম ভাবদা হাও-রালগী পাউ য়াওবরা ভাবা হেক্ক চৎলি। ইশানা করিগীনো হায়বা ইথঙ থঙদনা হিদা লালগী অশোক-অনা পুরকপা, লান ফাত্নুনা পুরকপা পুরমক চিথদনা য়েংঙি। পুনশিনা লীক্লাং-পরেং মতম থোংগ্রেংগী পরেং ওইরবা, অরোইবা লোরনা ভৎলফাও থোংগ্রেংনা থংলোই লোইবা লৈকদবা, ল্যাংভোল

কয়া পোকপা শিবা অনী তুনা চৈনা চারকপা পূম্নমক্সিনা লানগী অফানবা শক্তমশিং অসি কিবোই হুণ্ডাইবোই য়েংনিংলখম্ম য়াই।

বায়স্কোপ—

চলচ্চিত্র মথল অমনি, অফানবা মশক্তি হায়বা অদুম মথণ্ডনৈ। লান্দগী খ্যায় লৈবাক্তী মীপূম থরনা ঘড়ী মশক কাবক থঙনবা হৌবগুম ইম্ফাল ময়োলগী মীপূম থরদংদনা লানগী হেক মতুংদা বায়স্কোপ থঙবা হৌই। বাবু-পাড়াগী বাবুশিংনা পুরকপনি। মখোয় লোইনা রাজকর্ম্মচারী ওইবগা মতমগী ঈয়াং থঙবগা ঐখোয়গী নোংচুপথোঙ হাংবা পক্নুই কুইন্ড্রিবা ইন্দিয়ান ইন্দিয়াগী নোংপোক চিদাইদা, চৈংগী পক্লোয়্ং অসিদা তাররবস্ত ইন্নি অদুম বৃটিশ ইন্দিয়াদা মতম্মা থাংলিবা খোঙথাং। অদুনা লৈনাক্সিগী চাওখৎ-খোঙথাংদা মখোয়গী শরুক লৈতবা নত্তে, ফনদুম চাউনা লৈরিবনি।

সিনেমা—চলচ্চিত্র—

বায়স্কোপ পুরকপদোনা পুবকখি চলচ্চিত্রস্ত অদুম, মূকচিত্রনি। জর্ম্মণ-লাল উংলি। অতিয়াগী লান্না মপূং'ন। বোম্বুন, এরোপ্লেনগী লাল্লোং নীংখিনা উংলি। মখোয় বোম্বুনগী লাম্মী অয়াম্বা শি। অদুগুম এরোপ্লেনগীস্থ শিবনা নম্মি। প্লেনগী লানফম অমগী অরাবা দৃশ্য অমা ভসিফাওবা কাউদ্রি। প্লেন মী অনী ভোংঙি। বোম থাধরুবা হল্লকপদা য়েন্নবগীনা তানশিন্নক্লে। প্লেন হিংনবা অনাস্নবা নীপাদু বিদায় ভৌরম্নগা চোংথদুনা শিগ্র। অদুবু তুংগীনা পাইলোটতু কাপতুনা প্লেনগা কদিগা অদুম তারে. শিবে। অছানবগী নিপাদুগী মথোনা, মরৈবাক মজাতিগী প্রেম, অশিববু থোনা মায়োরকুনা তপ্নাই জয় ভৌথিবা ভাবুকী থম্মোই লোইনা গুমখি। চুম্না গুমখিন্দ নত্তে, কামখিবগুম ভৌখি নাকোং খুদিংদা স্বদেশ, স্বজাতিগী প্রেমগী দীক্ষামন্ত্র পাথি নোংমা অা মমৈথংদনি, বাঙ্গলাগী কবিতা হায়বদি তারে, অন্তবাদদি মাল্লি, অমগী আবৃত্তি। জোনষ্টোন স্কুলগী চহীগী প্রাইজ পীবদনি। কম্মজীরন্দা মশাগী স্কুলদা ওজা ওইথিবা, হায়স্কুল ওজাগী রাষ্ট্রপতিগী এবার্ড ফংখিবা হৈক্রুজম নবকান্তনা থীবনি—

আমি চাই মহতের মহত্ব পরাণ

... ...

নীংশিংথি হায়না নিয় প্রাথমিক পাঠদা তমথিবা লানফমগী রাঘী মতাংদা থক্সোই লোমা হুংশিবা। মতম অকুপদি লানকমগী মখিংচু জেনেরেলগী মখিংচু থঙলখি। হৌজিক্কি কাউবে। লাল্লি বুটিশগীনি। জেনেরেল তুরে, ঈ থীনা থোকমনখিবনা ঈশিং থীনা বোই। মথোয় অমনা রানা খিত্তু পুরকই। থকে হেক ত্তোরকপদা লাময়া তুররা মথোয় অমনা মিত্তানা য়েংবা উথি। "মহাক য়ায়া থোয়াংনা উরে, পীকচো" হায়না লাখোকখি। তানখি জেনেরেল ঈশিং থোয়াং থোবাং অমোইবা য়াহিপ। নীংশিংথি অমুক হায়না মথংদা মুক-চিত্রগী ব্যোমযানগী অথোবগী অথোবা শাজং, অথোবা ত্যাগ। তাথিবত্তুম ত্তোথি থজিত্তুং অচাং-ওইবা থক্সোইদা অচোগা থক্সোই অনীশিগী মশেক মতাম। থখিংত্তুম ত্তোথি মথোয় অচোবা মীওইপোকশিংগী অরুবা মচাম্না শেংলোকই থ্রায় মীওইবা ঐথোয়গী অমবা থক্সোই।

"Lives of great men ennoble our heart"

সদাক্য—থবচ-অউশিংগী জান-পোকপা চৈলোই মপাউ, সচ্চিত্র—অয়েংবগী থক্সোইগী গুণ ফুলোকপা থুংয়েক, সদ্গ্রন্থ—পাবদা কোকৌ থক্সোইগী তুগথিবকৌ বিকাশ ওইনবা লাইরিক, সদ্গুরু—তাবদা রাথল, কিদম ফজবা রায়ী রাতাই সৎসঙ্গ—অকবা শদগী মচং চাদ্র। মীবু মী ওইনবা লেমদা মথোয় থৃচিংমক য়াই চাউনা শরুক। লৈরিবশিংনি অহৌং মীপুম থুদিংয়া পুনশি লমতাকপা কবিগী মপাউ—

"মহাজনঃ গতো যেন পন্থা"
চৎদু লীয় মহৎশিংগী খুনাম
ওইনি মী চানি লোয়যোই লোয়মন।